শরৎ চক্রী

অরোইবা ব্রাহং

(অনিন্দ্য শতক)



অরোইবা ৱাহং


(অনিশুবা শরুক)



শরৎ চন্দ্র চট্টোপাধ্যায়

ৱঘুমণি

কোংজবী
শ্রীমতি এল: সনাহনবী দেবী
ব্রহ্মপুর, নহাবম।



অহানবা খুৎনম
১৯৮৬ ইং

কোপী মশীং
১০০০

মমল লুপা ৩৫

নম্মম :— দেবলা প্রেস, মসজিদ রোড, ইম্ফাল!

ইন্থোকপিরবী, খোঙ্গোইনবিববী, নৈহংপিরবী নুপী ওইবীশিংগী মফমদা লাইরিক অসি কথোকচরবনি।

হন্দোকচবা—

ৱাহৈ খরদং

লাইবিক অসি থোইদোক্লা মযাম্না শকখঙবিরবা, নুপীগী লমচং যেকপদা কুপ্না মনুং হকচিন্না মরিক চুন্নদা শিংথানববা সাহিত্য-জগত্তা মালেম শিন্না মিংচং লৈববা উপন্যাসকার শরৎ চন্দ্র চট্টোপাধ্যায়গী 'শেষ প্রশ্ন' (অরোইবা ৱাহং) হায়বা উপন্যাস অদুনি। ঐখোয় মীওইবদা খায়রিবা বাংলুপ অনি হায়বদি নুপা নুপী অসিনু সমাজনা নুপাগী মীচংদা লেপ্পা, অদুগা নুপীদন। দোষ থৈজিনবা অসিগুম্বা কয়া অসি উপন্যাসকারনা যানিংদে। সমাজগী লুচিংবশিং ঙন্না নুপা ওইবা মরম্না নুপাগা নুপীগা অধিকার মান্না হায়বনা মপাঙ্গোংদা ফনা লাউহুনম্বু অশেংবদদি নুপীবু মানাইগুম হন্নবা লৌদবা নত্তে, মসিবু মতাক্লা তংশংনা যানিংদে। ধর্ম্মগী খেন্নবা, লম-লমগী খেন্নবা, অদুগা মিংগী মাংদা তুংদা নশি-নলথোন মযাম হাপচিনবা অসি থাদোক্লগা ঐ মীওইবনি হায়না পরিচয় পীনিংবগী ৱা পল্লি। অদুগা 'নারীর মূল্য (নুপীগী মমল) কৌবা প্রবন্ধগী লাইবিক অদু ইবগনা নুপীশিংবু মতাক্লা তোপ-তোপ্পা শক্তম অমদা উরম্মা হায়বসি অমুক্কা হেন্না মযেক শেংহল্লি।

অসিগুম্বা শক্লাইরবা উপন্যাসকার অমগী লাইরিকপু অতোপ্পা লোন্দা হন্দোকপা হায়বা অসি তরায় তরায়বা নত্তে. মদুদা

অশোয়-অঙাম থোক্লোই হায়নিংঙাই লৈতে। অদুমকপু উপন্যাস অসিনা পীরিবা পেল্লাইদ্রবা মহাওদু পামজরুবনা হন্দোকচরুবনি।

উপন্যাস অসি চাউমনখিবনা নম্বনচিংবদা খুদোংচাদবা খল্লা লৈবদগী শরুক অনি থোক্লগা লাম্হোকচবগীদমক পারিবশিংনা দোষ লৌবিরোই নিংঙৈ।

লাইবিক অসি 'মালেম' চেযোংদা হাপ্পবগীদমক্তা ঐগী ইনাও শ্রীগুরুঅবিবম প্রেমকুমার শর্ম্মানা হায়বা মতুং ইন্না বাংলা লোন্দগী ইরোন্দা হন্দোকচখিবনি, অদুগা চেযোং অদুদা মতম শাংনা চংনা হাপ্লিখি। মরম অসিনা ঐগী য়াইফনবা খল্লিবা শ্রীশর্ম্মাবু হন্না হন্না থাগচ্চরি।

উপন্যাস অসি নম্লিঙৈ মতমদা থৌনা হাপ্লিখিবা লুংশিববা মরুপ-মপাংশিং অমসুং ঐগী ইযাম্বা শরুবা ঈকাই-খুম্নরবা শ্রীমোইরাংথেম ইবোতোম্বী (বিভিনিউ অমসুং ভেটিনারী মিনিষ্টর) না মহোশাগুম অচৌবা মতেং পীবিবদগী লাইবিক অসি পাবিরিবশিংগী মিংযেং মাংদা লাম্হোকচনবা খুদোং যংজবনি। অদুনা তেংবাংবিবিবা খুদিংমক্তী মযমদা শিংঙল্লরোইদবা লমন তোনশিজরবনি।

হন্দোকচবা—

পুন্সি, ৱাহং কয়ানি, ৱাহং কয়াহুগী মরক্তা অৱোইবা ৱাহংহুগী
পাউখুমদি পীখিদে, পীবস্থু ঙম্লোই—অহুম্না পনখৈহুগী
ৱাংমদা চংখিনি পাউখুমহ্ ঙাইনা ঙাইনা।

পরিচয় পীতুনা হায়বকই, "মহাক অনি শিবনাথবাবুগী মীনাইনি। অনাবগী চিক্লার থোং-থাকপদগীনা হিদাক পীথকপা ফাওবা মাগী ডিউটিনি। নুমিৎ হেক তাবদগী তুম্নবা হোংনকুমাল্লে, হৌজিক হোগংতুনা লাক্লিবসিনি। অনাবগী মরমদা কবিগুম্বা পাউতাক খরা পীবিগনবা শেনবদি মঙান্দা পীবিবগ্নু, ভাব তাবা ঙমগনি হায়না খল্লে। করিগুম্বা অপঙবা নত্তে। নমিংহু ঙবাং খঙলুববনি, অহুবু লাউথোকখ্রে। নমিং কদিনানকৈ?"

"ফাগুয়া।"

"ঙসি হিদাক পীথকখত্রা?"

নুপামচাহনা মথুং ওইগী পশা অনি উংতুনা হায়বকই, "চা অনি পীথক্রে।"

"অতৈ খরা পীথকপ্রা?"

"হোয়—শাঙ্গামস্তু পীথক্রে।"

"যাম্না ফরে। মথক্কী পাঞ্জাবীশিং লাক্লমব্রা?"

নুপামচাহনা ঙাইহাক খল্লগা হায়বকই, "নুংথিলদা বাবু অমা লাক্লম্মাল্লে।"

"মানবা? মতম হৌদা নঙ হৌদোহনা লৈরুবগে নুপামচা, তুম্মুব্রা?"

কমলনা হংলকই, "ফাগুয়া. নখোয়গী সিদা শুমজিৎ-নুংজিং-ককা লৈব্রা?"

ফাগুয়ানা মঙক নোল্লগা শুমজিৎ লৌরুবা চৎখ্রে; রাজেন্না হায়বকই, "শুমজিংনা কৈদোনবিগদোরিবনো? মঙোন্দা কনা পদোবিব্রা?" নুপা

কমলনা শকফম হঙ্গিনা হায়রকই, "মসিবু ফাগীগী মতম্না ? মীনুংশি হাযবহু নশাদা পক্তব্রা ?"

"হান্নদি পক্লম্মী। ৱূড অহুগা যেম্মিন বিলিধদা পুম্নমক অহু কংথোক্লম্লে।"

ফাগুযা শুমজিৎ পুতুনা চংলক্লে। বাজননা হায়রকই, "ঐ লাম্বনা শিগদোৱে। কদাযদনো কবিনা খজিক্রা চাকখিগে। মতম অহু ফাওবা শুমজিৎকা অঙাং অসিগা কবিনে। তৌবিহৌবা হল্লক্লগা য়ুম ফাওবা যিক্লবগ। চিংনবিকল্ন, ঐ পুং অনিগী মনুংদা হঙ্গল্লকনি।"

সহবগী চিদাযদা লৈবামযম অসি ঙাইহাক্কী মনুংদা মাচিক মীরাওখোল তাখিদ্রে, ইচিক চিকথ্রে। মথক্রা লৈবিবা মখোয অহুনা ঙাংন-শরুবা অমসুং হঙ্গৎ-হন্দা চৎপগী খোঙথাং মাখোল লেপখ্রে। মখোয় ফমুংদা চংলখ্রে হাযবা খঙলে। শিবনাথবী পাউ লৌবা কনাসু লাক্লে। মপান্দা অমম্বা অহিং হেন্না মমশিললক্লে, লৈমায়দা কম্বল তিংথোক্লুনা ফাগুযা তুমথখ্রে, থোঙজাও লোনশিনবা মতম ওইবক্লে, অসিগুম্বা মতমসিদা লম্বাদা সাইকলগী মন্দিলাগী মখোল তাবক্লে অমসুং থংনবা মিৎকুপ্তা থোঙ হাংদোকতুনা রাজেন চংলক্লে। কোইক্লপ কোইক্লপ যেংলগা তেনগ্রবা মতম খবা অসিগী মনুংদা য়ুমগী ফিভম পুম্নমক পুমওন ওল্লম্বা উবদা মহাক ঙাইহাক তুম্মিন্না লেপ্তুনা লৈ, অহুগী মতুংদা মখুত্তা পায়রিবা অপিকপা লাইথিহু মনাক্কী টিপয মথক্তা থম্নগা হাযবকই, "অতৈ নুপীশিংগী মতৌগুম্না অদোম্মুসু থল্লম্বা মহু ওইবমদ্রে। নাম থাজবা য়াবা মীশক্নি।"

কমলনা রা ঙাংদনা য়েংলকই। বাজেন্না হায়রকই, "চহিক অসিদা খঙলে যম যাওবা হোংবিরম্লে। কোইথি থিবদা মোম্পাক-খিদক ফংবিরম্বা যাই, তন্থবু মাবু কমদৌনা থাংদোক-থাংজিন তৌবিবগে?"

কমলনা তপা তপ্না হায়রকই, "খঙলবদি অকবা নাত্তে।"

"অহুম্ন কমদৌনা খঙবিনিবনো? খঙফম থোকপা রাফমদি নাত্তে।"

কমলনা হায়রকই "খঙবগী রাযম্বু শুপ্নগী নখোয়দগীনা! খঙো, ওইবিবঙদা চা-বাগানদা ঐনা অনাবা কয়াগী সেবা তৌথি।"

"অদুনা হায়রিবনিদনা!" অসি হায়রগা মহাক্না মাইকৈ খবি লৈলদুনা য়েংলগা হায়রকই, "লাকপদা ইচম চম্বা চানবা খরা পুজবকই। পুল-কংনানবীদা ঈশিং যাউহৌবা উবম্মী। চাথোক-পিবো ঐ ঙাইজগে।"

কমলনা মহাক্কী মাইথোংদা য়েংলদুনা নোকফেং তৌবকই, হায়রকই, "চাবগী রাদি নংঙান্দা পনখিদে, খঙহৌদনা মহুম্না খল্লক্রিবদি কবিগীনো?"

বাজেন্না হায়রকই, "খঙহৌদনা খল্লকপা অশেংবনি। ইশাগী ইপুক থল্লে, মতম অদুদা করিগীনো খঙদে অদোমম্বু লাম্নমগনি খল্লকই। হল্লকপদা চুকান্দগী কবিগুম্বা খবা লৈবগা পুল্লকপনি। কুইথবিরগনু, চাথোকপিবো।" অসি হায়রগা মহাক মশামক্না ঈশিং যাউবা পুল-কংনানবাদু থাংদুনা পুরক্লে। মনাক্তা এনামেলকী গিলাস লৈ, হায়রকই, "ঙাইহাক্তা ঙাইবিরম্মু, মপালদা মসি ফেংদোকচক্কুখিগে।" অসি হায়রগা মহু পুদুনা চংলক্লে। মহুক

অসিগী কদাযদা করি লৈবগে হায়না মহাক্না ঙবাংমক উথ্রবনি। হল্লক্লগা থিরুহনা সাপোন মচেং অমা পুখোংবক্লে, হায়বকই, “অমোং-অকায় য়াম্না পায়বিকবে, খরা চেকশিনবা যৈ। ঐ ঈশিং থাজগে, চাবিদ্রবৈদা খুংঙুল অদুগা হাপ্‌মদা পিয়ু।”

কমলনা মপাবুংগী য়া নিংথৌক্লে। মহাকসু অস্থুম্মা য়া ঙাংবদা থোইদোক্না বন চেনগনে. অদুগা থম্মোয়দি খোৎনুপ-লোকোয় লৈতে। হায়বকহ 'খুং হানদোকপাদি যানিংদবা লৈতে, অদুবু চাবদি ঙম্লাই লাই। নহাক খঙলমদবা যাহ, ঐদি ইশানা থোংজরগা চাই, অদুগা মনল মাংবা অহাও অহাৎবা চিঙ্গাক মযাম অসি চাদে। ঐগীদমক য়াবিকহনা নাংদে, অদু লুমিংতা তৌবগুম খুমদা হল্লগা চারগনি।”

“অদু ওইরবদি অঙিং থে জিল্লভ্রিডৈদা লেপমদা হল্লসি, ঐ থিজ্ঞবমগে।”

“নহাক মথম অসিদা অমুক হল্লবখিগদ্রা?”

“হল্লবখিগনি।”

“কয়া কুইনা লৈগদগে?”

“মক ওইনা হযেং অমুক ফাওবা। মথক্তা পাঞ্জাবীশিংদা শেল খরা শিন্নখি, অমুক্তং চায়েংনদ্রিবমথৈ লেংলরোই। খবা চোকথবে, চোকথসনু। অমুক থৌশাবোই হায়বদি খল্লুদবনি। ভোগৎপিরো, মাইকৈ সোমনা গাড়ী ফংলোই, খোঙনা চংপা তাবে। হল্লকপা লম্বীদা মুচিশিংগী লৈকাইদা অমুক্তং চংলম্না তাবি। নুপা অনি শিবগী য়া লৈবনি, যেংলুবা হায়বহনি মখোয় বমদোবিবগে?”

কমলনা অদুক হপা রাযম অহ্ নিংশিংলক্লে নুপা অসি থম্বগী রাখল মচেং অমত্তা পক্লে। অযাম্বা শাজং মেছিনগী মতৌগুম্মী। কবিনো মশাক উদবা থৌইনশিন অমনা মহাকপু হপ্না হম্না নর্মদা থাজিল্লি—বর্ষা তৌবি। মশাগীদমক্তা নত্তে, বনিগুম্বা অাশা অমত্তং তৌদ্রনম্ব ওইবমদবা যাই। থবক্লা মহাক্কী ঈদা লু-তোংদা ঈশিং-নুংশিংবী মতৌগুম্না লাযনা লৈবগুম্মী। অহুম ওইনমক অতোপ্পনদি ওকপগী ওমথৈ নাইদ, কমদৌরগা অম্মুম্না ওইবগ থম্লে। হংলকই, "যরে বাজেন, নহাক নশাদি ডাক্তরনিদনা?"

"ডাক্তর নত্তে। মখোযগী ডাক্তরি-স্কুলদা ইচম-চম্না নুমিং থবনিদং তম্না শাকবা হাযবনি।"

"অহ্ ওইববদি মখাযবু কনানা লাক্যংশিবনো?"

"এমনা।"

"অহুদি নহাক্না কবি তৌরিবা?"

"ঐদি মাগী অশিল-অবাংনি। মাগী গুণদা শুমহৎলবা ভক্তনি ঐদি।" অসি হায়বগা মহাক্না ওকপনা ভূত চুবগুম্নবী কমলগী মাইথোংদ। ওইহাক যেংদুনা লৈকবগা নোকাফং তৌরকই, হায়বকই, "এম নত্তে. মহাক এমবাজনি। মাগী মতিক-মগুণ শোঙ্গদুনা নিংথৌনি হাযনা মাবু ইহান হান্না ঈকাই-খুম্নশিবা মহাক অহুবু থাগৎচরি। নিংথৌমক্কি হাযবা য়াই। থৌজাল হৈবা অদুক বিচার যজে। বিশ্ব-ভুবনসিদা লৈশেম-মপু অমা লৈবম্বা তাৱবদি মাবু অথোইবা লৈশেম্বনি হাযনা ঐনা চাউথোক্না হায়বা ওমগনি।"

কমলনা তপ্পা তপ্পা হায়রকই, "নহাক্না তৌবিবসি করেম্বরিব্রা বাজেন ?"

"শুপনং নত্তে। অসি তাবদা সতীশ মাইথোং মকশিল্লি, হবেনদাদানা শাউই, ঐবু cynic হায়, মখোয়গী আশ্রমদা মযাম চংহুনা মখোয়না হকচাংবু অরাবা পীবা, পুক্নিং খুহ্ম চনবা, ত্যাগ অতুগা মখল মখলগী গুক্ক-গুক্কবা অকনবা খুংলায় পাযহনা যমরাজগী মাযোক্তা লান হৌই। মতৌ অসুম্না ঐনা মখাযবু করেম্নে হাযনা খল্লি। অতুবু ঐদি মতু তৌদে। লাইরবশিংগী খুল্লক্তা নখোয় চংদে, চংলবদি ঐগী রাখলদদি— ঐগুম্না অথোইবা রাজ-ভক্ত ওইবমগদবনি। নোল্লুক-থম্মোয়না অশি-লাইনিংথৌগী মতিক-মগুণ শোল্লমগদবনি অতুগা অমঙ্গলনি খন্দনা মাবু কোইচৈ চৈরম্মোইদবনি।"

কমলদা হাযবকই, "মসিনা করিহুগা নহাক্কী অচুম্বা মত ওইববদি নহাকপু cynic নি হাযবদা দোষ করি লৈবিবগে ?"

"দোষকী বিচারদি কোনবা যাই। চংপিগেবা অমুক্তং ঐনা লোয়ননা মুচিশিংগী লৈকাইতুদা ? মচি মচিদা তাহনা লৈবি— শুপ্পগী হৌজিক কালগী ইনফ্লুয়েঞ্জা হাযবতুদমক নত্তে— কোলেরা, লাইথোকপা, প্লেগ করিগুম্বা থৌদোক অমদা মখাযদা চংলক্লগা লোইরে। হিদাক লৈতে, লায়েং-পথাপ লৈতে, হিপ্পনবা ফমুং লৈতে, হকচাং কুপ্পবা ফি লৈতে, ঈশিং ইনবিনবা মী লৈতে— উবদা তুজুংনিংঙাই ওইবিবা অসিগী তোর্ব্বান কদায় ? খুদক্তা উপায় উবা ফংদে, রাখল চংদে, পুক্লিংদা হায়রি, কীনিংঙাই

লৈতে, কীনিংঙাই লৈংতদা — সমস্যা ফনস্ন লুজসনু, চেবশিন্নবা ভার লৌবা মহাক লাক্লি হায়হনা। অতোপ অতোপ্পা লৈবাক্তদি থৌবাং মখল মখল লৌখংলি, অদুবু এখোয়গী দেব-ভূমি অসিদদি ভার পুন্নমক লৌবিবি তশেংনা নিংথৌগী নিংথৌ (বৃটিশ সরকার) মশামক্লা। মওং অমদা এখোয় থোইদোক হেন্দোক্লা য়াইফবম্নি। অদুবু কদায়দগী পুম্নমক অসি কদায়দা লাক্লিবা। লেংলসি অহিং থেংজিন্লক্লে। লম্নী যাম্না শানা খোঙনা চংকাদৌরিবনি।"

"অদুবু নহাক্লি লম্না অসিদা খোঙনা অমুক হল্লকখিগদবা নত্রা?"

"মহুদি চুম্মী।"

"নহাক্কী মুচিশিংগী খুলদু কয়া য়াম্না লাপ্পগে?"

"নত্তই। হায়বদি মগম অসিদগী মাইল অমংবামগী মপুংদনি।"

"অদু ঙইববদি নহাক একাগাড়ী তোংদুনা যৌথোকলুবো— নী ঙাইবমগে।"

বাংজন্না ঙকপনা থন্দুনা হায়বকই, "হায়রিবদু কবি রানো? অদোম চবা হেল্লকপা নুনিং নিনি শুবে।

"কনানা মহু নঙোন্দা তম্বগে?"

"ঙসায় পনবিথিবদায়, মহুননি। অদুবু রাকমহু এ ইশানা খঙজরকপনি। লাক্লমদায়দা অংদামগী চাকশঙদা অমুক্কং মুনা য়েংলকই, চাকং ইঙ্গাং লেংদনা লৈ, পাত্রদু উবদা মহু ঙরাং থোংবনি হায়বদা চিংননিংঙাই লৈতে। হায়বদি পুম্নিং নিনি কান্নদবদা চবা হেনবিরে। মরম অদুনা লেংলসি, নত্রগনা শরা

পুজরক্লিবসি চাবিবো। ইখুংনা থোংবা হায়বিহনা ওসি কায়ররিবনি।"

"কাযববা?" কমলনা নোকফেং তৌনা হায়রকই, "অহুবু ঐগীদমক্তা নহাক্তা কোক অসুক শাবিবা কবিগানে।"

"মহু করিগী'না খঙদে। মংমদি ইশামক থিজরিবনি, 'মাউথুম যংলবা মতমদা খঙহন্ত্ররক্কু।"

কমলনা যনা কুইনা ককিনা খল্লকই, 'অহুগী মতুংদা যরকই, "খঙউ, ঈনাইনু।" ওাইতাক অমুক ফুম্মিনা নৈনগা হায়রকই, "বাজেন, নখায়গী আশ্রমগী দাদানা নহাকপু মুনা খঙদ্রে, অহুনা মখোযনা নহাকপু উপদ্রবনি খল্লিবনি। অধুবু ঐদি নহাকপু খঙই। মবম অসিনা ঐপুম্ব খঙজিনহৌবা নঙোন্দা দনকাব ওই। অহুম ওইনমক মহুগীদমক অতোপ্পা মতম অমা পাম্মী, পবিচয অহুদি ৱা ককথোক-ককশিন তৌহনা ওইবোই।" লেপকক তৌরগা অমুক হাযবকই, "ঐ ইশানা থোংজবগা চাই, চবা অমমা চাই, য়াম্না লাইববগী চিঙাক শহুনি— চেং মুত অনখক অহুনি। অহুবু মশি ঐগী ব্রত নংঙু, অহুনা থুগাযবা যাই। অহুবু ঙমিং নিনি চাদ্রে হায়হুনা নিয়ম অসি ঐ থুগাযরোই। নহান্না নুংশিবিবসি ঐ কাউররোই, অহুনু নহাক্কী ৱা ঙাকপদি ঙখোইদোবি রাজেন। অহুনি হাযহুনা ৱাবৌরোইদবনি।"

"ৱারৌদে।"

'কবি খল্লিবনে হাযয়ুদনা?"

"খল্লিবনি, পরিচয়-পত্রগী ৱাহৌদোক্কী শরুক অহু ফঙবা তাউদে। তরায় তরায় কাউবা ঙম্নবোই হাযবা খঙলে।"

"তরায় তবায়না ঐন। নহাকপু কাউহনগদৌবিবা করিগীনো ?" হায়বগা কমলনা খংনোক নোকথোবক্লে। হায়রকই, "অঙ্গুবু অমুক থিগ্লবনু, চংবু রো। য়ারিবমখৈ থুনা হল্লকউ। অরাম-চৌকি মচৌবা অসিদা ঐ কম্বল তিংথোক্লুনা থম্গিবমগে—হল্লক্লগা পুং অহুম-মরি তুম্রগা নোংঙাল্লগনি, মতম অহুদা ঐগী লৈফমদা হনখিগনি, করি হায়বগে ?"

বাজেগা মঙক নোমহুনা হায়রকই, "ক্ষবে অহিং অসিমা ঙনিস্থ ঐ তুমদনা লেনবা তানত্রা খল্লম্লিবনি। মুংঙাইজবে। হল্লকপা কুইনা চংদবা যাই, অহুবু চৈরক অসিদদি তুম্বিরমগনু।"

কমলনা হায়রকই, "তুম্লম্লোই। অহুবু নুপা অসি ঐগী ইপুবোইবনি হায়বদি নঙোন্দা কনানা তাকপগে ? মাইগী ভদ্রলোকশিংনা ওইবিনিনে ? ফনা অমনবু তাক্লবস্থ মহাক্লা করেম্লবনি। থাজদ্রগনা নোংমা মঙোন্দমক হংলবদি খঙবা ঙমগনি।"

বাজেম্না কবিগুম্বা রা অমত্তা ঙাংদে। তুম্মিন্না মপান্দা থোকখ্রে।

শিবনাথনা তশেংনা মসিগীদমক্তা ঙাইরম্লিবনি। ওক্কোক্লক্লগা মমিং পাংথাক্লুনা য়েংলকই, হংলকই, "নুপা অসি কনানো ?"

তাবদা কমল চঙক্লখ্রে। খোক্লেল তশেং তশেংই, অনাবগী খুদম মচেং অমত্তা পক্তে। মিংথেংদা মতম অহু কাওবা হাইফেং উইকমদি তৌরি হায়বা য়াই, অহুবু শককমদি করিমত্তা কায়দে; মিংকপ কাদনা তুম্বা কায়রুনা হৌগংপদা হকচাং হাইফেং হৈনিংদবা

ফাওবা মহুমথৈদগী মঙোন্দা লেন্দে। অহুক কনবা লায়নানা অহুক লায়না অমস্তং অহুক থুনা ফবা অহুদা কমলনা পাক হেক থাজবা ওমগ্রে। অহুনা পাউথুম পীবদা মহাক থিন্থরে। শিবনাথনা অমুক হায়রকই, "নুপা অসি কনানো শিবানী? নঙব্ মহাক্না মফমসিদা থিনবিরকপ্রা?"

"হোয়। ঐবুস্ত থিনবিবকই, অদুগা নহ কপুস্ত ছেরা' থিনবিরকখিবা মীশক অদু মহা।কি।"

"মমিংদি?"

"রাজেন।"

"নখোয অনি য়ুম অগঙদা লৈমিন্নব্রা?"

"মহুবুদি হোৎনরিবনি। করিগুম্বা লৈমিন্নরবদি ঐগী লাইবক ফবনি।"

"হুঁ। মাবু মফমসিদা পুরক্লিবা কবিগীনো?"

কমলনা রাহং অসিগী পাউথুম পীদে। শিবনাথনস্ত অমুক হন্না কবিগুম্বা রাহং অমত্তা হংদ্রে, মমিং উইশিন্দুনা তুম্মিন্না হিল্লুনা লৈ। ফনা কুইনা তুম্মিন্না লেল্লবা তুংদা শিবনাথনা হংলকই, "ঐগা নঙগা কবিগুম্বা মরি অমত্তা অমুক লৈনদ্রে হায়বা রাফমসি নঙ কনাদগী তাবগে? ঐ হংনিংই, মসিবু মীনা ঙাংনরম্লোইদ্রা?"

কমলনা মসিগী পাউথুম পীদে, অহুবু হন্দক্তি মহাক মশামক্না হংলকই, "ঐবু নহাক্না লুহোংদে হায়বা ঐনা থাজদ্রবস্ত নহাক্নদি থাজব্রা? সিদা লাক্লমদায় মতমহুদা রাফম অসি শেংনা

হায়দোকপিবমখিদ্রিবা করিগীনো ? নহাকপু ফাজিন্দুনা থমগনি, কপ-লাউহনা ইরাইবক শুগায়হনা কান্নদবদা রাথোক ওইহনগনি, অশুম্না কমদৌনা খনবিদ্রিবনো ? মসি ঐগী স্বভাব [illegible] হাযবসিদি ফজনা খঙবিবিবহনি, অহুদা থাজবিদ্রিবদি করিগীনো ?"

শিবনাথনা মিংকুপ খরা তুম্মিন্না লৈরগা হায়রকই, "থবক চিনবা অহুগা কাববাবগী দবকাবগীদমক নুমিৎ খরনিদং তোঙান্নবু লৈববদি শাযনবন্না হেক্তা ওইবগদ্রা ? ঐনা খল্লম্লিবদি —"

শিবনাথকী রা লোইশিন্দনা মচিন্দা পন্দুনা অহুম লৈখ্রে। কমলনা মবক থংতুনা হায়রকই, "ওকচবে ওকচরে, মতু খঙবা ঐ পামজদে।" অহুবু মসি হায়দোকখিবমক্কা মহাক মশামক্কা থিঙ্গৎলুবা অসিদা মতোমদা ঈকাইজরক্লে। ঙাইহাক তুম্মিন্না লৈহনা মশাবু যাথজরগা মমৈথংদা হংলকই, "তশেংনমক নাকত্রা ?"

"তশেংনা নত্রবদি কবিনো ?"

"তশেংনা মসিনা চুল্লবদি ঐগী আদা লাক্কনা আশুবাবুগী য়ুমদা চংপিবিবা কবিগীদমক্কনো ? নহাক্কী শাজৎ অমনা ঐঙোন্দা মৈচাক পী, অহুবু অতোপ্লহনা ঐঙোন্দা ঈকাইবগী ঙমখৈ নাইহন্দে। ঐ রাই তাবদা নহাক্তি নপুক্লিংদা নোক্লিংগনি খঙই, অহুবু খঙজবা অসিমক্কা ঐবু পুক্লিং ফাজিল্লি। নহাক অশুক হাক্কা তোঙ্গবা অসিমক্তনা ইশাগী তরাবা খাংজবা ঙম্লিবনি নত্রবদি ঙম্লরোই।"

শিবনাথ তুম্মিন্না লৈ, কমলনা মহাক্কী মাইথোংদা মমিং

কুপ্তুমখৈ য়েংলহৃনা হায়রকই, "খঙলিবহৃনি নহাক্না, ঐ পুম্নমক খাংঙম্মী হায়বা, অহৃবু নহাকপু য়ুম খাদোকহনখিবদি ঐ খাংঙমদ, অহৃনা নহাকপু সেবা তৌবা লাকপনি, নহাকপু থেমজবা ল'কপা নত্তে।"

শিবনাথনা তপ্না তপ্না হায়বাই, "নঙগী থৌজাল অসিগী-দমক ঐ লমন তোল্লবনি শিবানী।"

কমলনা হায়রকই, "ঐঙোন্দা শিবানী হাইনা থৌগনু, কমল হায়না কৌ।"

"করিগীনো ?"

"তাবদা ঐ হন্নোইবা পোকই, অহৃননি।"

"অহৃবু নোংমদি নঙনা মিং অসিমকপু খ্বাইদগী খোইদা-জবম্বনি।" হায়বগা মহাক্না তপ্না তপ্না কমলগী মখুং মশাগী খুবামন্নুংদা পায়শিনখ্রে। কমল তুম্মিন্না লৈ। মশাগী মখুং শংতোক-শংচিন তৌবা চিংনবগুম্মী।

"তুম্মিন্না লৈরেনা, পাউথুম পীদ্রিবদি যাম্না ৱাবোবব্রা ?'

কমল অহৃম চঙক্লনা লৈ।

"করি খল্লিবনো হায়যুদনা শিবানী।"

"করি খল্লিবনো খঙব্রা ? মীওইবনা কযাগী মতিক শাথীনা তমথীবা মীশক ওইব্রবদি ৱা অসি নিংশিংবা ঙমগদগে!"

শিবনাথকী মমিংতা ঈবা চেল্লক্লে, হায়বকই, "ঐ তমথীবা মীশক নত্তে শিবানী। নঙনা লাম্বনা লৌরিবহৃ নোংমা নশানা খঙজরকপা ঙমগনি, নুমিং অহৃদা নঙ নীংঙমদবগী ঙমখৈ লৈবোই। করিগীনো নুম অমা তোঙান্না ভাড়া লৌরিবসি—"

"অহবু তোঙানবা মুখ ভাডা লৌবগী মরম এনা অমুক্তস্থ হংগ্রা? এনা শুপ্নগী অসিদনি খঙবা পামখিবা, রাকম অসি এঙোন্দা নহাক্না তাক্লমদ্রিবা বরিগীনো? নহাকপু নোংমক্তগী ওইহনস্থ এনা ফাহনা থমমোই।"

শিবনাথকী মমিংতগী পী শিন্থরক্রে, হায়রকই, "নঙোন্দা খঙহন্নবা থৌনা লৈখিদে শিবানী।"

"কবিগীনো?"

শিবনাথনা ফুরিং-খুদাংনা মপী তৈথোক্লগা হায়রকই, "শেলগী অরাবা নংলকপা অহদা নুমিং খুদিংগী মপান্দা চংপা তাখি—ন্নং লৈবা, চালান তৌবা, ষ্টেসন মনাক্তা করিগুম্না অমা—"

কমল ফমুংদগী হৌগংতুনা লাক্লগা চৌকি অমদা ফম্লবে, হায়রকই, "ইশাগীদমক্তা অমুক রাকদে, রাক্লরিবদি অতোপ্পা মী অমগীদমক্তনি। অহবু ঙসিদি নহাক্কীদমক্তস্থ রাদবা ঙমদ্রে শিবনাথবাবু।"

মতম কুইনগী তুংদা অমুক হন্না মহাক্না মসিনা অহানবা ওইনা মঙোন্দা মমিং পন্দুনা কৌবনি। হায়রকই, "য়েংবিয়ু, শুপ্নগী নমথাক্তনা অথোইবা লন ওইনা সংসাবদা ললোনবা য়াদে। এহাক্না নহাক্না অমুক উম্রখিদবা য়াই, অহবু এবু নহাক্না নিং-শিংলক্কনি। হৌগ্রবদি হৌগ্রে, মহ অমুক হল্লকউ য়ারম্নোই, অহস্থ তুংগী পুন্সিদদি অতোপ্পা মাইকৈ অমদগী উনববা হোৎনৌ, মুংঙাইবা ফংলবস্থ য়াই, মরম ওকপা, কাউগন্থ। নহাক্না য়াইফবা, মুংঙাইনা পানবা মসি এনা ঙসিস্থ ভশেং ভশেংনা পামজে।"

কমলনা ৱানা মপী থিংজৈ। অাশুবাহনা কবিগী দমক্তা মহাক! থিন্দোরকখিবনো, মতুংগী অাশংবা মৱম কবিনা, বা অমা ঙাংন-শক্লবদস্মু মহাক্না অদুক কনব। চৈনাখোন শিবনাথদা পীবা ঙমদ্রে।

মপান্দা একাগাড়ীগী মন্দিলা মখোল অাবক। শিবনাথ কৰিগুম্বা বা অমত্তা ঙাংদনা থোক ওন্থোক্তুনা হিপখ্রে।

ইমুংদা চংলক্লগা বাজেন্না খোঞ্জেল ফাজিনা হায়খি, "অাশ-নমক অমদনা লৈবিবগুম্বদনা। অনাবা এমাদোনিবগে? হিদাক লাংথক অমুক পীজব্রা?"

কমলনা নঙক হাইত্তনা হায়বখি, "পীজদে, অমুক কবিমগী পীজদে।"

বাজেন্না খুদোম্বীনা ইঙ্গিত তৌদুনা হায়বখি, "তম্মিন লেবিযু। তুম্বা কাযগনি, মৎদি অফবা নত্তে।"

"নত্তে। অদুবু নহাক্কী ঘুচিশিংদু কনাদোনবগে?"

"মাখোয় অফবা মীনি, হায়বা ইল্লি। ঐনা থুংপুদ্দিবৈদা হায়না যমবাজগী মগুং লাক্লুনা অাঙা অমি অদু পুদুনা চংখ্রে, অযুক্তা অশিবা হকচাং অমিদু মাখোযগী মিউনিসিপালিটিগী মগুংশিংদা শিন্নথোকখিবা ঙম্বদি ৱাই শংলে। অতোপ্পা নিপাল্লোম অমস্তু মওং চাদ্রে, হয়েং অমুক্তাং য়েংশিল্লুগনি। মপাল নাইদনা জ্ঞান তানশিনবা ঙম্বগনি খল্লি। অদুবু অারাম-চৌকিদা ঐগী কম্বলদি কদায়? কাউথোকপিগ্রমাল্লে।"

কমলনা ফম থারে। "অাঃ—হিংলেদনা," হায়রগা নুংশা মপী হোন্দোক্লগা অারাম-চৌকিগী পান্নোমদা মখোঙ অমি থাক্সংতুনা

রাজেন হিপথদ্রে। হায়রকই, "চেন্থোক-চেনশিন্দা হুমাংনা চোংলে—হুমাই-নু মাই থমদা লৈ-দ্রা ?"

কমদনা হুমাই পাযহনা চৌবি হ মখাক মযাদা চিংশিল্লক্লগা হায়বকই, "ঐ হুমাই হুমাগ, নহাক তুম্মু। অনাবগীদমক্তদি রাকনিঙাই মরম লৈদ্রে। মহাক নিংথিনা পোথাবি।"

"বা;—মাইকৈ গুদিমগা নুংঙাই-পাউ!" হায়বগা মহাক মনিং উনশিনদ্রে।

ওনাসিংনা

ইনক যেঙ্গা লবাক নমিদা পৃম্মৌ নৌবা লাযওং নত্তে, লোক-লাইথৌনি হাযত্না মীনা অমাঙ্গদা থৌশাদবা অমম্বং থৌংহৈদবা নিংযেংদা যেংনৈ। ঙুমিং নিনি-ঙ্গিদং অরাবা পীবা নহেনা কবিগুঙ্গা অকবা শংওং নমঙা লৌদে, মসিনি মীনা থাজনবা। অহ্রু খঙহৌদনা খনিগুদা থিঙমদ্রবা লাইচংকা শক্তম লৌহুনা ফাওবা মহনা উংলবা ঙমগনি হায়বসি কনানস্থু খনঙমদে। মরম অসিনা হন্দক ইখঙ খঙহৌদনা মসিগী মপান নাইদ্রবা শক্তিগী ফিরেপ অকনবহৃদা অহানবদদি মী পুম্নমক তৌকম খঙনখিদে, অহুগী মতুংমক্তদা মযম অমদা অমদা চেন্নবা কৌথ্রে, মবি-মতাগা মীতোপকা থোইদোকপা থন্নবা লৈখিদ্রে, অনাবশু কনানা য়েংশিনবিগনি, শিরমদাযদা মচিন্দা ঈশিং ইনবিনবা মী ফাওবা অয়াম্বগী লাইবক্তা তমখিদ্র, সহব অমম্বং খুঙ্গং মক্কম পুম্নমক্তা

দশা চপ মাদৈ, আপ্রাগী লাইবক্তস্থ মহুদগী নাম্বোক্তে। মতিক-ময়াই লৈবা মী য়াম্না তাবা লিরবা সহর অসিগী মৃত্তি মুমিং খরনিদংগী মন্নুংদা পূমওন ওনথ্রে। স্কুল-কলেজ থিংথ্রে, কৈথেল অচৌবদা মচাদা তুকান থোঙ লোনথ্র, হান্দন্দা মী তাক্লে, শুপ্পগী হিন্দু অমস্তুং মুসলমানগী অশিবা হকচাং হোনবা, চিংনবমা পাখংলবা কীথি-কীরুম্নরবশিংগী থোঙথাং মথোল নঙনা লমজাও ইচিক চিক্লে, মী চপ্রে। যেংশু যেংনুবা মাইকৈদা শুপ্লদগী মী-পোংদা নত্তে, উ-রা, য়ুম-ইংখোলগী শঙম ফাওবা কীবনা পূমওন ওনথ্রে। মসিনি সহরগী ফিভম, মতম তসিদা চিন্তা, অরাবা অমস্তুং মৈচাক্নী চৈথেং কংবা মী অযাম্বনা মংবাল অমা লোইথ্রে। হোংনহুনা, খন্ন-নৈনহুনা, ময়াইদা চংলুহুনা নত্তে—মশা মতোমদা ওইজখিবগুম্মী। ঙসিস্থু হিংহুনা লৈরিবা মখোয অহু হৌজিকস্থু উপ্রাক্লা উপ্তুনা খাংদবা নত্তে, মখোয ঙম্নমক অমগা অমগা নকুবা মরি-মতাগুম্মী; মতম কুইনা ঙাংন-শক্লখিদ্রবা মখোয় মশেল খঙহৌদনা লম্বীদা থেংনবদা মবানিমক্কী মমিংতা মপী ঈরা চেল্লি—গাউহুনা মাই লথোক্কনি হায়বা অহু ফাওবগী রাখল মপুন্নিংদা অমুক নিংশিংনখিদ্রে—করিগুম্বদা রারী শানৈ, করিগুম্বদা মহু ফাওবা ঙমদে—মনা-মনিল নাইদনা অমনা অমগী মাইকনবা থৌনিজরগা বিদায় লৌনৈ।

মুচিশিংগী থুঙ্গংদা থোইদোক্লা মী ইতাক-তাক্লে। শিখিবা অহুক চেম্রথ্রে। লেমহৌরিবা থরা অহুগীদমক্তদি বাজেন মতোমদনা মতিক চারবনি। মখোয়গী অয-ফত্তা থৌদাং মহাক্লা লৌগ্নি।

তেংবাংবী ওইনা কমলনা শরুক যাবা লাকখি। অচাং ওইবিডেদা চা বাগান্দা মহাক্না অনাবা কুলিশিংগী সেবা তৌখিবা মতমক্তা মাগী থাজবনি। অদুবু ঙসিং নিনি-হপ্লিমদংদা অদুনা মকম অসিদা চংনবা য়ারোই হায়বা খঙজরে। মুচীশিংগী করিনো কিভম অসি। লোন্দা শিংথাদুনা তম্বা ওইথোক্কে। থাংশোক্তা খোঙ থাং-ভিল্লকপদগী হৌনা মশা 'পুম্বা য়োম্না তিল্হং য়ুবগুম্লবই, কদাযদসু ক্ষুম লেপকম মচেং অমত্তা নৈতে অমসুং লুদ-নান্দবনা কমদৌনা অকৌবা কংবা মশক ওইরবপা য়াবগে হায়বা মকম অসিদা যৌরক্লিবৈদা কমলনা থুরে মদে। অদুম ওইনমক পুম্নমক অসিগী নরক্তা অহি-নুংথিল চুপ্পা লৈদুনা মশাবু চাং অমদা থমদুনা কমদৌনা অনাবগী সেবা তৌবা ওইথোক্কদগে হায়নসি থল্লুনবা মহাক্না থম্মোয়দা মকম মচেং অমত্তা পীবা ঙমদ্রে। য়াম্না নাপল তৌনা মহাক য়াজনগা লোয়নদুনা লাকখিবনি, খোনা ফবদা মহাক কনাদগীসু হন্তবা নত্তে, ডগত্তা করিগুম্বা অমত্তদা মহাক্না কৌব্রবা নৈতে, শিবা ফাওবা বীদে। থোইদোক্না মীনম্বা মহাক্না ঙাংখিবা নত্তে, অদুবু মফমসি য়োয়গদি মতুগীসু ঙমৈখ নৈ হাযবা খঙলে। ঙসিং থরনিদদা কীবনা মহাক্কী হকচাংগী ঈ কংশিল্লকপগুম তৌরক্লে। অদুম ওইনমক মপুংফানা মকু হুদুনা ময়ুমদা হল্লক্লিবৈদা বাজেম্না মডোন্দা থাজবা পীদুনা হন্না হন্না হায়রকই, "অমুক কীগন্দবীদি ঐ পোকপদগী উরক্লি। অশেংবা মঙালগী মাইথোং অদোম্না লোংশিন্দুনা চংপিগদৌরে। অদুবু অমুক দরকার ওইদ্রে— য়ুমদা হন্দুনা ঙসিং থরনি পোথ্থাবিরুরো।

মখোয় অফিগীদমক খবমখৈ তৌরম্লিবা অসিগী লমন মখোয় অসিনা মপুন্সিদা শিংবা ওম্লরোই।"

"অদুগা নহাক্তি?"

রাজেন্না হায়রকই, "ঙসি অসি যাত্রা তৌহনপ্রগা ট্রেন্সু চেল্লগনি। অদু নত্রবদি শিবা পামগদ্রে?"

কমলনা পাউখুম খিবদা ঙংদ্রে, ঙাইহাক যেংহুনা লৈবগা তুম্মিম্না লাক্লে। অদব মতমদি লাংহুনস্মু নুমিৎ খরনি অসি মযুমদা ওপ্লাক লাক্তবা মতমক্তি নত্তে। চাক থোংলগা চাক পুরনবা নুংত্তিগী অমুক অমুক্তি মহাক মযুমদা লাকপা ঢাখি। অদুবু ঙসি অকৌবা কংলবা মফম অদুদা অমুক হল্লরোই খল্লবদা মাইকৈ অমদা অপেনবা ফাবেগুম অদুগা মাইকৈ অমদনা হায়দোকপা ওমদবা অরাবনা ফুম্বংনবনা মহাক্তী থম্মোয় থুমহংলকপগুম তৌই। লাক্লমদায়দা মহাক্লা রাজেনগী চাকৌ বা হংলকপা কাউথোকলুই। অদুবু মরাল অদু কনস্মু চাউসন্নু, মহাকপু মহাক্লা হন্দোক্লমহুনা লাকপা অদুগা মামনা চাংদম্নিংঙাই ৰরিমত্তা মপুক্লিংদা লাম্না কংদে।

স্কুল-কলেজ থোঙ থিংখিবা মতমহুদগী হৌনা হরেন্দ্রগী ব্রহ্মচর্য্যাশ্রমস্মু থিলক্লি।

ব্রহ্মচারী মুপামচাশিংবু করিগুম্বা থুদোংথীদবা মফম অমদা থিন্দোকক্লে, মখোয়বু য়েংশিন-খোংচিনবগী ভার লৌহুনা সতীশ মখোয়গা লোয়নমা চংখি। হরেন্দ্র মশামক্তি অবিনাশ মাহুনা লৈবনা মরম ওইহুনা চংপা ওমখিদে। ঙসি মহাক লাক্লে।

নমস্কার তৌরগা হায়রকই, "নুমিৎ মঙ'-তরুক্কি লুংতিগী লাবই, ইবেম্মগা উম্নবা ফংদে। কদায়দা লৈরিক্লবগে ?"

কমলনা মুচীশিংগী খুঙ্গংগী মমিং পল্লকপদা হরেন্দ্রনা থোইদোক্কা চঙক্লহনা হায়রকই, "মফমহুদা ? মকম অহুদদি শাথীনা মী শিনরে হায়না ফাই। মহুম্না কমানা ইবেম্মদা ইনশিনবগে ? যনা অম.। ইনশিল্লবস্মু মহু অফবা থবক নত্তে।"

"করিগীনো ?"

"কবিগীনো হায়বদি কবিনো ? মফমহুদা চৎপগী অর্থদি আত্মাঘাট তৌহনা শিজবগা অমহানি। থোইদোক্লহুম ঐখোয়না খল্লম্বদি শিবনাথবাবু আগ্রাদগী চৎপ্রবা মতুংদা ইবেম্মস্মু শোঃ দনা কদাযদনো চৎলম্লগনি। শোয়দনা নুমিৎ খরনিগীদমক্তা ওইরমগনি, অদু নংলমদ্রবদি লেকমাস থনম্লাই—ফরে, য়াজেনগী পাউ খরা খঙবিরা ? মহাক সহরদা লৈত্রা নত্রগা অতৈ কদাযদনো চৎপ্রবা ? খঙক্লোদনা অস্মুম্না চুপ লুপখিবা অসিদা থিবা ফংননবগী উপায় অমত্তা লৈত্রে।"

"মাবু থোইদোক্লা দরকার ওইবিব্রা ?"

"ওইদে, দরকার হায়রগা সাধারণ ওইনা মীনা খঙনরিবা মহু নত্তে। অহুম ওইনমক দরকারনি হায়বা য়াই। মরমদি ঐনস্মু করিগুম্বা মাবু থিত্রবদি পুলিশ মস্তনা মাগী মরি-মতা কনাম্মু লৈত্তে। মহাক কদাযদা লৈবগে হায়বা ইবেম্মা খঙবি-রমগনি হায়বসি ঐ থাজে।"

কমলনা হায়রকই, "খঙই। অদুবু অদোমগী মফমদা হাযদোকলুবগী কারবা লৈতে। যুমদগী তাম্থোকপ্রবা মহাক অদুনা যুম থাদোক্তুনা চৎপ্রবা তুংদা খোঙুল লিবদি অপুগী তাংকী থরায় রাবনি।"

হরেন্দ্রনা ভাইহাক তুম্মিন্না লৈরগা হায়রকই, "অদুবু মচুদি ঐগী যুম নত্তে, ঐখোয়গী আশ্রমনি, মফম অদুদা মাবু লৈহনবা ঙমখিদে হায়দুনা মহুগী রাকং অদু কনাগুম্বগী মফমদগী তাবদা ঐ খাংঙমদে। মরে, ঐ চৎলগে। মাবু মাসগী মমাংদা কয়া রক্‌ হন্না খোঙুল লিবদা ফংখি, হন্দকপু থিক্লবা ঙমগনি, ইবেম্মনা লোৎতুনা থম্বা ঙম্মোই।"

মহাক্কী রা তাবদা কমলনা নোক্তুনা হায়রকই, "মাবু লোৎতুনা থমগনবনে হরেনবাবু, থম্বা ঙম্লবদি ঐগী অরাবা কোক্কনি থনবিরো করিনো?"

হরেন্দ্র মশামকপু নোরকই, অদুবু মীনোক অসিগী নাক-য়েত্তা য়াম্না লাওনা হোনরে। হায়রকই, "ঐ নত্তনা রাহং অসি পাউখুম পীবিনবা মীশক আগ্রাদা যাম্না লৈ। মখোয়না করি হায়গদগে খঙবিরা? হাযগনি, কমল মীওইবগী অরাবদি অমথক্তা নত্তে, মথল য়াম্মী। মহুগী মঙং-মঙোম্পু তোঙাল তোঙাল্লি, কোক্লনবা লম্বীম্পু তীন্নদে। মরম অসিনা মখোয়গা করিগুম্বা থেংনরবদি থম-নৈনহনা অমুক্তং চাং যেংথোকপিয়ু।" অসি হায়রগা ভাইহাক লেপ্লগা মহাক্না হায়রকই, "অদুবু অশেংবক্তি ইবেম্মনা লাম্না লৌবিরে। ঐদি কাংলুপ অদুগী নত্তে। ঐ

মরম লৈতনা ওংলবা লাকপা নত্তে, মরমদি সংসারদা ইবেম্মদা ওঁশেংনা শ্রদ্ধা লৈবা মীওইশিং অদুগী মফুংদা ঐস্মু অমনি।"

কমলনা মহাক্কী মাইথোংদা য়েংলদুনা তপ্না তপ্না হংলকই, "ঐচোন্দা তশেংনা শ্রদ্ধা লৈবিরিবদি করম্বা নীতিগী মতুং ইন্নো? ঐগী মত নত্রগা শাজং করিগুম্বা অমত্তদা অদোমগা মায়বদি লৈতেনা।"

হরেন্দ্রনা খুদক্তা পাউথুম পীরকই, "মাম্নবা লৈতে। অদুবু অদুম ওইনমবস্মু অচেংপা শ্রদ্ধা লৈ। অদুগা অওকপা রা অসিমক ঐ ইশা ইত্তোমদা হন্না হন্না হংজরিবনি।"

"করিগুম্বা পাউথুম অমত্তা ফংবিদব্রা?"

"ফংদে। অদুবু থাজ নোংমদি শোয়দনা ফংগনি।" ডাইহাক কেপ্পগা হায়রকই, "ইবেম্মগী ইতিহাস খরমথৈ ইবেম্মা নশামক্কুদগীস্মু তারে, অজিতবাবুগী মফমদগীস্মু খরমথৈ তারে—মুংঙাইবা রানি, মহাক ঐখোয়গী আশ্রমদা লৈ হায়বা খঙবিরম্বা য়াই।"

কমলনা মঙক নোমদুনা হায়রকই, "পাউ অসিদি হান্ননা তম্বিখ্রে।"

হরেন্দ্রনা হায়রকই, "ইবেম্মগী পুন্সি-ইতিহাসগী মথল-মথেলগী মতাংশিংদু অস্থুম্না ইচংথোনা অচম্বা মওংদা মাংদা চংশিল্লক্নুনা লেইপ্র মতুদি, মতুগী মায়োক্তা হকথেংননা রায় পীরুবা কী। অস্থুক কুইবসি অশেংবনি হায়না খঙলক্লিশিংদুবু ইবেম্মগী পুন্সিহুনা করুননা কেপ থাজংলকপগুম্বনি। মসিগী বিচারপতি

কদায়দা ফংগদগে, কৈদৌডৈ যংগদগে, মহুগী ফলনা কবি ওইগদগে করিস্ম খঙদে, অহুবু অস্মুম্না অকীবা 'লতনা চংলক্লিবী, বোকখুম্নগী কবিগুম্বা দরকাব অমত্তা 'ল.ত খল্লিবী মঙোন্দ! শ্রদ্ধা 'লতনা কমদৌনা লৈঙম্লগদ'গ ?"

কমলনা হাযবকই, "অকীবা লৈতনা চংশিল্লক্লনা লেপ্লবা অহুবু য়াম্না লুবা থবক্লা ? না অনি কনপা ব্রাবী তাবিদ্রা ?" মখোয় লম্বী মযাইদা চংলি। অদোম্না উবিদে, অহুবু '' চা বাগ.ন' সাহেবশিংঙু উববই। মখোযগী অকীবা, চিনবা 'লতবা, বুশিবাশি তৌবদা জগংবী কবিগুম্বা ঈবাইবা ন... অনও। মন.ক নকলুবা ঙমদে, ঙক লাক্লুনা ইন্থোবকপগুম্বী। মখোযগী ইচংথোবী ঙমখৈ লৈতে, অহুবু মহু মীওইবনা শ্রদ্ধা তৌনিঙাই ওইব. মশক্লা ?"

হবেন্দ্রনা অসিগুম্বা পাউথুম কনাগুম্বগী মফমদগী য'লবস্মু লুপী অসিগী মফমদগীদি আশা তৌরুদে। খুনক্কা কবিগুম্বা ব্রা অমত্তা লাম্বা ফংদ্রহুনা অস্মুমদা হাযরকই, "মহু তোঙানবা পোংশক্লি।"

কমলনা হাযবকই, "কমদৌনা তোঙানবনি হাযবা খঙবিবিবনো ? মপান্দগীদি ঐখোযগী বাবাবুস্মু কান্নুপ অসিগী মীশক অমনি থৈন্রে। অহুম ওইনমক ঐনদি মহু নত্তে হাযবা তশেংনা খঙই। অহুবু অচুম্বদি শুপ্নগী ঐনা খঙবদনা চংনবা য়াদে—জগতা মহুগী প্রমাণ বদায় ?"

হরেন্দ্র ব্রাহং অসিগীস্মু শাউথুম পীবা ঙমদ্রহুনা তুম্মিন্না লৈখ্রে।

কমলনা মখা তাযবকই, "ঐগী ইতিহাস মযাম পুম্নমক খংবিরবনি, য়াবী অহ থোইদোক্না লুংচাইনা থোকপিবস্না য়াই। ঐগী খবরশিং অহ ফত্রা যগ্রা, ঐগী পুন্সি মকপ্রা মক্তত্রা হাযবা ফীবম অসিদা অদোম্না চঙলবিবি, অহব মহু লোম্না নংনো মীমাংদা থোংনা মযাম্পু থোঙহৈদনা থোক্লিবা থৌদাক্কি হায়হুনা ঐঙোন্দা অদোমগী শ্রদ্ধাগী নিংথিং পাবিবনা। হরেনবাবু, পৃথিবীদা মাওইবগী শক্তা খংক হাবগী জগদা, অহুনু ঐগী মবমদা অদোম্না ফনা যাম্না খঙবিবে, অহুনা অনিমক্ত খঙজিনবিযু মহুদি, অপায-বাবুখোবগী শ্রদ্ধাদী হেন্না কাপ্পবা শক্তা অসিনা ঐঙোন্দা মেচাক পী। মহু ঐ খাংবা ঙম্মা, অহুনু মসিগী খঙলনাদ বাক্লনা মেচাক পী।"

হরেন্দ্র হায়গী মতৌগুম ডাইক্তাক তুম্মিন্না লৈ। কমলগী নকৈ, মক ওইনা মচা'ক্নী খোঙ্জেলগী অঙ্গংবা অচেংপদা মঙাক চেকাইবা নংবগুম তৌই। ডাইভাক লৈবগা হংলকই, "মত অমদি শাজংতা ফনা থেন্নবা লৈহুনস্ত মী অমবু শ্রং। লৈবা ঙম্মী মরু ওইনা ঐদি ঙম্মী, মসি হৈবেম্না খাজবিদব্রা?"

কমলনা থোইদোক্না চয়া খদক্তা খুম্নকই, "থাজদে হাযবা অসিদি ঐ হাযজখিদে হরেনবাবু, ঐনা হায়জবিবদি শ্রদ্ধা অসিনা ঐঙোন্দা মেচাক পী অসিনি।" অসি হায়রগা লাকক তোবগা হাযবকই, "মত অমদি নীতিগী মাইকৈদদি অক্ষযবাবুগা অদোমখোয়গা থোইদোকপা করিগুম্না খেপবা অমত্তা লৈতে। মাগী অযাম্বা মফমদা কান্দবা ঙমদি হেক্লিনবা অকনবা রাঙাং

ন্নাউবমদ্রবদি অদোমখোয পুন্নমক চপ মনৈ, শ্রদ্ধা এহাগী মাইকৈনসু অমগুনি। শুপ্পগী ঐগী ইশাগী ঈকাইজবনা অ ঙাইজহনা লোংনা চংতবা ঐগী ইথোনা অসিদমু মথামগী চানবিরা যংজগনি। মসি মমন কযাবু যামগনগে হাবেনবা? থোইদোক্লহৌম খঙহনা যেংলবদি থম্মোয়নুংদা হংঙাইবা পোকই মসিগীদমক্তনি ঐবু অস্থুক কুইবসি থাগৎপিবক্লিবা।"

হবেন্দ্রনা হায়রকই, "করিগুম্বা থাগৎননবনি মহাক মরম চাদব্রা? থৌনা হাযবা পোং অহু সমাবগা ওবিঙ্ক নঙে?"

কমলনা হায়রকই, "অদোমখোইনা বাহং পুন্নমা। নুংঙা হকচিন্না হংবিবিবা করিগীনো? কবিন্দ্র নরেন্দ্রনা অসিনি হাযখিদে। ঐনা হায়জবদি পোং অসি সংসারনা অতাংবনি হাযহননি মিঙা তন্দনা পাইহল্লিবা। মহাক মসিদগী হেনবা অথোইবা পো মূ লৈ। মপান্দগী মহুমু ইচংথোদে হায়হনা পাক শেংক উবা যাদে।"

হবেন্দ্রনা মঙক হাইহনা হায়রকই, "ভাব তাদে। ইবেমগী রা অগাঙ্গা মতম অযাম্বদা কনেঙবগুম থোকই, অহু উসিগী রাশিংসিদি মতুদগী হেঙ্গৎখ্রে। উসি ইবেম্মা থোইদোক্লা। মুক্লিং লুংঙাইবিদব্রা নিংই। কনাগী পাউখুম কনাদা পীবিবনো হায়বা রাখল লৈবিদ্রে।"

কমলনা হায়রকই, "মহু ওইবঙ্গা যাই।" ভাইহাক চপ যুংনা লৈহগা হায়রকই, "ওইগে ওইজসম্লু। অশেংবা মওংগী শ্রদ্ধা ফংবা কবি পোংশক্লো হায়বহু মতম অস্থুক কুইবসি ইশানসু খঙজরক্লি। অহুবু মহুগা লোয়ননা চাংদম্নক্লরবদি অতৈ পুন্নমক

ঙসি ক্বাগী ওইথ'বাই নিংই।" ঙাংনা ঙাংনা মহাক্কী মিংকী বুপ্লবা মিংযেং শাপ্লক্তে অমম্থুং মাইথোং, শিগা অম্বুম্মক মেংনা থোংপনা বুপশিপ্লক্তে, কমলগী মথক্তি অসি হবেন্দ্রনা কবিগুম্না গ্নমিংতম্ম উখিদ্রি। অহুগা মহাক্কী চিংনবা লৈখিদ্রে মহুদি, খল্লুদ্রবা অহুগা কনাদা পান্দুনা কমলনা পূম্নমক অসি হায়রিবনো হাধবা। মহু শুম্নগী পনবদনি অমম্থং মসিগীদমক্তা হৌবদগী লোইবা যাধেবা পূম্নমক কবেন্নবগুম থোকই।

বমলনা মখা তাথবকই, "অদোম্না হৌজিক্তা ঐগী ঙাওচংনবা বীগন্দবহুবু থাগংপিশি—নুংঙাইবা রানি, শিবনাথ ঐবু থাদোক্লনা চংখে হায়বা তাবিবরা ?"

হবেন্দ্রনা ঈকাইরহনা মক নুক্না খুম্নকই, "হোয়।"

কমলনা হায়বকই, "ঐখোয় ঐখোয়গী থম্মোয়দা সক' অমা লৈবম্মী, কায়নবা নুমিং কবিগুম্না লাকপা থোক্লবদি ঐখোয় ইরায় লায়না কাযনবা যাই। ন'ঙ নত্তে, ডোকুমেন্ট-ফোর্মদা ইন-খোংনবা তৌখিবা ন'ঙ, অম্মুম হেক্তা।"

হরেন্দ্রনা হায়ববই, "ব্রট।"

কমলনা হাধবকই, "মহুদি অদোমগী মরুপ অক্ষয়বাবুনি। শিবনাথ শুধ চেনবা মীনি, মাগী মায়োক্তা ঐ ইশাগী থোই-দোকপা কবিস্থ ৱাকংনিংঙাই লৈতে। ৱাকংলুরগা করি কান্নবা ফংগদগে ? থম্মোয়গী কোর্টতা অমুকথক্তুং তৌখিবা বিচাবনা অমক্তা ঙাইববা বিচাবনি, মহুগীদি আপিল কোর্ট অমুক লৈত্রে।"

হরেন্দ্রনা হায়বকই, "মহুগী অর্থদি নুংশিনবদগী অহেনবা করিগুম্বা লিপুন অমত্তা লৈতে হায়বা ইবেম্মনা য়াবিনিংলিব্রা ?"

কমলনা হাযরকই, "মসিদদি ঐখোযগী মতাংদা করিগুম্বা অতোপ্পা লিপুন অমন্তা লৈখিদে, অদুগা লৈরম্লগা মহু যানা চংলুরগা ফল কবি ফংগদগে ? পেরেলাইসিস তৌহুনা হকচাংগী পঙথরবা কয়াং অহুদা মপালগী লিপুন্না অচৌবা পোংলুম ওইবগনি। মহুবু নমহুনা শিজিন্নরবদি খ্বাইদগী হেন্না থম্মোয শোক্কনি।" অসি হায়বগা মিংকুপ অমা তুম্মিনা লৈবগা অমুক হাযরকই, "অচুম্বা মওংদা লুহোংখিবা নত্তে হাযহুনা অসিগুম্বা রা চিন্দ, পনবা ঙত্রিবনি, মহু নত্রবদি ঙম্নম্লোই হাযনা অদোম্মা খনবিরমগনি। ওইরম্লবস্থু ঙম্নমগনি, শুপ্নগী অস্থুক লায়নদদি রাযম অনি লোইশিনবা ফংলম্লোই। পঙথরবা হকচাং-কয়াংত্তু হকচাং অনিদা অস্থম নপশিন্দুনা লৈরমগনি, অদুগা নুপী ওয়াম্বদা থোক্লরিবা অদুগুম থোক্লমগনি, শিদ্রিবা ফাওবা মহুগী অরাবা পোংলুম পুহুনা পৃন্সি অসি লেল্লমগনি। ঐ হিংলবনি হরেনবাবু, খঙহৌদনা নাম্থোক্লবা থোঙ হাংহুনা লৈরম্বনা ঐ মুক্তি ফংলিবনি।"

হবেন্দ্রনা হায়বকই, "ইবেম্মা মুক্তি ফংবিবম্বা যাই, অদুবু অসিগুম্বা মওংদা মুক্তিগী থোঙ কবিগুম্বা ময়াম্মা হাংহুনা থম্বা পাম্নরক্লবদি সমাজ-ব্যবস্থাগী পলস্থু নিংখায়গ্রগনি, মহুগী অকী-তুজুংলবা মূত্তি অহু যেকপা ঙমগদবা অহুগুম্বা মীশক কনাস্থু লৈতে। মসি ওইবকপা য়াই হায়না খনবা ফাওবা য়াবা নত্তে।"

কমলনা হাযরকই, "য়াই অদুগা খনস্থু খন্নরক্কনি নোংমদি।

মতুগী মৱমদি মীওইবগী ইতিহাসকী অবোইবা তাক্কক ইবা লোইদ্রি। নোংমা শেমখিবগী পাঙ্গলনা মতুদগী নাহোক্লবা লম্নী পূন্সি চুপ্পগী ওইনা থি খিবা তাববদি মতু অথোইবা থৌশিলনি হায়না লৌক্লবা য়াদে। পৃথিবীদা অবান-অচুই পুম্নমক শেমদোক্ত শেমজিন তৌনবা নিযম লৈ, কনানস্সু মতুবু যত্তে হায়নদে, অতুবু কবডাওনিংঙাই ওইবগী চিংননিংঙাই ফিংঙ্গা খ্বাইদগী হেল্লবদি মতু থিংবগী দবব বস্সু অতুক হাক্লা ওইরক্লবা মতাং অতুদা মীনা উপায় পুম্নমক কবিওস্না মশানা থিংজল্লবদি মতুবু অযবনি হাযবা কবমা য়ানি গদগে হাযবিযু।”

নুপীমচা অসিনা মওং বযাগী অৱাবা দশা তাবহুদা হবেন্দ্রগী থম্মোযদা মীন্নংশি কয়া পোক্লকখি, মাযোক্তা খয়-লৈনবস্সু পাক পাক য়াউন্দ অমস্সুং মাযোক্কী কাংবুনা মখল মখলগী সাক্ষী প্রমাণ পীহুনা মহাকপু অতোনবনি হাযবা উংননবা হোংনৈ, মতমতুদা মহাক্লা মখোযগী মাযোক্তা লেপখি। মখোয়না কমলগী অফোংবা শাক্ত অমস্সুং অহুগুম্বা ঈকাইবা খউদবা ৱাঙাংশিংহু পন্দুনা উংলগা চৈবম্মী, মতম অতুদা হবেন্দ্রনা যেংনবগী লানযমদা মাইথীহুনস্সু থৱায-হকচাং যাউনা মসি খউদংবা হোংনৈ মহুনি. কমলগী পুন্সিদা মসি অচুম্বা শুপনং নংও। কদায়দানা অগুপ্ত কিশি অমা লৈবমগনি, মহু নোংমদি যোংদাবক্কনি। মখোযনা কবেম্নহুনা হায়রবম্মী, “থৌজালবিহনা মতুবু মহাক্লা যোংদাবত্ববদি লৈবাকসিদা শাইদাংলিবা বাঙ্গালী সমাজদা এখায় হিংলগনি।”

অক্ষযনা শাউবনা যিঙ্গংনা হায়রম্মী, “ময়াম চপ হেক

মাঙৈ। ঐগুম্না থাজবা য়াবা নখোয় কনাস্থ য়াউদে। নয়ান্না লৌশিনবস্থ পাম্বিদে, হন্দোকপস্থ পাম্বিদে। আধুনিক যুগকী বিলাতীগী তোপ-তোম্বা লোন্দা-পুদা খবমখৈ তাবদা ময়াম ভূত চুবগুমখ্রে।"

অবিনাশনা হায়বম্মী, "তোপ-তোম্বা লোন্দা-পুদাশিংস্থ কমলগী মকমদগী ইনৌ নৌনা তাবা নত্তেনে অক্ষয়বাবু, হান্নদগী তানবক্লিবনি। হৌজিক কালগী হবাজাদগা হন্দোকপা লাইরিক অম-অনিদংবু পাবদি হেক্লা খঙবা ঙম্মী। রাজা-বাতাগী মঙাল নত্তে।"

অক্ষয়না নুশিন্না লৌহুনা হংলম্মী, "অদুদি কনাগী মঙাল'না? কমলগী শক-চুগীবা! অবিনাশবাবু হরেন্দ্রদি লুহোংদিবা পাখংনি— মাবুদি ঙাকপিবা যাই, অদুনু হন্নববা মযামগী মিং থকখিবা অসিদি অঙকপনি।" অসি হায়বগা মহাক্না আশুবাবুদস্থ মুখ অমুক্তং য়েংলগা হায়থনম্মী, "অদুবু মসিদি লাইমে-থানবীগী থাউমৈমনি অবিনাশবাবু, অপুম-অশা মবক্তা থোকপনি। লৈখাম-লৈনাং মবক্তা নোংমদি ময়াম্বু চিংথবগদৌবি হায়বদি তশেং তশেংনা উবা ফংলে। শুপ্নগী অক্ষয়বু মসি পুন্নমকসিনা ঙাওহনবা ঙমদে— মাদি অচুম-অবান মশক খঙই।"

আশুবাবু মচিন খুমহুনা নোক্লম্মী, অদুবু অবিনাশদি মৈ হৌনা শাউবম্মী। হরেন্দ্রনা হায়রম্মী, "অদোমদি থোইদোক্না অকনবা মীশক্তি অক্ষয়বাবু, অদোম্না জয় ওইসনু। ঐখোয় ময়াম পুম্না লৈনাংদা পুখহনা ইক হৈক লাউবা নুমিৎ অদুদা অদোম্না

মপাম্মা লেপ্তুনা হরাও-মথোই কানা ভগোয় শাবিবু, এখোয় কনানম্বু চিন্দা তৌজবোই।"

অক্ষয়না পাউথুম পীরম্মী, "নিম্মাগী থবক এ তৌদে হরেন। মুম্মানবা মীনি, চম্নবা অয়ায়বা বুদ্ধিনা সমাজবু য়ানা চৎলি। লুহোংবগী অনৌবা ব্যাখ্যা পীবা পামদে, পৃথিবীগী লমচৎ নাইদবা কাংবু মমা খোমজিন্নগা ব্রহ্মচারী গিরি তৌচনা লৈতে। আশ্রমগী থুমা-উফুলগী চাং থবগা অসুক হেনগৎহন্নবা হোৎনরু চৎলো— ভায়া, সাধন-ভজনগীদমক্তদি খল্লুনিংঙাই লৈতে। মিংনা উমা উনা আশম 'পুম্বা বিশ্বামিত্র ঋষিগী তপোবন ওইরক্লগনি, অহুগা মতন চুপ্নগী ওইনা নহাক্কী মিংচৎ অমা লৈহোগনি।"

অবিনাশনা শাউবা কাউথোক্লুনা থোক্কেল হৌনা নোকখোরকই অমম্মুং ঈংনা তপ্পবা মীনোক্কা আম্তবাবুগী মাইথোং লংখৎলকই। হরেন্দ্রগী আশ্রম্বু কনানম্বু থোঙইনা খল্লুদে, মহু মরম্মাইগী থবক্তি হায়না মথোয়না লোই।

পাউথুম পীবদা হরেন্দনা শাউবনা মমাই ভাংনা হায়রম্মী, "শাগদি চম্নবা য়াবা তর্ক তৌনবা যাদে, মহুগী অতোপ্পা নিযম লৈ। অহবু নিয়ম অহু খঙবা হুমদবনা অদোম্মা অকং অকংবা তকথায়ব্বিবনি। হৌন-খঙদা মুপা-নুপী কনাম্বু নাম্মোকহন্দে।" অসি হায়রগা মহাক্কা অতোপ্পা মীশক অমি অহুদা হায়রম্মী, "অহবু ময়াম্মা য়োকখৎপিব্বিবা কবিনি হায়মুননো? অদুক য়াম্মা হৌন খঙদবা ইঙ্গিত ফাওবা কাম্নগী বাকয অমঙুম্নি।"

অবিনাশনা তৌকম খঙদনা হায়রম্মী, "কৈদৌনা য়োকখৎলু-পদগে, অহবু খঙলিবহুনি অক্ষয়গী অক কত্ত জ্ঞান লৈতে হায়বা।"

হরেন্দ্রনা হায়রম্মী, "অক-ফত্তা হুজ্জান মতোন্দগী হেন্নচুম ময়াম্মা লৈবিত্রে। মীওইবগী থম্মোয়গী শক্তমদি উবা ফংদে তাম্মোযাইদ্বা, নংলমত্রবদি নোক্কব-করেম্নবা মী অয়াম্বনা তৌন-রক্লোইদবনি। লুহোংবগী মথিংদা কমলবু শিবনাথনা নমথাক তৌথি, অহুবু ঐনা ভশেংবা কাইজে—নমথাক অহংবু কমলনা অচুম্বনি হায়না লৌখিবনি, সংসারদা ফংকম থোকপা অমাং-অতোংগী মরিদা লাপ্পাও থোক্কা খংনহুনা মাবু মীমাংদা হস্থনা উহনবা পামদে। অহুবু মহাক্কা পামদে হায়রগা ময়াম্মা কেও লেম্না তোকপিগদৌরিবা কব্রিগীনো? শিবনাথ মাগী প্রেমগী লম্, অহুবু ময়ামগীদি মহাক কনানো? তাকপিবগী নিন্দা শাজং অহুবুদদি ময়াম্মা খাংডেন্দ্রিত্রে। মসিনিদনা ময়াম্মা তুক্কচরিত্রবগী মকদি। মাসিবু কায়থোক্কুনা শিজিন্নব, য়াবিবা লুহংবগী শি জন্নবিংহৌরে, ঐদি বিদায় লৌজরে"

অসি হায়বদ্রগা হরেন্দ্র নুমিৎ অহুদা শাউহুনা চংখি। মহাক্কী থম্মোযদা অচেৎপা থাজবা অসি লেংদনা লৈরম্মী মতুদি, লৈব মত্তা লুহোংববু অচুম্বা অচুম্বা মওংদা লুহোংবনি হায়না লৌহনা লুহোংখিবনি, অতুমক্তা মহাকপু অস্থক লায়না থাদোকপা ঙমখিবনি, মশানা পুম্নমক খঙনা খঙনা অরোনবা শাজং চৎপী অংগী মতৌগুম শিবনাথকী আশ্রয় লৌখিবা নত্তে, হাকম অাস কমলনা মচিনমক্তা নোংমা হায়দোরক। অহুবু মহাক্কী থাজবা অহু ঙসিদি উংতা থি হৈরগুমত্রে। হরেন্দ্রদি অক্ষয় নত্রগা অবিনাশ নত্তে, মুপা-মুপীবু খেন্নদবা হাখলদা পুম্নমক্কী মকএদা মহক্কী অচেৎপা মীমুংশি পাক শন্না লৈ— অসিগীদমক্তনি লৈবাক্কী অমদি মীথামগী

য়াইফনবা নখল পুম্নমক্কী য়াইফ-থৌরাং তৌবদা মহাক্না অতোং ওইরিবৈদগী মশাবু শরুক য়াহন্নহন্দ্রিবসি। মাগী ব্রহ্মচর্য্য আশ্রম অসিনি, মহাক্না অখাকপা লৈতনা থৌবা দান অসিনি, পুম্নমক অসিদা লৈজবা পুম্নমক যেংশোকপা. পুম্নমক অসিগী মফদা লৈরিবসি রাফম অমথক অহুত্তনি। মহাক্কী পামজবা অসিমক্না হৌবদগী হৌনা কমলদা শ্রদ্ধা লৈরকখিবনি। অহুবু ওসি মহাক্কী চিন্হপা মহাক্কী য়াহং পাউখুমদা ভাস্নম্না অকী-তুজুংলবা পাউখুম পীরক্কনি হায়বা খল্লুদে। ভারতকী ধর্ম্ম, নীতি, চংনরোল, মসিগী থোক্তানবা শক্তম অমস্তুং থোইদোকপা গুণ, অচুম্বদা হরেন্দ্রগী লংদা প্রেম অমস্তুং ওমখৈ নাইদবা ভক্তি লৈরম্মী। অহুম ওইনমক মীখা পোনবা অমস্তুং মশা মশাগী লমচংকী মতুং ইন্না অশাংবনা মরম ওইদুনা মসিদগী থৈদোক-থৈজিন থৌবন্নু মহক্না য়াংবা থোদে, অহুবু অস্নম্না নাপাল থৌনা থোওইদনা মসিগী থাইদগী মচং ওইবা অহুবু য়াদবা অসিদা মহাক থম্মোয়-মৈশা থাংজমত্রে, অমস্তুং কমলগী মপা ইউরোপিয়ানা, মমানা লৈখা তারবীনি— মহাক্কী শিংলিদ লমচং নাইদবগী ঈ চেল্লি, রাফম অসি হিং শিংলক্লুনা মচাক হঙ্গোইবনা মপুক্লিং মকশিন্নক্লে। মিনিট অনি-অহুম তুম্মিন্না লৈরগা মহাক্না তপ্পা তপ্পা হায়রকই, “হৌজিক অহু ওইরবদি য়োঙ্গ্রগে— ”

কমলনা হরেন্দ্রগী মপুক্লিংগী কিওম অহুদি চপ চানা ভাবনা লৌশিনবা ওমদে, তুম্মগী মথেক শেংনা হোংলক্লিবা অহুমখৈদি উবা ফংই। “তপ্পা তপ্পা হায়রকই, অহুবু লাক্লিবা মরম অহুগী দমক্তদি কস্নু তৌবিত্রে।”

হরেন্দ্রনা মমাই নোনথংলক্লগা হায়রকই, "কমিনো মহ্ ?"

কমলনা হায়রকই, "বাক্সেনগী পাউ লৌবা লাকপিবনি, অহুবু করিস্থু খঙদনা হনবিগদৌরে। মরে, মকমসিদা মহাক লৈবগী মরিদা মরাম মরক্তা রায়া মজদনা থম্রবিত্রা ? শেংবা তম্বিগত্রা ?"

হরেন্দ্রনা হায়রকই, "বরিগুম্বা থম্ররবস্থু ঐদি কৈদৌঙৈদস্থু খ'উক্লদে। মহাক পুলিশকী মথুত্তবু তাখিত্রবদি ঐহোক্সনি করবনি। মাবু ঐ চুম্না খঙই।"

"অহুবু ঐবুদি ?"

"অহুবু ইবেম্মদি পুম্নমক অহু বরিমত্তা ইম্না চংত "

"অয়াম্বদা মতুনি হায়বা যাই। হায়বদি ইম্না চংজবা য়াদে হায়বা অসিগুম্বা ভকনবা রাশক ঐগী লৈতে। অহুবু গুপ্তগী মকপুবু খঙবমদি চংনবা য়া'র ই হরেনবাবু, অতোপ্পা মীশক অমবুম্থ খংবা দয়কায়নি।"

"কাম্নদবনি হায়না থম্নি। মতম কুইনা থবক-থৌরম কয়াদা চিংনবা লৈরক্রবা মহাক অহুগী মনিদা ঐগী চিংনবা লৈতে। মাগী অপাম্বা মতুং ইম্না লৈনিংবা মকন্দা লৈজসমু, ঐ করিস্থু খন্দে।"

কমলনা মাগী মাইথোংদা ভাইহাক যেংহনা তুম্মিম্না লৈরগা হায়রকই, "মীওইবনা পরীক্ষা য়াম্না পীবা তাই হরেনবাবু। মাগী নোংমগী হায়গী রাহংদু অতোপ্পা মুক্তিত্তা পাউখুমগা চানবদবা য়াই। বনাগী মরমদস্থ অহুয়া অরোইবা বিচার তৌহনা থম্না য়াদে ঠোপ ওইনা কংগনি।"

মাহৈশিংসি শুপ্নগী তত্বগী হিসাবতা কমলনা হায়রবা নত্তে, মরিনো ইঙ্গিত অমা তৌরিবনি, হরেন্দ্র ভাব তারে। অদুমু হং-খোংতুনা মতুমু ময়েক শেংহনবগী হরেন্দ্রনা ঙমদ্রে। রাজেনগী রাক্নফু তোকখোক্লগা খঙহৌদনা অতোপ্পা রাকম অমা হৌদোরকই। হায়রকই, "শিবনাথবু মাংক চাবা দণ্ডি পীবা হায়না ঐখোয়না কেপ্লরে।"

কমল অংশংমমক চঙক্লখ্রে। হায়রকই, "ঐখোয়?"

হরেন্দ্রনা হায়রকই, "অতৈ কনাবু ওইরবগী ঐ মতুংগী মরক্তা অমনি। আশুবাবু নারি, করগা মহাক্না ঐঙোন্দা মতেং পীগনি ভাকশিরকই।"

"মহাক নারিবা?"

"হোয়, মশা ঙমদবা মুামং ওরেংমি নিপালনি হুরে। মসিগী মমাংদা মনোরমা চংখ্রে। আশুবাবুগী মখুত্তা কাশীদা বাস তৌদুনা লৈরিবদুনা লাক্লগা পুদুনা চংখ্রে।"

অসি তাবদা কমল তুম্মিম্না লৈখ্রে।

হরেন্দ্রনা মখা তানা হায়রকই, "শিবনাথনা আইনগী খুংনা মাবু শোকপা ঙম্লোই হায়বা খঙই, মসিগী পাঙ্গল অসিমক্তা মহাক্না মাগী মরুপকী মপীবু লৌমন্না ঙমখিবনি, মশাগী নাচুনা লৈরিবী মপীবু থাদোকপা ঙম্লিবনি, অদুগা চিংনবা লৈতনা ইবেন্দবু মাংহনবা ঙম্লিবনি। মহাক তাইন যাম্না কুপ্পা খঙই, মহাক্না শুপ্নগী খঙ্ঙিব্রবদি সংসার অসিদা মসিদনা পূমমক নত্তে মসিগী মপালদবু লেংদবা খরা লৈ অসিতনি।"

কমলনা মোকশি মোকশি ফাগী তোঙ্গা হংলকই, "মহাক লৈরিবা ফজিন্না কৈরিবি লেশ্নিঙ্ গা? করুম্বা পুরক্লগা অমুক [illegible] [illegible] হুমবিগদোবিক্রা ?" [illegible] মহাক নোককেৎ চৌক্লকই।

[illegible] হকেলগী মকানদগী [illegible] নোঙ্গি [illegible]
[illegible], [illegible] [illegible] [illegible] "অদুমু
লাঞ্জি হুনবী [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] অপন্না
লৈজবা লেখোক্লগা [illegible] [illegible]
পুগা লোমিরহনবনি হায়রবা অদুমু [illegible] [illegible] ওইরোদ্রা ?"

কমল [illegible] "[illegible] পুরক্লগা [illegible] ?
ঐখোয়দগী [illegible] থনক শিমবিগদোবিরা। মতমগী [illegible] লুপা
[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] ?
অদুনবদা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] মহু [illegible] [illegible]
[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]
ঐদি খঙ্ঙি।"

"অদুদি অমুক [illegible] মরমগী কবিরুবা চৈরাক অমত্তা
লৈরবোরা ? [illegible] [illegible] লৈরবসু [illegible] [illegible] [illegible]
লৈবা [illegible] [illegible] পাউ [illegible] [illegible] [illegible] থডহনবা দরকার
ওইরোইদ্রা ?"

কমলনা [illegible] হায়রকই, "নত্তে নত্তে, মহু তৌবিরুগনু।
মহুদা ঐ [illegible] [illegible] [illegible] নংলগনি মহুদি, মহু ঐহাক্
[illegible] [illegible] মতম [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]
[illegible] [illegible] চাক্লবনি মহুদি, অসুম্বা হুয়ানবগী মতৌঙ্ম

চেকশিংগী কবি দরকার টৈদ, মখোক লোয়না খঙহল্লগা চংখিবদা [illegible] খঙনবদা অদুবু লাক্লে অমিনু চাংখুক চাউনা ঙাইশ্রী। অদুগী তুংদা লৈবাক অশিনগী থুদংদগী কৌবনি। মতম অদুদা অশেবা করম করম মিংমক্রা উবকপা অদুগী মমীং থাবদা লৈইবা নাইরবা। অমি ঐগী রাজগী ইরোল অহোঙবা য়াইদে অমদা চেমরক্লে। হোজক থাজবান মহাক্না তাক্লগা চংনবা মহৌনা। [illegible] অদুক [illegible]। [illegible] হুরান-লাবা, [illegible] নম্বা লাইং পুম্নক অদুনা [illegible] কাং-ত্রুবা উংনখী ঐবু [illegible] কাগী ওননা লোখ, অদুবু চংখিবা মশি ওদি [illegible] লাক্লে। শিংদোক্লগা চংলা থাখ। এ অমুক [illegible], ঐগী পুম্নক [illegible]। অাওবা নমনবা তৌজরকই ভন্দ্রগা হায়রবু, এনৌ কপনবা থাবদা ঐগী থাংননবা অমুক তৌরি[illegible]।

হাংরক্লনা রাইহ অনতম্বু খঙবা ওয়েদ্রে. চত্রুবা যেংহনা লে।

[illegible] হায় [illegible], "[illegible] পুম্নক মী থুদিংমক্না খঙনবা [illegible]। [illegible] হৌরক্লু। [illegible] অমুক [illegible] তাংরদোই। [illegible] মপুগী শিবমাংক্না কানপগদা [illegible]। [illegible] লৈরি, মখোয়গীমু অয়া-[illegible] হায়রগা মক্লা [illegible]-মরোবা অমদিনু [illegible] মাইপোক্না অরাবা অমদি মৈচাক্না ফুনগংবা ফুংশিং মিংকুপ অমমতা তাক্লোবা থবঙম্খী। হায়রকই, "কনা কমদোক্রিবগে, পাউ ওখিবু।"

হরেন্দ্রনা হায়রকই, "হংবিয়ু।"

"করি। হায়া তম্বিয়ু অবিনাশবাবুগী পাউ। মহাক মাঙ্গি হায়রা তাখি, করম্ত্রা।"

"হোয়, মপুংফানা মক্রবস্থ কনা য়ায়া করে। মাগী শাগৈ-মরাম্বা অদা লাহোইদা লৈ, কায়েংবা মচাকুপা পুহূনা মফম অহূদা চৎখ্রে। হরবপা খা অম-অনি চংলবা য়াই।"

"অহূগা মীলিমাদি? মহাবস্থ লোয়নহূনা চৎখিব্রা?"

"চত্তে, মহাক সিদপুম লৈহোই।"

কমলনা ওক্কুনা হংলকই, "সিদস্থুম? মহোমদা অহাংবা য়ুম অহূদা?"

হরেন্দ্রনা অহানবদদি ইব-আঃ তৌরকই, মতুংদা হায়রকই, "ইক্তৈমগী বাকমহু অশেংনমক থরা লুরম্মী, অহুবু ঈশ্বরনা কনবিখি, আশুবাবুগু সেবা-হুংবা তৌননবগীদমক্তা মফম অহূদা মহাকপু থম্মবগী খুদোং ফংখি।"

পাউ অসি অহুক মরম চাদহুনস্থ কমলনা অমুক হংত্রে, ওপ্রগী মমিং লাউথোক্কুনা মখা তাখরকপা ওাইহুনা খঙনিংবা মিংথেংনা য়েংহুনা লৈ। মরমদি, হরেন্দ্রগী মীংহমবা লাম্থোকপ্রে অমত্তুং মহু ওপদা শাথীনা শাউনিংবগী থখি তাখি। মরমদি হীরম অসিদা অবিনাশগা মহাক্তা ইচম চম্মা থরবথৈ ওাংনা-শক্লবা অমত্থু থোকখি। হরেন্দ্রনা হায়রকই, "মীরৈবাক্তা মাগী মুংদা অপাম্বদা তৌবা য়াকই, অহুবু মহুমি হায়হুনা লুপ্রাবী মমাওহুপীবুদি পুহুনা শাগৈগী মরাম্বগী মুখদা চংলুবা য়াদে। হায়রম্মী, হরেন,

নহাকস্তু মরি-মতানি, নহাক্তী লৈফমতুদা করি—এনা খুম্বী, অহানবদা, ঐ তামোয়াইগদি মরি-মতানি, মতুস্তু য়ায়া থাপ্পবরি—অদুবু মাগদি করিস্তু থোক্লদে। অনিকুবদা, ঐগী লৈফম নত্তে, ঐখোয়গী আশ্রমনি; মকমতুদা মীতোপ্পা অমুনবা নিয়ম লৈতে। অদুমগুবদা, হৌজিক মুপামচাশিংদু অতোপ্পা মকমদা চংখিদুনা ঐ ইথন্দা লৈ। অসি তাবদা তামোয়াইমা য়াখলনা নুংবংনরম্মী। আগ্রাদস্তু লৈথবা য়াদ্রে, মাইকৈ মরিদা মী শিনরি, ময়ায়গী ময়ুমদগী চিঠি অদুগা টেলিগ্রাম মন-মনম থারকই—তামোয়াইমা মতুদা কয়া খুদোংথীখিবা!"

কমলনা হংলকই, "অদুবু নীলিমাগী মপাম্বদি লৈরি হায়না তাখিনা?"

হরেন্দ্রনা মগুক নোমদুনা হায়রকই, "লৈ। ময়া-ময়ুমস্তু ইচাউ চাউনা লৈ হায়না তাই, অদুবু পুম্নমক অমত্তা পরখিদ্রে। খগুহৌদনা নোংমা অগুকপা য়ামবা অমা থোকখি। য়াহৌদোক মাইকৈ কদোমদগী লাকপগে খণ্ডদে, অদুবু নারিবা আশুবাবুগী সেবাগী ভার ইতৈমনা লৌখি।"

কমল তুম্মিয়া লৈ।

হরেন্দ্রনা নোক্লনা হায়রকই, "ঐ খণ্ডই, ইতৈমা অণোংনমক লমচৎ ফজবী মুপীনি। তামোয়াইমগী শাথীনা খুদোংচাদবা মতমদা হন্দোক্লনা চংপা ওমখিদে, মতুগীদমক্তা মাইকৈ অসোমগী লম্বী পুম্নমক থিংখিবা ওইরম্বা য়াই। অদুম ওইনমক মাইকৈ সোমদস্তু খুদোংথীবা মতমদা লম্বী থিংই। অদুনা খল্লিবনি,

মরাল লৈজরব্রস্থু লৈবাক অসিগী মুপীশিং কয়াদা শাথীনা উপায় লৈজত্রিবা!"

কমল অহুম্না অহুম মনা-মনিল নাইদনা ফমহুনা লৈ, কর্মিস্থু ডাংদে।

হরেন্দ্রনা হায়রকই, "পূন্নমক অসি তাবদা ইবেম্দি নোকপিরমগনি, নত্রা?"

কমলনা শুপ্নগী মঙক ফাইহুনা নান্ত হায়না খঙহল্লবই।

হরেন্দ্রনা হায়রকই, "ঐ তোইনা আশুবাবু উন্নবা চংলি, মখোয় অনিমক্না ইবেম্মগী পাউ খঙলিংই। ইতৈমদি লাংতক্লুবগী মপা লৈত্রে—নোংমা চংপিগেরা মফমদুদা?"

কমলনা খুদক্তা য়াহুনা হায়বকই, "ঙসিমক চংলুসিদনা হরেন্দ্রবাবু, মখোয় উন্নরুসি।"

"ঙসিমক চংপিগদ্রা? চংলুসি। ঐ গাড়ী অমা লৌজকখিগে। তাম চাহুনা ববিগুম্না ফং-লাকপ্রা যেংলুগে।" অসি হায়বগা মহাক ইমুংদগী থোকখিগে তৌরকই, কমলনা মহাকপু কৌশিল্লগা হায়রকই, "গাড়ীদা ঐখোয় অনি পুন্না তোংমিন্নরবদি আশ্রমগী বন্ধুশিংনা শাউরকপা য়াই। খোঙনা হেক্তা লেংলসি।"

হরেন্দ্রনা হজিল্লক্লুনা লেপ্লগা হায়বকই, "অর্থদি?"

"অর্থ লৈতে—অস্থুম। লেংলসি চংসি।"

তরাগাপল

হরেন্দ্র অমস্তুং কমলনা আশুবাবুগী য়ুমদা লাক্লুনা থুংলবা মতম অদু নুংথিল নুমিদাংরাইদনি। ফমুংদা চাথনা ফমল্লুনা নাবিবা য়ুম্মুরেন নুমিৎ অদুগী পাইয়োনিয়র পাউ-চে য়েংলম্মী। থুমিৎ কয়ানিরুমদগী অমুক শাগং-থোকংপা তৌগ্রে, অতৈ অতৈ লাইথেকস্তু কোক্লক্লে, অদুবু হকচাং শোনবদি কোক্লি। মথোয় ইমুংদা চংলকপদা আশুবাবুনা পাউ-চে হুন্দোকপ্রগা হৌগৎলুনা ফম্মী, কবিগীনো হরাওই হায়বা মহাক্কী মাইথোং উবদা থগুবা ওম্মী। কমল অমুক হন্না ল'কখিদবা য়াই হাযনা মহাক্কী থম্মোয়দা চিংনবা অমা লৈবম্মী। অদুনা মথুং তিংথোক্লুনা মথুং পায়দুনা চিংশিল্লগা হায়বকই, "চংশিল্লকউ, ঐগী নাক্তা ফম্লো লাও।" অসি হায়রগা মহাকপু কা থোপ ময়াদা লৈরিবা চৌকিদা ফমহল্লে। হায়রকই, "করম পাল্লিবগে হাযযুদনা কমল?"

কমলনা মাইথোং মকা লাম্না থুম্নকই, "নুংঙাইজবি।"

আশুবাবুনা হাযবকই, "মহু শুপ্নগী ঈশ্বরগী আশীর্বাদননি। অদু নংলমদ্রবদি মতম ফত্তবসিদা কনাস্তু য়াইফরমগনি হায়রুবা ওম্বা নত্তে। অস্তুক কুইবসি কদাযদা লৈকবগে হাযযুদনা? হবেন্দ্রনা নুমিৎ খুদিংগী লাক্লগা পাউথুম পীবৈ, যুম শো লোল্লি, নহাকপু থিবা ফংদে। নীলিমানদি নহাক নুমিৎ থরুনিগী ওইনা কদায়দনো চথোকখিবা ওইরমগনি হাযনা থনমাল্লে।"

হবেন্দ্রমক্তা মসিগী পাউথুম পীরকই, হায়রকই, "অতৈ কদায়দস্তু চত্তে—আগ্রা অসিমক্তদা মুচীশিংগী থুক্কংদা ঙ্কেবাগী থৌদাং য়াহুনা লৈরুই। ওসি থেংনদুনা কাদুনা পুরক্লিবসিনি।"

আতম্বাবুনা মুংপোথীহুনা লাংতক্নবা খোঞ্জেলনা হায়রকই, "মুটীশিংগী থুজংদা? অহুবু থবরদগী থুজংহু উজাও শাবে হায়না ইনখি। মতম অমুক কুইবসি মহুগী মরক্তা লৈক্রিবা? মতোমদা?"

কমলনা মকোক হাইহুনা হায়রকই, "নত্তে, ইতোমদা নত্তে, রাজেনসু থাউই।"

অদি তাবদা হরেন্দ্রনা মাগী মাইখোংদা য়েংলকই, করিমু হায়রে। মহুনা তাক্লিবদি মসিমি মহুদি, নহাক্না হায়দোক্লিবসু ঐ মহু অমুখায়া থঙ্গ্রকদি। অম্নুক শাথীবা লাইচংকী খুদোংথীবা নংলবা মরাইককথিরবশিং অহুবু খাদোক্কুনা মহাক কদায়দসু খোঙ্কম অমত্তা থাদোক্লোই হায়বা 'ঐনা থঙ্গ্রবদি কনানা থঙ্গলগে?

আতম্বাবুনা হায়রকই, "অক্তকপা মীনি মুপামতাহু। মাহু অনি-অক্লমক্রুগী হেন্না উখিত্রি, মাগী মরমদা করিম্নু খঙদে, অহুম ওইনমক মহাকপু নৈশেমদা য়াওদবা করম্বা থাতুনবো শাবঙ্গুম লিংই। মাবু পুরক্লিবা করিগীনো, খৌদোকশিংহু হংলমগদবনি। থবরদদি পুম্নমক কুপ্পা খঙবা ঙমদে।"

কমলনা হায়রকই, "ঙমদে। অহুবু মহাক হল্লকদবা মতম হৌজিকসু রাংলি।"

"করিগীনো?"

"খুজংহু হৌজিকসু পুংতুম তুমজ্রি। লেমহৌরিবা মখোয় অহুবুসু থাখিজ্রিবমখে মহাকি ছুটি লৌর্‌রোই, মসিনি মাগী রাণক।"

আতম্বাবুনা মাগী মাইখোংদা য়েংলহুনা হংলকই, "অদু ওইখবদি নত্তনি কমলনা ছুটি কংলক্লিবনো? মকমহুদা অমুক

হল্লুখিবা তাৱিব্রা? খিংলুবদি ঙমদে, অদুবু মত্ন য়াম্না চিন্তা তৌনিংঙাই য়াফম ওইরোইদ্রনে কমল?"

কমলনা মঙক হাইদুনা হায়রকই, "চিন্তাগীদমক্তা নত্তে আশুবাবু, চিন্তা অমুক কদায়দসু লৈরব্রা? অদুবু ঐগী ঘড়িগী চাবী পুল্লপ লোইশিল্লগা হল্লক্লিবনি। মফম অদুদা হল্লুনবা ঐগী ইতিক লৈব্রে। শুপ্পগী রাজেন্দা ঙাইহৌরে। কনা কনাগুম্বগী হকচাংগী যন্ত্রদা প্রকৃতিনা অসিগুম্বা লোইনাইদবা চাবী থাদুনা থাবিরকই মতুদি, মতু কৈদৌঙৈদসু লোইবা নাইদে, কৈদৌঙৈদসু অশোয়বা নাইদে। নুপা অসিসু মখোয়শিংদুগী মরক্তা অমনি। অহানবদদি থল্লশ্নী, ওমথীরবা থুল্লক অদুদা মহাক কমদৌনা হিঙ্গদগে? সুমিং কয়ানিবু হিঙ্গনি। মফম অদুদগী ইতোমদা হল্লকপা মতম অদুদা করিগুম্বা মওংদসু চিন্তা কোক্তে, অদুবু ঐগী অকীবা অদু অমুক অমুক লৈব্রে। কমদৌননো অস্নুম্না ওশেংনা থঙবা ঙম্বগুম তৌই, প্রকৃতিনা মশাগী অপাম্বা মতুং ইন্না মখোয়বু হিংহন্দুনা থম্লিবনি অদু নল্লবদি লাইরু-থাংপোক্তা ঈশিং ঈ চাউগুম অশিবনা খেঙদারকপা মতম অদুদা মাগী প্রলয়-লীলাগী সাক্ষী কনা লৈহোগদগে? ঙসিমক হৱেন্দ্রবাবুগী মফমদা ঐনা য়ারী অসিমক লিজগ্রবনি। শিবনাথবাবুগী কাদগী অহিং মমৈদা ঈকাই-ফিরুক থুম্না হল্লকপা তাখিবা—"

আশুবাবুনা য়াফম অসি তাব্রে, হায়রকই, "মসিদা নহাক্কী ঈকাইখিংঙাই কবি লৈগদগে কমল? মহাকপু সেবা তৌরুনবগী-দমক্তা হায়নবা ঙাইদনা নহাক্কা মাগী লৈফমদা চৎলুই হায়বা ঐ তাব্রে।"

কমলনা হায়রকই, "ঈকাইবা অহুগীদমক্তা নত্তে আশুবাবু। ঐনা খঙলক্লম্মী, মহাক শুপ্পা নাদে—পুম্নমক তৌশিন্নবনি—বিনো চালাক অমা তৌরগা অদোমখোযগী থৌজাল ফংননবা হোংনবদনি, অহুবু মহুম্ভ মাইপাকপা ঙমখিদে, অদোম্না য়ুমদগী তাশ্লোকপিখি—মতম অহুদা ঐঙোন্দা কাবি ওইনা থোকখিবগে হায়বহু অদোমগী মফমদা খঙহনবা ঙমজবোই। চংমিন্নরুরিবা মহাক অহুদা ফাওবা রাফম অসি খঙহনবা ঙমখিদে—শুপ্পদগী করিগুম্বা মওং অমদা অহিংগী অমম্বদা নুমিৎতুদা তুশ্মিন্ন' থোরকখি। লক্ষ্মী লমশাংহুদা শুপ্পগী রাফম অমত্তংদি হঞ্জিন হঞ্জিন নিংশিংলকই, অম্লুক তোল্লবা মশাগী করিস্থু লৈজদবা নুপা অসিবু শাউহুনা দগ্তি পীরুবদা লৈতে ধর্ম্ম, লৈতে ইজ্জৎ।'

আশুবাবুনা চঙক্লহুনা হায়রকই, "কবিনোনে হায়রিবহু কমল শিবনাথকী অনাবা অহুবু তৌশিন্নবা; অচুম্বা নত্তবা?"

অহুবু পাউখুম পীত্রিবৈদা থোঙ মযাদা খোঙথাং মখোন ভাহুনা ময়াম্না লৈথোক্লুনা য়েংলকপদা নীলিমা চংলকপা উরে। মহাক্কী মথুক্তা কপ অনি পায়রি। কমলনা খুৎ লোন্নহুনা নমস্কার তৌবকপদা মহাক্না পাত্রহু লুখুমদা লৈরিবা টিপয় মথক্তা থম্লগা নমস্কার ওক্লকই। অহুগা রান্নী শানবদা মরক্তা অপনবা পীরে খন্দুনা মশামক রা অমত্তা ঙাংদনা তুশ্মিন্না মনাক্তা ফম্নরে।

আশুবাবুনা হায়রকই, "অহুবু মসিদি পাংদ্রনি কমল! মহুদি মহাক্কী স্বভাবকা চানদে! ঐনা হন্না হন্না খল্লম্মী. চুমদবুবু, মীনম্বা শাক্তংপু নহাক্না খক ঙাকপিরোই।"

হরেন্দ্রনা হায়রকই, "মাগী [redacted] অহুবু মচীশিংগী থুঙংগী মীশি-মীনা [redacted] পুকচেল হোংখি, রাক্ষম অসি মাগী মফমদগী খণ্ডে। মাগী কম্মোয়দা অপাম্বা অমস্তু লৈরমসনু, হৌজিক্কি কনাদস্তু রারোবা মহাক্না পামদে।"

আশুবাবুনা হায়রকই, "অহুবু মহাক্না নাংগোন্দা অহুক কয়া ওং-নৈবগা মাগী করি তোংজবগে?"

কমলনা মমাই নোনখংলকপমক্তদা উরে, নীলিমানা মিংয়েং শোংদনা ঙেংহুনা লৈরম্মী। পাউথুমতানিংবনা মহাক্না খাইদগী লাংতক্লবগুম্মী। মহু নংলমদ্রবদি মহাক ভুম্মিন্না লৈরগা য়াই. হরেন্দ্রনা হায়খিবা অহুদগী রাহে অমা ফাওবা মথা তানা হায়রম্লোই। হায়রকই, "রাহং অসি ঐগী হযমদা হৌজিক মরি লৈনরবা ওইনা থোক্কে। লৈতবা অহু করিগী লৈত্রিবনো হায়হুনা পী তাবা ফওবা ঙসি ঐঙোন্দা ঈকাইনা থোকই, মহাক্না অহুমখৈদি ঙম্মে, অগা করিগীনো মহুদগী হেনা ঙমদ্রিবা হায়হুনা শাউনকগদবস্তু হঙ্গে'ইজে। অদোমগী মফমদা ঐনা হায়জগদবা হায়ববু অসিদনি মহুদি, ঐগী লাইবক থিবগীদমক্তা মাবু অমুক চিংথোবপিবগনু।" অসি হায়বগা মহাক মশা চোকথরবগুম চৌকিদা মকোক ঙাথহুনা মমিং উইশিন্দুনা লৈম্লে।

ইমুংগী অচিকপহু নীলিমানা থুগায়রকই, মহাক্না মিংকী ইঙ্গিংনা পাক্রস্তু উংহুনা তপ্পা তপ্পা হায়রকই, "মহু পূমঙ্গ ঙংলে! থকপা য়াখিগদ্রা গমুক্তা য়েংবিযু, মগ্রগা অমুক শাহল্লবস্তু হায়জখোরা?"

আশুবাবুনা [illegible] পাক্কহু থাঙংতুনা খরা থরুগা থমগ্রে। নীলিমানা মঙক থাক্কনুনা য়েংলগা হায়রকই, "হিত্তুনা নৈথোক-পিবনা য়ারোই—ডাক্তরগী থৌশিল লৌদবা ঐ য়াজনিংদে।"

আশুবাবুনা চোকথরবগী মতৌগুম্ অচৌবা মোন্দুমদা ঙাখরহুনা হায়রকই, "মহুদগী হেন্না ফাওবা অচৌবা থৌশিল শিল্লিবদি ঐ ইশাগী হকচাংসিনি। রাফম্ অসি নখোয়নস্মু কাথোকপা চুমদে।"

"ঐ কাউজদে, কাউথোকপিরিবদি অদোম ইশাননি।"

"মহু চহি মতাং অসিগী দোষনি নীলিমা—ঐগী নত্তে।"

নীলিমানা নোক্কুনা হায়রকই, "মহু ওইরপ্না য়াই। দোষ লৌদবা য়াবা চহি মতাংদি হৌজিক য়ায়া রাংলি। ফরে, কমলগা লোয়ননা ঐথোয় অসোমগী কাদা রারী 'খিত্তা শাক্রুগে, মিং উইশিন্দুনা ঙাইহাক্কং পোথাবিবু, করি হায়বগে ? চংগ্রগে ?"

আশুবাবু মহু পাল্লমদবা মাল্লি, অহুম ওইনমক অয়াব পীগ্রে ; হায়রকই, "নখোয় অহুম চত্তি চংখিনু, কৌবদা তাননবা।"

"ফন্নি। চংসি ইনাও-ইবুংঙো, ঐথোয় থংনবা কাদা ফয়্‌রসি। অসি হায়রগা মযাম্বু পুহুনা চংগ্রে। নীলিমাগী রাহৈশিং মহৌশানা থোইথুয়ৈ, ঙাংথোক-শক্তোরকপদা অসিগুম্না থোইদোক-হেন্দোকপা অমা চেল্লি মহুদি, হেক্তা মিংয়েংদা তাই, অহুবু ওসিগী মহাক্তী রাহৈ খরা অহুমা মহুবু তুংওইননা থনম্লে। হরেন্দ্রনদি থোইদোক্না ভাব ওইরুদে, অহুবু উগ্রে [illegible]লনদি। অম্মুয়া মুপা ওইবগী মিংতগী নাম্মোকখিবহু মুপী ওইবীগী

চিংথেংবগীদি মাঙ্হোকখিদ্রে। নীলিমা লেপ্পা তৌবা লাকখিরম্লি, অদোমবা মুপা অসিবু চেকশিনহনবদা ওক্লিংঙাই কৌরম্ম লৈতে, সাধারণ মীয়ামদদি বা অসি হায়বা যাই, অদুবু সাধারণ অদুগী মশুং চৎকে কয়াদি। নীলিমাগী কান্হেনা চেকশিনবগী ওইথোক্কবা মগক ফংনা নৌথবা অদুদা মহাক থনজমদবা অঙকপা অমা ফকথেংনবগুম্ব্রা। ঙকপা ওয়গী মাইকৈ অমত্তদা নত্তে, ঙকপা মাইকৈ কয়াদনি। লনগী মীহৌ-লাংদা লুপ্রাবী অসি থুংব্রা হায়বা অস্তুম্মা চিংনগা হ'খল কাওবা কমলনা থল্লুবা ঙমদে। নীলিমাগী মহুমশ্থগী পরিচয় মহাক্না ফংগ্রবনি। অশুবাবুগী যৌবন অমশুং শক্তী রাহংদদি মফম অসিদা ওয়গী মরম চাদবদা নত্তে, নোক্লিংঙাই মশক্তি। অদুম ওইনমক কদায়দা মসি থিবা ফংগদগে হায়বা অদুমক কমলনা মপুক্লিংদা কুমহুনা থিরকই। মদিগা নত্তনা মাইকৈ অমগক্তু লৈরি। মাইকৈ অদু আশুবাবুগী মশাগীনি। চয়বা অমশুং ঈংলবা মীশক অসিগী থম্মোয়গী থুপ্পবা লৈরোমনুংদা মাগী মুপীবু নুংশিবগী লেংত্রবা আদর্শগী লিপুম্না নুমিং খুদিংগী পুজা তৌরি, মদুদা মাইকৈ অমত্তদসু করিগুম্বা মীহৌবা অমত্তনা দাগ থম্বা ঙমদে হায়বা অসিমক ময়াম্না থাজনরিবনি। মনোরমাগী মমা শিখিবা মতমদুদা আশুবাবু চৎথি থোইনা য়ানখিবা নত্তে—মতম অদু কাওবা থৌবম্না লাঙ্হোকখিদ্রি; অদুবু মতম অদুগী হৌনা মীয়ম্নেন থাদোকপ্রবী নুপীমচা খাকল থাদোকহন্দুনা অদোম্বা থৌশিন অমা শিন্নবা মুক্তি-মতাংশিগী কাংবুনা মতংপাল হোংলবদা অথাকপা লৈরিদে,

অহুমু থোইদোক্লা চেংলবা লানবনগী থোঙ নমথেক্লবা লৌশিং অমত্তা থিবা ,ক্লংখিদে। পুম্নমক অসি কমলনা মী কয়াগী মকমদগী ঙাপ্লবা রাকীঙাওনি। কা অসিদা লাকপদগী তম্বং-মালংদা কাউবগুম তুম্মিম্না কমত্থনা মহাক্লা গুপ্লগী মসিমক থল্লকই, নীলিমাগী মপুক্লিংগী মওং-মতৌ শম্না অমা কাওবা মুপা অসিগী মিংহেং মাংদা তারম্লোইদ্রা ! কব্রিগুম্বা মাগী মিংয়েংদা তাখিরম্বা থোক্লবদি, মতৈ-মনাওগী কল্লবা নীতিবু থাকদ্রবা ধর্ম্মগী মতৌগুম রায়া চেকশিন্না মপুন্সি চুপ্পা ঙাকচরক্লিবা মহাকস্থ অপাম-মীহো অসিগী লোনা ঈহৌম্নকপগী ঈথিন্দা ধর্ম্ম অহু মরিক অমত্তং ওইরবস্থু কায়খিরম্লগদ্রা !

মীনাই চা, ভল, উহৈ অসিনচিংবা পীরম্লগা চংখ্রে। অতিথিশিংগী মাংদা পুম্নমক অসি লানশিল্লগা নীলিমানা রা ঙাংলকই। আশুবাবুগী লায়না, মহাক্কী হকচাংগী ফিভম, মহাক্কী তোররিংবা শাজং অমস্থং অঙাংগী মতৌগুম চম্লবা অপিক অপিকপা মরম মুমিং থরনি অসিদা মহাক্কী মিংয়েংদা তারবা অহু—অস্থম্না থোইদোক্লা থরা। অতাবা অমা ওইনা হরেন্দ্রনা মুগীশিংগী মীহৌজবা পোংশক অমস্থং মহাকমক্কী লাংতক্লবা রাহংগী পাউখুমদা নীলিমাম্না রা ঙাংবদা চেনা পন্দবা ঈচেন্দা মচিন চাম্বা লোংনা [illegible] ক্লেম্বরক্লি। রা ঙাংবগী চংথোনবদা গুম্মংহুনা হরেন্দ্রনা উবা কংস্রে মহুদি, মতম অহুক শাংনা অবিনাশকী যুমদা থেংনরকখিবী মতৈমা অহু মহাক অসিম্না হাম্বা। ক্লগায়না শাল্লক্লিবী যৌবনগী চীং-লেম্বা, তথক্লবা রসনা লংলবী

অসিগী চয়বা কাগী, লুপ্তাবীগী পনখৈনা খাজিল্লবা য়ায়ী-য়াতাই, য়ায়দগী হৈনরক্লবা পুম্নমক অহ্ নুমিং খরনি অসিদা হৈদোকখ্রগা খঙহৌদনা চিনগনবী মুপীমচাগী মতৌগুম ঈকাই-ইকি খঙদবী ওইরক্লবী অসিবু মহাক অহ্রা!

ঙাংনা ঙাংনা নীলিমানা খঙহৌদনা উরুরে, চাগী কপ্পা অমুক অনিরক চুপ্পা নত্তনা কমল করিস্নু চাদে। নুংনাংবা খোক্লেলনা হায়জরকপমক্তদা কমলনা নোক্লুনা হায়রকই, "অসিগী মনুংদা কাউথোকপিগ্রব্রা?"

"কাউথাকগ্রবা? অহ্গী অর্থদি?"

"মহ্গী অর্থদি মসিনি মহ্দি, ঐগী চাব-থকপগী য়াফমহ্ নিংশিংবিগ্রমাল্লে। ঐদি মতম চাদনদি করিস্নু চাদে।"

"অহ্গা লিশিংলক হায়জহুনস্নু মসি হোংলমবা উপায় লৈতে।" য়াফম অসি হরেন্দ্রনা নিংশিংলকই।

মহ্গী পাউখুমদা কমলনা অহুম নোকফেং তৌনা হায়রকই, "হায়বদি অমনক্তনবা অসিবু হোংহনবা ঙম্লোই। অহ্বু অহুক নাপলদি তৌজদে হরেনবাবু, অহুম্নদি ওইরগা সাধারণ ওইনা নিয়ম অসিমক হৈনবী ওইরে হায়বা য়াই।"

লম্বীদা থোরক্লগা কমলনা হংলকই, "অদোম হৌজিক কদায়দা চংপিরিবনো হায়বিযুদনা?"

হরেন্দ্রনা হায়রকই, "কিনিংঙাই লৈতে, ইবেম্মগী ইমুংদা চংজরোই, অহ্বু পুরকখিবা মফম অহ্ ভাম্না থিরমত্রবদি চুমদবা ওইগনি।"

মতম অদু অহিং ওইশিল্লক্রে, লম্বীদা মী চংথোক-চংশিন কয়া তৌনরক্রে, খঙহৌদনা য়াম্না খঙন-চায়রবগী মতৌগুম কমলনা মহাক্কী মখুং নাম্না পায়রদুনা চিংশিন্দুগা হায়রকই, "চংসি, এগা লোয়নবা। অচুম-অরানগী ৱাখল অদোমগী কপা য়াম্না কুপশিল্লকপগে মদুগী পরীক্ষা পীবিগদবনি।"

হরেন্দ্র চিংনবনা তৌফম খঙলক্রে। মসি মহ্যক হৈনক্রে, অসুম তৌনা লম্বী চংপা খুদোংথীনিংঙাই লৈ অমসুং শকখঙ-নবা কনাগুম্বা অমা কদায়দগীনো লাক্লুনা থেংনরবদি ঊকাইবগী ওমথে লৈরক্লোই হায়বা অদু হরেন্দ্রনা ময়েক শেংনা উরকই. অদুবু ফজদে হায়দুনা খুং চিংশিনবা ফজদবা অকনবা ৱাখলদুবুসু মহাক্না মপুক্লিংদা চংজফম পীবা ওমক্রে। থোদোক্লু ফজদনা থোক্লা অমদি খুদোংথীবা যিভম ওইনা লৌহ্না মহাক কমলগী থোঙজিল ময়াদা থুংলরে। বিদায় লৌবা পায়রবদা কমলনা হায়রকই, "অসুক হাথুবিরিবা করিগীনো? আশ্রমদা অজিতবাবু নত্তনদি কনাসু লৈবা নত্তে।"

হরেন্দ্রনা হায়রকই, "লৈতে। ওসিদি মহাকসু লৈতে। অযুক্কী গাড়ীদা দিল্লিদা চংখি, হয়েংককা হল্লকপা য়াই।"

কমলনা হংলকই, "হল্লগা করি চাবিকগদগে? আশ্রমদা চাকথোংবা থম্নবগী থৌরাং লৈতে।"

হরেন্দ্রনা হায়রকই, "লৈতে, এথোয ইশামক্না থোংজৈ।"

"হায়বদি অদোম অমদি অজিতবাবু?"

"হোয়। অদুবু নোকপিরিবা করিগীনো? থোং-থাকপা থোইনা হৈতবা নত্তে।"

"যদু খঙলে।" অহংগা থংনবা মিংকুপ্তা তশেংনা শকথম হুঞ্জিনা হায়রকই, "অজিতবাবু লৈতে, মরম অহনা কন্নবা অদোম ইশাগী থোংলগা চাবিকপদৌরিবনি। ঐখী থুং চাবদা করিগুম্বা হংঙাইবিত্রবদি ঐনা অদোম্বু যাম্না পীজ-পীথকচনিংই। ঐখী থুং চাবিগদ্রা?"

হরেন্দ্রনা থোইদোক্না শকথম হুঞ্জিনা হায়রকই, "মসি যাম্না চুমদরবি। ইবেম্মনা তশেংনমক ঐনা হঙ্গোইবদগী যাবক্লোই হায়না খনবিত্রা?" অসি হায়রগা মহাক্না মিংকুপ অম্না ভুন্দিনা লৈরগা হায়রকই, "ইবেম্মদা খঙহনবদা শোয়রিখিবা যাউদে মহুদি, ইবেম্মা। তশেংনা শ্রদ্ধা লৈবা মীশুকশিং অহুগী মরক্তা ঐস্মু অমনি। ঐনা যাল্লিংঙ্গিরদদি—মুপুগী মতম চাদ্রনা ইবেম্মুবু বাকনদ্রু পাম্লরে।"

কমলনা হায়রকই, "ঐ থোইদোক্না বাদে হায়বা ইশাগী উবা কংবিগনি। নেংশিন্নবিরকউ।"

চাক থোংবা কন্নগা হায়রকই, "ঐনা লাইলিবসি ইচম চম্বনি, অহুবু আশ্রমদা অদোমথোয়গীম্বু উজরকপা অহুম্বু কা-হেনবা হায়বা যাদে। মরম অসিনা মফম অসিদা চাবদা করিগুম্বা খাওতবা থোকশিনরকম্বু অতৈ অতোপ্পদৌনা খাংহল্লিবদি তৌরোই হায়বা অসিথক্তংগদি ঐখী থাজবা লৈ।"

হরেন্দ্রনা হুরাওনা পাউখুম পীরকই, "ঐখোয়গী চাক-ইশ্বাং শিনবহু উবিরে হায়বা যাই। অশেংবমক ঐখোয় যাম্না রানা লৈ।"

"অদুবু অসুম্না লৈবিব্রিবা করিগীনো ? 'অজিতবাবু ঊনাক-থুম্বা মচানি, অদোম ইশাগী কিডমক্তু হদুবা নত্তে—বাদা থিংনবগী মরম লৈতে।"

হরেন্দ্রনা হায়রকই, "মরম লৈত্রবসু দরকার্‌ লৈ। ঐনা থাজে, ইবেম্মসু মসি থঙবিদুনা নশাগী মতাংদা অসিগুম্বা কিডম্মক শিনবিরিবা মত্রা ? অদুম ওইনমক মপালগী মীওই কনাগুম্বনা করিগুম্বা ওকুদা হংলকপা থোক্লবদি মঙোন্দা মসিগী মরম করি হায়দা পীবিগদগে ?"

কমলনা হায়রকই, "মপালগী মীওইদা হায়দোকপা ওমত্রবসু মপুংগী মীদদি ওমগনি। ঐ তশেংনমক 'য়াম্না লাইরৈ, ইশাগী চাব-থকপা কিজেংতো ঐনা ওমজবা মসিদগী হেন্দে। বাবানা ঐঙোন্দা করিসু পীবিরম্বা ওমখিদে, অদুবু মীগী থোজাল মথাদা হিংবদগী মুক্তি ফংনবা বীজ-মন্ত্র অসিদংদি পীবিরম্মী।"

হরেন্দ্র মহাকী মাইথোংদা বা ঙাংদনা য়েংদুনা লৈরে। মীরৈবাক অসিদা কমলনা কমদোনা উপায় লৈতনা লৈরিবনো হায়বা মহাক থঙই। শুপ্লগী শেলদগী নত্তে—সমাজ, ঈকাই-খুম্নবা চানবিবনা করিগুম্বা মাইকৈ অমগুদগী মঙোন্দা হন্না য়েংবিদে। অদুবু অচুম্বা অসিমক মহাক্না নিংশিংজদবা ওমত্রে। ওসিসু মহাক্না ভিক্ষা নিত্রি—ভিক্ষা হাপ্নি। মহাকী অসুক চাউনা মাং-তাকপগী মরু ওইরিবা অদুগুম্বা শিবনাথকী মকমদা দান তৌবগী পাম্বৈ লোইবা নাইদবী য়ুহাক অদুগী মকমদা পুক্নিং থোংসনরম্বা অমদুং খেমজিনবা ওইনা হায়রকই, "ইবেম্মদা ঐ তর্ক তৌবা নত্তে কমল,

অংগুম থসি নত্তনা অতি কল্পিগু থন্নুবা ভ্রমদে মখুদি, ইবেম্মখোয়গী মতৌগুম এগী লাইরবা অসি তশেংবমক্তি নত্তে, ঐ ইশামক্তু শায়রবদি অরাবা অসি মরীচিকাগী মতৌগুম মাংখিগনি। অদুগু অতুগুম্বা অশাম্বা অহু হবেম্মগী লৈবিদে, মরমদি ইবেম্মনা থঙই ইশানা য়ানা লৌজবা লাইরববু লনগৈগী মতৌগুম কায়হনা চাবা য়াই।"

কমলনা হায়রকই, "য়াই। অদুবু মদু করিনো থঙবিত্রা? মহু শান্দবদা বাব—লাইরবগী অভিনয় কৌই। অভিনয় খুদিংমক্তা থরমথৈ ময়াই অমা য়াউই, অদুবু মহু ফংবিবদা অথিংবা লৈতে।" অসি হায়রগা মহাক মশামকপু করেম্নবগুম নোক্লকই।

থঙহৌদনা স্তুর কায়না যন্ত্র অমা খোংগ্রে। তিং শোক্লুনা হরেন্দ্রনা ঙাইহাক তুম্মিন্না লৈরুরগা হায়রকই, "অদুবু মসিদি য়াবিনিংগনি, ফনা লন লৈহনসু পূন্সিগী মমল য়াউরক্তে, অহুম ওইনমক লাইর-অনংবগী মরক্তা মীওইবগী লমচৎ য়াংলক্লিবা অদুগা অশেংবা ওইরক্লিবা নত্রা?"

কমলনা স্টোভতগী থাং থাংথরে অমসুং করিনো মা থাকংলগা হায়রকই, "অচুম্বা ওইহল্লক্লবগীদমক্তা মাইকৈ অসোয়দসু থরমথৈ অংম্বা লৈবা পাম্মী হরেনবাবু। ইনাক-খুনবনি, তশেংনমক অয়াং-অপা লৈতে, অদুম ওইনমক তৌশিন্নহনা লাইরবা শাবা হোংনবদা শৌ চিনবিরি। অদুগা অজিতবাবুসু অমুক য়াউশিল্লবি। অদোমগী আশ্রমগী ফিলোজোফি ঐ থঙজদে, অদুবু মসিদা লৈত-লাইরবা শাহনা মুইশ বাহল্লবদা কৈদৌউদসু অরাংবা ফংবা ঙম্মোই।

[illegible]
[illegible]
[illegible] —মুসলমানশিংনা ভারত লোইরগা চংশুমবা [illegible]
অমসু তক হুতোক্লসি, চাক লোইরে, চাকনবা তৌরিব্রে।"

হরেন্দ্রনা নিংবা কাষ্পুনা হায়রকই, "মুসিবাদি ভারতবর্ষ নিংলোংজাদি অঙৌবা ভুবা ইবেম্মী মতিক ওইদে। ইবেম্মী নিংলিনা য়েকচী ঐ চেম্মি—হিন্দুগী আদর্শবু মিং অহুনা কাপি ওইনা উদনি। মীমিরো, কনি থোংবগে চাবগে।"

"মীজবক্নে।" হায়রগা কমলনা চাক-চা খিদা থাদ্রে। অতিচন্তু হাৎলোদে।

হরেন্দ্রনা থাইকে অদোমদা য়েংলহুনা থঙহৌদনা হায়রকই, "অদে, থমসি কনাগুম্বনা করিগুম্বা ভশেংনমক পুম্নমক য়েম্বোকখ্রগা অহুনা মঙংগী লৈতে-লাইরবা মরক্তা কুমথরবা মতম অহুদনি তাংনি হায়হুনা মতোংদা কনানসু করেম্বা ভয়োইদনা? মতম অহুদনি—"

কমলনা মরক থংভুনা হায়রকই, "নত্তে, তৌশিন্নবা অমুক ওইরবোই, মতম অহুদনি ভশেংনা অট্টাওবনি হায়হুনা কোক পায়হুনা কপ্পবা মতম ওইরগনি। হরেন্দ্রবাবু, মতম থরগী মমাংদা ঐহাকন্তু চাউবাক্তা মদোমগী মতৌওম থরগী, চবাহেনবনা ঐখুম্ব শুরক মরক্তা নৈরে, অদুবু হৌজিক্তি ঐনা কিংনবন্থ কোক্তা [illegible] লাইরবা অহুনা অবাংশা ইশানা পায়খু ওইবনু নত্তনা [illegible] ওইরবনু লাকপনু, মক্তা নাপাক তৌনিংঙাই কনিবু লোক্তা

মহৃদা নৈ অহাংবা, মহৃদা নৈ পাংলবা, মহৃদা নৈ পাপ— নৈতলাইয়না মাওইরবু কয়াদা তোনহল্লি, কয়াদা হন্থহল্লি, মহু ঐ লাইচংকী মরক্তা উরক্লে— মুচীশিংগী থুল্লক্তা। অহুগা অতোপ্পা মীশক অমগনা উখি— মহাক অদোমগী মরূপ য়াজেননি। অহুবু মহৃগী মরক্তা লৈরগদি করিস্ত ফংলোই, ঐখোয়গী শুক্রবা উমংগুম লক্ষম অহুদা করি লোংলিবগে কনানস্ত খঙদে। ঐ তোইনা খল্লিবনি, অদোমখোয়না মাবু তাস্তোকপিবে। ঙায়নবা নৈ—মপি লন্দোল্লগা মুংশেল মচেং থুনবা—অদোমখোয়না তশেংনা মহুমক তৌবিবমাল্লে! থম্মোয়গী মফম কদায়দগীস্তু অথিংবা ফংবিদ্রা? অঙকপনি।”

হবেন্দ্র পাউখুম পীদে, তুম্মিনা নৈ।

ইচম চম্না শিনবনি, অহুম ওইনমক য়াম্না য়তন তৌনা কমলনা অতিথিবু পীজরে। চাক চাবা কমথবদা নীলিমাবু হন্না হন্না পল্লকই; নুপী ওইবীগী ঈংলবা মাধুর্য্য অমস্তুং শেংলবা আদর্শদা মঙোন্দগী য়াংনা মহাক্না কনাবুস্তু থনখিদ্রি। মপুক্লিংদা হায়জবকই, শিক্ষা, সংস্কার, হৈনবী অমস্তুং অপাঙ্গদা মখোয় অনিগী মরক্তা ফনা খেন্নবস্তু নৈসনু, সেবা অমদি মমতাদা মখোয় অনি চপ মান্নে। মহু মপালগী পোংনি হায়হুনমক খেন্নবগী মপাল নাইদে, তর্কস্তু লোইবা নাইদে, অহুবু নুপী ওইবীগী মশাগী ওইবা, থোইদোক্না মপালগী ওইবা নঙবা মতামত, থুপ্পবা থম্মোয়মুংগী উরবদি মিংনা কম্না য়েংঙম্লাই। মরম কয়ানা ঙসি হবেন্দ্র চাক লামদে, শুম্নগী মী অমবু হন্নাওহন্নবা মহাক্না

মহৌশাদগী হেন্না চাশিল্লে। অহুবু ইঙ্খাং হাংই হায়হনা তেক্লাং খাঙহনবা থকই. হায়রকই. "মতম চাদনা কয়াবক চংহনবা ইতৈম-বেম্মদসু মতৌ অসুম্মক ওৎলুরিবনি কমল।"

"কনাগা, নীলিমাদা?"

"হোয়।"

"মডোঙ্গা ওংলুরিবা?"

"তশেংবম কি। অতব মশানদি য়ানিংদে।"

কমলনা নোক্লুনা হায়রকই. "শুপ্পগী অদোমদা নক্তে, নুপা খুদিংমক অসুম্মা লৌশিং চাউই।"

হরেন্দ্রনা য়েংতুনা হায়রকই, "ঐ ইমিংনা উরবনিনে।"

কমলনা হায়বকই, "মহু থংইজ। অংগা মিংয়েং অহুনা য়েংহনা অহঙ্কার তৌনা নুপা ওইবশিংনা চংথি।"

হরেন্দ্রনা হায়রকই, "অহঙ্কার তৌবদা ইবেম্মখোয়গীসু হন্নবা নাত্তে। চবা অহুমা ইতৈমা চাবা ফাওবা কংদে— চরা হেন্দুনা লেপ্লি, অহুম ওইনমক নীংহন্নবা নৈতে।"

কমলনা তুপ্পিরা মহাক্কী মাইথোংদা য়েংলকই।

হরেন্দ্রনা হায়বকই, "নখোয়গী আশীর্ব্বাদতগী ঐখোয়গী লৌশিং চাউবা অসি তেক্ত-কায়দবা ওইদনু— মসিনা ওইজবা ফেল্লি। ইবেম্মখোয়গী লৌশিং বুপ্পগী রাক্নৌবদা চরা চেন্দুনা শিবা ঐখোয় য়ানিংদে।"

কমলনা মা অসিগী পাউথুম পীদ্রে।

হরেন্দ্রনা হায়রকই, "হৌজিক্কী ইবেম্মগী অকুপ্পা লৌশিং অহুবুসু মরক মরক্তা পরীক্ষা তৌরগা য়েংলগনি।"

কমলনা হায়রকই, "মহ অদোম্মা ঙম্বিরোই, লাইরবীনি হায়হনা অদোম্মা থৌজাললিবিবনি।"

তাবদা হরেন্দ্রনা অহানবদা থানিংদে, অহুগী মতুংদা হায়রকই, "মৈংবিদু রা অসিগী পাণ্ডিখুম পীবদা পল্লি। করিগীনো খঙবিত্রা? মিংথোগী রাগী ওইবদা মতিক চাবা মহাক অহুনা লাইরবী ওইবদি পুক্লিংদা য়াজনিংদে। ইবেম্মগী লাইরবনা পৃথিবীগী ঈনাক-খুনদী নুপী থিবিকপু করেম্নবগুম নিংই।"

রা অসিনা তেঞ্জৈগী মতৌগুম কমলগী থম্মোয়দা যুরুরে।

হরেন্দ্রনা করিনো ঙমা অমুক হায়গে তৌরকই, কমলনা খুদক্তা মরক থংতুনা হায়রকই, "চাবা লোইরবদি হৌগংগিরো। অসোমগী কাদা অহিং চুপ্পা রাবী তাজগে, রা অসিগী থবক-ইথাং লোইশিঙরম্লগে।"

ডাইহাক লৈরগা কমল তক্কম কাদা চংলক্লুনা ফমুদুনা হায়রকই, "ঙসি অদামগী ইতৈমহুগী রারী পুম্নমক তাকন-বিরমদনদি অদোম্বু থাদোকচরোই, অহিং কনা থেংঙ্গে থেংজসনু! লিবিরো—"

হরেন্দ্র খুদোংথীবদা তারে, হায়রকই, "ইতৈমগী রা পুম্নমক্তি ঐ খঙদে। মহাক্না ঐহাক্না অহানবা শকখঙনখিবা অাগ্রা অসিঙদনি, অবিনাশদাদাগী যুমদনি। মক্ত ওইনা মহাক্কী মরিদা থোইনা করিগুম খঙদে। মখম অসিদা লৈবশিংনা খঙনরিবা অদুমখৈ ঐসু খঙই। তুপ্পগী রাকম অমঙংদি সংসারদা থ্রাইদগী হেন্না ঐনা খঙলমগদ্রা নিংই, মতুংদি মহাক্কী মমুরবা লমচংনি।

মপুর্‌োইবা শিখিবা মতম অহুদা মহাক চহি তরামাপল-কুনদমক শুরমখিগনি— মপুরোইবহুবু মহাক্না মনুং-মপাল ফাওবা ফংজখি। নিংশিংবহু মুত্রি, মুংকদবস্তু নত্তে – পূসিগী অরোইবা মুমিং ফাওবা নিংশিংবা অহু লেংদনা লৈরগনি। মুপাশিংগী মবক্তা আশুবাবুগী রাকম পম্নরকপা মতমদা মহাক্কী শাজংস্তু অচম্বা নত্তে— ঐ য়ানিংদবা লৈতে, অহুবু—"

"হরেন বাবু, য়াম্না থেংলে, হৌজিক য়ুমগা অমুক হনবিবা চুম্নরোই— কা অসিদা কম শেমজরগে ?"

হরেন্দ্রনা চঙক্লনা হংলকই, "কা অসিদা ? অহুবু ইবেম্মদি ?"

কমলনা হায়বকই, "ঐন্দ্র সিদাস্তুম তুমগনি। কা অতৈদি লৈতে।"

হরেন্দ্র ঙকাইবনা কাহৎখ্রে।

কমলনা নোক্লনা হায়বকই, "অদোমদি ব্রহ্মচারীনি। অদোমগী চিংনলিংঙাই মরম করি লৈবগে ?"

হরেন্দ্রনা মিং কুপ্তুবমথৈ শুপ্নগী য়েংছুনা লৈ। হায়রক্লিবা রাকম অসি ফবিনো হায়বা মহাক্না খনবদা লাম্বা ফংদ্রে। মুপী ওইবগা রাকম অসি কমদৌনা খনবা ঙম্লিবা।

মহাক্কী কাহেম্না নুংবংনবা অসিনা কমলগী থম্মোয় শোক-হনখ্রে। মিংকুপ থরা চপ য়ুংনা লৈরগা হায়রকই, "ঐনা লাল্লবনি হরেনবাবু, অদোম য়ুমদা হনবিরো। মহুমক্লনা অদোমগী থাইদগী শ্রদ্ধাগী মশক ওইববী নীলিমানা আশ্রমদা চংজফম ফংখিদবনি, আশুবাবুগী য়ুমদা চংজফম ফংঙ্খ্রিবনি। অচিকপা য়ুমদা করিস্তু

[illegible] ফাকোং তৌখিদ্রে। ব্রহ্মচারী [illegible] লৌখি [illegible] চৎলিয়ে, অদুক শম্বনিবুগা, আশ্রমদা চৎলিরে।" হাযরগা মহাক [illegible] মপাম্বা থোকখিদ্রবা অমগী [illegible] [illegible] ঊখিদ্রে।

হৌজিক খুৎলমবগী মতৌগুম মিমিচ অনি-মহম লৈরবা ঊরবগা মথাদা চুমথদ্রে।

[illegible]

চাউরাক্লা থা অমরোম তৌদ্রে। অাম্বোদা ইনফ্রেক্রারী লাইচংকী শক্তম ঊংথদ্রে, মচি মচিদা লৌবা অমা অনি লাক্লবী মা তানি হায়বা মাই, অহুদি ওইকদা শাখীবদি নদ্রে। [illegible] ইফুংদা কমহৌদা মপুক্রিং থোইজংদা চুনিং চুনি, মতমশিদা হন্জিন চংলকই। মহুক্তা কি মরোম অমা পাখিবকই, অনাক্তা মহু লৈমাম্বাক্তা থগ্রবা হায়রককই, "থবক পীরক্রিবা মওংশিনা অংকম থোকপা শেল লৌবা কাওবা ঐকাইরবনি। অহুরু মীশিংশি ওন্বাক্লা হৈনখিদ্রে, উমরু উমরবদি হেক্তা হংলকই, য়াবত্রা? অহুরু এৈনা মচেক পেংদা শুক্লিরবনি, যাম্না চিক্লি। অবুদা ওইরবদি থায়দিবু, কি হৌদোক-চনুরে। অহুরু হংজাইখিবদি মক্লিনি মচুদি, ঈকোকী [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] মহাক [illegible] [illegible] [illegible] চংদ্রে

খরি য়েংখিবুদনা, লৌলাম্বোকী রেশম ফি খাম্ব অমা অহুম্ফু অমুনাদি ফুরিৎ পীরকই—”

কমলনা ফি তুরম্বদগী মম্যাই নোমখংলক্লগা হায়রকই “লৌশিনবিকরিবা কবিগীনো ?”

“লৌনিংহুনা লৌরিব্রা ? হায়বিগ্রবনি, খা তক্কী মমাংদ ওইরোই—মহুৎফু য়ারক্লে। হায়রকই, খা তক্কী মতুংদা য়ারগনিদনা মহুৎ ওইরবফু য়ারে। মসি য়েংবিয়ুদনা খুংগুমদ কাওবা এডভান্স পীরক্লে।” হায়রগা মহাক্না পকেটতগী কনা য়াম্বা নোট ময়োম্ অমা কমলগী মমাংদা পোপ থাদরক্লে।

কমলনা হায়রকই, “ওটায় অক্কক য়াম্না লাক্লবদি খঙ্গলে ঐ মী থম্বা তারে।” অসি হায়রগা মহাক্না ফিয়োমদু থোক্লগা অমনবা পাঞ্জাবী ফুরিংডু শাংহুনা য়েংলগা হায়রকই, “কনাগুম্বা অচৌবা দুকানগী বড় মিস্ত্রীনা তুবনি—ঐদি অসিগুম্বসি হৈরোই। মমল য়াম্বা ফিসি মাংহুনা তোক্লনি, মগোন্দা হন্দোকপিগ্রো।”

হরেন্দ্রনা অঙকপা ফোংদোক্লুনা হায়রকই, “ইবেম্মদগী হেম্না ফুরিং তুবা হৈবা লম অসিদা অতোপ্পা অমা লৈরিব্রা ?”

“লম অসিদা লৈত্রবফু কলকাতাদা লৈ। মফম অদুদা থাখিনবা হায়বিখো।”

“নত্তে, নত্তে, মহু য়ারোই। ইবেম্মনা অগুম্বা মওংদা তুখিবু, মহুনা অহুম য়াগনি।”

“য়ারোই হরেনবাবু, [illegible] লৈরবদি তুগদবনি।” অসি হায়রগা মহাক্না [illegible] লোকখোক্লগা হায়রকই, “অজিতবাবু

ইনাক-খুনবা মচানি, খশা এানবা নীনি, থম্মু জুনিজুক্তা, মহাক শিংলু হায়রা কমদৌনা থারকদগে? কিনি অবেবদা থাংলবা চুমগে, মগি অমুক হনবিয়ু।"

হরেন্দ্রনা য়াম্না ঙক্তা হংলকই, "কমদৌনা খঙবিগে, মসি অজিতবাবুগীনি হায়বা?"

কমলনা হায়রকই, "ঐ খুংলৌ য়েংবা ৈহ। ৱেশমগী কিনি, এডভান্স পীগনস্থ থা তরুক থিশ্বা য়াগদৌরি—হিন্দুস্থানগী লালাজিশিং অহুক হাক্লা অপঙবা নত্তে হরেনবাবু। মঙোন্দা খঙহনবিয়ু—মহাক্কী ফুরিং তুননবগী শক্তি ঐগী লৈতে, ঐদি গুপ্তগী লাইরবশিংগী অহোংবা থি তুবদনি। মসিদি কৈরোই।"

হরেন্দ্র তৌফম খঙত্রে। মমৈখংদা হায়রকই, "মসি মহাক্না য়াম্না পামজবনি। অহুবু তুংদা ইবেম্মনা খঙলকপা য়াই, তুংদা ইবেম্মগী পুক্নিংদা ঐখোয়না করিগুম্বা মঙং অমদা ইবেম্মদা করিগুম্বা থরা পীননবা হোংনবনি খনথিবা য়াই, মহু কীজবনা ঐনা য়াম্রিবসি মতম কুইরবনি। মমল য়ামদবা অচম্বা করি কিনো অমা লৈরগা পীথিনবা মঙোন্দা হায়জবনি। অহুবু মহু মহাক্না য়াদে। অম্মুম্না হায়, মসিদি ঐনা থুংত্তিগী শিজিন্নরিবা ফুরিং মকক-মতাংসি নত্তে, মসিদি কমলনা মথুংমক্তা তুগদৌরিবা ফুরিংনি, মসিদি গুপ্তগী থোইদোকপা থৌদোক-থাথোক্তা কুইম্ব-কিয়োংদা লিংনবনি। মদি ঐগী ইকমদদি অচৌবা থুদোল ওইগদৌরিবনি। জগৎ অসিদা মঙোন্দগী হেন্না কনানস্থ ইবেম্মবু শ্রদ্ধা লৈবা উদে।"

কমলনা হায়রকই, "মতম থবগী অমাংদা তপেংবা মতুগী

[illegible] ইরা মহাকী মকোকনা অমম্বনা [illegible] [illegible] [illegible] খাজিকই শকুবিমুকদি অদোমবু [illegible] থমুজা মুনা খন্নুনা থেংনিমুদনা ?"

মদি খুমিং অহূসী ৱাদি, হরেন্দ্রনা পুম্মক কাওজি, [illegible] ইকাইবা কহুনা হায়রকই, "মীনদা নত্তে; অহুবু বাখল-অহুগী লোংবা মখায়মু খররমগী। তশুগী আশুবাবুনদি খরমনা রাই; অহুবু মহাকপু লোংমদি ফিরংখিবা তথি। ঐ ইশাগী রাফম খননবিমুদনা—তাসিদি মহুগী প্রমাণ অমুক শীদবা য়ারে, অহুবু খুমিং অহুগী কষ্টি-পাথর (মনা-চাংবেং-নুং) দা তকুনা ভক্তি-শ্রদ্ধা চাংবেবো পাম্বদি ঐগী লেপকম লৈখিগত্রা ?"

কমলনা হংলকই, "রাজেনবু খিবা ফংবিরত্রা ?"

হরেন্দ্রনা খনুলে, খমোয়রগা মদি লৈনবা খন্ন-মৈনবা পুম্মক অদি অতোপ্পা লোংমহুগী মতৌঙম ভসিন্নু লেপত্রে। হায়রকই, "নত্তে, হৌজিক কাওবা কংত্রি। মশানা চোংথোরক্লবদি উম্মক কন্দনি হায়বা খাজে।"

কমলনা হায়রকই, "মহু খতবা ঐ পামজদে, পুন্নিংগী মথুত আওবা মহু খিগংশিনবা অদোমগী মকংমদা হায়জখিবানি।"

হরেন্দ্রনা হায়রকই, "পাউ লৌরে। মক এইনা মখোয়গী মথুজদি লৈতে।"

মদি তাবদা কমলগী চিংনবা কোংকে. হায়বগি রাই, অহুব [illegible] কনবা রাই। হায়রকই, "মহাক [illegible] অহুনা কৈদৌঙৈ, চংখিবগে [illegible] মুঙাশিংগী খুরুংদা [illegible]

[illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] যাদা চানবা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] মাংই, অদুগা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] ঐদি অসিগুম্বা দা ওইবে? [illegible] [illegible] মহাক্কা খাংজবা মিংচেংবা হেন্দকপদা, হরেন্দ্র খোইদোক্না ঙক্করে। অদুগা যংনবা মিংকুপ্পমক্তা, মহাক্কা মমাই নোকহনা কাম্বী মতৌগুম তুবগী থবক্তা মশাবু শিজিন্নরে।

হরেন্দ্র তুম্বিদা লেপ্পুনা লৈ। মতম অসিদা যাহং অমম্ম মহাক্কী খৎকোয়দা নিংশিংলক্লে, লাংতক্কুবগী মপাল নাইরে—মচিন্দগী বা অদু হায়দোকপদু পাম্বী, অদুবু মশাবু কাখক্লে। যাহং অসিগী ফল কম্বি ওইগদগে করিগুম্বা মওংদম্ লেপ্‌খোক্‌লা ঙমাগ্রে। মতৌ অসুম্না মিনিট মঙা-তরুক লেপ্লবা তুংদা কমল মশামক্তা বা ঙাংলকই। খুম্বিং তুনবা কোলহ্ ম্যাকুন্দা খাংদোক্লুনা থল্লগা চুংশা মপী অমা শাংনা হোন্দোক্লগা [illegible]কই, "লৈরসু ঙসিদি তোক্লসি।" অসি[illegible]রগা মমাই নোকখংলকপদা ঙক্লুনা হায়রকই, "কম্বিগীনো, লেপ্লুনা অসুম লবিরিবদি! চৌকি অমা চিংখোক্লগা ফম্না ফাওবা ঙম্বিরব্রা?"

"ইরবম্না কম্মু হায়খিদে।"

"করে ওইনিংবা ওইরসু! কম্বিয়ু হায়দ হায়ত্না কম্বি-রক্লোইদ্রা?"

"ফংলোইদু। হায়দনদি কম্মুবা চুম্মে।"

"অদুবু লেপ্লুনা লৈয়ুম্ব কায়জখিদে—লেপ্লুনা লৈবিরিবনু কম্বিগীনো?"

"খুনি, কৱিগুম্বা 'হায়বিরবদি ঐ অবুক লেংহৌগা' লৈবা চুমদ্রে। 'ইবাল ইশাল্না ম্বাজরি।"

অসি তাৱদা কমলনা নোকথোরক্লে। "মতু হায়বিরবসি ঐন্থু ইবাল ইশাল্না মাজরি। ওনায়মশৈ ৱাখলদা তাউহনা লৈকৱা ঐগী ইংকালনি। থৌজিক্তি কন্বিবো।"

হরেন্দ্রনা চৌকি অমা চিংশিনগা কমথগ্রবদা কমল হাইকেং শককম হন্তিনখ্রে। অমুক্তং কৱিনো চিন্তা তৌরকই, অহুগী তুংদা হায়রকই, "য়েংবিয়ু হরেন্দ্রবাবু, অশংবদি মশিগী মনুংদা কৱিস্থু লৈতে হায়বসি ঐন্থু খঙই, অদোমস্থু খঙবিরিবনি। অহুম ওইনমক থম্মোয়দা পাল্লি। কস্থিয়ু হায়বা কাউকৱিবসিনি, অতিথিগী মকমদা তরাম-তরাম তৌফম থোকপা অহুখক্তং ফাওবা তৌখিদ্রে—কমা-খঙন-চাৎবা ওইহনস্থু ইবাল অহু অদোম্না ঊবিরি। নত্তে, নত্তে, ৱাল্লোহনা হায়জবা নত্তে, অহু ওইরবস্থ কমদোক্তুনদনো মসিদা থম্মোয়দা পাল্লি। সংসার অসিদা মীওইবনা পীথোক্লস্থু পামদে—কদায়দনো থরমখৈ পনহল্লি। নত্রা?"

হরেন্দ্রনা মহুগী মনুংদগী ভাব খঙবা ঙমদ্রে, ঙরুপ তৌনা য়েংলকই। কমলনা হায়রকই, "মসিদগী সংসারদা কায়দবা কয়া থোক্লরবা নত্তে। অহুম ওইনমক মসিমক্তা মীওইববু খাইদগী হেন্না ছমহুনা পুই।"

হরেন্দ্রনা হংলকই, "পুম্নমকসি ঐঙোন্দা [illegible]বিত্রা, নত্রগা নতোমদা পোক্তরিত্রা? কৱিগুম্না ঐঙোন্দা ওইবাদি থরা মমেক শেংনা হায়বিয়ু। মস্নো থাংবা [illegible]সি লৌশিনবা ঙমজদ্রে।"

কুঞ্জনা 'মৌহুমা শাররকই, অমরো থারবনি, হয়েন্দ্র মাই'। অঙ্গায়বা অচম্বা লবী, থুক্কিংদা থুদোংবীবনা মখিৎ-শংদোকুনা মৈ:শাবনা লল্লুদে। থুদি থিক্কুনা খোঙহোম্লগী হু থোকই, থুকক্তা আন তারকই—থবা থিংশিং-নাশিংবা চংপা চুবী। মত্রা ?"

হরেন্দ্রনা হায়রকই, "লক্ষ্মীগী মতাংদা হোম। মক ওইনা আঙ্গাগী লক্ষ্মী থবা বাখল তৌনা চংপা মৈ—থুদোংথীবা অহ আশ্রমগী ছাত্রশিংদা থেইদোক্না থোক্লিবনি। অহুবু মরো থাংবহুদি মরো থাংনা অহুম লৈরে, মুংগী অর্থ নৌশিনবা ওমত্রে।"

কমলনা হায়রকই, "মহুগী উপায় লৈতে হরেনবাবু। ওাংলিবা বা থুদিংমক্কী মুংগী অর্থ খঙবা ওমা নত্তে, অহুবু অর্থ খঙবদম্ মুনা থোক্তে।"

হরেন্দ্রনা হায়রকই, "মহুগী অর্থদি ইবেম্মদি লাইবক কবীনি ঐদি লাইবক থিবনি। সাধারণ মীগী থোপ্তা চংবা মাব লোন্দা হায়গে হায়রগা হায়বিয়, নত্রবনা তোকশিরো। করুণ-করুণ শাংবগুম মইর হল-হলগা চেংশিনত্রে। অথুম্না নত্রগা থনঙমদবগী ওাংবা হোবগা কদায় য়ৌত্রবগে মহুগী পল্লেপকম খঙবা ওমদে পুম্মক অসি ইবেম্মনা রাজেনবু নিংশিংকুনা হায়বিরিত্রা মাবু ঐম্মু খঙই, অচম্বা লোন্দা হায়রবদি থম্বা থরদি খঙবগ মাই।' অহু নত্রবদি অম্মুম্বা অশিংবা মীগী চোইমোল তাহুক লৈরবদি ইশাক্কী বুদ্ধি ককচিত্নগনি।"

[illegible] [illegible] [illegible] হায়রকই, "[illegible]", [illegible] [illegible] [illegible]।

"[illegible]।"

কমলনা হায়রকই, "শুপনী রাজেনবুদা হকে, কৈনাদা খঙ্গুলি করিইনো, অমুকেলী ভুদি ঐগী পুম্নমকপু নিংশিংলকই। স্বামী-বাবু, মনোরমা, অরুণ, অবিনাশ, নীলিমা, শিবনাথ—অদুবা নুংলা ঐখোয়গী মায়া কাওবা—"

হরেন্দ্রনা মরক খুংলকই, "মহু য়াবোই। ইবেম্মা অমুক থবায় মুংলাইবিরমাল্লে। ইবেম্মগী ইপা-ইমা স্বর্গ কাল্লে, মখোয়বু পল্লোক-পানশিন তৌবা ঐ য়াজনিংদে। থোইদোক্কহুম ছিংলনা লৈরিবা মখোয়গী বা, ইবেম্মনা রাজেনগী বা হায়বিনিংঙি—মহু হায়বিবু ঐ তানিংই। মহাক ঐগী মরুপ্নি, মাবু য়ুম্না খঙই, মুংশি—ঐবু থাজবিয়ু, ঐনা আশ্রমবু লিংখৎলবস্থু অমবু তৌরবস্থু ইবেম্মবু নমথারু তৌরোই, সংসারদা তরাগ্নচাগী মতৌগুম ঐস্থু মুংশি-রারী তাবা পায়জে।"

কমলগী থককম্ম কল্লিনবা মাইথোংদা থঙহৌদনা হরওঅ-মীনোক্কী মপ্পি তাররে, হংলকই, "শুপগী মীগী রাদমক তাবা পাম্বিদব্রা?"

হরেন্দ্রনা হায়রকই, "পামদে। ঐদি ব্রহ্মচারিশিংগী পাওজানি—অমম্নগী কাংবুনা তাপ্রগদি ঐবু চাল্লে হায়রকনি।"

অদি তাবদা কমলনা অমুক নোল্লুনা হায়রকই, "মহুক, মশায়না কবিস্থু তৌবা ভুল্লোই, ঐনা মহুগী উপায় শিনহ্নবি।

স্বরেন্দ্রনা মক্তুব হাইরক্‌না হায়রকই, “ঙুন্বিরোই। খাঙ্গম স্নায়রম্‌গা চেল্লবস্নু এ অমুক ফিংলরোই। অফয়না ঐবু অমুক্তং শক অঙ্গুপ্রবদা মফম বদায়দবু চেল্লবস্নু মহাক্না ঐবু অচুম্বা শরীদা পুশিন্দনা লেম্না তাক্রোই। থোইদোক্লত্নম ইবেম্মা নপাগী স্না তম্বিয়ু। রাজেনবু কাউথোকপা ঙম্বিরোই হায়বিখিবা অহুদরী হৌনা মথা শমথবিয়ু। কমদোনা লমহেনবা অঙাং অহুবু অহুক লুংশিবিরিবনো হায়বা ঐ খঙ্গজনিংই।”

কমলনা হায়রকই, “তশেংনা রাহং অসিমক ঐনা হম্না হল্ল। ইশানা ইশাদা হংজরিবনি।”

“পাউখুম যংবিদত্রা ?”

“যংদে।”

“যঙ্গদবা বাফমস্নু নত্তে, অহুগা অচুম্বনি হায়না ঐগী থাজবস্নু লৈতে।”

“করিগী থাজবিদ্রিবনো ?”

“মসি তোক্লসি। হায়স্নু অমুক হায়প্রমাল্লে নিংই। অহুবু অফবা কেন্ডিডেট অতিস্নু লৈ। তত্তাবা অমা [illegible] মথোয়গী কেসশিংহুস্নু থরাখৈ শিংন্নেং তাবিগদবনি। মসিদংদি হায়জনি-ই।”

“অহুবু কেসদি ভাবনা শাত্নুনা বিচার তৌবা য়াদ হরেন-বাবু, চংনবী নিযম মতুং ইন্না সাক্ষী-প্রমাণ য়াউগদবনি। কনানা সাক্ষী ওইবিগদগে ?”

মথোয় মশামক্লা ওইগনি। সাক্ষী-প্রমাণ পীবিনবা শেমং লাহুনা লৈরবদি, অমুক্তং কৌবিরদা হাজির ওইরগনি।”

কমলনা পাউথুম পীদে, মমাই লোনথংডুনা লোকক্লেং তৌরকই। অহুগী মতুংদা তুবা লোইশিন্ত্রিবা ফিশিংহু অমমম থুপচিন্দুনা লীগী বাসকেট অমদা হাপচিল্লগা কৌপংহুনা লেপখংগ্রে। হায়রকই, "চা থকপা মতম ওইখির গনি হরেনবাবু, চা থরা লোঙক্লখিগে, ঙাইহাক্তা ফম্বিরম্মু।"

হরেন্দ্রনা হায়রকই, "ফম্ববুদি ফম্লিবসিনি। অহুবু খঙজরিবহুনি চা থকপগী মতম চাবা চাদবা ঐগীদি নাইদে, মবমদি ফংলগা থকই, ফংদ্রগা তোকই। মহুগীদমক য়াবিক্লবগী দরকার লৈতে। য়া অমত্তা হংজগে?"

"চিংনবা লৈতনা—"

"ফনা কুইরে ইবেম্মা কদায়দম্বু চথোকপিদবা। ইশানা চংনিংদহুনা চংপিদ্রিব্রা?"

কমলনা ঙক্কুনা হায়রকই, "নত্তে। ঐ নিবা যাওবা নিংশিংলুদ্রে।"

"অহু ওইরদি চংলুসিদনা, ঙসি আশুবাবুখোয়গী য়ুম অমুক্ত রৌকসি। মহাক মশা ফুংঙাইরে। শুপ্নগী ডাক্তরগী অখিংবা লৈ হায়হুনা মপালদা চংথোক্তবনি, অহু নত্ত্রবদি মহাক মশামক নোংমা লাক্লক্লমগদবনি।"

কমলনা হায়রকই, "মঙোন্দদি ওইথোক্তবা নত্তে। ঐ চংলুবমক চুম্বনি, অহুবু থবক চিন্নবনা চংথোকপা ঙমহৌদ্রে। চুমদ্রবনি।"

"অহু ওইরবদি ঙব্লিমক চংলুসিদনা?"

"লেংলুসি। অ[illegible]। ওইখিনহু। ফম্বিরম্মু, শং লেক্তা

চাগিলাম অমা পুখোকচরকে।" অসি হায়রম্বগা মহাক খোকচৎ

সঙ্ক্যাগী মন্ত্রি-মন্ত্রিবদা মবানি লম্বীদা খোঙরক্লে। হরেন্দ্রনা হায়রকই, "মুন্সিং থরা নৈরিঙদা চংলম্বদি ফগদবনি।"

কমলনা হায়রকই, "ফরম্লোই। শকখঙনবা মীনা উখিবা য়াই।"

"উগে উজখিসন্নু। মহুগুম্বহু ঐ হৌজিক কয়া খৌওইরে।"

"অহুবু ঐদি হৌজিক থৌওইদবা ওমদে।"

হরেন্দ্র মপুক্লিংদা নোক্লিংমাল্লে, হায়রকই, "অহুবু শকখঙনবা মীনা করিগুম্বা ইবেম্মনা ঐগা চংমিন্নবা হন্দক-মরক অসি চিংনৈ হায়বসি তাখিবা খোক্লবদি মখোয়না করি খনখিগদগে?"

"ফাগী তৌরিবনি হায়না খন্নখিবা য়াই।"

"অহুব ইবেম্মবু মুন্না খঙবা মীনা ফাবো করিম্নু খনখিরোইদ্রা?"

হন্দক্তি কমল তুম্মিন্না লৈ।

পাউখুম ফংদ্রহুনা হরেন্দ্রনা হায়রকই, "ঙসি ইবেম্মগী মতৌসি করিমত্তা খঙদ্রমদে, পুম্মক চনৈনৈ।"

কমলনা হায়রকই, "খঙঙম্লোইদবা অহু খঙবিদবনা কৈ। রাজেনবু থাইদগী কাউদ্রমদে—মসি থাইদগী হেন্না খঙজবা ঙম্মী অদোম লাকপদা। মহাক আশ্রমদা চংজকম ফংদ্রে, অহুবু উখা-ক্লাখাদা লেপ্পবম্নু মঙোন্দদি কায়দবনি, অহুবু কদায়দম্নু খোইদাখিদে। মুংশিং অমদি মঙালগুম মাইকৈ মরিমক ইহাং হাংই—মুপাগী অনৌবা পরিচয় অমা ফংবগুম্বী। কত্রা কত্তরা খল্লুনা য়েংনবা মতম ফংদে—খঙবদা মতম চংলবা য়াই।"

হরেন্দ্রনা হায়রকই, "মসিদি পুক্তিং [illegible] কৌজিনদো ?"

"[illegible] থইরদে ?"

অনাবু মী অমুক্ক ভাংদ্রে—মবানিমক কমদৌরুক্নবো মুক্তা [illegible] মুংতক-মুংবানদ্রে।

হরেন্দ্রনা থঙনা থঙনা ওইরবা য়াই লম্বী'থরা কোইশোক্লা, পুই, মখোয়না আস্তবাবুগী য়ুমদা থুংলবা মতম অহু মঙ্গা মচুং ক্লা থেংলে। পাঙ্ক শীরবা ইয়ুংদা চংবগী দরকার ওইদে, অহু ছুমিং মঙানি তককি অসি হরেন্দ্র লাকপা উমথিদে হায়দুনা মীনাই থেংনবদা হংলকই, "বাবু চকচাং শুংঙাইরেদবা ?"

মহাক্কা পুকচন্না হায়রকই, "অহোয়, শুংঙাইরে।"

"মশাগী কাদা লৈরা ?"

"লৈতে, মথক্কী মপালগী কাদা কমদুনা বারী শানি।"

সিঁড়িদা কাখং কাখংনা কমলনা [illegible]কই, "[illegible] হায়বসি কম্বা কনানো ?"

হরেন্দ্রনা হায়রকই, "ইতৈমা—অমুপা মতৈ কনানো লৈরবা য়াই—কন্যানা থঙগনি।"

পর্দা হায়দোকুনা মখোয় অনি চংলকপদা হায়কেং হক্কানে। এসেক্স মথম্মুং চুকটকী অয়াকপা মনম য়ানশিনদুনা ইমুংকী কুপশিং শেংহন্ত্রে। নীলিমা লৈরম্চন, অমুকাবুনা [illegible] রেকারবী শাজোবদা মখোয় অনি পাকত্তুনা চুকটি থক্লমী, অমুকা [illegible] তোকানা চপ-কুর্শী [illegible]

লৈরগী। ইমুংগী অয়াকপা মুংশিংকী মতৌগুম অয়াকপা ফিজম্নি—বাঙালী চম্নি, অদুবু বাঙলা ডাংবগী পামজবা লৈতে। অভ্যাস লৈরমদবগুম য়াই। হরেন্দ্র অমসুং কমলনা ইমুংদা খোঙ থাংজিল্লকপদা ইংরাজি ত্রং ত্রং ডাংলগী।

আশুবাবুনা মমাই লৈথোক্লুনা য়েংলকই। কমলবু উবমক্তদা মহাক্কী মাইখোং শিন-থুংনা হরাওবনা লংথংলক্লে। অমুক্ত হৌগংনবা ফাওবা হোংনমাল্লে, অদুবু খংহৌ হৌগংপা ঙমদ্রে। মচিন্দগী চুরুটতু হুন্দোকথ্রগা অম্মুয়দা হায়রকই, "চংলকউ কমল, চংলকউ।" শকথঙদবী অদুবু শক্লাক্লুনা হায়রকই, "মহাক ঐখোয়গী মরি-মতানি। নহাক লাকপনি, মতম খরা 'সিদা ফাহুনা থমথিবা ঙম্বা য়াই।"

লকক তৌরগা হায়রকই, "বেলা, মহাক বমলনি। ঐগী ইচানুপী গুম্বনি।"

মবানি মথুং থাঙ্গংতুনা অমনা অমদা নমস্কার তৌনরকই।

হরেন্দ্রনা হায়রকই, "অদুগা ঐ ?"

"ওহো—মহুম্ননিনে। মহাক হরেন্দ্রনি—প্রোফেসর অক্ষয়গী অথোইবা মরুপ্নি। অরাংপা পরিচয়দি মতম চানা পীগনি—রানিংডাই মরম লৈতে হরেন্দ্র।" কমলবু ইঙ্গিতনা কৌরগা হায়রকই, "ইনাক্তা চংশিল্লকউদনা কমল, নহাক্কী নখুংতু পায়হনা ডাইহাক্তা তুম্মিয়া ফমগে। মসিগীদমক্তা থম্মোয়সে মুমিং খরনিসি খংডম্লক্লবনি।"

কমলনা মোমোন তৌনা মহাক্কী মনাক্তা চংশিন্তুনা ফম্লম্মে

অমস্তুং মথুং তিংথোক্লগা অহল অহুনী নোয়রবা লুম্রবা মথুং অনি চিংশিনদুনা মতম্রাক্লা থমে।

আশুবাবুনা মুংশিবিবগা লোইননা হংলবই, "চাক চারম্লবা মক্লা ?"

কমলনা মঙক হাইদুনা হায়রকই, "চাজন্দ্রি।"

আশুবাবুনা অতেনবা মুংশা মপী অমা হোন্দোক্লগা হায়রকই, "মঙনুরগা করিবু কাগদগে ? মুম অসিদদি পীবা ঙম্রোইদবদা।"

কমল তুপ্সিন্না লৈ।

কুনমাথোই

বেলাগী মাইথোংদা যেংদুনা আশুবাবুনা নোবযেং তৌবকই, "কমদোই, ঐনা শিংথাবগা চানরেদনা ? অহল ওইরকপগী extravagance নি হায়দুনা নোক্লদে, য়ানিংলেদনা ?"

নুপীমচা অহু চঙক্লম্রে। আশুবাবুনা মথুংতু কয়ারক হন্না নাম-খোংদুনা হায়রকই, "নুপীমচা অসিগী মপালগী য়েংবদা ঙক্লবগুম থম্মোয় উবা ফংলবস্থ চঙক্লরিবনি। বম্দোই হরেন্দ্র, চুমম্রনে ?"

হরেন্দ্র তুপ্সিন্না লৈ, কমলনা নোক্লনা হায়রকই, "মসি চুম্না চুমদরা হায়রা চিংননিংঙাই লৈ, অদুবু কনাগুম্বনা করিগুম্বা অদোমু extravagant নি হায়দুনা লৌরবদা মহাক অহু লান্দে হায়বদা চিংননিংঙাই লৈতে! অদোমগী জ্ঞানগী চাংদু সংসার অসিদা লেংদ্রবনি।"

"ইস, মহু ওইরেকো ?" হায়রগা আশুবাবুনা য়াম্না মুংশি-বিবগী খোম্বাংনা হায়রকই, "মুম অসিদদি নঙবু মুম্নী পীজবা

ঙক্লোই খঙই, অদুবু নযুমদা ঙসি কদি চারকপগে তম্মুদনা ?"

"মুংতিঙ্গী চাবদু মঙ্গাই।"

"অদুম ওইনমক খঙবা য়ারোইদ্রা ? মেলানা মসি ফাওবা ঐনা হেক্তিম্না হায়রিবনি হায়না খল্লি।"

কমললনা হায়ররকই, "হায়বদি ঐগী মরমদা ইশা লৈত্রিভেদা য়াম্না খগ-নৈনবিদ্রব্রা ?"

"মদু তৌগ্রে—য়াদবা তৌরোই।"

লুপাগী শেম্পাক্কা হাপ্লুনা অশিকপা কার্ড অমা পুদুনা মীনাই ইমুংদা চংলকই, ইরিবদু মমাম্না উরে অমসুং মমাম পুম্নমক ঙক্লক্রে। য়ুম অসিগী অজিত নোংমা ইমুংগী অঙাংগী মতে'। লৈরম্মী, অদুবু আগ্রাদা লৈহনস্থ অমুক লাকখিদ্রে। মসিমক মশাগী অতাবী ওইরম্বা য়াই। অদুম ওইনক ল্যবখিদবা অসিনা ঈকাইনবা অমদি কোইনবনা মাইকৈ অলিমক্তা অমুক্কমক লাং-থোক্লুহনবা অমা শিনখ্রে মতুঙদি ইথা থাজেলদা। মহাক লাকপাদা শুপ্লগী আশুবাবুদা নঙনা লৈব্লিবা মখেমুগ পুম্নমক হাইখেং চঙরকই। আশুবাবুগী মাইথোংদা মপুক্লিং হরাওবগী মমি মমেক লানা তারকই, "মাসু কঃ মমুংদা তপ্পলকউ।"

ঙাইহাক লৈবগা অজিত কা মনুংদা চংলকই। মশাক খঙব-খঙদবা মী অমুক য়াম্না লৈরমগনি হায়বা মহাক্না খল্লদে।

আশুবাবুনা হায়রকই, "কম্মু অজিত! য়াকিন্নিবনা ?"

অজিতনা মুঙক্লু লোমহন্না হায়রকই, "অমুক অঙক্কা। হকচাংবু হৌজিক কম্মৌবিরিবগে, খুবা মংকাইরিব্রা ?"

মাইথুক অনিগী অবা-নংকাইগী রাহং-গ্রাউন্ড অমত্তু

অসিদা লোইশিনখ্রে। কমল লৈরমগী বদি অতৈ য়া অম-অনিস্থ হায়বা ওয়ম্বা য়াই, অদুবু মিং চানকুগদ্রা কীবনা অজিতনা মাইকৈ অদোমদা মম্বাই ওনশিনবগী মখোৌনা লৈরে। মিনি অনি-অহুম ময়াম পুম্মক তুম্মিন্না লৈনরবা মতুংদা হরেন্দ্রন ইহান হাম্না য়া ওাংলকই। হংলকই, "অদোম্বু আত্ত্রমদগী চুমখ্রিংনা মফম অসিদা লাকপিরা ?"

কবিস্তুনা মওং অমদা য়া ওাংখোকপা ফংহনা অজিত হিংখ্রে হায়রকই, "নত্তে, চুমখ্রিং লাকচবা ওমখিদ্রে, অদোম্বু খিরকপদ লম্বী থরা কোইনা চংলুবগা লাক্লিবনি।"

"ঐবু খিবা ? দরকার ?"

"দরকার ঐগী নত্তে, অতোপ্পা মী অমগীনি। সুপা অম য়াজেনবু খিবা মুংখিলদা মরিরক্লুম হল্লক্নখালে। কন্মু হায়বস্থ য়াদে। চপ য়ুংনা লেপ্তুনা ওাইবনা মাগী হৈনবী ওইরম্বা য়াই।"

হরেন্দ্রনা চিংনম্না হংলকই, "সুপাহ কনানো ? উবদ কমদৌবগে ? মহাক সিদা লৈতে হায়খিদ্রিবা কন্নিগীনো ?"

অজিতনা হায়রকই, "পাউহবুদি মওোন্দা পীগ্রবনি। খাজ-রমদবা য়াই।"

হরেন্দ্র মপুক্লিং লাংতক্লনা হৌগংলকই অমস্থুং কমলবু ময়ুমদা থিন্নবগী থৌদাং আশুবাবুদা শিন্নরম্লগা চংখ্রে। মহাক চংগ্রবদা অশুবাবুনা হায়রকই, "কমল, য়াজেন হায়বা সুপামচাসি ঐ অনি-অহুমক্তগী হেন্না উখিদ্রি— খুদোংথীবা থোক্লবদি মহাক্কা উন্নবা ফংদে, অদুবু মাবু থোইদোক্লা সুংশিবগুম তৌই। কন্নিনো

মমগ মাম্বা পোং অমা পুন্থনা কোইচং চংগগুম্মী ! অদুম ওইনমক হরেন্দ্রগী মকমদগী তাখি, মখাক মাম্না wild ওই—পুলিসনা মাবু চিংনবা মিংয়েংনা য়েংই— কদায়দনো ইরাং অমা তৌকপত্রা চিংলৈ, মরা-মপাউ অমত্তা ফংখিদবস্ু মাই— য়েংউদ-নসে খঙহৌদনা কদায়দনো মাংখিহনা কনানন্থু থিবা ফংনদ্রিবসি ।”

কমলনা হংলকই, “খঙহৌদনা করিগুম্বা মহাক খুদোংথীবা থোক্লে হায়না পাউ ফংলবদি কমদৌবিগদগে ?”

আশুবাবুনা হায়রকই, “করি তৌগদগে হায়বা অদুগী পাউথুম গুপ্তগী মতম অদুদা পীবা তাই— লৌজিক নত্তে । নারিঙৈদা নীলিমাগা ঐগা মাগী বারী কয়া হরেন্দ্রগী মকমদগী তাখি । মীগী মাইকনবদা মশাবু তশেংনা কথোকচবগী অশেংবা শক্তমহ্ করিনো — তানা তানা মাগী মশক উবা ফংবগুম্মী ! মাগী করিগুম্বা খুদোংথীবা অমত্তা থোক্তনবা ভগবানগী মকমদা প্রার্থনা তৌজরি !”

কোংনদি কনাস্থু করিস্থু হায়দে, অদুক্থু মপুক মপুক্লিংদদি প্রার্থনা অসিদা শকক মাল্লমগনি নিংই ।

কমলনা হংলকই, “নীলিমা ঙসিদি উদেনা ? থবক চিন্থুনা ওইরিনিনে ?”

আশুবাবুনা হায়রকই, “থবক্কী মীনি, অহিং-নুংথিল থবক লোমহনদা লৈ, তশেংবনি অদুবু, ঙসিদি মকোক চিক্তুনা হিপ্লু লৈরমাল্লে । মশা কয়া ঙম্মরোই, অদু নত্রবদি মসি মাগী স্বভাব নত্তে । কনাগুম্বা মী অমত্তনা অস্থুক কয়া সেবা তৌবা

অমুক করা নোমা ঙমোই, ইমিংনা উত্রিমখৈ থাজবা ঙম্না নত্তে।"

ভাইহাক তুম্মিনা লৈরগা হায়রকই, "অবিনাশপা থেংনবা আপ্রাদনি। মরক মরক্তা চংথোক-চংশিন তৌনৈ— কয়াবু মাম্না পরিচয় লৈনকপনি, অদুম ওইনমক ঙসি খল্লি, সংসারদা ঐগী মী মীতোপ হায়বা মা অমা লৈরিবসি কয়াদা অর্থ য়াউরবা। সংসারদা ঐগী মীগী কনাম্সু লৈতে কমল, ঐচেলগী লিচিংনা কনা কৈদৌঙৈ ইনাক্তা পুশিল্লকই, অদুগা কনানা তাউথনা লাপ্না চংখি— মহুগী করিগুম্বা হিসাব অমত্তা কনানম্সু খঙদে।"

মা অসি কনাদা পান্দুনা অদুগা অকাবা করি লৈদুনা হায়রিবনো হায়বদু ঙপ্পগী শকথঙদবী সুপীমচা বেলা নত্তনা মখোয় অনিমক্তা খঙলে। আশুবাবুনা অয়াম্বনা মপুক্কিংদা মতোমদা শোজবগুম হায়রকই, "হন্দক নাবা ফরকপদগী সংসারদা অয়াম্বা পোংশক অতোপ্পা মওং অমগী শক্তমদা উরকই। পুক্কিংদা খল্লি, করিগীদমক্তনো অমুক চিংথোক-চিংশিন তৌনরিবা, অমুক কিশি থাংনরিবা, অমুক অফ-ফত্তগী ভাংন-শক্করিবা— মীওইবগী অশোয়বা লৈ, ফাগী মাম্না ইশাগী অকোইবদা পৈশিন্দুনা থমহনা নাপংবা ওইরি। ঙসিসু মীওইবনা যুগ য়াম্না চংনা খঙদ্রিবা অচুম্বা কয়া কয়া খিখিগদবনি, অদু ওইরবদি নোংমা অশেংবা মওংগী মীওইবা ওইরকনি। মুংভাইবদি নত্তে, খম্মোয় ভেংথানা মীওইবগী সভ্যতা অমদি ভত্রতাগী অথোইবা লমথুং ওইরগনি।"

কমলনা চঙক্লনা য়েংহুনা লৈ। মহাকী মাহৈগী অর্থ

চিংনবা লৈত্তবা খঙলে হায়বদি মক্তে—স্ত্রেচিন মররক্তা মীগী মশক উবগুব্দী। অদুবু খোঙচৎ অদুদি খোইদোক্তা মুত্না খঙই।

আশুবাবু বা ঙাংবা মপানা লেপচক্রে। কমলগী চঙক্লবা মিংশ্রেং অদুনা মহাকপু অান তাক্ললবা ওইরম্বা য়াই, হায়রকই "নহাক্তা ঙাংলগদবা বা য়াম্না লৈ কমল, নোংমা অদুক লাকউ।"

"লাকচগে। ঙসিদি য়োক্লগে।"

"য়োরো। গাড়ীদু মথাদা লৈবনি, নহাকপু থিনহল্লুনবা হায়দুনা বাসুদেবপু হৌজিক কাওবা ছুটি পীত্রিবনি। অজিত নহাক চংমিন্নগ্রোদনা, হল্লকপদা নখোয়গী আশ্রমদা নহাকপু থাদরয়বা।"

মবানিনা মঙোন্দা নমস্কার তৌরম্লগা মপালদা খোরক্লে। বেলানা লোয়নদুনা গাড়ী মনাক কাওবা থিন্দোরক্লগা হায়রকই, "অদোমগা বারী শাননবা ঙসিদি মতম ফংখিব্রে, অদুবু হন্দক অমুক লাকপা মুমিং অদুদদি এনা লেয়া থারোই।"

কমলনা নোক্লনা মঙক মোমদুনা হায়রকই, "মদুদি এগী ইরাইবক ফবনি। অদুবু পরিচয় ফংলগা অদোমগী মত হোংবি-খিগদ্রা কীজে।"

গাড়ী মনুংদা মখোয় অনি য়েংকা ওইনা ফমরে। লক্ষ্মী থেকচিনবদু লৈথোক্লগা কমলগা হায়রকই, "মুমিং অদুগী মুহিং; অদুমক মতৌ অদুমা মশী—নিংশিংলিদ্রা?"

"নিংশিংলি।"

"মুখিংচুংগী থাওশিন্নবদি?"

"মচুক নিংশিংলি।"

"ঐনা য়াখিবসু নিংশিংলিব্রা?"

অজিতনা নোকচুনা হায়রকই, "নত্তে। অহুবু অদোম্না করেমখিবা অহুদি নিংশিংলি।"

কমলনা অঙকপা ফোংদোকচুনা হায়রকই, "করেমখিবা? কদায় তৌখিদেনা!"

"তশেংনা করেমখি।"

কমলনা হায়রকই, "অহুবু মহু ওইরবদি অদোম্না লাম্না লৌখিদ্রে। মহু তোক্লসি, ঙসিদি অমুক করেম্নদ্রে—চংসিদনা, ঙসি ঐখোয় অনি চংগ্রসিরা?"

"ওন্থোক ওন্থোকপা। অদোম য়াম্না ফত্তে।"

কমল নোকথোরক্লে, হায়রকই, "ফক্রিবা করিগী? ঐগুম্বী অচম্বী অপঙবী কনা লৈরিবগে হায়দুনা? খঙহৌদনা য়াথং পীবিখি, কমল, চংগ্রসি, খুদক্তা য়াহুনা চংসি হায়জখি।"

"অহুবু মহুদি গুপ্রগী করেম্নখিবদনি।"

কমলনা হায়রকই, "করে, অহু নত্রগা করেম্নবমক ওইরসহু অহুবু খঙহৌদনা ইরাল করি লংজগ্রবগে তাকপিদুনা? নত্ত হায়না কৌবিরম্বদগী অদোম হায়না কৌবা হৌবিরক্লি। কয়া য়াম্না খুদোংচাদনা মতম লেপ্লি—অদোমখোয়গী কিন-রোল চুহন্না করিগুম্বা মওং অমদা চখোম অনিদং চাবা ফংলি, অহুম ওইনমক।

অশোয়বদি পোক্ক অপাম্ম, নাইদে — পোংমতং কাওবা থেংবি-খিবিয়ত্রা ? মনোয়মানা অয়াবা অদি তারবদি অদোম খাংহনা লৈখোকপিবা ঙমগদ্রা ? অহিং-মুংথিল নাইদনা শু-নোম্বদা অনাশক মাঙ্গিবসি য়েংখিবুদনা ?” অসি হায়রগা মহাক্না মখুং ওই অজিতকী খুং মথক্তা থম্মক্লদা খংপ্রেক খংনা অজিত মশা 'পুম্বা ভু চুংলক্লে। শেংফাওবা খোঞ্জেলনা করিনো হায়নিংলবই, অহুবু কমলনা খুদক্তা মখুং চিংশিল্লগা খংলাউ লাউরকই, “ড্রাইভর, থামখো থামখো—অঙাওবগী জেল মমাং য়োয়ল্লে।”

অজিতনা হায়বকই, “হোয়, দোষ অমম্বগীনি। শুপ্নগী পুক্লিং লৈতাব্রিবদি অসিনি মহুদি, ফনা বিচার চুমহনম্ম মরাইবক থিরবা অসিগী য়ানিংদবা ফোংদোকচনবা উপায় অমত্তা লৈজদে। অধিকাব অহু মহাক ফংজত্রবনি।” অসি হায়বগা মহাক নোকফেং তৌরকই।

অসি তাবদা কমল নোক্লকই, হায়রকই, “মহু ওইরম্বা য়াই। অহুবু বিচার হায়বা পোংশক অহুনতা সংসারদা পুম্নমক নত্তে, মফম অসিদা বিচার লৈতবগীসু মফম লৈ হায়হনা সংসারগী ঈচেল লেপত্রিবনি, মহু নংলমত্রবদি কয়স্বা মতমদনো সংসারগী থোঙচং লেপখিরম্নগদবনি। ড্রাইভর থাম্মো।”

অজিতনা থোঙ হাংদোকপিরগা কমলনা লম্বীদা কুমথরক্লগা হায়রকই, “অমম্বনা মহুদগী হেম্না ফাওবা অচৌবা অরানবা লৈ অজিতবাবু ইতোমতা চংপা কীজৈ।”

ইঙ্গিত অসিনা অজিতনা য়া ঙাংদনা মনাক্তা কুমথহনা

লৈররবদা কমলনা ড্রাইভরদা হায়রকই, "হৌজিক্তি মহাক খুমদা চংদ্রো, মহাক হনগদবা মতম য়াংলি।"

"মহু করি য়ানো! অহিং অসিদা মাইকৈ ভনিদা ঐ গাড়ী কদায়দগী ফংগদগে?"

"মহুগী উপায় ঐনা শিনগনি।"

"গাড়ী চংথ্রে। অজিতনা হায়রকই, "করিগুম্বা উপায় অমত্তা লৈরাই হায়বা খঙই, অমম্বদা মাইল অহুম-মরি থোঙনা চংশা ভারি। অহুম ওইনমক অদোম্বু থিনজিল্লগা ঐ অহুম হনখিবা য়াবনি।"

"য়াবোই। মরমদি অদোম্বু চাক পীজদনা আহমগী অরেপ্পা লৈতবা মরক্তা চংহনখিবা ঐ ঙমজরোই। লাকপিয়ু।"

ইমুংদা মীনাই নুপীনা ঙসিদি থাউমৈ থান্দুনা ঙাইহনা লৈরম্মী, কৌবগা থোঙ হাংদারকই। মথক্তা কাখংলগগা কমলনা নিংথিজরবা ফক অহু তিংথোক্লগা খরা হন্দোক্লুনা ফমগা হংলকই, "অসিগুম্বা নোংমখক্কী রা নিংশিংলিব্রা?"

"নিংশিংলি।"

"ফরে, মহুগা ঙসিগা কদায়দা খেন্নবগে হায়বা ঙম্বিগদ্রা? হায়বিবুদনা য়েংসি?"

অজিতনা ইমুংদা কোইয়েং য়েংহনা কদায়দা বরি লৈরম্বগে হায়বা নিংশিংননবা হোৎনরকই।

কমলনা নোকমি নোকমি হায়রকই, "মাইকৈ অহুদা অহিং চুপ্পা থিবিরবস্থু ফংলরোই।" "অতোপ্পা মাইকৈ অমদা থিবিবা ভাবনি।"

"কবপ্পা মাইকৈদ্রনো হায়রু।"

"ঐগী মাইকৈদা।"

অজিত খঙহৌদনা মওং অমগী ঊকাইবনা শকফম হঞ্জিনখ্রে। তপ্না তপ্না হায়রকই, "করিগুম্না নুমিতম্ অদোমগী মাইথোংদা ঐ অহুক মুৎনা য়েংবা ঙমদে। মম্মাম্না ঙম্মরিবহ্ খঙদে করিগীন্না ঐদদি মঙমখ্রে।"

কমলনা হায়রকই, "অতোপ্পগা অদোমগা খেন্নবা মসিদনি। মখোয়না মহ্ ঙস্বগী মরমদি, মখোয়গী থিংখ্রেদনা ঐবু ঊকাইখুম্নবিবা য়াউদে।"

অজিত তুম্মিন্না লৈ! কমলনা হায়রকই, "ঐনা পুক্লিংদা লেপখি, কমদৌহুনবু ওইরবস্থু অদোম্বু থিহুনা পুরকনি। আশুবাবুগী য়ুমদা ঙসিমক অদোমগা উন্নগনি হ.য়বা আশা তৌকদে, অহুরু খঙহৌদনা উৎবা ফংলবনিনা মতম অহুমক্রুদা কাহুনা পুরকপা ঙমগনি হায়বা খঙখি। পীজবগী থোদোক মচা অহু লোইরগা হেক্তা ছুটি ফংবিরোই—ঙসি অহিংদি অদোম্বু ঐনা কদায়দস্থু চংহল্লরোই—য়ুম অসিমক্রুদা ফাহুনা থমগনি।"

"অঁহুবু মহুদা অদোমগী কবি কান্নগদগে?"

কমলনা হায়রকই, "কান্নবগী রা কোন্না হায়জগে, অহুবু ঐঙোন্দা 'অদোম হায়না কৌবিবদা ঐ তশেংনমক মৈচাক ফংই। নো.ম্না নও হায়না মিঙ্গৌবিখি, নুমিং অহুদা ঐনা হায়জবগী নত্তে, ইশানা পাম্বিনা কৌবিখিবনি। ঙসি মহ্ ওস্থোকপা য়াবা ইন্নাল করিমঙা লংজখিদ্রি। ওইনবিহুনা খুম্নিজ্রবদি অদোম ইশামকস্থু নুংঙাইতবা ফংবিগনি।"

অজিতনা মঙক নোমহনা হায়রকই, "য়ম্‌ ফংবা য়াই।"

কমলনা হায়রকই, "য়াবা নত্তে, শোয়রদনা ফংবিগনি। অদোম মনোরমাগী মক্তা আগ্রাদা লাকপিখিবনি।" অদুবু মহাক মত্তৌ ঙম্মুয়া চংবা মতম অদুদদি মিংকুপ অমা ফাওবা অদোম পম্বিরোই হায়না ময়াম্না খল্লখি। ঐদদি অদোম চংখিবা ঙম্বিবোই হায়বা খঙখি। করে, ঐস্লু অদোম্বু শুংশিজ্জে হায়রবদি অদোম্না থাজবিগদ্রা?"

"নত্তে, থাজগে।"

"অশেংনা থাজবিরিবনি। অদুনা অদোমগী মায়োক্তা ঐগী য়াকংকদবা য়াম্না লৈ।"

অজিতনা লাংতক্কুনা হায়রকই, "য়াকংকদবা য়াম্না? অমত্তা তাশি।"

কমলনা হায়রকই, "তাহনগে হায়রনি চংহন্দ্রিবা। অহানবদা ইশাগী য়া হায়জগে? উপায় লৈতে হায়দুনা লাইরিক-অনংশিংগী ফিরোল তুনা ইশাগী ফিজেৎ-চাকচা পুনরিবনি—মসি ঐ খাংবা ঙম্মী। অদুবু খুদোংচাদ্রে হায়দুনস্লু অদোমগী ফুরিং তুবগী মমল লৌবা—মসিবু খাংঙমগদ্রা?"

"অদুবু নঙদি কনাগীস্লু দান লৌদে।"

"লৌদ, ঐ দান কনাগীস্লু লৌদে, অদোম্মকী ফাওবা লৌদে। অদুবু দান নত্তনা শীমনবা সংসারদা অতোপ্পা লম্বী অমা অমুক লৈজ্রব্রা? কর্কিগীনো অস্নুম্না ইচং থৌনা হায়বিরিব্রিবা, কমল ঐনা নঙবু থবক অমুক তৌহল্লরোই। ঐনা মহুগী পাউখুম

করি পীরমগ্নগে ? ঙসি কবিগুণা খুদোংথীবা অমদগী ওহনা চাবা ওস্পগী শক্তি লৈরবদা অদোম লৈনা লৈনা ঐ লম্ঘীদা চাক্লিবা কোইনা চংলগত্রা ?"

রাহুগী মৈচাক্লা মহাকপু মপুক্লিং লাংতক্লহল্লে। অজিতনা হায়রকই, "মহ ওইবা য়ারোই কমল, ঐনা হিংলিঙৈদা মহ ওইখোক্লবনি। নহাক্কী মরমদা ঐনা নোংমতন্ম মতৌ অস্মুম্না থন্দুনা য়েংলুদে। হৌজিক ফাওবা থাজবা ঙমদে মহদি. ঐখোয় খ্বায়না মশক খঙলিবা কমল অহু নহাক অসিন্না হায়বা।"

কমলনা হায়রকই, "মযাম্না খঙনিংবা মওংদা খঙজসনু অক্সবু অদোম্বু শুপ্পদগী মযামহগী মবক্তা অমা ওইবদরা? মহদগী হেন্দত্রা?"

রাহ, অসিগী পাউখুম পীবক্রে, থোইদোক্লা লুই হায়হনা ওইবগ্না যাই, অমস্মু, মসিগী মতুংদা মবানিমক ভুগ্নিন্না লৈ। অমনা অমদা বাহং হংনবদগী মশানা মশাদা হ্জবনা হেন্না দরকার ওই হায়না মখোয় অনিমক্লা খল্লস্কস্মু য়াই।

চাক-ইঙ্খা, কয়াবু য়ামগনি, লোইষদা কুইনা চংত্রে। চাক চাবা ফমথরগা অজিতনা শকফম হুক্লিন্না হায়রকই, "অহুম ওইনমক নুঙাইবিবদি মসিনি, কনাগী শেল-থুম ফনস্ম লৈসনু—নহাক্কী মরল চাদনা কনাস্ম নাস্থোকপা ঙমদে। অহুম ওইনমক নহাক নশাদি কনাগীস্মু করিস্মু লোদে, কনাগীস্মু চাদে। মাই শুগায়জহনা শিরবা ফাওবা শোক্রে।"

কমলনা নোক্লুনা হায়রকই, "অদোমখোয়না চাখাৎবা অহৃদা নক্তনা কৈদৌউৈবু মাই শুগায়বিগ্রবগে ?"

অজিতনা হায়রকই, "ইমাইসি কয়ারক শুগায়নিংগ্রবনি। অহুগা নহাক্না পীজবা চারিবস্মু শুপ্নগী নহাক্কী নম-হাবা হিক্তোকপা ঙমদে হায়হূননি। ঙসি করিগুম্বা হায়রবদি, কমল, হৌজিক্কী নহাক্কী ভাব পুন্নমক ঐনা লৌরবনি, অসিগুম্বা অতোনবা থবক অমুক তৌরমু, নহাক্না মতম অহুমক্তদা অস্নুম্না হায়রক্কনি মহুদি, ঐগী চিন্দগী অতোপ্পা বাহৈ অমগা অমুক হাযদোকপা ঙমহন-খিদবা য়াই।"

কমলনা হায়বকই, "বা অসি কৈদৌউৈ হায়বিগ্রবগে ?"

"হায়গ্রবগুম খল্লি।"

"অহুগা ঐদি তাখিদেনা বা অহু ?"

"তাদে।"

"অহু ওইরবদি তাননবা মওংদা হাযবিখিদে। শুপ্নগী পুক্লিংদদা খনবিরম্বা য়াই—চিনবান থোক্লা মহু ফোংদোক-পিখিদে।"

"যরে, খল্লু ঙসিমক হায়রবদি ?"

"অহু ওইরবদি ঐনস্মু হায়রবদি, ঙম্মোই।"

অজিতনা চখোম থাংথহুনা খল্লগা হায়রকই, "মসিনি! নহাকপু নোংমতস্মু ঐখোয়না খঙবা ঙমখিদে, তাজমহল মমাংদা অহানবা উনখিবা নুমিং অহুদস্মু নহাক্কী বা খঙবা ঙমখিদে, ঙসিস্মু অহুম্না ঐখোয় পুন্নমক্কী মফমদা নহাক কিশি থাংনা অহুম লৈ।

হৌজিক্তা নশানা নঁহাক্কী ভাব লৌ হায়খি — অদুগা খুদক্তা ভম্মোই হায়রি।"

কমলনা নোক্তুনা হায়বকই, "অসিগুম্বা মওংদা অদোম্না 'ভম্মাই' অমুক্তা হায়বিয়ুদনা য়েংসি? চারিবা অসিদগী অমুক হন্না করিগুম্বা নুমিত্তম্ চাবরোই হায়বিয়ুদনা—কমদৌনা অদোম্না হায়দোকখিবা য়া ভাকপা ভম্বগে য়েংসি।"

অজিতনা হায়রকই, "কমদৌনা ভাকপা ভম্নগদগে? পীজদ্রি-মথৈ নহাক্তা থাদোক্কদবা লৈতে।"

অদুবু হন্দক্তি কমল অমুক নোক্ক্রে, "অদোম্না ঐগী ভার লৌবিনবগী মতম ভসিম্ ওইদ্রি। ওইরক্লবা নুমিৎ অদুদা ঐগী চিন্দগী 'ভম্মাই' হায়বা য়াহৈ থোবক্লোই। অহিং থেংনল, চাথোকপিবো।"

"চারনি, নুমিৎ অদু কৈদৌঙৈ লাক্কদগে হায়বা ভম্না?"

কমলনা মঙক হাইদুনা হায়রকই "মদু ঐ ভমজদে। পাউথুম অদোম ইশামক্তা নোংমা থিদোকপিগদবনি।"

"শক্তি অদু ঐগী লৈতে। নোংমা কুপ্না থিখি, অদুবু ফংখিদ। পাউথুম নঙোন্দগী ফংগনি হায়বা আশা অসি তৌদুনা ভসিদগী ঐ থুং য়াদুনা লৈবগনি।" হায়রগা অজিতনা য়া ভাংদনা চাবা হৌবকই।

ভাইহাক লৈরগা কমলনা হায়রকই, "লৈফম অমুক য়াম্না লৈনা অদোম্না খঙহৌদনা হরেন্দ্রগী আশ্রমদা চংদুনা লৈবিক্তরিবা করিগীনো?"

অজিতনা হায়রকই, "কদায়দনো অমদদি লৈবা পাম্মী, মহাক নশামক্তি ঐ আগ্রা খাদোকুনা চংননবা উপায় লৈতে হায়বা খঙলিবনি।"

"খঙই, অদু ওইববদি ?"

"হোয়, কবিগী খঙদনি।"

"অদুগা মহমক কবিগুম্বা অদুম্বা ওইববদি চুম্বত্রিংবা ঐগী নাক্তা লাকপিত্রিবা কবিগীনো ?"

"কবিগুম্বা লাক্লম্বদি তশেংনমক ঐবু লৈহনগদ্রা ?"

"তশেংনদি লাকপিত্রা ? মহ ত্তোক্লসি, অদুবু আশ্রমদদি খুমোংচাদবগী ওমথৈ লৈতে—মখোয়গী সাধনা অদু—অদুবু অদুক রাবদু কমদৌনা অদোম্না খাংবা ঙম্মিব্রিবনো ?"

"খঙদে কমদৌনা খাংলিবনো, অদুবু ঙসি রাকম অদু নিংবা ফাওবা নিংশিংদ্রে। মখোযগী মবক্তা ঐস্থু অমনি। মসি ঐগী তুংগী পুন্সিচুম্লগী ওইবা য়াই। অম্বুক কুইবসি তুম্মিন্নস্থু লৈখোক্তে। লম লমদা মী খাদুনা আশ্রম লিংখৎনবা হোৎনৈ—আশ্রম অদুম মরি লিংখৎপগী আশাস্থু ফংলে—ইশামক অমুক্তং মৌকুনিংবগী অপাম্বস্থ লৈ।"

"মসি কনানা অদোমদা ইনশিনবগে ? হরেন্দ্রনা ওইরিনিনে ?"

অজিতনা হায়রকই, "কবিগুম্বা মহ ওইরবস্থু পাপ চংদনা ইনশিনবনি। লৈবাক্কী মাং-তাকপা, মমিংনা উরক্লবা লাইরবগী ফিজ্জম অসি তমথীবা অরাবনি, ধর্ম্ম চেন্দবা অসিগী মৈশা য়ায়া কল্লি, মসিগী অশোনবসিগী শাথীবা পাংদবা—"

[illegible]

"[illegible] পুম্নমক অনিদি অচুম্বমিদ্রা ?"

"অচুম্বা মতে হায়রবা নত্তে, অরুম্বু মহাকী প্রতিকারগী উপায় আশ্রয় লৌখংগা অসিদনি ?"

"করিগী ওইরোইদৌরিবনো ? ভারতবর্ষ হায়রবদি কুম্বগী অরাংদা হিমালয় অহুগা অতোপ্পা মাইকৈ অস্তুমদনা নপুক্তনা কোইশিনগা লমবম অসি নত্রা ? মসিগী লৈরবা সভ্যতা, মসিগী ধর্মগী থোইদোক-হেন্দোকপা, মসিগী কীর্তিগী পবিত্র ওইরবা, মসিগী শেমগংপগী অঙকপা মগুণ—মসিমিদনা ভারত, মরুবনি মসিগী মখিং দেবভুমি কৌরিবা—শাস্তীনা লৈবা ভাবদগী মসিবু কয়নবা লাইনিং-লাইশোন নত্তনা অতোপ্পা করম্বা লম্বী লৈরিবগে ? ব্রহ্মচর্য্য ব্রত চেংলবা, অমকপা পক্কবা মুণাম্বচাশিংগী পুন্সি মতৈ য়াম্নবা—য়াইফনবা—"

কম্ললনা থামহনা হায়রকই, "চাবা পোইবিরত্রা, চিন-থু ভেংথোক্লগা অসোমগী কাদা চংশিরো—অম্মুক মথা তাম্নুসি।"

"নহাক চাররোইত্রা ?"

"ঐদি চরা অনি চাই অহুমা তুশি চাগদৌরিবা ? কৌশংশিরো।"

"অম্বর ঐহি আশ্রমদা হন্দবা য়াদে ?"

[illegible] মুইথ হু, অঙোম্বী কাবা চংশিরো। [illegible] [illegible] কৈ।"

"[illegible] চংশি।" অহুমু মণাদা লৈবা ঐখোয়গী শিংথা [illegible] [illegible] কাহ্না কেনখবু ঐ অাত্তমদা হুনবা য়াদে।"

কমলনা হায়রকই, "মহুগী বিষমহ মীকা লৌবা খাত্তমদা লৈবাবদুনি, অদোমগীদি নত্তে।"

"অদুবু মীনা কৰি ভাংনবি গদগে?"

মীগী মা শত্তকপদা করিগুম্বা হুমিত্তবু কমল ঙৈংথহনা লেপ্পোকপা মক ঙমদে, হায়রকই. "মীনা তপ্পগী মিন্দা তৌগদবদনি, কনা বিবদি ঙম্মোই। ঙমগদবা মহাক অহুগী মফমদদি অদোমগী থিনিংঙাই লৈত্তে—মখোয়দগী কৈয়া ঐনা খোইদোক্লহুম অদোমগী নকুপিরে। হুমিং অহুদা ঐতোন্দা চংমিঙ্খ্রসি হায়বিথি—অহুবু ঙম্বিদে, ঙসিদি মহু ঙমত্রবদি ঐ কিংলরোই। লেংবিরো কা অসিদা, ঐগী অকাবা লৈত্রে। মিনিট তরাদগী হেন্না কুইথ-থরক্লোই, অহুবু তুমথবিথিবদি য়াদেকো।"

"তুম্লোই।"

"তুমথবিত্রবদি নোমহুনা হৌদোক্কেনি।"

"মহুগী দরকার ওইরোই কমল, তুম্মিংবা ঐগী মিংতগী চেনত্রে।"

"কক্কে, চাংমেং অহু কোয়া তৌরসি।" হায়রগা মহাক কাদগী মণাদা থোকত্রে। [illegible] শিংহু মকন [illegible] [illegible] মুখাক লেপ্লগা কোক-লিক মণাদা পুখোকখা—

মাঙবুৰি হুই, ঈমাখক্তা তুমকে, মথাদা, মনুং[illegible] থোক্ত [illegible],
[illegible] নমিত্তুবা থেকে মীঠা-মত্ত পুন্সিক [illegible] খাঁট্টু নিঙক্কা কাবনি,
পুক্নক অদু লোইহিন্নবগদা মহাক হুটি, করক্ৰোইরিবনি।

কর্মসঙ্গী মত্তুম তৌবা থাবিশা তনাম তম্বাগা মিংখিকনবা কথুংগা কমহুনা মখক্তা কা মন্দুংদা লৈবদা খড়হৌদ্রবা মহাক খুংলা মপী কোম্মাকখ্রে। থোইদোকপা কম্বিত্তুবা অক্ষুবা মরম অমা লৈবা নতে—তুম্রগী খঙ্গোৎপদা নুংঙাইরবা অমগী অশেনবনি। লাংতক্ষবা খরমথৈ মাল্লবদু মাই, অদুবু থোইবাংবগী মৈতাক্তি নৈতে—তুম্ৰগী ঈংনা নুংঙাইবা অমগী অশোংবনা শোকপগুম মনা-মনিগ নাত্তিদনা মথা পুন্দা কাংখ্রে।

অজিত্ত ঈগাক-খুনথা মচাগি, পোকপদগী নুংঙাই-থাহিকরা মরক্তা থোক্রকপনি; অদুবু হদেম্রগী ত্ৰক্তচথাম্ৰমদা চংবদগী হোনা লেত-পাইরবা অমত্তু, পুক্নিং কাক্তিনবগী শেংহন্নায় থাংনবা লম্বীদা ভঙ্গতকী ওইবা থোইদোক-হোম্মাকপা অখুত্তা তানগী খাচংপা মথন্নাবু মাইক অসিংগী মিংবেং তাবা হৌরকই। খড়হৌদনা উক্তরে, মাপু মচুগী লংন, মোনথুমগী চুথেক মরিদা অপিকপা মাশিকা অখোলগা কয়ামক্কম লৌরি। মোম্মাক ফিদকী হাইথরিবা মচিন [illegible]দা অংতীবা [illegible] কবিনো মমক থক্তগবা মনা অমা চ থোরা লৌরি। মসি[illegible] খুং-শাং হৈদগী খবক—ইচম চম্বা রাকপি। মী কয়াগী যুমদম্ভ কৈনরিবনি। অশংবা মত্তমদা মথুংমক্তা লোত্তবনি। মদু [illegible] অজিত্ত ঙক্রে।
মদু শাবন্তুনা লেং-থংহুনা থেংনকই, কমল্লন্য, মপানগী, মমক্ক

[illegible] "[illegible]

[illegible] —"[illegible] ?" [illegible]

[illegible] মহুৎ মচুম্বী লৈশিং অশিস্থু। [illegible] [illegible]।"

কমলনা মাইথোং মকা নাম্বা হায়রকই, "অচৌবা রাজকুনি। ইমাদা নৎত্রবসি মী কৌহ্নবা লোনকনকিগণ্না ? অশিগুম্বসি শাখিরা ?"

"অচে নচে-নচে—ঐ পাম্বদে। ঐ করি তৌনগদগে ?"

অহান্তী নাৎতকুবা অমম্বুং ঊকাইবা মতৌদদা কমলনা লোকুনা হায়রকই, "আশ্রমদা পুরগা মচুদা হিগ্রবিয়ু। করা গুম্বনা শুংলকুবদি কমলনা মখুংমক্তা লোয়েনা পীরকপনি হায়বিগদবনি।"

"খুঙ!"

"হ্যাং করিগীদো ? নপাগীদমক্তা পোং খুদিংমক [illegible] শাকবা মচু, অমনা অমগী শারিবনি। অচুক রানা লৈশিং অচু লোনখিবা অচুবু ইশানা হিগ্রগনি হায়চুনবা ? নোংমা মী অমা শোয়মনা লাকখিগনি — ভুঞ্জী মচংবুংগীদমক্তা পুম্নমক অশি চৌবাং তৌজখিবনি। অপুক্তা চংলম্লায়বা পুম্নমক অংনোমগী মকদা পীরগনি।"

হনক্তি অদিত রূপানকপু লোকচৈ, হায়রকই, "খুনে কমল, ঐবু অচুবা পুরক্কা ?"

মীচইব-পুম্নিগী তুংলবা লম। মহবু পুন্দুনা থম্লরবদি মহু মাঙজখিগনি। অহুননিনে, লুহোংবগী লেংদবা লৈ, মহুগী লৈতে মুংঙাইবা! অৱাবনা থল্লবা লেংদবগী অচৌবা থৌরিনা কৌরিদা খুহনা মহাক আত্মঘাট তৌহনা শিজবগুম্বনি।”

অজিতনা নিংশিংলক্লে, অসিগুম্বা রা অসিমক মাগী মনমদগী মহাক্কা তাগ্রে। চুম্নগী চিনবান-থোঙগী য়াৱা নত্রে, মসিমক মহাক্কী থম্মোয়গী থাজবনি। শিবনাথনা মহাকপু লুহোংখিদে, লৌনমখিবনি, অহবু মসিগীদমক্তা কমলনা নোংমতম্ভ রাবৌখিদে। করিগীনো রাবৌখিদ্রিবা? ঙসি অহানবা ওইনা অজিতনা চিংনবা লৈতনা লৌনম অসিদা মহাক মশানা খঙজনা য়াউশিনখি হায়বা খঙলে। পৃথিবীগী মীওইবা জাতিগী অবিবা তংনম্ভ, শেংলবা যাইফ-থৌরাংবু অম্মুক শাথীনা থৌওইদবা তসিদা অজিতকী থম্মোয়দা হঙ্গোইবনা থল্লক্লে।

মিংকুপমুক তুম্মিম্না লৈবগা হাযবকই, “মহাক্কী নফমদা চাউথোকচবা ঐ লেমজদে। অহবু নঙোন্দা অমুক করিম্ভ লোংলবাই। মখোয়না তাকপি, সংসারদা অপাম-মীহৌ চাউবী মুপী অহুগা লন-পুম মসি থাদোকপনা মুপাগী খ্বাইদগী অথোইবা মুপা থোকপনি। লৌশিংগী মাইকৈদগী মসি ঐ থাজে, অহুগা সাধনাদা সিদ্ধি ফংবদগী হেনবা অথোইবা করিম্ভ লৈতে। লন-থুম ঐগী মতিক চানা লৈ, মহুদা মীহোকবা লৈতে, অহবু পুম্নি অসিদা ঐবু মুংশিবিবা কনাম্ভ লৈতে, কনাম্ভ কৈদৌঙৈদম্ভ লৈম্নরোই, থল্লুবদা থম্মোয় কায়গদৌই। [illegible] অশোনবা

অদি ঐ শিরবদায় মতম কাওবা খুহুম চনবা অরোইবা তিংনৈং ইবাইবক্তা মহুমক কবিগুরুদা খোক্লবা খোক্লবদি অাক্লব, খারোকুনা ঐ চংখিগনি। অমুবু নহাক্না কৌবদি মহুনগীমু হেন্না মীনম্বনি। কৌরকপা অহুদা ঐ খুম্বা ওয়োই।"

"মসিবু মীনম্বনি হায়রিবা কম্নিগীদো?"

"মীনম্বমক্তিদনা, মনোরমানা তশেং তশেংনা কবিগুরুবমু ঐবু খুংশিদে হায়বা মাগী শাক্ষংতা খঙবা ওম্মী, অমুবু শিবনাথপু শিবানীনা খুংশিবদি ঐ ইমিংমক্তা উথ্রবনি। মমিং অহুদা মহুগী ওমখৈ লৈতবগুম্রম্মী, অহুবু ওসিদি মহুগী খুদম কাওবা মুংগ্রে।"

কমলনা হায়রকই, "ওসি বরিগুপ্না মহ মুংথ্রবমু মমিং অহুদা ঐনা তৌশিন্নবদি অদোম্না উবিখিত্রা?"

অজিতনা হায়রকই, "মহুদি নওনা খঙলিনি, অহুবু ওসি মুপীগী পুন্সিদা মসিদগী হেন্না মীনম্বা লৈত্রমাল্লে খল্লি।"

কমলগী মিংকী মিংয়েং খায়ক্লে, হায়রকই, "মুপীগী পুন্সিগী অচুম-অরান লেপ্পগী থৈদা মুপীনা লৌমনহু। বিচার অহুগী দায়িত্ব মুপানা লৌকহুনা কায়বা লৈতে— মনোরমাগীমু কায়দে। অম্মুম তৌহুনা সংসারদা অচুম্বা বিচার কংজরক্লবীনি, মুপীবু ইকাই-খুম্নরক্তি অহুগা মুপাগী থম্মোয় অমকপনা মুনগংথ্রে অহুনা মীনম্বা রাখোক অমুক লোইশিন্নবা লৈত্রি। বিচার লৈতবনা ওপ্পগী মাইকৈ অমত্তদা মাংজবা নত্তে। অজিতবাবু, মাইকৈ অনিগী মাংজব্রিবনি। [illegible] অহুদা শিবনাথনা কংখিবা

অদু জ্যাইবংগী থুপা অয়াবগী অাইবক্তা থোক্কে, অদুবু ওজিদি লৈতে। অখিগীবো অর্ক, মসি থুপাখা শাকংলিবা, চৈপাং হাইবদা শাসন তৌবদি য়াই অদুবু অমুক হ ভিবকুনবদি য়াবরোই। থুমিং অহগী অহুবা অইকরক্তন অমিগী লৈতবসু ভংশংবা অদুবনি। লৌরমগী থেডা-কান্না চিংখৎতুনা মশিবু কুপশিনবা ঊকাইনা লৌই হাবহুনা থুপাগী বিচারদা মসি দুগীগী পুন্সিগী মীনখা ওইরক্রা? যজবা বিচার অসিমক আশা তৌহনা ঐখোয়বা অদোমখোয়বু য়েংহনা লৈরিব্রা?"

অজিতনা পাউখুম পীরকই, "অদুবু করি উপায় লৈবগে? অশুম্বা মিংকুপকী ওইবা, অশুম্বা থুগায়বা লৈবা, মাবু মসিদগী হেম্রা ঊকাই-খুম্নবা মীওইবনা পীগ-দোরিবা করিগীনো?"

কমলনা হায়রকই, "পীরোইদৌরিবা করিগীনো? ঐখোয়গী জুরি মর্যাদা লাংশা লৈরাং অহুগী মপুন্সি সুংখিশনদগী হেন্দে। অহুদগী হেম্না মসনা তক্কবা নুংহুমহুনা হেম্না কুইনা মশক হওং হোংলে, কুইনা চংলি। অচুম্বা খমনবা মসিদগী হেনবা মপাঙ্গল লৈবা নাপ-ওন চৈ অদোমখোয়না কদায়দগী কংগদগে?"

"কমল, মসি চংবরা য়াবা মত্তে, তুপ্পগী নহাক্কা শাউবগী বানি।"

"করিগী শাউগদৌরিবনো অজিতবাবু? তুপ্পগী লেংদহনা কারবার ওইরিবা মখোয়না অন্যায় তৌহনা মরক্‌লৈম্লি। ঐনা লৌবগী অদোম্না খুম্না ওজিদবা অহুগী মরমদু চিংনবা অসিমনি। পুন্সি চুপ্পগী নহি তৌহনা পুনশিনসি য়াদবা মাবু অদোম্না করি

য়েংজনা থাজরিগদবগে ? লৈবাংনদি নুং অমুবা মতোমগী ষোইবোক্লা অতুম্বনি হায়বা খঙজবা ঙমদে। লৈমন চন্নুনা ‘কৈরবিশ্নি হায়বগী চিংনেমিংঙৈ লৈতে,’ নুংগী পুক্কি দি থাইহাঙবগী মতেং, মাদি মতম লৈবা শিঙিক্কনি। চাকথুমগী দবকারদা মচু মতম পুম্নমক্তা নুংপাক্তা মগলা ওইনা অকপিগু—চাক চংবা ইঙ্গাংগী মতম অমনি—মতুমদা থাজবা থম্বিবা য়াই। মচু লৈত্রবদি লংস র মবাও চেল্লবোই।”

অজিতনা মাগী মাঙথোংদা য়েংদুনা হায়রকই, “কদেম-ৱথা-নরিবা কবিনীনো কমল ?”

রাহং অসি বমলগী নংকোং য়োরমদবা ২াই, মহাক্না মপুক্কিংদা মতোমদা শোক্লবঙুম হায়রকই, “মাওইবনা শন্দ, থম্মোয় হায়বা পোংশক্ত যোংনা শাবা নত্তে। অশুম্না চিংনবা লৈতনা অকীবা লৈতনা মচুদা থাজদুনা লৈথোকপা য়াদে। অরাবা লৈতে হায়বদি নত্তে, অদুবু মসি মচুগী ধর্ম্মনি, মসি মচুগী অচুম্বনি। অদুম ওইনমক রা অসি হায়বসু য়াদে, যাবসু য়াদে। মসিদগী হেনবা শুদোংথীবা সংসারদা অত্তে কবি অমুক লৈবিবগে ? অদুনদি শিবনাথপু কমদোনা ঐনা চিংনবা লৈতনা ভাবপিবা ঙমত্রিবনো হায়বা কনানসু থঙবা ঙমত্রিবসি। কপ্না কপ্না মথোক কারকপদা যোগিনী ওইরদি মথোয়না থঙই, অদুবু মসিদি মথোয়না থাংঙমদে। পাম্নদবা অমদি থোওইদবনা মথোয়গী থম্মোয় ’পুম্না মোংহল্লকই। মপাম্বীদগী উনা কংদুনা কেনখি, মচুগী অহোবদু অনৌবা উনুনা মচুং শিন্নে। মসিদি

"করিগীনো ?"

"নহাক্না ঐমক্তীনি হায়রুনা পুম্নমক অসি লোনবনি হায়রিবা অসিবু থাজবিগদ্রা ?"

"করিগী থাজরোইদৌরিবনো ?"

"অচুম্বা নত্তে হায়রুনা থাজরোইদৌরিবনি।"

"অহরু মহু অচুম্বনি হায়রবদি থাজবিগদ্রা হায়বিয়ু।"

"শোয়দনা থাজগনি। নহাক্কী করেম্নবগী ওমথৈ অমত্তা লৈতে—কদায়দস্মু অথিংবা লৈতে। কাবদা কোইরুবগী থৌদোক্কু নি.শিংলকপদা ঐ ঈকাইবনা শিগদৌই। মহুনা তোংঙানবনি। অহুবু মহু করেম্নবা নত্রবদি নহাক্না করিগুম্বা অমত্তগীম্মু মীনম্বা ঙাংদে হায়বা অসি ঐ থওই।"

"অহু ওইববদি থাঙ্গশেংনমক করেম্নবা নত্ত, অচুম্বা বাদমক হায়রিবনি হায়রবদি থাজবিগদ্রা ?"

"শোযদনা থাজগনি।"

কমলনা হায়রকই, "মহু করিগুম্বা ওইরবদি ঙসি অদোমগী মফমদা অশেংবা রা তমজগনি। মতম অহু ফাওবা র'জেন লাক্লি। হায়বদি আশ্রমদা লৈকম ফংত্রহুনা মতম অহু কাওব, ঐগী য়ুমদা চংজকম লৌরদ্রি। ঐগীদি দশা অহুনি। অদোমথোয় ময়াম্না ঐবু তুক্কচবিহুনা ইম্বোকপিখি, মীরৈবাক অসিদা কনাগী মফমদস্মু লেপ্পুকম লম্বী অতৈ লৈখিদে—য়াম্না রায়বা মতমহুদা লোনবগী থবক অসিথক্কনি। সুমিৎতুদা কনাবু খন্দুনা লোনগ্রিবনো হায়বা ঐ করিগুম্বা হুমিত্তস্মু খঙখিদবা য়াই। পুমকাউ

কাউপ্রবগুম্বী। অহুবু ঙসি কম থাবা চংলকপদা নিংশিংলকখি, নত্তে নত্তে, মহুদা য়াদে। কনাগুম্ববা করিগুম্বা মুমিত্তা হিপ্পপ্রবা অহুদা অদোম্বু ঐমা করিগুম্বা মওংদম্ম হিপহনবা ঙমজদে।"

"করিগী ঙমত্রিবনো?"

"কনানা খঙগনি, কনানমো ইল্লকুনা ৱা অসি হায়বগুম তৌই।" অসি হায়ৱগা মহাক্না ঙাইহাক তুম্মিনা লৈরগা হায়বকই, "খঙহৌদনা নিংশিংলকই পূম্নমক অসি উপুদা তাহুনা লৈবি হায়বা। অদোম্না মপান্দা চিন তেংবিগ্রিঙৈ, হৌজিকমক চংলক্ল-গদবা মতম অহুদা হাধু হাধু উপুদগী লোথোকউরগা থারবদা ঙসি অহানবা ওইনা নুমিৎ অহুদা খন্দুনা অহিং তুমদবমখৈ লৈ মনা লোঙঙ্খ্রিবা মীশক অহু অহানবা ওইনা অদানি হাযবা খঙজরকই।'

অজিত ৱা ঙাংদে। শুপ্নগী ঙাংতক তৌবা মঙাল অমা মাইথোংদা ঙাল্লগা মিংকুপ্পা মুংখ্রে।

কমল মশামকম্ম ঙাইহাক তুম্মিন্না লৈরুবগা হায়রকই, "তুম্মিন্না কবি খনবিবিবনো হাযবিযুদনা?"

অজিতনা হায়রকই, "শুপ্নগী তুম্মিন্না লৈবদনি, খল্লুবা ঙমদে।"

"মহুগী মরমদি?"

"মহুগী মরমদি নঙগী ৱা তাবদা নুং অসিদা নোংলৈ-নুংশিং হৌরকপগুম্বী। শুপ্নগী নোংলৈ-নুংশিংতনি—ফাওরক্তে নুংঙাইবা, ফাওরক্তে আশা।"

কমলনা ৱা ঙাংদনা য়েংহুনা লৈ। অজিতনা তপ্না তপ্না হায়রকই, "কমল ৱারী অমা লীগে তাও। ঐখোবগী ইমাদা

অমুকখক ঐখোয়গী যুমগী লাই ৱাধাবল্লভজিউগী পূজা-কাদা মূর্তি চোংথে'রক্লনা উহনবিখি, ইমাগী খুত্তগী চানবা লৌরগা মমাংদা কমচুনা হাবিখি—মসি ইমানা মমিংমক্লা উবনি। অদুম ওইনমক খুমংগী মী ঐখোয় কনানম্ভু থাজবা ঙমখিদে। ময়াম্না মহু মাগী মমঙনি খল্লখি, অদুবু থাজদবা অসিগী ভুংঙাইতবা মহাক্লা শিৱমন্দায় ফাওবা কোকখিদে। ঙসি নহাক্কী ৱা তাবদা ঐ ৱাযম অদু নিংশিংলদই। নহাক্লা হায়ুক্তিয়বা নত্তে হায়বা খঙই, অদুবু ঐগী ইমাগী মতৌগুম নঙগীস্তু কদায়দনো অচৌবা অশোয়বা অমা লৈ। খঙহোদনা নোংমা মিংকপ থোল্লবা য়াই। ঐস্তু অদুগুম্বনি। অস্তুক বুইবসি পৃথিবীগী মযম কয়াদদি কোইক্লরে, আগ্রা অসিদা লাক্লবা মতুংদা ঐনা ইশাবু উজবা ফংলে। ঐগী লৈজবা হায়ববু বাবানা থম্বিরম্বা শেলদনি। মসি নত্তনা অসিগুম্বা করিস্তু লৈতে মহুদি, ঐবু যাওবা থঙহন্দনা নঙনা ঐবু নুংশিবা য়াবা।"

কমলনা হায়বকই, "শেলগীদমক্তা খল্লুনিংঙাই লৈতে, আশ্রমদা লৈবশি, খঙনগ্রবা মতমসিদদি মংখায়না থোকপা শিঙ্গগ্রগনি।" অসি হায়রগা মহাক্লা নোক্কুনা মথা শমথরকই, "অদুবু অতৈ মাইকৈ খুদিংমক্তা অদোম অস্তুক হাক্লা লাইরৈ হায়বগী পাউ অসি হান্ননা ফংহোদে! অদুদা নত্তনা অদোমগী স্বভাবকী অফ-ফত্তা খঙননবা মতম ফংগ্রিবদি কদায়? থম্মোয় ভুংদা গুপ্তগী চিংনবা অমত্তংদি ফাওখি, মহুগী তাংদাংবা খঙখিদে, গুপ্তগী মিনিট তরাদংগী মমাং অসিদদনি ইতোমদা ইমুংদা ফম্মাংদা লেপ্লিত্তেদা খঙহোদনা তাংদোংবা ৱাফমহু কনাননো ঐঙোন্দা নাপ্পা চিক্লা তল্লখিবা।"

অজিতনা হকচিনা হঙ্গুনা হায়রকই, "শেংনো হায়রিবা মিনিট অমাদং ঙাইহ্নি হায়বসি ? অদুবু মহাকনা অচুম্বা ওইরবদি ঙাওরবনি।"

কমলনা হায়রকই, "ঙাওরবনিদনা ! অদুনদি ঐবু মকম কদায়দনো পুদিও হায়জরিবসি। লুহোংহুনা যুম পানবিয়ু হায়বা ভিক্ষা অসি নিজদেদনা ?"

অজিতনা থোইদোক্না থম্মোয় পুঙমদহুনা হায়রকই, "ভিক্ষা করিগী হায়রিবনো কমল, মসিদি ভিক্ষা নিবা নত্তে, মসিদি নঙগী সুংশিবগী অধিকারনি। অদুবু অধিকারগী দাবী নঙনা তাক্লে, গুপ্তগী পামজরিবদি কোঙ্গোনগী মতৌগুম ঁতরবা পুন্সি অদুগা মহুমক্কী মতৌগুম মীনম্বা মহুতনি।"

কমলনা হায়রকই, "ওইরম্বসু যাই মহুগী মপুন্সি শাংদবা, অদুবু মহুনি হায়হুনা মীনম্বা ওইগদৌরিবদি কর্নিগীনো ? পুন্সি শাংদববু অচুম্বনি হায়হুনা চেৎনা কোনশিন্দুনা থম্মিংলিবা মথোয় অদুগী মবক্তা ঐদি বনাম্ভু নত্তবা ?"

"অদুবু মসিদদি সুংঙাইবগী অবেপ্পা অমত্তা লৈতে কমল!"

"লৈতসম্মু। অদুবু মপাম্বীদা পাল্লিবা লৈরাংনি থুনা লৈমন চনখিগনি হায়হুনা মতম শাংনা চৎপা খুৎশেমগী লৈগী অচৌবা নাচোম শেম্নগা গমলা (ফুলদান) দা থম্বা মথোয় অদুগা ঐগী মতকা চানদে। অদোমগী মথমদা তশেংনা রা অসিমক অমুক হায়জগ্রে মহুদি, করিগুম্বা সুংঙাইবা অমত্তগী অবেপ্পা লৈতে। লৈরিবদি গুপ্তগী মাগী তেনগ্রবা সুমিংশিংহ্নুদমি। মহুনি

মীরিকপা ওইবগী, অহুম্মা মপালদগী ঊনা কংছুনা শিক্লম্বা হোত্রী অহানা মর্দনিল্লুবা কেখনা ৈপবিবা অহুনা অহুম্বা ওইবনু ?"

অজিত মপুক্কিং চংনা তম্লি। মা বাংবা ৺লৌইবনা খুত্তহোবনা হুংলা মমী, কুম্মু হোকোকপা, হায়বগী, "ঐহোকপা বাকম খুন্না হেক্তা কাউদ্দোকই মহুদি, অহংবদি মহাক ঐগী কাংলুপকী মচো। মহাক্কা ঐ, মখুক্কী সংস্কৃতি, মহাক্কী শিক্ষা পুন্দনা মীরৈবাকীনি। মহুৎ অকনবা চবেংবা অহুমগী মহাক করিগুম্বা মওংদগুম্ব নাম্মোকপা থক ভুমদে। অহুম্বা মশিংচাপকা ঐখোয়গা নহ কা তুংতনা থেম্মুমবিবনি। অহিংগী যাম্না থেং-ডিন্নরক্লে কমল, কলু তাক্কুলোইদবা থংনবা অসি তোক্লবি — আদর্শ অসি মহাকী নিঙ্গৈদি মচো।"

"করম্বা আদর্শ'? অদোমখোয়গী ব্রহ্মচর্য্য 'আশ্রমগীম্বা ?"

অজিত 'তিং 'পোক্তুনা' শাউরক্লে, হায়রকই, "মহু ওইরম্বা যাইগী অহুবু 'অকবা বাকম' অসিম্বি মীরৈবাক মচা শীনমক্তা মচো। অসি মহাক্কী থওলোই।"

"অদোমগী সাগরদা ঊরুপ্রবস্থ থওবা ওয়রোইব্রা ?"

"ওমোই।"

হনক্তি কমল্ খোকুপোয়ুক্লে। মীশক অমুম্ব কামুক, বাক্কাকী। হায়রকই, "কপ্পু তাকপিয়ুদনা কল্লি তৌবগ্গু লাম্ভুশিংগী মকোক্তা অহুদগী অদোমগী মিং করুহনরা ওয়মুমলগে? থাজেশেংনবক আশ্রম অমু উবদা ঐ মিং নারবনি।"

অজিতনা কয়ুংনা হিপথরগ হায়রকই, "ঙসিকুম্বু কৌশিল্যনা পুণ্ডরীকা মীহাক্তা ইথাঙ লৈবনা চংজরম্নীথি— মহাক অমুক করিগুম্বা অমত্তা নিংশিংজরদবা য়াই, নত্রা ?"

"করি অমুক নিংশিংহিগদগে ?"

"পুণ্ডরীক অহৃ অহাক করিগুম্বু থাজবোইবনে ?"

"করি থজ্রবগে, অসোমখোয়গী মতাংদা ? নত্তে।"

"মশাগী মরমদগী করিগুম্বদা কাওবা অকৌবা লৈতমাদ্রোন ?"

কমলনা হায়রকই, "করিগুম্বদগী ংহু হায়বা গুমদে, অহৃবু অব্রহ্মচারীগীদি করি কীকলিংঙাই লৈবগে ?"

"হুঁ!" হায়রগা অজিত তুপ্পিনা লৈরে।

থঙহৌদনা মতম অমদা হায়রকই, "ঙাইহি লৈরুংদা অমম্বদা লৈ, মানা থঙহৈ, মপালগী মঙালদা থোকউরবদ মহাক অমুক হিংলরোই— মাবু য়োংহনা চাপদবগী মমা কাহনা লৈ। লোংহনা লৈবা মতমদা অতোপ্পা উপায় অমত্তা মহাক্না থঙদে। অহৃবু মহাক্তি থঙলিবহুনি মীওইবা ঙাইহি নত্তে হায়বা। অহৃদা মতমদা নুপী অঙাং ফাওবা নত্তে। শাস্ত্রদা লৈ, ইশাগী অশেংবা শক্তম থঙজবা ওম্বতনা অথোইবা শক্তিনি— মসি থঙবা অসিমক মহাক্না অশেংবা শক্তিনি, নত্রা কমল ?"

কমল বা ঙাংদনা য়েংহনা লৈ।

অজিতনা হায়রকই, "নুপীশিংনা মথোয়গী মপুক্সিগী থাইদগী অথোইবা পোৎশিং হায়বা লৌনরিবা অহৃদা অন্যায় করিস্ব লৈতবা থঙ্গোকই মহৃদি, মনা নিঙ্গা তৌরবগু মহুমক্তা চাকথুব

লৈবংগী মতৌগুম নহাকপু মতম পুম্নমক্তা থক্লিদুনা থমী। মশা শোক্লিন্দৈদা চাকুনা উং ওক্লি। মুপাশিংগী ভোগকী মশক ওইবীশিং অহুগী মরক্তা নহাক্তি চঙ্গে হায়বা হৌজিক্তা ঐঙোন্দা হায়খি। ঙসি অহিং অমাক্তা আয়োকুনা কপ্পসিদা ৱাকম অহুগী অর্থ মরেক শেংলক্লে। ঐখোয়গী থাগৎ-থাদদা খোওইদবা ওক্লিবা যৌনাহ্ নহাক্তা কপায়দগী কংলিবনো হায়বা অহুম্ম খঙবা ঙম্লে।"

কমলনা হায়কম খঙদনা চঙকুনা মমাই নোনখংতুনা য়েংলকই, "করম্বা ৱাকম্বুনো অজিতবাবু, ৱাকৈশিংমু মনা জ্ঞান লৈবা মীগী ৱাঙাংগুম তাইনে?"

অজিতনা হায়রকই, "মরে কমল, শেনা হায়যু ঐগী মতামতম্মু অতৈ ময়ামগী মতৌগুম নঙগী নমদা অহুমা করিম্মু লৈতব্রা?"

"অহুবু ৱা অসি খঙলগা অদোম্না কৈদৌনগদগে?"

"কমল, ইশাগী শক্তি লৈ হায়বা ঐনা নঙোন্দা করিগুম্বা মুমিংতম্মু নাপল তৌখিদ্রি। থাক্লেশেংনমক মন্নুংদদি ঐ পাংদবা অহুক সহায় লৈতবনি। ঐনা নহাকপু ফংজবম্মু লায়রবগুম মাংজখিবম্মু অহুক লায়গনি।"

কমলনা হায়রকই, "ঐ মহুম্মু য়াজে।"

অজিতনা মঙক নোমহুনা ৱাখলনা চুমহুনা হায়রকই, "মহুনি। নঙবু ঙসি কংজবতগী নত্তে, নোংমা করিগুম্বা মাংজখিবা ভারবদি মতম অহুদা কমদৌগদগে?"

কমলনা খোঙ্গেল ঈংনা হায়রকই, "করিম্মু তৌব্রোই।

[illegible] অহুম্মা লাখনা যেক্তৌনা ননাক্তা [illegible] মকমদা [illegible]"

অজিত, খম্বোঙলম চঙ্কুমরক্লে হায়রকই, "[illegible] [illegible] উবকুইদে মখোয়কনা করামা লাকনা কয়াদা চয়া [illegible] পুম্নমক হুমদা ওইনা থারকৈ পুক্রিংদো থাজা করিবা [illegible] লাকপা। অহুক মশিনা করিগুম্বা মখোয়গী হুংশিনবগী পরিচয় ওইরবদি মখোয়না চাউথংপগী চাউখৌকচরিবা করিনো।"

কমলনা হায়রকই, "অজিতবাবু, মপালদগী লাউ-চৈদা লায়না উরিবা অহুক লায়রমদবা মাইং অহুম অহুম ওইনমক হুপা হুপীগী পরিচয় অসিমক নোংমা জমং অসিদা হুংশিং-হুংশাগী মক্লোংশুম লায়না খোক্লবা ওইসনু।"

অজিতনা তুমিন্না মহাক্কী মাইথোংদা য়েংলুন্না লৈ রা তাংদে। অহুগী মতুংদা অতোপ্পা মাইকৈদা মমাই ওন্থোক্লুনা হিপ্পম ক্রুদা করি মরমগী কদোমদগীনো মহাক্কী মমিংতগী মপী শিন্দুরক্লে।

কমল মহু খঙলগা মাইং হৌগংতুনা লাক্লগা কমুং মচিদা কমহুনা মহাক্কী মকোক্তা খুৎনা নাল্লকই, অহুবু খেমজিন-রাহে অমত্তম্ পল্লক্তে। মায়োক্লরিবা খোঙমাওদা উরক্লে, নোংপোক থংবা অতিয়াদা মঙাল কাওরক্লে।"

"অজিতবাবু, তুমনবা মতম থেঙ্গুক লৈরোইদবগে।"

"লৈত্রে, হৌগংলনি।" হায়রগা মহাক্কা মপী উথোক্লগা [illegible]

কুম্মৈখোঁই

সংসার অসিদা সাধারণ মী অমখক্তদগী হেনবা য়াবী ঋতুবাদুনা য়াগী কৈদৌসু মপুন্সি মকখদা লোংমতন্দু তাড়বদবা য়াই। অহল-লমনগী মপাল নাইত্রবা মতম্তিমুদু ইংনা মুংতাইবদা লোক্লনা লৌশিনবগুম মীজাও ওইবনা নুংবা হকচাং অমম্বুং মহৌশাগী হৈনবরুবদৌনা লায়না-অাঙঙ্ঘুম্ভু অচম্বা অরাবগুম মপানা য়ানা লৌশিল্লি। অগংকী অহা-মুংতাইবা বিধাতানা মহাক্কী ময়েংহুনা শেমখিবা নত্তে, মথোৎ মপা মপাগী নিয়মদা চৎচরিবনি— অচুম্বা অসি গুণগী মরোশিংদনা নত্তে, থদোয়দা লৌশিঙবা ওহদনু মহাক্কা তপম্বা তৌকনিংতাই ওইদে, লোকপগী য়াউৎক্লবা ইহ্নলগুম থোকই। লোংমা ইথঙ থঙহৌদনা মুপী কাম্বলখিবগী থৌদোক্তা পৃথিবী 'পুম্বা মমিত্তা লৈকংলাগুম উমি, হুমিং অতুদম্ভু মরাইবকপু অমুক্তম্ভু য়ারৌজখিদে, মুংশিবগী অথোইবা লন মনোরমানা মহাক্কী আশা পুম্নমকপু মৈ চুমথা হুমিং অতুদম্ভু মতৌ অম্মুম্না মরাইবক গুণায়জরুনা কল্লুনা লৈথোকখিদে। ওমচাক্লবা অমম্তুং অরাবনা থক্লবা নিংবা কাম্বগী মরক্তা মহাক্কী থম্মোয়দা কনানলো থোইদোক্তা মপক থঙবা থোক্লেল অমনা হন্না হনা হায়রকখি মহুদি, অম্মুম্না তৌদরিবনি। অসিগুম্বা অরাবদি মী কয়াগী লাইবক্তা তঙনা থোক্লিবনি, অম্নুম তৌহনা সংসার চৎশিবনি। মসিদা অনৌবা কপায়দম্বু লৈতে— মসি লেপ্লেমগী মতৌগুমক লিরবনি। হৌমক্লিবা য়ৈচাক্কী ইবকপু লৌথোক্লগা মশিমকপু লৌহৌননা সংসারদা

খোঙদাবদা লৈতে হুপা খোঙপী, লৈতে দরকার। অদুনা অরাবা মীচন থুনিংথজা খবাদু হিংনা যাইকে মথিদা অমিত্তবা থুপ-চনবা থুংশিনবা খোইশিনবগী মথুদি, মথুংদা চংলক্লবা-শী থুংবগী লোংলুম নুংশক থাতোবদা থাংজরকপগুম অরাক্পা কবিং লেপবা খোকপগুম ঐৌই।

অদুম তৌনা খাওবাদু মপুংদি লেপ্লি। আপ্রানা খাওনদু থুংলেংচানবা কঞ্চাগী মরক্তা মশিগী নীংহনবা খোকথিদে, অদুম ওইবনক তারোগবা অশিবকংদদি হকক-মরক অদি অরাবদা ডনদ্রে। খঙহৌদনা উবা ফংই, মহাকী লোনচং-শাজংতা মপুক্কিং কাথবা ওয়ক্তবা অরাবা মতমদা লোৎশিনবা ওয়ক্তবগুম তৌই, থাকী-থাঙাই শানবদা অয়াংকপা থাডাং শাথনকই, মপুক্কিং কোংলোকপদা মরম চাদনা অবনবা থাটৈ তাবদা থীনাই-থীশক্তশিংগী নাকোংদা ডক্না খোক্রমগনি মিংই— অদুবু অপুম্বা ওইরক্লিবদি কমদৌহনবো চায়বা অদুম্ভু থনবদা লাপ্না ফংবা লুনা খোকই। কন্না নাম্বিদৈ মনুংদা কাওবা মহৌশাগা মায়দবা অদি থাজনিংডাই ওইনা থদে, হৌজিক্তি নাবা যব্রে। অদুবু ওইদ্রিংবা মরম ওইজনদু, থজিক্তং মুম্না থেংশিল্লবদি মহাক্কী পুক্না থক্তাম লকা-হুংবা কবিনো অমা থৈ হৌহনা চাকপগুম্মী হাকনা খঙনা ডম্মী, মহুমকী থৈবিক মরক-ঈবক্তা মপানদা কাপখোরকই।

কোংদো কুনা ডসি কাওবা থাবদো খেক্নাবকদি য়াই, অদুবু তাম তাবদি ডম্মী মথুদি, আপ্রাবা লৈবকী মচুকী মতম লোইশিনরে।

মখা থংবা কনখংগা, 'ভাইবা ওইবগনু' হাই। অহুনী মতুংদা লোইবা থবক্তৌদনা লাকখিবগুম থংহৌরনা নোংখা তুম্মিনা কাংখিবা তাই।

হুংখিদলী মতমদা হনক-মরক অদি বাঙালী অফিসার অয়াম্বনা লাক্লুনা অসাথগী পাউ লৌবা উনরে। মুনীগা লোয়নবা মেজি-স্ট্রেট সাহেব, রায়বাহাদুর, সদরআলা, কলেজগী ওঝা কাংবু—মরম কয়ানা লমলমদগি থাদোক্লকা খুদোং কংলবা মখোয়—হরেন্দ্র, অজিত অমস্তুং বাঙালী কোল্লুপ্তা লৈবশিং—কনা কনা-গুরশিংনা অহাঙ-অথুম কয়া চায়গা হনখি। লাক্তবদি গুপ্তগী অকয়দনি, লম অসিদা মহাক লৈতে হায়রুননি। লাইচং হৌগং-লকপদা মাঙী মুনীগা লোয়ননা মখুমদা চংখি, লাইচং নেমথখিবগী পাউ খুংলবা ভাইহুনা লৈরক্না যাই। লাক্লবা অতোপ্পা অমনা কমলনি। তুম্মিংতুনা লাক্লবদগী মহাক্কী মশক অমুক উখিল্রে।

আশুবাবু ময়াম তীরবা পাম্বা মীশক্তি, অহুম ওইনমক অঙ্গক হাক্লা ময়াম তীবা যাংবা অমুক ওমদ্রে, যাউরবসু অমম্বদা তুম্মিনা লৈ—মহাক্কী মপাঙ্গল শোল্লি হায়রুনা ময়াম্না হরাও হরাও ভাকপি। নোংমা মনোরমানা ভৌরস্বা থৌদাং পুম্নমক অহু মরি-মতানি হায়রুনা বেলানা হৌঙ্গিক তৌবা তাবনি। অতিথি সেবাদা করিস্তু অশোয়বা যাউদে, মপালগী মীনা লাকপদা মহু থঙলমগনি, সভা লোইরবদা থম্মোয় পেন্দুনা অপাম-মীহৌ চেল্লবা মুখুরলবু মপুক্লিংদা থাগংনরুনা খল্লবা যাই, অতিথিবু ঈকাই-খুম্নবা উংগদা অস্নুম্না অশোয়-অঙাম থোকহন্দনবা শিনবা

নাম্বিবা নুপাসিনা নুংত্তিগী কমদোনা ওম্লিবগো হায়না।

কমদোনা ওম্লিবনো— ইত্তিহাস অসিদ দি লোংথুনা লৈ। নীলিমা মম্বাম মমাংদা থোরক্তে, হৈনবীসু লৈত্তে, অপাম্বসু লৈত্তে। অহবু মরুমদগী মহাক্না য়েংলকপা মিংয়েংনা য়ুম অসিগী মফম খুদিংমক হোক্লোংহোনা উই। মহ খুপচাম্বগুম তুম্খিন্না লৈ। শিংলিদা চেল্লিবা ঈগী ঈচেলগুম মনা-ননিল নাইদনা ঈচেল অসি আশুবাবু মথন্দা নক্তনা অতৈ কনাসু তাম্নমদবা য়াই।

নিংথম থাগী হৌগংলকপা শরুক লোইশিল্লক্লে হায়বা য়াই, অহবু মরম অমগীসু ওইসনু, চহি অসিদি হৌজিক কাওবা কম্না ঈংত্রি। অহবু ওসিদি অয়ুক্তগী হোনা নোং চিকেং চিকেং তারকই— নুংথিলগী মতমদদি লেপ্তুনা তারক্লে। মপালগী মী কনাসু লাকপা য়াই হায়বগী থাজনি.ঙাই ওইদ্রে। য়ুমগী নুংশেল চনবা থোঙনাওশিং মতম চাদনা লোনশিনখ্রে। আশুবাবু আরাম চেয়ারদা অহম্না অহম মখোঙ তিংথোক্লগা শাল ওম-শিন্দুনা করিনো লাইরিক অমা পারি, বেলানা থরমথৈ শাউরংননা ওইরমাল্লে ঙাংহনা কম্নরে, “লমদা অসিগী পুম্নমক তাম্মোম্লে। মতম থরগী মমাংদা অসোমদা অমুক লাকখি— জুন নত্রগা জুলাইদা ওইরম্বা য়াই— ঈশিং অসিগীদমক্তা লৈবাক শিন্না অরুক শাথীনা হাহাকার লাউনরম্মী, লাক্লমল্লবদি মহ কদৌডেদসু ঐ থনবা ওম্নমোই। অহনা থল্লিবনি, শাথীরবা লমদম অসিদা মীনা তাজমহল শারম্লিবসি করম্বা বিচারদগীনো?”

নীলিমা লাপ্তুনা চৌকিদা কমহুনা করিনো লো। মমাই নোনখংলগা হায়রকই, "মসিগী মরম মী পুম্নমক্না খঙবা ঙম্রব্রা ? হমদে।"

বেলানা থম্মোয় চম্না হংলকই, "করিগীনো ?"

নীলিমানা হায়রকই, "অম্বাংবা পোং পুম্নমক মীওইবগী হাহাকার মরক্তা পোকই, পৃথিবীদা হরাও-তথাম্নদা লুহোংবা মখোয়-নদি মসি মদায়দগী উবা ফংগনি।"

পাউগুমছু অন্মুম্না থনঙমদবা মশক ফংনা কল্লি মহুদি, শুপ্নগী বেলা মশাদা নঙনা আশুবাবু ফাওবা চঙলক্ত্রে। লাইব্রিরিগী মমাই নৈথোক্লুনা য়েংলকই, মহাক অহুম মপুক্লিং চংনা লোন্দুনা নৈ, রা অদি মহাক্কী মচিন্দগী চিল্লাম-থরাম ওইনা শং হেক হায়দোকখিবা মাল্লি।

বেলা খংনবা পাম্নী নুপী নত্তে অমম্নং মতিক চানা লাইব্রিক হৈবীনি। কয়া কয়া তারক-উরক্লে অমম্নং চহি কুন্থ্রামঙাদগী হেল্লগ্রগদ্রা নিংই, অহুবু মতম তোনা চেকশিল্লবনা যৌবনগী নিংথিবা ওসি ফাওবা ময়েং তার্দ্রি— খঙউ হেক উবদা শকমম শুপহো, হোংদবোই নিংই। কুহু লংই, মাইথোংদা থোইদোক-হেন্দোকপা রাশি অমা চেল্লি, অহুবু থরা কুপ্না য়েংশিল্লবদি অমেং-এথোং রাংপনা থরা কম্বানবগুম্না অমা লৈবা উবা ফংই। মিয়েংদা হরাও-মোমোনগী তনিকপা, তথকপা চেল্লি— তংতনা ঈপোম নাইনা চেনবতনা মাগী থবক্লুম্নী— কদায়দনো বরিনো অম্বক্লা লেপহম্নবগী মতোগুম্না মহুদা অক্লম্নম্ন লৈত্তে লৈরোনম্নংনম্ন

করিগুম্বা মরু অমত্তা পান্দে। হরাও-উংসবত্তদদি মতু চম্ববা মাই, অরাবা মরক্তা খঙহৌদনা চংলক্লবদি য়ুমুবেন্দা ইকাইবা নংনবা ওইনা থোক্তনি।

বেলাগী তৌফম খঙদবা মওংতু কোকশ্রবদা ঙাইহাক্তী ওইনা অশাউবনা মাইথোং ঙাংলকই, শাউহনা খংনবা মহাক্তী শিক্ষা অমম্থুং হৌন-খঙবা মতৌনা থিংই, মহাক্তা মশাবু ফাথজরগা হায়রকই, "ঐঙোন্দা অপাননা ঙাংবগী কাযবা করিম্থু লৈতে। গুপ্নগী থৌশতনা মীয়া ঙাংনবনি হায়হনা নত্তে, ইমা-লাউহনা চেনবনা অরাংবা থাক্তী ওইজরবম্থু মহ ঐ ঙম্লোই, থোইদোক্লহম করিগুম্বা অভিজ্ঞতা খরা তানশিনবা ফাওবম্থু ঐ ঙম্লোই। ঐগী আত্মসম্মান অসি শেংদনা লৈসনু, অহুদগী হেন্না ঐ করিম্থু পামজদে।"

নীলিমা থবক তৌহনা লৈ, পাউথুম পীদে।

আশুবাবুগী থম্মোয়দা মু‌ংশাথীবা পো [illegible] মুক চাউ-থোরক্তা চিংনবা অসিনা লাংতক্লহনা হায়রকই, "নত্তে, নত্তে, নঙোন্দা অতয়না হায়বা নত্তে, রাহু শোয়দনা মহাক্তা ইচম চম্না হায়বনি। নীলিমাগী স্বভাব খঙই, অহুম্না ওইরোই—কৈদৌঙৈদম্থু ওইরোই হায়রিবসিনি।"

বেলানা শম্নপ্না অম্থুম্না হায়রকই, "মহ ওইরবদি ফরে। অম্থুক কুইনা লৈমিন্নরক্লবদা মসি ঐ খনবা ফাওবা ঙমজদে।"

নীলিমানা হোয়-মাই ফাওবা হায়রক্তে, ইম্মুংগী কনাম্থু লৈতবগুম্নমক মশাগী থবক্তা মপুক্লিং চংহনা লৈ। য়ুম অহু পূমচিক চিকপ্রে।

বেলাগী পুক্নিগী ইতিহাস থরা লৈ, মতাং অসিদা পলং হোবা দরকার ওই। মহাক্কী মপা উকিল ওইরম্মী, অদুবু মহুদা মিংচৎ মরুপা শেল করিগুম্বা অমত্তা তানশিনবা ওমখিদে। ধর্ম্মগী মত কবি লৈখিবগে কনানসু থওরে, সমাজগী মাইক্রৈদগীসু হিন্দু, ব্রাহ্ম, খ্রীষ্টান করিগুম্বা সমাজ অমত্তা ই য়াচংখিদে। মচানুপীবু য়াম্না নুংশিজরম্মী অমসুং অওম্বা শক্তিদগী হেক্দোক্লা খবচ তৌহুনা শিক্ষা পীননবা হোৎনখি। অরেম্বা তাদে হায়বা হায়না হায়খ্রে। বেলা হায়বা মিং অসি পামজহুনা থোনখিরম্মনি। সমাজ য়াদ্রবসু কাংলুপ অমা লৈরম্মী। বেলা ফজবীনি অমসুং লাইরিক হৈবীনি হায়হুনা কাংলুপবী মনুংদা মমিং চৎখি, মতৌ অসুম তৌহুনা ঈনাক-খুনবা বর থিবদসু কুইনা চংখিদে। মহাকসু বিলাত্তগী আইন পাশ তৌহুনা লাকপদা ঙাইরম্মী, নুমিৎ কয়ানি শকথও-মাইথওনবা অমসুং পুকচেল খওনবগী অহানবা তাক্কক চৎথখি, অদুগী মতুংদা আইন মতুং-ইন্না রেজিস্ট্রার তৌহুনা লুহোংখি। অনিগুবা তাক্কক্তা নুংশি-নুওন্দা তাউবা, হোনিমুন চৎপা, নুংশিৎ ওনবা চৎপা, অসিগুম্বা কয়ানি। মাইকৈ অনিনা মীনা ঙাংনবা কয়া কয়া তানরকখি, অদুবু মহু নৈনরুবা দরকার ওইদে। অদুবু দরকার ওইবা শরুক অদুথক অহুদি থিন্দনা ফোংদোরকখি। নুপা ময়ুমগী মাইকৈগী খুংথেংননা কংখি অমসুং নুপীময়ুমগী মাইকৈদগী থায়নবগী কেশ থাঙ্গংখি। মরুপ-মপাংশিংনা তাইশিন্নবা হোৎনখি, অদুবু লাইরিক হৈরবী বেলা নুপা-নুপী মাগবা অধিকার তানবদা মাংজিল থাবীনি, সম্মান্দা

শোকপা রাক্ষম অতু মহাক্না মনাদা হাপখিদে। মরাইবক খিরবা মপুরোইবতু লমচংকী মাইকৈদা ওইনিংবা ওইদনু, মী অমা ৎহনদি কত্তবা মা মত্তে, নুপীবু মহাক্না শক্তি অমস্তুং অওম্বমখৈ শু-শিখি। মরাল ঈকাই ঈকাইনা য়াজতুনা কোটিতা থুদোং-ই পদবদগী নাম্থোক্লবা মথুং লোয়রতুনা হায়জখি, অদুবু নুপীনা ভাবশিখিদে। ম'মথংদা য়াম্না রানা নাম্থোক্লবা উপায় ফংখি। নগদ ওইনা অতুগা চান-থক্লবগী থা থাগী ওইনা অচৌবা শেলফম পীবদা য়ানতুনা কেশ অতুদগী নাম্থোক্লনা হিংখি অমস্তুং মতৈ-মনাওগী লান্দা মাই পাক্লনা বেলা মথেং তারবা হকচাং ফগং-নবা সিমলা, মুসৌরী, নাইনিতাল অসিনচিংবা চীংগী লমদমদা নাপল তৌনা কোইখি। মতু হৌজিক্তগী চহি তকক-তরেংকী মমাংগী রানি। মতুদগী ইকুই কুইদনা মহাক্কী মপাবুং শিখি। থৌদোক অতুদা মহাক্কী অয়াবা লৈখিদে, থোইদোক্লতুম থম্মোয়দা মৈশা ফুমখি। আশুবাবুগী নোঙ্গাপ্রবী নুপীগ। মহাক্না লাপ্পরবা মরি-মতা অমা থোকই, মবি অসিদগী বেলা আশুবাবুগী নক্লবা ওইগ্রিবনি। মহাক্কী লুহোংবগী থৌদোক্তস্তু নিমন্ত্রণ ফংতুনা মহাক চংলুই অমস্তুং মহাক্কী মপুরোইবগস্তু শকথঙ-মাইখঙনলবা খুদোং ফংখি। মতৌ অস্তুরা মরি-মতাগী থৌরিনা পুন্দুনা ইশাগী মীনি হায়তুনমক বেলা আগ্রাদা লাকখিবনি, থোইদোক্লা অতোপ্পা মীগুম লাকপা নত্তে, চংজফম লৈর্ল্লে হায়তুনা যুম্মিদা চংলকপস্তু নত্তে। মসি চাংদম্নবদা নীলিমাগা মহাক্না থোইদোক্ক-হেন্দোক্লা থেরৈ!

অহুম ওইনমক ঙ্কিভম অহু অশেংনা মওং অমদা ওইরক্লে। খুম অসিদা মহাক্কী মকম কদায়দনো হায়বা হীরম অসিদা ইমুংগী কনানস্থু চিংনবা থোইদিং মথায় অমা ফাওবা লৈতে। অহুম ওইনমক মবমস্থু মকম খঙদবগুম হায়রিবা মীশকস্থু অহুম্না অপ'নবা অমা লৈতে।

মনা কুইনা তুশ্নিপা লৈনরবা মতুংদা বেলামক্না হাম্না রা চাংশকই, হায়রকই, "মযেক শেংদে হাযবদি যাই, অহুবু ঐবু মী-মচা তাহনবা নীশিমানা রা অহু হায়খিবনি, হীরম অসিদা ঐগী চিংনবা লৈত্রে।"

আশুবাবুগী মপুক্কিংদস্থু চিংনবা লৈরমদবা যাই, অহুম ওইনমক অওকপা খোঙ্গেপনা হংলকই, "মী-মচা ওইহল্লবা? মী-মচা ওইহল্লবদি কবিগীদমক্তনো বেপা?"

বেলানা হায়রকই, "এদোমদি পুয়মক খঙবিরিবনি। নিন্দা তৌবিনবা মতমহৃদস্থু মী রাংথিদে, ঙসিস্থু রাংলোই। অহুবু ইশাগী সমান, নত্তনা নুপী ওইবীশিংগী সম্মান নুমিৎ অহুদস্থু মহুবু থৌওইখিদে ঙসিস্থু থৌওইবোই। ইশাগী সম্মান মাংকন্দুনা ইপুরোইবগী যুমদা লৈবা পামখিদে হায়দুনা নুমিৎ অহুদা তোকচা শন্দোকপা নুপীশিংনা থাইদগী হেনখি, ঙসিস্থু মখোযমক্কী মখুত্তগী ঐ নাক্কোকপা থাইদগী লুই। অহুবু অরানবা তৌদে হায়দুনা নুমিৎ অহুদস্থু কীখিদবগুম ঙসিস্থু অহুম্না অকীবা লৈতে। ইশাগী বিচার বুদ্ধিদা ঐ পূমং ফানা অমকপা শক্তি।"

নীলিমা মোজা লোল্লস্নদগী মমাই লৈথোবক্লে, অদুবু তপ্না তপ্না হায়রকই, "নোংমা কমলনা হায়খি মহুদি, বিচারগী বুদ্ধিদনা সংসারগী অচৌবা পোংশক নত্তে। বিচারদা তাইশিন্দুনা অচুম-অরান পুম্নমক লেপ্পা যারোই।"

আশুবাবুনা ঙক্লুনা হায়বকই, "মহাক্না হায়খিব্রা?"

নীলিমানা হায়রকই, "অহোয়। হায়খি, মহু শুপ্নগী অপঙবগী খুংলায় ওইবদনি। তুং-মাং মাইকৈ অনিমক ককই— মহুগী করিগুম্বা অবেপ্পা ঠিকানা লৈতে।"

আশুবাবুনা হায়রকই, "মহাক্না হায়গে হায়সনু, রা অহু নহাক পল্লুনু নীলিমা।"

বেলানা হায়রকই, "অরেম্বদা অতুক ইচ, থৌবা রাদি কৈদৌউদস্নু তাখিদ্রি।"

আশুবাবুনা মিংকুপমুক তুম্মিম্না লৈবরগা তপ্না তপ্না হায়রকই, "অরেম্বদা ইচং থৌবনি হায়বা য়াই। মাগী মথৌনা হনবা লৈতে। মশাগী নিয়ম অমদা চংলি, মাগী রা পুম্নমক মতম পুম্নমক্তা খঙবস্নু ঙমদে, লৌরুবস্নু য়াদে।"

বেলানা হায়রকই, "ইশাগী নিয়মদা ঐস্নু চংলিবনি আশুবাবু। অদুবু বাবানা থিংবা ফাওবা ইনখিদে— ইপুরোইবা খায়নখি, অদুবু ঐ নোনবদি ঙমখিদে।"

আশুবাবুনা হায়রকই, "শাখীনা থম্মোয় শোকপা রাকম্নি হায়বদা চিংনমিংঙাই লৈতে, অদুবু নথোযগী বাবানা মত শীবা ঙমদ্রবস্নু ঐদি শীদবা ঙমখিদে।"

থেম না হায়রকই, "thanks, মহু ঐ নিংশিংজরি আশুবাবু।"

আশুবাবুনা হায়রকই, "মহুগী মরমদি মুপী-মুপাগী দখিন মায়থা অহুগা অধিকার মায়নবু ঐ মপুংফানা খাজে। ঐংখোয়গী হিন্দু-সমাজদা মসি অচৌবা দোষনি মহুদি, মরাল চাম্বা লৈহুনমু মপুরোইবদি বিচারগী কৌনিংঙাই লৈতে, অহুবু করিম্মু লৈতবা মরালগীম্মু মুপীবু দণ্ডি পীননবা মাগী লম্নী লিশিং লৈ। নিয়ম অসি ঐনা বরিগুম্বা মুমিত্তম্মু মতিক চাবনি হায়না থম্মোয়দা লৌশিনবা ঙমদে। অহুনা বেলাগী বাবানা ঐগী মতামত পামহুনা চিঠি ইববখিবা মতমহুদা পাউথুমদা রা অসিমক খঙহনখি মহুদি, পোং অহু লেমজবম্মু নত্তে, মু ঙাইবগীম্মু নাত্তে, মহাক্না কবিগুম্বা মাগী লমচং নাইদবা মপুরোইববু তশে, তশেনা খায়নবা পাম্নবদি মাবু লাল্লি হায়হুনা খাম্না ঙম্লোই।"

নীলিমানা চঙক্লহুনা মমাই নোনখংলগা হায়রকই, "তশেনা মত অসিমক পাউথুমদা ইংখিব্রা?"

"তশেবা বরিগী ওইদনি।"

নীলিমা নুংবংনখ্রে।

চঙক্লরিবা অসিগী মমাংদা আশুবাবু কমদোননো মঙং অমদা পেন্দবগুম্ন তৌই, হাযরকই, "মসিদা ঙক্লিঙাইদি করিম্মু লৈতে নীলিমা, থোইাক্লহুম ইরমদ্রবদি ঐগী মাইকদা চুমদবা ওইরমগনি।"

লেপকক তৌরগা হাযরবই, "নহাক্তি কমলগী অথোইবা ভক্ত অমনি, হায়যুদনা মহাক মশাদি মতাং অসিদা বরি

তৌগদগে ? পাউখুম করি পীগদগে ? অহুনমিনে পুম্মিং অহুদা মখোয় অনি শক খঙহনগ্রিবা, মতমহুদা ৱা অসি ইচং থোনা। হায়খ্রিবনি মহুদি, কমল, নহাক্কী মতৌগুম্বা থোনা লৈবগী পরিচয় পীবদা শুপ্পগী নুঙাইমচা অমত্তং উই, মহাক বেলা অসিনি।"

নীলিমা খঙহৌদনা থম্মোয় পুক্তমক্তুহনা মমিত্তগী মপী তারক্লে, হায়রকই, "লাইবক থিবী মহাক্কি ভদ্র-সমাজগী মপালদা মীয়ামগা তোং-তৌগবিদনা লৈবি, মাবু ময়াম্না চিংথাকুখিরিবা করিগীনো ?"

আশুবাবু তৌকম খঙলক্লে, হায়রকই, "নাক্ত নত্তে, নীলিমা ঙসিদি খুদম অমা পীবদনি।"

নীলিমানা হায়রকই, "মহুনি চিংথোক্লিবদি। হৌজিক্তা হায়বিখি, মাগী ৱা পুক্নমক খঙবস্তু ঙমদে লৌবস্তু য়াদে। য়াদে করিমত্তা, য়ারিবদি শুপ্পগী খুদম পীবদরা ?"

মহাক্কী ৱাদা দোষ করি লৈগ্রবগে আশুবাবুনা খনবদা থোক্লে। নুংশাথীবা খোল্লেলনা হায়রকই, "মরম অমগীবু ওইরবস্তু, ঙসি নহাক নপুক্লিং য়াম্না নুংঙাইতনা উই। অসিগুম্বা মতমদা থম্ন-নৈনবা ফত্তে।"

নীলিমা ৱা অসি মনাদা হাপ্তে, হায়বকই, "নুমিং অহুদা মখোয় থায়নবগী মত পীবিখি, অহুপা ঙসি চিংনবা লৈতনা কমলগী খুদম পীবিরি। মাগী ফিভম অহুদা কমল ওইরম্লবদি করি তৌরম্লগদগে হায়বা মহাক্তনা খঙলিগনি, অদুব্রু মাগী খুদম অহু অচুম্বনি হায়না মতুং ইন্না চংলম্লদি ঙসি মহাক

কুলি-মুংলিগী ফি তুহনা মশাগী মচিঙ্গাক তাঙরমগদবনি— মহস্ত মুংক্তিগীদি ফংলমদবা যাই। ক লেমা তৌনিংবা তৌজসমু, মী হুন্দুনা তুক্কচনা এ য়নথোক্লিব। ম ুরোইবা অহুনা পীজবা চাক চানিংদে, মহাক্কা থোনবা ফি শেংতুনা ঈকাইবা কুপ্পুনা হিংনি দে। মশাবু অহক তোম্মজক্কন্দ্রিতৈগী মমাংদা মহাক আদুঘাট তৌহনা শিজখিরম্বনা কৈ।"

আশুবাবু পাউথুম পীগন্ত্রা পীরোইদ্রা। পল্লেপকম থড়দনা নূংবংননা লৈদ্রে অমস্তুং বেলা তশেংনা বক্তুনা পাল্লবগুম চপ য়ু না লৈদ্ৰ। নীলিমা নোক-খেহুনদা মতম লেনবনি, ময়ামগী মাইথোং য়েংলগা থবক তৌরম্বা মহাক্কা ইশঙ থঙহৌদনা অস্তুক মপুকচেন কল্লকপা ঙমগনি হায়বদি মখায় অনিগী মবক্তা কনানস্তু থাজবা ঙমদ্রে।

নীলিমানা ঙাইহাক তুশ্মিম্মা লৈরগা হায়রকই, "ময়াম পুনবিহুনা য়ারী শাবদা ঐ থক য়াউরুদে, অহুবু কনাগুম্বীশিংগী য়া পন্দুনা থম্ন-নৈনবিবশিং অতুদি ঐগী নাকোং যৌরকই। অদু নংগমত্রবদি করিগুম্বা য়া অমত্তা ঐ হায়রমদবা যাই। কমলনা নোংমতস্তু শিবনাথবু নিন্দা তৌদে, মী অমগুদস্তু মাগী অয়াবা য়াকংলুদে— করিগীনো থঙবিত্রা?",

আশুবাবুনা জ্ঞান তাদবগী মতোংগুম অস্নুম্মদা হায়রকই, "করিগীনো?"

নীলিমানা হায়রকই, "করিগীনো মহ হায়ক্কবা অরেম্বনি। অদোমখোযনা থঙবা ঙম্মিরোই।" ঙাইহাক লেপ্লগা হায়রকই

"আশুবাবু, মতৌ-মনাওগী অধিকার মসি থোইদোক্লা অচৌবা ৱাফম অমনি। অদুবু মহাক্না হায়রুনবগু 'অস্মৱদি থনবিরোইদবনি মহুদি, ঐ হাকচাং লৈতবী লুপীমচানি, নুপীশিংগী দাবীবু ঐনা য়ানিংদে হায়না। য়াদবা ঐ তৌদে, ঐ থওই মখি অচুম্বনি. অদুবু ৱাফম অসি অচুম্বা পামজবা থাংবু অমদগী নুপা-নুপীশিংদা অপুম মথাং লৈনা তম্নরকপদা অচুম্বা অসি অস্মৱা থৈথরে মহুদি, ওসি মসিবু অরানবনিমক হায়মিংশে। খুং লোমহুনা হায়জরি, মমামগা লোয়ননা কমলদু চিংথোক্তুনা অমুক থন্ন-নৈনবিকরগনু।"

আশুবাবুনা পাউখুম পীগে তৌরকই, অদুবু মহাক্না ৱা ঙাংস্রিদৈগী মমাংদা নীলিমা মোজা লোনবগী মপোং-মচৈ খোমজিল্লগা পুহনা কা অহুদগী চংখ্রে।

মতম অদুদা আশুবাবুনা মপুক্লিং নুংঙাইত্তবগা লোয়ননা নুংশা মপী হোন্দোক্লগা অস্থুম্নদা হায়বকই "মহাক্না কৈদৌঙৈ করি তাখ্রবগে খঙদে, ঐগী মবিদা মসি থোইদোক্লা মরম চাদনা দোষ পীবনি।"

মপান্দা ঙাইহাক্তি নোং হাংলি, অদুবু অতিয়াদা মংলিবা নোংনা মতম চাদনা ইমুং ময়ুংহনখ্রে। মীনাইনা থাউমৈ থনল্লগা চংখ্রবদা মহাক্না লাইব্রিক অহু অমুক পায়থংতুনা য়েংলকই। ছাপা মযেক্তা মপুক্লিং চংনুবা ওইথোক্লে, অদুবু বেলাগা মায়োক্লহুনা ৱারী শানবনা থোইনা হেন্না ওইথোক্লবা ওইনা মপুক্লিংদা খল্লকই।

ঈশ্বরনা চানবিরে। ছাত্তিন অমগী মনুংদা ইনশিন্নররুনা ইকচাংবু অহাবা পীবা ব্রত তৌবা হরেন্দ্রগা অজিত্তকা নোংথাংমুক য়াংনা ইমুংদা চংলক্লে। মথোয় অনিমক তংখায় তংখায় চোংলে। হায়রকই, "ইতৈম-বেম্মদি কদায় ?"

আশুবাবু থাজ খুংনা লাম্বা কংবগুমপ্রে। ওসিগী নুমিৎতদি কনাগুম্বা লাকপা য়াই হায়বা থাজবা অসি মহাক্কী লৈখিত্রবনি, হায়াওনা হৌগংলগা তরামা ওক্লকই, "চংলকউ অজিত, কম্মু হরেন্দ্র।"

"কমজগনি। ইতৈম-বেম্মদি কদায় ?"

"ইস। নথোয় অনিমক শাথীনা চোংলেদনা।"

"অহোয়। মহাকপু কদায়দা চংথোকখিবগে ?"

"কৌহল্লুগে।" হায়রগা আশুবাবু মীনাই কৌগে তৌবমক্তদা মনুংদগী পর্দা হাইদোক্লুনা মীলিমা মশামক চংলক্লে। মহাক্না অকংবা ফি অনিগা কুবিংকা পুথোরকই।

হরেন্দ্রনা হায়রকই, "ইতৈমবু খুংলৌ য়েংবা হৈবিব্রা ?"

মীলিমানা হায়রকই, "খুংলৌ য়েংলুবগী দরকার ওইদে ইনাও-ইবুংঙো, থোঙমাওদা উথ্রবনি। ছাত্তিন শেগায়বা অমদা নথোয় মশেল লুংশিনবা মতৌ উপ্তুনা লম্বী চংপা, মচু এদনা মাত্ত, লৈবাক ছুম্নগী মীথায়া উরমগত্রা মি-ই।

আশুবাবুনা হায়রকই, "ছাত্তিন অমত্তদা নথোয় অমি তুপমিন্নরক্লিবা ? অদু ওইরবদি নবানিমক চোংপা তাথনি।" অসি হায়রগা মহাক নোক্লকই।

নীলিমানা হায়রকই, "মথোয় মাগী অধিকারগী অশেংবা হীরমদা থাজরগা য়াই, অমানবা তৌদে, অহুনা হাতিন তংখায় য়েনহুনা খোঙনা লাক্লিবনি। লৌরো ইনাও-ইবুংঙো, নখি হোংদোক্লো।" হায়হুনা মহাক্না কি-রোল হরেন্দ্রগী মখুৎতা পীরে।

আশুবাবু তুম্মিনা লৈ। হরেন্দ্রনা হায়রকই, "শেংনবা কিদি অনি পীবিরে, অদুবু ফুরিংতি অমত্তনি।"

"ফুরিংতু য়াম্না চাউবনি ইনাও-ইবুংঙো, অমত্তনা য়াগনি।" হায়রগা শকক্ম হঙ্জিন্না মনাক্তী চৌকিদা ফমথক্রে।

হরেন্দ্রনা হায়রকই, "ফুরিংসিদি আশুবাবুগীনি, মরম অসিনা মী অনিদা নত্তে, অতৈ মী মরি অমগস্লু চনগনি, অদুবু কাংখলগুম থোক্লগনি, লিংপাদি য়াররোই।"

বেলা মতম অহু কাওবা মাইথোং মকশিন্না তুম্মিন্না ফম্লি, নোক্লিংবা থাংবা ঙমত্রহুনা হৌগংক্রে অমস্যু নীলিমাস্যু থোঙনাও মপালদা য়েংথোক্লুনা তুম্মিন্না লৈক্রে।

আশুবাবুনা শকক্ম হঙ্জিন্নরহুনা হায়রকই "নাহুনা লৈরকপনা য়াং কংত্রিক কংনবনিনে হরেন, অদুগী মথক্তা খোঙশেকপনিদনা। উরেদনা নুপীশিংনা মথরায় নুংঙাইনদ্রিবা মওং অসে। অমদি থাংঙমদহুনা হৌগংতুনা চংথোকক্রে, অদুগা অমনা শাউহুনা মমাই লৈথোকক্রে।"

হরেন্দ্রনা হায়রকই, "খোঙশোয়দে আশুবাবু, চাউ-শাংবগী মতিক-মগুণ শোক্তরিবনি। খোঙতেক-খোঙশোয়গী মওং চাদবা

কিতমদি ওপ্পগী ঐখোয়গুম্বা মীওইবদদা খুদোংথীবা নংনরিবনি, অদোমখোয়দগি শোকউবা কাওবা ওম্বা নত্তে। মতৌ অমুম্মা মতম চুপ্পদা লেংম্লবা হিমালয়গী মতৌগুম হকচাং অহ্ নরেং তাদবা ওইসমু, মুপীশিং চিংনদবা ওইসমু, অহুগা নোং-মুংশিংকী তাং-পাংতা অতোনবা মীগী লাইবক্তা মুংতিগী অহাও-অথুমগী চাং ওসিন্সু মহুদা হন্নবা মরিক অমত্তা থোক্কবগুম্মী।”

নীলিমানা মমাই নোমখংতুনা নোক্লকই, হায়রকই, “অচৌব-শংগী মতিক-ময়াই শিংথাবদি মহৌশাদগী চংনরক্লিবনি ইনাও-ইবুংঙো, মহুমক লেংদ্রবা ঈচেলনি অহুগা মহুদা নহাক্তি থুং শিংই, অহুবু ওসিদি নিয়ম খরমথৈ হোংবা তারে। ওসিদি অতোনব মীবু হরাওহন্দ্রবদি অচৌ-অশাংগী লাইবক্তা অহাও-অথুমগী অহ্ন অশেংনা শূন্য ওইরগনি।”

বেলা মাঙ্গোন্দগী হন্জিল্লকুনা ফল্লরে।

হরেন্দ্রনা হংলকই, “করিগীনো ইতৈম-বেম্বা?”

য়ৌনা মুংশিবিবনা নীলিমাগী মমিংতা ঈরা চেল্লক্লে, হায়রকই, “অমুক মুংশিবা রা মতম কুইরে তারক্লবা ইনাও-ইবুংঙো, অহুনা তানিংবা খরমথৈ পোকই।”

“অহুদি হৌজরো হায়বিরিব্রা?”

“ফরে হৌজিক্তি তোক্লসি। নখোয় অসোমগী কাদা নফি হোংদোকলুরো, ঐ ফুরিং থিহল্লকে।”

“অহুবু কি হোংলুরগদি? অহুগী মতুংদদি?”

নীলিমানা নোক্লুনা হায়রকই, “অহুগী মতুংদা হোংনহুনা বেংউ'গ অতোনবা মীগী লাইবক্তা করিগুম্বা খরা ফদায়দবু ওইরবসু ফংবা ওম্ত্রা?”

হরেন্দ্রনা হায়রকই, "বানা হোৎনবিরুরম্মু ইতৈম-বেম্মা, অমুক্তংদি মিং পাংহনা য়েংবিগদবনি। ইতৈমগী লক্ষ্মী চেনবা মিংয়েংনা য়েংখিবা মফম অদুদদি চানলবনা পৈরকনি। চংলসি অজিত, অমুক য়ারুনিংঙাই লৈত্রে, এখোয় অচোংপা ফি হোংদোকন্নবসি।" হায়রগা অজিতকী মখুৎ পায়দুনা চিংনা চিংনা থংনবা কাদা চংখ্রে।

কুনহুমদোই

অজিতনা হায়রকই, "নোং হাংবগী বরিপুস্যা মওং অমত্তা লৈতে।"

হরেন্দ্রনা হায়রকই, "লৈতে। মতৌ অদুনা অমুক ইবানি ছোতিন শেগাযবা অদুদা কোক থিংজিন্নদুনা মান্নবা অবিকারগী মরিদা অচুম্বা প্রমাণ পীনা পীনা অমম্বদা লক্ষ্মী চংপা অদুগা মংমথংদা আশ্রমদা থুংলুবা তাবনি। মদুগী মতুংগীদি তশেংনা থল্লনিংঙাই লৈত্রে, মফম অসিদা অস্তুম লোইশিল্লে। মরম অসিনা অমুক্কা অচোংপা ফি হোংদোক্লগা হেক তুম্মুরগা লোইবে।"

আশুবাবুনা মপুক্কিং লাংতক্লনা হায়রকই, "অদু ওইরবদি নখোয় অনি অদুম পুক থল্লা চাখিদ্রিবা কবিগীনো?"

হরেন্দ্রনা হায়রকই, "থল্লবস্মু য়ায়ে, মদুনা কৈদৌঙ্গ হায়রগে, অদুগীদমক অমুক য়াবিরুরম্মু আশুবাবু।"

নীলিমানা অহানবদা থিক থিক নোক্লকই, অদুগী মতুংদা ররৌবগী খোঞ্জেলনা হায়রকই, "ইনাও-ইবুংঙো, করিগীনো অরম্বদা অনাবা মীগী নুংঙাইতবা হেঙ্গৎহল্লিবা ?" আশুবাবুনা হায়রবই, "মহাক্তি সন্যাসীগী মীওইনি, বৈরাগ্য চৎপদা পাকা ওইরবনি, মবম অসিনা চাবগী মাইকৈদদি মাগী অশোয়বা কনানসু উবা ফংদোই। খন্নিংঙাই ওইরিবদি অজিতকীদমক্তনি। অসি ঙম্বা অকবা সঙ্গ তোঞনগ মহাক্তি হায়ু হায়ু চপ চানা ওনবা ৫মত্রি, মদু মাগী ঙসিগী চাব-থবপা উবদা খঙবা ঙম্মী।"

হান্দনা হায়বকই, "মপুক্লিংদা পাপ লৈরম্বা যাই নিংই, অদুনা যাবক্কনি নোংমদি।"

অজিতনা ঈকাইনা মমাঙ ঙাংনা হায়রকই, "নহাক্কী লাইবক্তা লৈ-চন্দন নন্নবা ওইসনু ইনাও-ইবুংঙো, মদু ওইবা ওইসনু। মাগী থাম্মোয়দা পাপ লৈগে লৈসনু, মহাকপু যাগে যাজসনু নোংমা— ঐনা কালীঘাটতা চৎলগা চাউনা পূজা কৎলুনি।"

"অদু ওইববদি শিন-লা বিবো।"

অজিতনা থোইদোন্না বাবোবক্তুনা হায়বকই, "রারেম ঙা বিবিবসিবু করিগীনো হরেন্দ্রবাবু, মমা যজদত্রা নিংই।"

হরেন্দ্র বা অমুক ঙাংদ্রে। অজিতকী মাইথোংতুদা নীলিমানা খঙনিংবগা লোয়নন্না মুখ য়েংলকই, অদুবু মহাকসু তুম্মিন্না লৈ।

অজিতকী ৱা খুণ্‌চাম্নরবা মতুং ঙাইহাক লৈরগা হরেন্দ্রনা নীলিমাদা অতম্না হায়রকই, "ঐখোয়গী আশ্রমগী মথক্তা কমলনা ৱায়া শাগ্ৰই। নিংশিংবিরিনিবে ইতৈম-বেম্বা ?"

নীলিমানা মঙক নোমছুনা হায়রমই, "নিংশিংলি। হৌজিকসু মহাকী ভাব অদু অদুম হোংদ্রিত্রা ?"

হরেন্দ্রনা হায়রকই, "তশেংনা মহু অদুম লৈবদি নত্রে, অমুক্তা খরম'খ হেনগংগ্রে, মসিনি খেন্নবা।" অদুগী মতুংদা হায়রকই, "ঐখোয়গী ইথক্তদা নত্তে, ধর্ম্মগী থৌশিল পুম্নমক্তা মহাক্তা থোইদোক্তা পাম্বা হেনগংলক্লি ! ব্রহ্মচর্য্যবু হায়রো, বৈরাগ্যবু হায়রো, অদুগা ঈশ্বরগী মরিদা নৈনবসু ওইসনু, মরম চাদবা ভক্তি অদুগা পেনবিবগী অকনবা ঈথক্তা মৈ হৌরকই। মথৱায় খুংঙাইবা মতমদদি অপঙবা অঙাং-অচৌবশিংনা শাম্ন-থঙুম্না কাগী ওইনা লৌবা ফাওবা ঙমদবা লৈতে। অপঙবনি !"

মেলা তুশিন্না তাম্বক্লি, হায়রকই, "ঈশ্বরবু মাগী মফমদগী অঙাংগী শাম্নপোৎকুম ধনবা ? অদুগা মহাক অদুমকম্বা ঐগা চাংনম্নবিগ্রিবহু আশুবাবু ?" অসি হায়রগা মহাক্তা মরামগী ম্নাইথোংদা মথং মথং ৱেংলকই, অদুবু কনাগী মফমদগীনসু করিগুম্বা মপুক্লিং থৌগৎপা অমত্তা ফংদ্রে। মহাকী অয়াকপা থোক্লেল মখোয়গী নাকোংদা চংখিত্রা চংখিত্রত্রা অশেংবা শঙবা ঙমদ্রে।

হরেন্দ্রনা হায়রকই, "অদুম ওইনমক মশাবু অসুম্না লোপ্পুপ-লৈতনা পুক্লিং ফাজিনবা, মনিল মাইকপা খম্নোয় খুদুম চনবা অদুগা চিংনবা লৈতবা ঙাকপিহৈবা 'অমা লৈরিবহু উবদা

ঙক্লিংঙাইনি। শিবনাথকী রাকমহ নিংশিংবিরিত্রা আশুবাবু? মহাক অদোমখোয়গা করিস্থ থোক্লবা নত্তে, অদুম ২ইনমরস্থ অদুক শাস্ত্রীবা অকায়বদি খা২বা ঙম্বিদে, দক্তি পীনিংবগী রাখলনা থম্মোয়দা মৈ হৌগ্রবনি। অদুবু কমলনা কায়দে হায়খি। মসমিং অদুগী মাগী মাইথো, অদু ঐ ময়েক শেংনা নিংশিংলি। কায়দে হাযবা অদুদা য়েংথিবা পক্তে, মৈচাক য়াউদে খুং তিংথোক্লুনা দান তৌবগী মশাগী মগুণ উংপগী ভাব চেন্দে, তৌবা ঙম্বগী নাপল লৈত— থোইদোক হেন্দাক্লা মীমুংশিনা থনবগুম চম্মী। শিবনাথনা যদা অকায়বস্থ তৌসল্লু, ঐগী রাদা কমলনা শুপ্পগী ঙক্লুনা অস্থুয়দা হাযখি, ছি ছি— নত্তে নত্তে, মহু যাদ। হায়বদি নোংমা নুংশিখিবা মহাক অদুদা নুংশি হৈতবগী তোঙ্গবা বাখল কমলনা খনবা শুপগুম ঙমদে। অদুগা মীয়ামগী মিংয়েং মরুমদা মাগী মরাল পুম্নমক মনা-মনিল নাইদনা অখাকপা লৈতনা মুথংচখি। হোংনক্লবা নত্তে, লাংতক্লবা নত্তে, মৈচাক্লা কপ-লাউবা নত্তে— চীংদগী ঈশিংগী ঈচেল অপনবা লৈতনা মখাদা চেস্থবগুম্মী।

আশুবাবুনা নুংশা মপী হোন্দোক্লগা হায়বকই, "অচুম্বা রানি।"

হরেন্দ্রনা হায়রকই, "অদুবু ঐনা খাইদগী শাউনিংবদি মহাক্লা শুপ্পগী ইশাগী আইডিয়লদুদা নত্তনা ঐখোয়গী ধর্ম্ম, ট্রেডিশন, চংনব-পথাপ, চংনরোল পুম্নমকপু করিমত্তা থোশাদনা মাংহল্লি। মাগী হকচাংদা থোইদোক্লা মীরৈবাকী ঈ চেল্লমগনি,

মপুক্কিংদা অহুম্মা অতোপ্পগী ধর্মবু য়েংথিবগী ভাব চেল্লমগনি, অহুম ওইনমক মাগী মমাংদা লেপ্পুনা পাউথুম পীবদি ওমদে। মাগী ৱাঙাংনা লেংদবা অয়েকপগী মঙাল অমা য়াউবগুম্মী মহুদি, মহাক পুন্সিগী অর্থ থিবা ফংলবগুম থল্লি। শিক্ষাগী মতেংনা নত্তে, ভাবনা শাহুনা নত্তে, মমিংমক্তা অর্থহুবু তক্ক তক্ক উবগুম্মী।"

আশুবাবুনা হরাওরহুনা হায়রকই, "তশেংনা পোং অহু অহুম্মমক ঐস্ম কয়ারক খনখি। অহুগা মহাক চিনগা থবক্তা মায়রিবনি। মানা করিগুম্বা লায়া খঙলম্বা থোক্রবস্ম অহুম ওইনমক মহুদা অয়ানবহুগী চাউথোকচনিংঙাইদি লৈ।" লেপকক তৌরগা হায়রকই, "য়েংঙোই হরেন্দ্র, মসি মওং অমদা ফরবনি মহুদি, লমচং নাইদবহু চংখ্রিবসি। মাগা মতম খুদিংমক্তা চয়েংনহুনা লৈরবগী অচুম্বা বিচারগী মগুণ লৈরোই। লমছুইগী মওক্তা মুক্তা পরেং থাংবগুম দোষ ওইগনি।"

হরেন্দ্রনা হায়রকই, "অহুগা অমরোমদনা অস্মুম্মা মায়া-মমতা চেল্লি মহুদি, ইতৈম-বেম্মা মতোমদা নত্তনা কনাগুম্বী নুপী অমত্তা মাগা মায়না উত্ত্রি। সেবাদা লক্ষ্মীগুম্মী' নুপাশিংদগী হেন্না মাইকৈ কয়াদা থাক য়াম্না ৱাংই হাযহুনা মশাবু মথোযগী মফমদা অহুক চয়া থম্বহু অঙকপা থৌও, অমনি। থম্মোয় পেথরক্কুনা মখোঙদা তুজনিংলকই।"

নীলিমানা নোক্কুনা হায়রদই, "ইনাও-ইবুংঙো, নহাক হৌথিবা মপোক্তা কনাগুম্বা নিংথৌ-মহারাণীগী য়াকাইরোল শকপা

ওইরম্বা য়াই, মপোক অসিদা ফাওবা মতুগী হৈনবীতু কোক্লিমাল্লে। অঙাং লাইব্রিক তম্বিবা তোকথোক্লুনা কান্নবাব অসি পাম্নবদি থোইদোক্লা কান্নবা ফংবা য়াই।"

হরেন্দ্রসু নোক্লকই, হায়রকই, "করি তৌগনি ইতৈম-বেম্মা, ঐদি চমজবা তোম্নরিংবা মীনি, পুক্লিংদা লৈবা রা হেক্তা হায়দোকই। অহুবু হংবিযু য়েংসি অজিতবাবুদা, হৌজিকমক মথুং থেক্লুনা মহাক্লা য়ৈগদবগী তৌরক্কনি। মতু ওইজসল্লু, অহুবু হিংহনা লৈরবদি উবা ফংবিবক্কনি নোংমদি।"

অজিতনা শাউরংননা হায়রকই, "আঃ, করিনো তৌরিবহু হরেন্দ্রবাবু? অদোমগী আশ্রমদগী খঙজরে চংখিবা তাই নোংমদি।"

হরেন্দ্রনা হায়রকই, "নোংমা মতু ঐ খঙই। অহুবু মরক অসিদা থুমিং খরনিদি খরা খাংহনা লৈবিখো।"

"অহু ওইরবদি অদোমগী অপাম্বহু হায়বিয়ু। ঐ চংচখিগে।"

নীলিমানা হায়রকই, "ইনাও-ইবুংঙো, নহাক্কী ব্রহ্মচর্য্য আশ্রমহু মুথংগ্রোদনা ভাই। নহাকসু হিংহৌরগনি, অঙাংশিংস্তু হিংজরগনি।"

হরেন্দ্রনা হাযরকই, "অঙাংশিং হিংখিবা য়াই ইতৈম-বেম্মা, অহুবু ঐ হিংবগী আশা লৈতে। থোইদোক্লহম অক্ষয়না হিংলিবমখৈদি য়াররোই। মহাক্লা ঐবু যমগী মনাক্তা থাম্নবদদা থাদোক্কনি।"

আশুবাবুনা হায়রকই, "অক্ষয়বু খঙলে নখোয়না অহু ওইববদি কী।"

"অহোয়, কীজে। ছু থকপদি লায়, অদুবু মাগী চক্রিদি খাংবা ওন্বা ভাং নত্তে। ইনফ্লুয়েঞ্জাদা মী অদ্রক য়াম্না শিনগ্রে, অদুবু মহাক্তদি শিদে। চেনগ্রে সতা।"

ময়াম পুম্নমক নোক্লকই। নীলিমানা হায়রকই, "অক্ষয়বাবুগা রা ভাংনদে হায়বা য়াই, অদুবু হন্দক্তি নহাকীদমক্তা চোংথোক্তুনা মঙোন্দা ভাকপিযু হায়জরগে। মনুংদদি পুমচাক চাবথেক্তুনা মৈতাল ওনগ্রগনি।"

হরেন্দ্রনা হায়রকই, "ঐখোয়গী অশোনবা ফাগ্রেদনা, ইতৈ-বেম্মখোয়দি চাকপ-লাকপা পুম্নমক লাম্থোকপিগ্রবনি। বিধাতানা মৈ শুপ্নগী ঐখোয়গীদমক্তা শেম্নখিবনি, ইতৈমখোযদি মদুগী এলাকাগী য়াংমদনি।"

ঈকাইবনা মমাই ভাংনা নীলিমানা হায়রকই, "মদু নত্রবদি করি ওইগনি!"

বেলানা হায়রকই, "তশেংবমক্তি মদুনি।"

ভাইহাক তুম্মিন্না লেল্লে। অজিতনা রা ভাংলকই, হায়রকই, "নোংমা হীরম অসিমক্কী মরিদা অঙ্কপা রানী অমা পাখি।"

আশুবাবুদা য়েংদুনা হংলকই, "পাবিত্রিরা?"

"কদায়, নিংশিংদেনা!"

"বিলাতগী লাকপা অদোমগী থাগী চেকোংশিং অদুগী মরক্তা অমদা য়াউখিবনি। ফরাসী রারীদগী হন্দোকপনি, কুপীনা ইবনি। ডাক্তর ওইরম্বা য়াই। মশাগী পরিচয় পীবদা অসিখক্তংদি

গনখি মতুদি, মহাক যৌবন লাম্বোক্তুনা মীয়াই চনবদা থোক্ত থাংজিল্লক্নে। অসিদগীসিনি, মায়োক্লরিবা সেলকতা লৈরে।" অসি হায়রগা মহাক লাইব্রিক অদু লৌথোকলুরগা কয়রে।

আশুবাবুনা হায়রকই, "করীগী মমিং করিনো?"

অজিতনা হায়রকই, "নোংমা ঐনা নুপী ওইরম্বা নুমিৎ অদু।"

বেলানা হায়রকই, "অদুগী অর্থদি? অইবী অদু যৌজিক নুপাশিংগী কাংবুদা চংগ্রব্রা?"

অজিতনা হায়রকই, "অইবীনা মশাগী বারনী পিবা ওইরম্বা য়াই, অদুগা মশানা ডাক্তর ওইবা মরম্না নুপীগী অসুম অসুম ওন্নকপা ফিভমদু য়েক্লম্বা ওইরম্বসু য়াই, মদু মতাং মতাংদা পামজবা চৈথেংনী। মতুদি—"

নীলিমানা খুদক্তা মবক থংতুনা হায়বকই, "মতুদিনা কাম্নদে অজিতবাবু. মদু তোক্রসি।"

অজিতনা হায়রকই, "তোক্রসি। অদুবু থম্মোয়-নুংগী হায়বদি নুপীগী থম্মোয়গী শক্তম অদু তশেংনা মধুর ওইদ্রবসু ওক্লিংঙাইনি।"

আশুবাবুনা খঙনিংবনা লাংতক্লদুনা হায়রকই, "অদুনিদনা অজিত, অদু-অদা তোক্লগা পায়কউ তাসি। নোংসু হাংদ্রি, অহিংসু অদুক থেংবা নত্রি।"

অজিতনা হায়রকই, "অদু-অদা তোকথোক্লগা পাবা য়াই। করীদু শাংই, পাম্বিরবদি লোইনা পাবিবা য়াবনি।"

বেলানা হায়রকই, "পাউদনা তাসি। মরু ওইনা মতম লেপ্পগনি।"

নীলিমা হৌগতুংনা চংনিংলকই, অদুবু চংনবগী করিগুম্বা মরম অমত্তা লৈতবনা চিংনবগা লোয়নননা ফমদুনা লৈ।

থাউমৈ ময়াদা ফমদুনা অজিতনা লাইরিক ফংক্লোক্লগা হায়রকই, "হৌগংলকপদা রাক্লোদোক খরা থাউরি, মহ শন্নবা পলাংহোবা দরকার ওই। মপুক্সিগী রারী লিরিবা মহাক লাইরিক হৈবীনি, মশক কজবীনি, অহুগা অচৌবা ইমুংগী নিঙোলনি। লমচংতা অমকপা পকপ্রা পক্তব্রা ময়েক শেংবা পন্দে, অদুবু চিংনবা লৈতনা থঙবদি ডম্মী দাগ করিগুম্বা নুমিত্তা করিগুম্বা শৌনম-লাংদা থুদুনা লৈখিবা থোক্লবসু মহ ঝৌবনগী অযুক্তনি—মত্ত য়াম্না কুইরবগী মমাংদনি।"

"মতমহুদা মাবু নুংশিবিরম্মী অযাম্বনা— নুপা অমদি নুংশিবগী কিশি মতোমদা শিজহুনা থোকচখি অমসুং অতোপ্পা নুপা অমনা সমুদ্র রাংমা লান্দুনা ক্যানাডাদা চংখি। অবাপ্পদগী চানবিনবা ভিক্ষা নিহুনা মহাক্না চিঠি অংক য়াম্না ইরকই মহুদি, পৈশিন্দুনা থন্নবদি জাহাজ অমগী মপোং ফারমগনি। পাউখুমগী আশা তৌদে, পাউখুম ফংসু ফংদে। অহুগী মতুংদা চহি তবামঙা লৈরগা উন্নে। উন্নবদা থঙহৌদনা মহাক চঙক্নবগুম তৌই। মরক অসিদা চহি তরামঙা হোৎপ্রে— চহি কুনমঙাগী মপুং-মরৈ ফারবী নুপীবু উরগা মীরৈবাক্তা চংখিবনি, নুপী অহু ঙসি চহি নিফু শুরম্লগনি হায়বা রাখল অসি মানা থল্লুদে।

য়াইফ-পাউ য়াম্না হংনৈ, ৱাকংপা ৱারোৱবশু হন্থবা নত্তে, অহুবু ঙমিং অহুদা উম্নবদা মিংলুদগী মৈরিক কাপথোরকখি, লাকাক ঘাঙমন্নবা অপাম-নুংশিগী অকনবা নোংলৈ-নুংশিংনা ইন্দ্রিগী থোঙ পুম্নমক নমথেক্লুনা মপালদা থোরকপা পামখি, ঙসি মহুগী করিগুম্বা খুদম অমত্তা উ'দ। মসি কবিগুম্বা নুমিত্তা মঙদা উবগুম্মী। নুগীশিংদা অতৈ পুম্নমক্তি লৌনস্বা য়াই, মসিদি য়াদে। মতাং অসিদগী ৱারী হৌরকই।" অসি হায়রগা লাইরিক্তা লুকথুক্লে।

আশুবাবুনা খামহুনা হায়বকই, "নত্তে নত্তে, ইংরেজি নত্তে, অজিত ইংরেজিদা নত্তে। নহাক্না বাংলাদা ৱারী লিবদা অচম্বা ভাব অহু য়াম্না ফজনা থোকই, নহাক্না অহুম্না বাংলিবহু লিথৌ।"

"ঐনা কমদৌনা ঙমগদগে?"

"ঙমগনি, ঙমগনি। লিখিবা অহুম্না অহুম লিথৌ।"

অজিতনা হায়রকই, "হবেন্দ্রবাবুগী মতৌগুম ঐদি লোনগী জ্ঞান লৈতে, ৱাঙাং শোয়হুনা করিংগুম্বা পুম্নমক অথিবা ওইথ্রবদি মহু ঐগী পাংদবননি।" অসি হায়রগা মহাক্না লাইরিক্তা অমুক যেংহুনা অমুক য়েংদনা লিরকই ।"

নুপীহু মযুমদা হল্লক্লে। মথক্তা পনথ্রিবা নুপা অহুবু করিগুম্বা নুমিংত নু শিখি নত্রগা পামখি মহু নত্তে, থোইদোক্লুহুম মপুক্লিং চপ য়ুংনা মতম পুম্নমক্তা অসিমক নিজরকই মহৃদি, ঈশ্বরনা নুপা অহুগী মীহোৎবত নোংমা কোকহনবিনবা, অরেম্বা নুংশি-ভিক্কাগী মৈচাক্তগী নাম্থোবহনবিনবা। ওইথোক্লোইদবা পোংত্তা

কা-হেন্না পামশিনবগী অশাদা মহাকপু অমুক মৈশা লাংহন-থিনু। উরে, অম্মুক বুইরবগী ভুংদা মানা হায়জবা অহু ঈশ্বরনা ভাবিয়ে। কন্নিগুম্না রা অমত্তা ৩াংদে, অহু ওইরবস্থ চিংনবা লৈতনা খঙলে, মহাক কানাডাদা হুনখিসনু ন-গা হন্দসনু, পীরাং পীক্কম তৈনা নুংশি-ভিক্ষা নিহনা তত্তনা অমুক মহাক মশাস্থ অরাবা ক-লরোই, মাবুস্থ অরাবা পীরক্লরোই। থোকওমদ্রবা কিশি মপুং ফানা থোকপ্রে। মতম পুম্নমক্তা 'ওম্মোই' হায়রনা রারক্লিবনি, ওসিস্থ মন্থদগী মাগী ফিরেপ হোংদ্রি, অহুবু অরোইবা 'ওম্মোই' হায়বা র হৈত্থু ওসিদি ওম-তৈনবা ম ইকৈদগী লাকই। অনিগী মরক্তা অম্মুক শাথীনা খেনবা লৈ হায়বা নুপীহনা মমওদা ফাওবা খল্লুদে। মীওইবগী খোরাংলবা মিংয়েংনা মতম চুপ্লদা মাবু লৈতাহল্লক্কে, ঈকাইবনা থাংওমহন্দে, ওসি তশেংন মাইকে অদোমদগী করিগুম্বা মুক্তি ফংলবদি হকচাং-ধর্ম্ম-লিপুম্না অমাং-অতা লৈত্রবগুম যৌবম্না মুপাগী চাক্লবা অপাম-মীহৌদা, ককওাওনবা মুংশি-নুংওন্দা ওসি পল্থি, ওইররবদি— রারোনি ওাহ করি লৈ? অহুম ওইনমক হল্লকপা। লম্নীদা তাইবংপান 'পুম্নসি ওসি মাগী মমিওা মশক খওদবা মুত্তিগুম উরক্লে। নুংশিবা নত্তে, আত্মাগী অচেৎপা মিলনগী লাংতক্লবা নত্তে— পুম্নমক অসি অতোপ্পা রানি। অচৌবা রাযম্নি। অহুবু অচৌবা নত্তবা— শাজিনবা, য়াইরুদবা, মশক থিবা, থোইদোক্লা ওাইহাক্রুগী ওইবা— তুকচ্চনিংওাই ওইবা অহুগীদমক্তস্থ নুপী ওইবগী খম্মোয় ল্লাইয়ুমদা অদুক পাক্লা ফিদা থাম্নিবা অহুদা লুপানা ময়াই

লৈথোকখিবদা "অন্নুম্মা নুংশি হৈতবা ঈকাইবা মংবনা মৈশা লাংহল্লবা য়াই হায়বা ওসিগী মমাংদা মহাক্না মহু খঙগ্রব্রা ?"

হরেন্দ্রনা হায়রকই, অজিততি মরিক চুম্না লিবা হে। য়ারীদু য়াম্না মপুক্লিং চংনা পাখিবনি।"

নুপীশিংদি তুম্মিন্না য়েংহনা লৈ, মপুক্লিংগী করিগুম্বা বা অমত্তা ফোংদোক্তে।

আশুবাবুনা হায়রকই, "হোয় ! অহুগী মথাদি অজিত ?"

অজিতনা পিখরকই, "নুপী অহুনা খুদক্তা নিংশিংলক্লে মহুদি, শুপ্নগী নুপা অহুতা নত্তে, নুপা কয়া কয়ানা মতম কুইনা মাবু নুংশিখিরকই, নোঞ্জরকই, নুমিংতুদা মাগী মোমোন নোকপা চিনবান্দগী য়াহে অমথক্তং তাজনিংবনা মথোয় খাংঙমখিদে। নুমিং খুদিংগী খোঙথাং খুদিংগী করিগুম্বা মওং অমদা মাগা উন্নরে, মহুগী মপীং থিবা ঙম্বা নত্তে। মথোয়হু ওসি কদায়দা চংগ্রবগে ? কদায়দম্মু চংখিদে, কৌজিকস্মু মবক মরক্তা মথোযবু উই। অহুদি মাগী মশাগী খোঞ্জেলগী স্মুর কাযরব্রা ? মাগী মীনোক অহুগী শক্লোন হোংগ্রব্রা ? মসিনি নুমিং অহু, চাহি তরামবি-তরামঙা, কয়াবু কুইবা মতম্মো মসিমক্কী মন্নুংদা মাগী পূম্নমক মাংজগ্রব্রা ?"

আশুবাবুনা খঙহৌদনা হায়রকই, "মাংজখিদে করিস্মু অজিত, শুপ্নগী মাগী যৌবনদি মাংখিরম্বা য়াই— মমা ওইননবগী শক্তি অহুদং মাংখিরম্বা য়াই।"

অজিতনা মঙোন্দা য়েংদুনা হায়রকই, "তুংশংবা ৱানি। ৱারীদু পাখিগ্রব্রা ?"

"পাদে।"

"অদু নত্রবদি তশেংনা ৱা অসিমক কমদৌনা খঙবিরিবনো ?"

আশুবাবুনা পাউখুম পীবদা নোকফেং তৌরকই, হায়রকই, "নহাক মহুগী মখা তম্মো।"

অজিতনা হায়রকই, "মহাক্না য়ুমদা হল্লগা তুমফম কাগী অচৌবা নুংশেল মমাংদা মৈ থান্দুনা লেপ্লম্মী। মপান্দা চখোকপগী ফিজোল হোংদোক্লুনা অহি, লেম্নবগী ফি হোংশগা মশাগী মমি য়েংবদা ঙসি মসিনা অহানবা ওইনা মাগী মিংথেং পুমহো হোংগ্রে। মতৌ অম্মুম তৌদুনা চৈথেং ফংলমদ্রবদি হৌজিক কাওবা উবা ফংলমদবা য়াই মহুদি, নুপীগী খ্বাইদগী অথোইবা লন— অদোম্না তাকপিখিবা মাগী মমা ওইননবগী শক্তি অদু ঙসি মঙাল শাগ্রে, মমি মুশি মুশিরে, মহু ঙসি শোয়কদ্রবা অশিবগী লম্বীদা খোঙ থাংজিল্লক্লে, পুন্সি অসিদা মহুবু অমুক হন্না ফংবা য়াররোই। মাগী পঙথরক্রবা হকচাংদা শিন-থুংনা ঈশিংগী ঈচেলগুম লৈরম্বা লন অদু নুমিৎ খুদিংগী অরেম্বদা হন্থহনখিদুনা মাংহল্লগ্রে, অদুবু অম্মুক চাউবা লনবু অম্মুম্না মপুন্সি তেল্লি হায়বা পাউ অসি মঙোন্দা থুংলরে ঙসি অরোইবা পুংফমদা।"

আশুবাবুনা নুংশামপী হোন্দোক্লগা হায়রকই, "অম্মুম্না ওইনরিবনি অজিত, অম্মুম্না ওইনরিবনি। পুন্সিদা তাংলবা

পোৎশক কয়াগী মশাক মাংজগ্রবা মতমদদা থন্ডলকই। মহুগী মথাদি ?"

অজিতনা হায়রকই, "মহুগী মথাদি হুংশেল অহুগী মমাংদ লেপ্লুনা যৌবনগী ওমথৈগী হকচাংহুগী কুপ্প-কুপ্পবশিং অহু মৈনরকই। নোংমা করি লৈরম্বী অহুগা ওসিনা করি ওইরক্লবগে। অহুবু মহুগী- মতাং তম্বস্থু ঐ ওমজরোই, পাবস্থু ওমজরোই।"

নীলিমানা হারওুম লাংতক্লরক্লুনা খায়রকই, "নত্তে নত্তে, অজিতবাবু, মহু লৈরসনু। মতাং অহু কাল্লগা লিবিয়ু।"

অজিতনা হায়রকই, "নুপী অহুনা নৈনবা অহুগী লোইশিল-লকপদা হায়রি, নুপীগী হকচাংগী ফজবগুম্বা নিংথিবা পোৎশক অমা লৈতবগুম মসিনা ফিভম কায়রকপগী মতোওুম্বা অথিবা পোৎশকস্থু পৃথিবীদা অতোপ্পা অনিশুবা অমা লৈরমদবা য়াই।"

আশুবাবুনা হায়রই, "অহুবু মহু হেনগৎনা হায়বনি অজিত।"

নীলিমানা মঙক হাইহুনা য়ানিংদবা উংলকই, "নত্তে, অজিতস্থু হেনগৎনা হায়বা নত্তে। মসি অচুম্বনি।"

আশুবাবুনা হায়রকই, "অহুবু নুপীহুগী চহি মতাং অহুদা মাবুদি ফিভম কায়রে হায়বা য়াদে নীলিমা।"

নীলিমানা হায়রকই, "য়াই। মবমদি, মহুদি ওপ্পগী চহি মশীং থিহুনা নুপীশিংগী হিংহুনা নৈনবগী হিসাব লৈতে, মসিগী মপুন্সি থোইদোক্লা তেল্লি রাকম অসি অতোপ্পনা কাউগে কাউজসনু, নুপীশিংনদি কাউথোকপা চুমদে।"

অজিতনা মঙক নোমহুনা হরাওনা হায়রকই, "তশেংনা পাউথুম অসিমক মহাক মশানা পীরম্বী। হায়রম্বী— ওসিদগী

অরোইবা পুংজা ঙাইহনা লৈবনা লেমহৌরিবা পুক্নিংগী অমত্তা ঙাইরবা অমুঙ্কি। মসিদা থেমজিনবা য়াউদে, সুঙাইবা য়াউদে, আশা য়াউদ্রে থক্তই, অহুম ওইনমক নোক্লবগী হুকাইবা নংগদবদগীদি নাম্লেকনি। লনগৈগী কায়-তোয়রবা মুঙ্কিনা ঙসিসু কনাগুম্বা অৱাই-বক থিবগী মপুক্লিং হুরুবা য়াই, অহুবু মহুগী ওমহংপা অহু মাগী মফমদা অৱেম্বা ওই, অহুগা ঐ ইশাগী মফমদসু অহুম্বা মীনম্বনি। শক্তী তশেংবা দরকার লোইখ্রে, মহুবু মথল মথলগী মওংদা মথল মথলগী লৈতেংহনা 'লোইদ্রি' হায়না লৌনম তৌহনা চৎপা ঐ ইশানসু ঙমজরোই, অতোপ্পবুসু মহুম্না তৌহল্লোই।"

অমুক কনাসু ৱা ঙাদে, ওপ্পগী নীলিমাদনা হায়রকই, "ফজে। ৱাহৈশিংসু ঐঙোন্দা য়াম্না ফজনা থোকই অজিতবাবু।"

ময়ামগী মতৌগুম্না হরেন্দ্রসু মথবায় য়াউনা তারি; মপুক্লিং কোংদোক্লকপা অসিদা হরাওরে, হায়রকই, "মসি ভাব অমদা তাউখিবদগী থোরকপা অবা-খোঞ্জেলনি ইতৈম-বেম্মা, মুম্না খল্লরগা হাযবিবা নত্তে। অৱাংবদা ৱারক্কী তয়াল হেক উবদা অমুনবা হৈরাংগুম ফজনা থোকই, অহুম ওইনমক মাদি হৈরালক্তা তীনবা য়াদে। নুপীগী হকচাংবু অহুক মমল য়াউদবা পোংলনে মহুদি, মসি নত্তনা মাগী দরকার অমুক লৈত্রব্রা?

নীলিমানা হায়রকই, "লৈতে, ৱাফম অসিদি অইবীনা হায়দে। মরাইবক থিবা মীশিংগী দরকার তরাই তরাইনা ফংবা নত্তে হায়বা চিংনবা অসি মহাক মশাগীসু লৈরম্মী।" নোকফেং তৌরগা হায়রকই, "অৱা-খোঞ্জেলগী ৱা পনখি ইনাও-ইবুংঙো, অক্ষয়বাবু য়াউদে, মহাক য়াউরম্লবদি মাগী কা-হেজিনবহ্ন

হন্দক-মরক অসি কদোম্দা চেপথপ্রবগে খঙ্লমগদবনি ।"

হরেন্দ্রনা খুম্লকই, "অহৢগী চৈ-থাংলগা পথখিগদবা মীতাসু নত্তে ইতৈম-বেম্মা।"

তাবদা আশুবাবু মশামকসু নোকফং তৌরকই হায়বকই, "তাশংবনক্লি-হরেন্দ্র, ঐসু বাখৈহৃদা অইবীনা নুপীশিংগী শক্তী তাশংবা দবকাবহ্ ইঙ্গিত তৌরম্লা নিংই।"

"অহৢবু মসিবু অচুম্বা ?"

"অচুম্বা নত্তে ৱাযম অসি জগৎ-সংসারসিদা যেংবদা খনবা নুই।"

হরেন্দ্র ঘিংগংলগে, হায়বকই, 'জগৎ-সংসাবদা য়েংথুনা কনাগুম্না তৌনিংবা তৌজসু, মাওইবদা যেংলগা মসিবু যাবা এগী ঈক্তমদা ফাওবা নুই। মীওইবগী দরকাবনা অতৈ জীবশিংদগী অচম্বা দবকাবদগী লাম্থোক্তুনা য়াম্না থাপ্পা চংগে— মহুগী সমস্যানা অসুক হাক্লা চবাং-খোইরাংনরিবা, অসুক হাক্লা মওং চাদ্রিবা! চানোনিদা নিকথোক্তুনা খন্দোকপা যাদে হাযহৢর্ননি ঈবাই-খুম্নবিবা আশুবাবু।"

"মহৢসু ওইবা যাই। বারীহৢগী অবাংপহৢ তারসি অজিত।"

হরেন্দ্র মপুক্লিং নুংঙাইত্রে, খামহৢনা হায়বকই, 'মহৢ ওইবা য়ারোই আশুবাবু। কম্নিসু পৈতনা লোৗহনা পাউগুমহৢ অদোম্না শেথোকপিখিবা ঐ যাজনিংদে, ঐগী বা তাশংনা যাবিগেরা নত্রগা ঐগী অবানবা চুম্থোকপিগেবা তৌবিযু। অদোম্না যাম্না উবিরক্লে, য়াম্না তাবিরক্লে— অচৌবা পণ্ডিতকী

মীওইনি, অদোমগী অরেপ্পা লৈতবা মগ্না কাবা য়াঙাংগী অহৌবদা ইতৈম-বেম্মনা লিংখোক্তুনা নাম্বোকখিবা মহু ঐ খাংবা ঙমজরোই।"

আশুবাবুনা নোকমি নোকমি হায়রকই, "মহাক্তি ব্রহ্মচারী ওইবা মীওইনি, শক্কী বিচারদা মাইথিবদদি নহাক্কী ঈকাইনিংঙাই লৈরে হরেন্দ্র।"

"নত্তে, মহু ঐ তারোই।"

আশুবাবুনা ঙাইহাক তুম্মিন্না লৈবগা তপ্না তপ্না হায়রকই, "নহাক্কী য়াহু প্রমাণ চাদে হায়বা উৎননবা খ্বাংচেং লাকখৎতুনা য়েংনবা ঈকাই। মক ওইনা নুপীগী শক্কী অথুপ্পা অর্থ ময়েক শেংদনা লৈবা অহুনা ফৈ হরেন্দ্র।" ঙাইহাক অমুক তুম্মিন্না লৈরগা হায়রকই, "অজিতকী য়ারী তানা তানা মতম কুইশ্রবগী মমাংগী য়ারী অমা নৌহৌননা নিংশিংলকই। অঙাং ওইরিঙৈদা ঐগী ইংরেজ মরুপ অমা লৈরম্মী, মহাক্কা পোলিশ নুপী অমবু নুংশিরম্মী। নুপী অহু মশক লমম্নৌনা ফজে, ছাত্রীশিংদা পিয়ানো খোংবা তম্বিহুনা জীবিকা ওইরম্মী। শুপ্নগী শক্তা নত্তে, শুপ কয়ানা লৈতেংবীনি, ঐখোয় পুম্নমক্না মখোয় অনিগী য়াইফবা থৌনিরমগদবনি। চিংনবা লৈতনা খঙলমগদবনি, মখোয় অনিগী লুহোংবদা কদায়দম্মু করিগুম্বদা অপনবা অমত্তা থোক্লোই।"

অজিতনা হংলকই, "অপনবা কমদৌনা থোকখ্রিবনো?"

আশুবাবুনা হায়রকই, "শুপ্নগী চহিগী মতাংদনি। মরৈবাক্কী

নোংমা নুপীহুগী মমা লাক্লমী, রাগী রাপাদগী মাগী মচিন্দগী পাউ অহু খঙহোৌদনা ফংহনা মচানুপী অহুগী চহি মতাং মতমহুদা চহি নিকুমগা লানখংগ্রে।”

তাবদা মন্থাম পূম্নমক ঙাক্লে। অজিতনা হংলকই, “নুপীহুনা অদোমখোম্বগী মফমদা চহি লোংখিত্রা ?”

আশুবাবুনা হায়রকই, “নত্তে। ঐ থাজে হংলম্লবদি মহাক্না খক লোংলোই, মহাক মহুগুম্বা স্বভাবকী মীশক নত্তে, অহুবু হংলুনবগী রাফম কনানম্ভ খন-যাও খল্লুদে। মাগী চুং-ফিরাল চাবা অহুগুম্বা হকচাং, মাইথোংগী অহুগুম্বা তনৌ তনৌ ফজবা, অহুগুম্বা থুম্লবা খোঞ্জেলনা মহাক চহি কুন্থ্রাদগী হেল্লমগনি হায়বা করিম্ভ থাজবা ঙম্লমদে।

বেলানা হায়বকই, “অঙকপনি! অদোমখোয কনাম্ভ মিং পানবিদত্রা ?”

“করিগী পান্দনি। অহুবু জগতকী অঙকপা পূম্নমক শুপ্নগী মিংতনা খঙবা ঙমদে। মসিগী মহাক্না খুদম অমনি।”

“অহুবু নুপাগীদি চহি কয়ানো ?”

“মহাক ঐগা চহি লোঙ্গানি— মতম অহুদা চহি কুনমাপল-কুন্থ্রাদগী হেল্লম্লোইদ্রা নিংই।”

“অহুগী মতুংদি ?”

আশুবাবুনা হায়রকই, “মহুগী মতুংগী থৌদোক্তি য়াম্না তেল্লি। মীয়াই চল্লবী নুপী অহুগী মাম্নোক্না নুপা অহুগী

থম্মোয় নুংগুম কনখিবগুম তৌই। মতম বুইরবা রাঙ্কগি, অদু ওইববসু ঙসি ফাওবা নিংশিংলুবদা মৈচাক ফাওই। পীরাং কযা, থম্মোয় শোক্লা হায়জ-নোঙবা কযা, চোম্ঠাক চেংলিন তৌবা কয়', চমজ-লাকচবা কযানা যানিখিদবা অদু মপুক্লিংদগী শম্না মফৈ অমা ফাওবা লেংকনবা ঙমখিদে। লাংহাবা অসি ওইথোক্কবনি, মসিগী মপাল থোক্না মহাক্না করিমত্তা অমুক খল্লুবা ঙমখিদে।”

ঙাইহাক মযাম পুমমক তুশ্মিন্না লৈনে। নীলিমানা হংলকই, “অদুবু থোদোক্ক তাশনা ৫ন্ন-তনবা ৫ইবয়রদি ওইথোক্কবা ওইরম্লোইদ্রা?”

“ওইবমদবা যাই খল্লি।”

“অদুবু অদুগুম্বা লাহোংবা মখোযগী লৈবাক্তা ঙমগা তৌনদ্রা? অদুগুম্বা নুপা লৈবাক অদুদা লৈত্রা?”

আশুবাবুনা নোবফেং তৌদুনা হায়রকই, “লৈ। অজিতবী রাবী লেংবা অদুনা লাইবকখিবদু শিংথাদুনা ইবম্বা যাই। অহিং যাম্না থেংখ্রে অজিত, মসিগী অবোইবগু কবিনো?”

অজিতনা চঙক্লদুনা মমাই নোনখংলকই হায়রকই, “ঐ অদোমগী রারী অদুমক খঙরম্লিবনি। অদুক নুংশিদুনসু নুপাদুনা মাবু লৌশিনবা ঙমখিদ্রিবা করিগীনো, অদুক অচুম্বা পোং অদু কমাদোখিদুনা মিংকুপ অমদা মীনম্বগী মবক্তা চংখ্রিবনো, মপুন্সিদা নুপী অদুনা রাকম অসিমক খল্লম্বা যাই— নোংমা ঐনা নুপী ওইরম্বা নুমিৎ অদু! নুপী ওইবীগী গুণ নুপীনা মশানা খঙঙমদনা

অক্ষুক চাউবা আমগী খুদম ফুগন্তা মখম কনাম্না অমুক লৈরিবগে ?'

"মসিগী পাউখুম কল্রি লৈরিবগে থিবদ্রা ফংলমদে। অঙ্গবু মহাক্না পাউখুম ঙাইবস্থু তৌদে, মশানা অক্তুম হায়জবকই, 'পাউখুমদি লৈতে কল্রি পীদিগদগে ?' লেপকক তৌরগা ঐগী মাইথোংদা য়েংদুনা হায়রকই, চাউরাক্না লৈবাক পুম্মনক্কা মশাগী ওইজবা 'পুম্বা থাদোকপা বাকমগী থোইদাক্না চংনমল্লবা অঙ্গা য়াংনা লিরবা অথোইবা পান্নমগী ওইবা মীহৌনবা অমা লৈ, মহুদা নেশা চেল্লি, চমদবা কল্রিস্থু নত্তবা পোংনা মীরম্নেনগী বুংনবা অচম্বা পোংপু খন্তিনথি মহুগী মরক্তা মুপা-মুপী কনাগী পুন্সিগী অথোইবা লৈত্রা লৈরক্লা খল্লদে। মাইক-থৌরাংগী লৌশিংনা মশাগী ওতাবী অঙ্গুম্বম মাকোংদা চুংদুনা য়াহল্লি— অঙ্গবু অমুক মথা-তারমুসি, ঐ হৌগংচরগে।'

"মহাক অশেংনা হৌগংতুনা চুংখিগদরা উবদা তৌযম খঙদুনা হায়রম্মী, 'কমল, চংনবী নীতি অমদি মুন্না খঙনরবগী অচুম্বা পুম্নমকপু ভাব তাদবনা থুগায়-য়ৈথায়বদনা নহাক্কী ব্রতগুম্মী। শিক্ষা অসি মঙোন্দা যনা অমনবু পীরবস্থু মহাক্না জগতবী য়াইফল্লবদি খন্দে।'

"কমলনা হায়রকই, 'ঐখোয়গী বাবানা পীবিরম্লনি।'

"হায়রম্মী, 'নহাক্কী মযমদগী মহাক জ্ঞান লৈবা অঙ্গা পণ্ডিত ওইবা মীশক্তি হায়না তাখি। রাকম অসিমদি মহাক্না কৈদৌঙৈদস্থু অঙ্গিরমদ্রা মহুদি, অথাকপা লৈতনা দান তৌরবদদা মীওইবনা অশেংনা মশাবু হুজৈ হায়ব্রা ? মশানা য়ানা অরাবা শক্তক য়াবনা অঙ্গাবু অশেংনা শেংদোকপনি হায়বা।'

"কমলনা হায়রম্মই, 'মহাক্না তাকশিরম্মী, মীওইববু অথাকপা লৈতনা চুপথোকপগী ফম্ভবা-লৌশিং পোকই। অরাবা নংত্রিবা মখোয় অহুমক্না অরাবা শরুক য়াবগী মগুণ কোইশম শম্দোকই। জগৎকী লাকওমদবা শাসনগী অরাবদি মহু নত্তে— মহুবু মশানা পাম্না খল্লগা যুমদা পুশিল্লরকপগুম্বনি। অর্থ য়াউদবা অকে-অমোগী মত্তোগুম মহু শুপ্নগী অঙাং শাল্লপোংনি, মহুদগী য়াংবা নত্তে।'

"অঙকপনা ফুম্বংনরম্মী। হায়রম্মী, 'কমল, নখোয়গী বাবানা শেংদবা ভোগকী মন্ত্রদমক তম্বিরম্লে, অহুগা জগৎকী লৈরিবা অথোইবা খরমথৈ অহুবুদি থৌশাদহনা হৈহল্লক্রুরা?'

"অস্মুম্না হায়রকনি হায়না কমলনা আশা তৌরমদবা য়াই, মকশিন্না খুম্লকই, 'মসি অদোম্না চানবিদবগী য়াঙাংনি আশুবাবু। অদোমদি তশেংনা খঙবিরিবনি, কনাগুম্বা মপা অমত্তনা মাগী মচান্নুপীদা অসিগুম্বা মন্ত্র তম্বিবা ঙম্লোই। ঐখোয়বু অদোম্না লাম্লনা লৌবিরে। মহাক্তি সাধু ওইবা মীশক্নি।'

"হায়রম্মী, 'নহাক্না হায়থিবা শিক্ষা অসিমক তশেংনা রম্বা থোক্লবদি মাবু বিচার চুম্না খল্লুবস্থ লুই। মনোরমাগী মমা শিপ্রবা ভুংদা অতোপ্পা কনাগুম্বী নুপী অমত্তবু ঐনা পুংশিরুবা ঙমদে হায়বা তাবদা নহাক্না মসি থম্মোয়গী পাংদবনি, অহুগা পাংদবহুদা চাউথোক্লিংঙাই লৈত্তে হায়খি। শিপ্রবী নুপীবু নিংশিংবগী সম্মানবু নহাক্না কান্নদবদা থম্মোয়বু লৈহৎপনি হায়হুনা

থৌওইদবা মিংয়েংনা য়েংখি। পুক্নিং ফাজিনবগী করিগুম্বা অর্থ অমত্তা নুমিং অহূদা নহাক্না উবা ফংখিদে।'

"কমলনা হায়রকই, 'ঙসিসু ফংদে আশুবাবু। পুক্নিং ফাজিনবা বাংনা চোংখংলকপা মফম অহূদা পুক্নিংগী মুংঙাইববু মমি শামহল্লি। মহূদি করিগুম্বা পোংশক অমত্তা নত্তে, মহূ পুক্নিংগী লীলা অমনি— মাবু পুনশিনবা দরকারনি। ঙমখে নাইনা চংপদি পুক্নিং ফাজিনবনি—শক্তিগী নাপলনা পুক্নিং ফাজিনবগী ঙমখেবুসু থুগায়বা ওইথোকই। মতম অহূদা মাবু অমুক ঈকাই খুম্নবা অহূ পীরুবা য়াদে। কা-হেন্না পুক্নিং ফাজিনবনা অমুক', মও, অমগী পুক্নিংবু মনাং তৌহনবনি, বাফম অসি করিগুম্বা নুমিত্তা খন্দুনা য়েংবিখিদ্রিব্রা আশুবাবু?'

"খন্দুনা য়েদে অচুম্বনি। অহূনা মতম শাংনা খল্লরুবা বা অহূমক পুক্নিংদা ফোং ফাওরকই। হায়রম্মী, 'মহূ গুপ্পগী নহাক্কী বাহৈগী মঙলানি। ভোগ অহূবু কনখংপনা মপুং ওই। মীওইবনা অমুক্কী মতিক চেংনা পায়শিন্দুনা য়োংতুনা ভোগতা তাউবা পাম্বা অহূক্কী মতিক মাগী ভোগকী খৌরাংবা কোক্কে— পেন্দবা থোইনহূম হেনগংলকই, অহূনা ঐখোয়গী শাস্ত্রকারশিংনা তাকপিরম্মী, লম্বী অহূদা শান্তি লৈতে, পেনবা নাইদে, মুক্তি ফংবা ওইথোক্কে। মখোয়না হায়রম্মী, ন জাতু কামঃ কামনা মুপভোগেন শাম্যতি। হবিষা কৃষ্ণবর্ত্মেব ভূয়ো এবভিবর্দ্ধতে। মৈদা ঘি হৈজিল্লবদি হেন্না মৈরি বাংখংলকপা মতুনা কৈদৌঙৈদসু ছম্থরকপা লৈরোই।' "

হরেন্দ্রনা মপূক্কিং লাংতক্কনা হায়রকই, "মতোংদা শাস্ত্রগী য়া পনবিক্রিবা কৰিগীনো? অহুগী মতুংদদি?"

আশুবাবুনা হায়রকই, "তশেংনা মতুমক্কি। তাবদা নোক্কনা হায়রকই, 'শাস্ত্রদা অহুম্মা লৈবোইরে? লৈফম থোকই। মখোয়না খঙই, জ্ঞান লৈনরগা জ্ঞানবু পান্না হেনগংনকই, ধর্ম্মগী লাইনিং-লাইশোন্না ধর্ম্মগী থাক থাক হেনগংহল্লি, পুণ্যগী থুদম পীবদা পুণ্যগী অপাম্বা অমুম অমুম কনখংলকই, হৌজিকসু থোইদোক্কা য়াংলিবগুম নিংই— মসিসু তশেংনা মতুমক্কি। মাম্বা লৈতে হায়দুনা মতা অসিদা মখা যনা খুং থিজিল্লমগদবনি। মখোয়না খন্নরগদি লৈ।'

হরেন্দ্র, অজিত, বেলা অমসুং নীলিমা মখোয় মবিমক নোকখোরক্লে!

আশুবাবুনা হায়রকই, "নোকপা য়াবা বা নত্তে। নুপী-মচাদুনা করেম-কথাইনবদা নুংবংনবগুম তৌবম্মী, ইশাবু য়াথজরগা হায়রম্মী, 'মনি মখোয়গী পাম্দম নত্তে, ভোগকী মনুংদা অপেনবা লৈতে, অপাম-মীহৌবদগী নাক্লোকপা ওমদে, ইঙ্গিত অসিমক মখোয়না তৌরগনি।'

"কমলনা ওাইহাক তুশিন লৈরগা হায়রকই, 'কনানা খঙগনি, অসিগুম্বা হেক্তিনবা ইঙ্গিত মখোয়না করিগী তৌরম্লিবনো' মসিবু লৈথেল ময়াইদা কমদুনা য়াত্রারালী তাত্রা, নরগা য়ুমথংনবগী গ্রামোফোন খোংত্রা মহুদি, কন্নে, মত্তিক চানা পৈয়ে— 'অমুক তারবোই খনগদবা। মসিগী অশেংবা লেংদবদি

তপেংনা মাংজক্লে হায়বা মসিগী মমাংদা যৌবন হৌরবী নুপী অহুনা খনবা ফাওব খল্লমদব। য়াই।"

"অহুবু নক্লাকী রারী অহুগী অরোইবা অহুদি ?"

অজিতনা ইতপ তপ্না হায়রকই, "ওসিদি তোক্লসি। যৌবনগী অরোইবা শরুক্তু হৌজিবস্তু পুম্নোই লোইরমখিরোই —মশাগী অমম্তুং অতোপ্পগী মাইবৈদগী নুপীশিংবু থৌওইবিদবগী নুংশিরবা রারী শিংথাহনা রাবীহুগী অরোইবা শরুক্তু লোইশিল্লি। মহুগী শরুকশুদি মহ থোইদোক্লা নোংমা শিজগে "

নীলিমানা মঙক হাইহনা হায়রকই, "নত্তে নত্তে, মহুগী শরুকশুদি মহুখক্ত থোইদোক্লহুম পোইশিন্দনা লৈবসন্নু।"

আশুবাবু যানিংলে, থম্মোয পুঙমদনা হায়বকই, "ভশেংবমল্লি, মাবা শক্লোন অসিনক কনা লজদবী নুপীশিংগী পূন্সিগী থ্বাইদগী অবাবা মতম্নি। খোইবাংবা, তৌশিনবা, অহুদা নওনা তমথীবা ফাওবা ওইবকই— মহনা হেইরম্বা যাই, লৈবাক খুদিংমক্কী মীনা মখোয় অসি—লুহোংদবী মীয়াই চল্লবী নুপীশিং— অসিদগী নাথৈহনা চংপা পাম্মে নীলিমা।"

নীলিমানা নোক্লুনা হায়রকই, "নুপীশিং হায়রুবা চুম দ আশুবাবু, মপুরোইবা মচা লৈজদবী মবাইবক থিরবী নুপীশিংদগী নাথৈহনা চংপা পাম্নে হায়বনা মতিক চাই।"

আশুবাবুনা মসিগী পাউখুম পীদে, অহুবু ইঙ্গিত অহুদংদি লৌশিল্লি। হায়বকই, "অহুম ওইনমক মপুরোইবা মচা লৈবা মরাইবক যবী নুপীশিংদি নুংশিবা, চান্নবা, ফজবা মাধুর্য্যনা

অম্মুম্মা মপুংফানা লৈতেংলবই মহুদি, পুন্সিগী অহুক শাথীবা থুদোংথীবা করম্বা মতমদা করম্বা লম্বীদা চৎখিবগে হায়বা খঙবা ফাওবা খঙহৌদে।"

নীলিমানা হায়রকই, "লাইবকনু য়াক্লৌদে আশুবাবু, রাখল অহু থমোয়দা ঙসি ফাওবা পোক্লক্লি, অদুবু লাইবক থিবদগী ঐখোয়গী মতৌঙুদগী তুংগী আশা পুম্নমক্কী মমি শামগ্রবী মখোয়গী অচুম্বা মাইকৈ কদোমদনো হায়বা ঐঙোন্দা তাকপিবা ঙম্বিগদ্রা ?"

আশুবাবু ঙাইহাক চপ য়ুংনা ফমহুনা লৈ, অদুগী মতুংদা হায়রকই, "মসিগী পাউখুমদা ঐনা শুপ্নগী অহল-লমনশিংনা তাকপিরম্বগী খোঙ্খাং অহুদমক য়েবা ঙমগনি নীলিমা, মহুৎদগী হেন্নবা শক্তি লৈতে। পুম্নমক অসি ঐস্মু খঙই, অদুবু মসিগী মনুংদা নুপীগী অথিংবা লৈতবা য়াইফবগী মশক ঙইবা অশেংবা নুংঙাইবা লৈত্রা লৈতত্রা ঙসি ফাওবা ঐ চিংনবা লৈতনা খঙবা ঙমদ্রি নীলিমা।"

হরেন্দ্রনা হংলকই, "অদোমগী চিংনবা অসি হায়দগী লৈবিরকপ্রা ?"

আশুবাবু মপুক্লিং মুংঙাইতবগুম তৌই, ঙাইহাক তুম্মিন লৈরগা হায়রকই, "চপ চানদি মিংশিংবা থোক্লে হরেন্দ্র। মতম অদু মনোরমা চৎখিবা তুমিং নিনি-ছুম্নি শুপ্রে, পুক্লিং চরাং-খোইরাংনরম্মী, হকচাং চোকথরম্মী, চৌকি অসিদা তুম্মিন্না কমহুনা লৈরম্মী, খঙহৌদনা কমল লাকপা উরম্মী। হরাওনা

কেশিদুনা ইনাক্তা ফমহল্লি। ঐগী মৈচাকী মফম অহুদগী মহাক্না চেকশিনা থৈদোক্নুনা চংপা পাম্নগী, অহুবু ঙমখিদে। রাগী রাপাদগী অসিগুম্বা মওংগী রাফম হৌদোক্লরম্বী মতম অহুদা মহাক মশাগী জ্ঞান মাংখি। মাবু নখোয়না খঙলিবহুনি, থাইমদগী লৈরক্লিবা খন্না অহুবু মানা কন্না য়ানিংদে। নিঙ্নুনা থুগায়বনা মাগী passion ওইবগুম্বী। পুক্লিংনা য়ানিংলুবা ঙমদে, পুন্সি চুপ্পদা হৈনরক্লিবহু কীবনা নিকপগুম তৌই, অহুম ওইনমক পাউথুম থিবা ফংদে, মাগী রা য়াবা ঙাই। নিংশিংলি, নুমিং অহুদমক নুপীশিংনা ওইজবা থাদোকপগী রা পল্লুই, অহুবু কমলনা য়াখিদে, হায়রকই, 'নুপীশিংগী রা আদামদগী ঐনা হেন্না খঙই। পুক্লিং ফাজিনবা অহুদি মখোয়গী মপুং ফাবদগী লাক্ত, অহাংবদগী লাকই— থম্মোয় হাংহল্লগা মহুন্না ওইরকই। মহুদি স্বভাব নত্তে— অরাংপনি। অরাংপনা থম্মোয় কথোকপদা ঐ মরিক অমা ফাওবা থাজদে আশুবাবু।' পাউথুম করি পীগদগে খনবদা থোকখিদে, অহুমকপু হায়রম্বী, 'কমল, হিন্দু-সভ্যতাগী অথুপ্পা পোংশক্তু নহাক্না খঙলম্লবদি ঙসি খঙহনবা ঙম্লমগদবনি মহুদি, থাদোকপা অহুগা কথোকপগী দীক্ষাদা মাইপাকপনা ঐখোয়গীদি থাইদগী হেন্না য়াইফবনি, অহুগা লম্বী অসি ঐখোয়গী লুপ্লাবী নুপী কয়ানা নোংমা পুন্সিগী থাইদগী অথোইবনি হায়বা খঙবা ঙম্লগনি।'

"কমলনা নোক্নুনা হায়রকই, 'ঙমখিবা উবিগ্রত্রা? মমিং অমক্তা পনবিয়ুদনা?' মহাক্না অসিগুম রাহং হংলকনি থাজরমদে,

থোইদোক্লহনম ঐগী রা লৌগনি খল্লম্বনি। কমদৌহনবনো কোক লৈবগুম তৌরকই—"

নীলিমানা হায়রকই, "অহ্ ওইরে! অদোম্না ঐগী মিং পনবিথিদ্রিবা কবিগীনা? পূক্লিংদা নি.শি.খিরক্লিলোইনে?"

কয়াদা শাথীনা করেম্নরিবা! হরেন্দ্র অমদি অজিত মরু পুকথহনা লৈখ্রে অমসু, বেলা অতোপ্পা মাইকৈরামদা মমাই লৈথোক্লুনা লৈখ্রে।

আশুবাবু পেল্লক্লে, অহবু মহ ফোদোক্লে, হায়রকই, "নাত্তে, পূক্লিংদা নি.শি.লুদবা তশেংবনি। মিং-মা দা লৈবা পোং উদবা অহগুম্বনি। নহাক্কী মি. পল্লমবদি তশেংনমক মহুগী অথোইবা পাউথুম অমা ওইরম্বা য়াই, অহবু নি শিংলুদ্রে, মতম অহুদা কমললনা হায়রকই, 'ঐখোয়দা তি. শোকহল্লিবা শিক্ষা অহুনা আশুবাবু ইশাগী মরিদম্ব চাম্নদা চাম্না চৈথং পীদত্রা? অঙা ওইরিঙদগী নুপীশিংগী মকোক্কা চংহল্লক্লিবা মহৈ য়ানবগী আইডিয়া অহ চিনফা পুই হায়হনা নাপল তৌবা অহু থিধরহনা মসি অচুম্বনি হায়না মখোয়না খল্লে। অদোম-খোয়সু ঠোক্কা থুই, মপুক্লিং পেঙহনা অবেম্বা নাপলদা মখোয় মশাম্ব শিজ্জে।'

"মখা তাথরকই, 'লোয়নহনা শিমিম্নবগী রাফমদি অদোমগী থম্মোয়দা নি.শি.বিবা চুম্বনি। মৈ চাক্লুনা শিরিবী অহগা মহুবু শৌগংলিবা মাইকৈ অনিমক্কা মসি খল্লুরনি অতিয়া খুংনা লাম্বা ফংবগুম লৌনরিবা মহুদি, মপুরোইবা কাযনবগী পুন্সিগী

মপালগী তোঙ্গকী মঙ্গুংদা লৈতে— চেঙ্খৎনা মাগী পুন্সিগী আশা, হুংঙাইবা অতুগা ৱপ ফংহল্লি। শাস্ত্রনা চৈবা অরেম্না ওইনা খোঙয়াদা তাহনা লৈ, মাবু শোকউবা কাওবা ঙমদে।'

"হায়রম্মী, 'মহ ওইবা মাই, অহুবু ৱিপু ' য়েক্লবা তকক হায়বদি কাম, অশাউবা, অপাম্বা, মীহৌম্বা, নাপল, অমম্বং য়েংথিবা), মহুবুদি মীওইবনা জয় তৌবা শাম্মীদনা?'

"কমলনা হায়রকই, 'অহুবু বিপুনি হায়হনা চৈবনদি মহু পিকথখিরোই। প্রগতিগী পাকা দলিলদা দখলদার ওইবা মখোয় কনাগুম্বগী মন্না তাগ্রবা অহুবু কনানা কৈদৌঙ শুপ্নগী ইরা হৌবদনা ফুক্তোকহনখিবা ঙমগ্রবগে? অরাবগী মশাদা আত্মঘাট তৌবনদি অরাবা জয় তৌবা নঙ্ঙেদনা? অহুম ওইনমক ' অসিগুম্বা মওংগী যুক্তিগী পাঙ্গলনা মীওইবনা য়াইফদবগী থোঙজাও মপালদা শক্তিনা কোইনা মাহুনা লম্বী থিহনা লে। দণ্ডিসু ফংদে আশীর্বাদসু ফংদে।'

"অসি তাবদা মহু শুপ্নগী ঐঙোন্দমক কোচি কোংশিল্রা নিংলকই।" অসি হায়রগা আশুবাবুনা ঙাইহাক তুশ্নিন্না লৈরগা হায়রকই, "করি তৌরবনো খঙদে চিন্দগী খঙহৌদনা শং হায়দোকখি, 'কমল, নহাক নশাগী পুন্সিহ খঙ্গহনা অমুক্তা য়েংউ।' ৱাহু য়ায়দি হায়দোকলগা ইশাগী নাকোংদা য়ৈবৈ, ময়মদি খুম্মিংঙাই ওইবা মাগী করিসু লৈজবা নত্তে— কমল মশামকসু ঙকচরম্বা য়াই, অহুবু শাউবা ৱারোবা করি ঙা তৌদে, মাইথোং ঙংনা ঐঙোন্দা য়েংলহনা হায়রকই, 'ঐনা হুমিং খুদিংগী

খন্দুনা য়েংলক্লবনি আণ্ডবাবু। অরাবা নংদে হায়রবদি নত্তে, অহুবু মহুমক্কা পুন্সিগী অরোইবা অচুম্বনি হায়না কাওবদি লৌদে। শিবনাথনা পীগদবা অহুমখৈ মানা পীরম্নে, ঐনা কংগদবা অহু-মখৈদি কংঙ্গে— নুংঙাইবগী তেল্লবা মিংকুপশিংহ খম্মোয়-নুংদা মণি-মুক্তাগুম তানশিন্দুনা থল্লি। কল তাদবা খম্মোয় মৈচাক্কা মখোয়হুবু উং ওইহন্দুনা মাংহনখিদে, কংলবা ঈশিং চাইবীগী মখাদা ভিক্ষা পীযু হায়তুনস্মু হাংলবা খুং তিংখোক্কুনা লেপ্পুনা লৈরুদে। মাগী নুংশিবগী আয়ু লোইশ্রবা মতম অহুদা মাবু খম্মোয় ঈংবা বিদায় পীখি, রারৌবা অমদি রাকৎপগী মৈখুনা অতিয়া মমহনবা ঐ পামজখিদে। অহুনা মাগী মরিদা নুমিং অহুগী ঐগী লোনচং ময়ামগী মফমদা অহক ঙক্কা থোক্লক্রিবনি। ময়াম্মা অস্নুক চাউবা মরাল কমদৌনা ঙাক্লিবনো হায়না খনবিরমগনি। অহুবু মরাল ঙাকপিবগী রাফমদগী হেন্না নুমিং অহুদা ইশাগী ইরাইবক থিবগী রাকম নিংশিংলকখি।'

"রাগী মিংলুদা পীরাং থাংবগুম খল্লকই; অচুম্বা ওইরম্বা রাই, ঐগী অরানবা রাখলস্মু ওইরম্বা রাই, খম্মোয়-নুংদা মৈচাক্লা ওমচাক্লরকপগুম তৌই— মসিগা ঐগা খেন্নবা কয়াবু রামগনি! হায়রম্মী, 'কমল, অস্নুম্না মণি-মুক্তা তানশিন্দুনা ঐগীস্মু লন লৈ— ঐখোয়গী অপাম্বা করি অমুক লৈখিগদ্রগে' হায়যুদনা?'

"কমলনা তুম্নিম্না য়েংল্লুনা লৈ। হংলম্মী, 'পুন্সি অসিদা নহাক্লা অতৈ কনাগুম্বু কন্নিগুম্বদা নুংশিবা ওমখিগদ্রা কমল? অসিগুম্বা ঈচেলদা খরায়-হকচাং তুনা মাবু লৌশিনখিগদ্রা?'

"কমলনা খোঙ্গেল নিঙনা থুগ্নকই, 'মরু ওইনা আশা অহুম্নীদমক্তনিদনা হিংহনা লৈবা তারিবসি আওবাবু। মতম চাদনা লৈচিন মরুমদা ওসি মুমিং লৈশিনখিবদগী মুমিং তাগ্রে হায়হনা অমম্মা অহমক অহম্মরা, অহৃশা হয়েং অয়ুক্তা করিগুম্বা মঙালতনা অতিয়া শিল্লরুবদি মিং উইশিন্দুনা মহুবু হায়রগগ্রা, মসি মুংশা মঙাল নত্তে, মীনম্বনি। পুন্সিবু অম্মুম্না অঙাং শায়পোং ওইনা পুল্লপ লোইশিল্লগগ্রা?'

"হায়রম্মী, 'অহিং শুপ্নগী অমথক্তা নত্তে কমল, অয়ুক্তী মঙাল লোইগ্রবদা মহুবু অমুক হল্লকহনবা য়াথিগগ্রা?'

"মহাক্না হায়রকই, 'লাকচসনু। মতম অহুদম্মু অয়ুক্তী খাজবগা শোয়ননা অমুক অহিং শেনগনি।'

"ঙকপনা চময়হনা কমহনা লৈরম্মী, কমল চংগ্রে।

"অঙাংনা শায়বা! কায়না মৈশা মরক্তা ঐখোয় অনিমক্তী য়াথল ঈচেল অমগুদা তীল্লম্বা য়াই খল্লম্বনি। উরম্মী, নত্তে নত্তে, মহ থক-খা খেনৈ। পুন্সিগী অর্থ মাগী মফমদদি নীংতম্বনি— ঐখোয়গা মহাক্না কদায়দম্মু চানবা লৈতে। লাইবকপু মানা য়ানিংদে, হৌখিবা নিংশিংবনা মাগী মাংগী লম্বী থিংদে। মাগী ওইরকদবম্মু মহুনি— ঙসি ফাওবা থুংলগ্রিবা অহু। অহুনা মাগী আশাম্মু মনীংতম্বগুম্মী, হয়াওবম্মু মহুম্না লাকওম-কাঙমদবগুম্মী। অহুগা কনাগুম্বা মুপা অমনা মাগী পুন্সিবু কাগী শায়খি হায়হনা মহাক্না মশাগী মপুন্সিবু কাগী তাহনবা করিগুম্বা মওংদম্মু য়ানিংদে।"

ময়াম পুম্নমক তুম্মিন লৈ।

ফুকংলকপা মুংশো মপী থিংলগা অাশুবাবুনা অঙক হায়রকই, “অঙকপা মুপীমচানি! মুমিংতুদা শাউনিংবা অমদি রাখোয়বগী ঙমখৈ লৈখিদে, অদুবু রাকম অসিবু পুক্লিংদা য়াজদবদি ঙমখিদে মহুদি, মসিদি শুপ্পগী মপাগী মযমদগী হৈহৌবা চিনবা খরা থিবা নত্তে। হৈহিরবদি তশেংনা চিংনবি-ঙাই লৈতনা কুপশিন্নবি। চহি কয়াবু য়াম্নমপনি, অদুবু মশাগী মপুক্লিংনা মানা চহি মতাং অদিদা হৌরম থুদিংমক্তা কুপ্পা ভাব তাশিনবা ঙম্মী।”

লেপকক তৌবগা হায়বকই, “অচুম্মরিদনা। পূন্সিবু তশেংনমক ঙহাং শান্নবা ওইনা লৌবা যাদে। ঈশ্বরগী অস্তক চাউবা দান অসি মহুগীদমক্তা নত্তে। কনাগুম্বা অমনা কনাগুম্বা অমদা পূন্সি মহৈ য়াল্লে হায়দুনা অহাংবা অহুমক্তা পূন্সি চুপ্পা অয় ওইহন্দুনা লৈগদবনি, মসিগুম্বা বা করিনি হায়দুনা হাযগদগে।”

বেলানা তপ্পা তপ্পা হায়বকই, “যজে রাহু।”

হরেন্দ্রনা চুম্মিন্না কৌগংলগা হাযরকই, “অহিং য়ামা থেংলে, মোংসু পারে— ঙসিদি য়োজগ্রগে।”

অজিত হোৌগংতুনা লেপ্লে, করিসু হায়দে— মবানি নমস্কার তৌরম্নগা মপালদা থোকখ্রে।

বেলা তুম্বা চংখ্রে। থবক মচা অম-অমি তৌগদবা নীলিমাগী মতমদু ফাওবা রাংলি, অদুবু ঙসিদি পুন্নমক অদু অতুম্না অতুম লোইশিন্দনা লৈখ্রে— তরং-মালংদা তাউবগুম হাকসু মনা-মনিল নাইদনা চংখ্রে।

মীনাই ঁড়াইদুনা আণ্ডবাবু মশিং মখুংগী থুমজিন্নুনা অহুম তাহনা লৈ।

অচৌবা বিড়িংমি। বেলা অমশুং মীভিবাগী তুম্নম কা থংনবা হেক মাপ্লাকুনা লৈ। কাদা লৈ থাদি— বা অমুক মাঙা অমশুং খৎ নৈনবহ অচিকপদা মথন-মথক্দা লমমাইদা চংলকপদা মখোয়গী মকমদা মমি শামগ্রে, অহুম ওইনমক খাইদগী ওক্রিবদি অসিনি মহুদি, কি হোংদোক্লিডৈগী মমাংদা সুংশেল মমাংদা লেক্লুনা নুপী অনি অসিনা মতম অমতদা চপ চানা বাথম অমংক মপুক-মপুক্লিংদা নিংশিংলকই— নোংমা নুপী ওইরবা নুমিৎ অহু।

কুনহুমথোই

নুমিৎ তরামাথোই-তরানিথোইনি কমল আগ্রা থাদোক্কুম। কদায়দনো চংখি, অহুম ওইনমক মহাকপু আণ্ডবাবুগী দরকার থোইদোক্লা ওই। অথোই-অহেন নাইনা মমাম পুমমক্লা চিন্তা তৌনরকই, অহুবু নুংনাংবগী অমুবা লৈচিন থাইদগী থাংই হরেন্দ্রগী আশ্রম মথক্কুমা। ব্রাহ্মচারী হরেন্দ্র অজিত মপুক্লিং নিংজিং-মাংজিংনবনা অমুক ফিত্তম শোকগ্রে মহুদি, মখোয়গী ব্রহ্ম মাংজিংলবসু অমুক হাক্লা বারমদবা মাই। মমৈথংদা মখোয়মক্লা থিকহুনা কংশে। অহুম ওইনমক থৌদোক্কু থাম্বা চপ্পী। কমলগী চা-বাগানগী গজম-চারবা ফিরিঙ্গী সাহেব

অমা য়াগানগী থবক থাদোক্লগা য়েলগী থবক তৌত্নুনা হন্দক্তা হুনডলায়দা লাকই। মহাক্কী নুপী লৈরে, চহি অনিদা শুরিবা মচানুপী অমা লৈ; থোইদোক্লা লুববা থবক অমগী মহাক্তা কমলবু পুহনা চৎখি, মখোয়মক্কী যুম্নান মওং তানবা শিল্লয়দা অসুক থিন্নরিবনি। ঙসি অযুক ম'গী লৈঝমদা হুক্লে, নুংথিলদা লৌহন্নুনবা কার থাদ্রগা আশুবাবুনা হয়াঙনা ঙাইহনা লৈরি।

বেলা মেজিষ্ট্রেটকী যুমদা নিমন্ত্রণ লৈ. ফি হোংন্দগা শেম-শাহনা মহাকসু গাড়ী ঙাইরি।

মোজ লোয়া নীলিমানা খঙহৌদনা হায়রবকই, "নুপাহ নুপী লৈত্রে, য়ায়া পিরিবা, নুপীমচা অমা নংনা অতোপ্পা বনাগুম্বী নুপী অমত্তা লৈতে, অদুম ওইনমক মহাকমক্কী যুমদা কমলনা চিংনবা লৈতনা মুমিং তরানিথোইনিবোম লেল্লুরে।"

আশুবাবুনা য়ামা বান্না মমাই লৈশিল্লক্লগা মঙোন্দা য়েংলকই, "হায়রিবহুগী অর্থ করিনো ভাব তাবা ঙমদ্রে।"

নীলিমানা মপুক্লিংগী ৱা পন্দনা হায়রকই, "মহাক তশেংনা তুরেলগী ঙাগুম্বী। ঈশিং চোৎপা চোংতবগী য়াহং চংদে, শেংপ-চাবগী য়ানিংঙাই লৈতে, ৱাবক্পিনবা কনা লৈতে, য়িং ঙাংবিনবা সমাজ লৈতে—তশেংনা নীঙ্কম্বীনি।"

আশুবাবুনা মঙক নোমহনা খোঞ্জেল তপ্পা হায়রকই, "অয়াম্বদি মহুনি হায়বা য়াই।"

"মাগী নহা ওইবগী কজবসু মশাল নাইদে, মরৌশিংসু অসুম্না লোইব-খম্না নাইদবগুম্মা। রাজেন হায়বা লুপামচাহ্নগা কয়াবু কুইনা খঙন-চানকবনো, অহুবু উৎপাত কিনহ্নুনা কদায়দসু মাগী লৈখম লৈহ্দিবনি, মানা মাবু মতমহ্দা খজিক্কা হঞ্জানবা লৈতনা ইমু্দা খজকম পখি। কনাগী মানিংবা মানিংদবা হন্না যেংহ্নুনা মশাগী থবক্তা অপনবা ওইহন্দে। কনানা ঙমদবহ্নু মহাক্না লায়না ঙম্মী। তাবদা ময়াম পুম্নমক মঙোন্দগী হেন্না তোঙ্গবগুম খল্লি, অহুম ওইনমক লুপীশিংদি রা কয়া খঙ্গদবা যাদবনি।"

আশুবাবুনা হায়রকই, "থনবদি চুমদ্রনে নীলিমা?"

বেলানা হায়বকই, 'পামজববদি অহুম কনাগী মবা তাদনা ইনী তৌবা ঐখোয়সু ঙমগনি।"

নীলিমানা হায়বকই, 'নত্তে ঙমদে। পামহ্নুনসু ঐসু ঙমদে, অদামসু ঙম্রোই, মরমদি জগৎ সংসারদা মুক হৈজিনগনি, মহু নপথোক্নবা শক্তি ঐখোয়গী লৈতে।"

ঙাইহাক লেপ্লগা হায়বকই, "অশাঙ্গহ্ নোংমা ঐঙোন্দসু পোক্লকখি, অহুমা রাযম অসিমতন বুইনদগী খন্দুনা যেংলক-লিবনি। লুপানা শেঙ্গা সমাজগী চুমদবা বিচারনা চাক-চাকুনা লৈবি—কয়া বম্না চাকপগ মহু খঙবা ঙম্মগ্রে। লুপ্নগী চাবপদনা মরু ওইখ্রে, অহুবু কমলবু উদ্রিঙগী মমাংদা মসিগী অশেংবা শক্তম 'কদাইগী'ঙদনু ইঙ্গিংতা উংখিদ্রি। লুপীশিংগী মুক্তি লুপী-শিংগী নীতম্বদি হৌজিক কালগী লুপা লুপীশিংনা তোয়না

ঙাংন-শক্তাবি, অহুবু মহু চিন্দা পল্লবমখৈদগী ফেজিমা থোঙ্কম অমত্তুন্দ চংশিন্নুদে। করিগীনো থংহিত্রা? থৌডিক উঁরে মীংতম্বা অশেংবা মরমগী বিচারগা চুনদে, ন্যায়-ধর্মগী অচুম্বা বিচার ফংহনবিনবা হায়জবদা যাদে, সভাদা শেপ্তু্না কাংলুপ শেমহনা মুপাশিংগা চিন্দা-পাউনহুনন্দু ফদে মসি কনানা কনাদন্দু পীবা ঙম্বা নত্তে— শেন্দোন-নুংদোলগী বাধ্যক নত্তে মসি, কমলবু উবদা উবা ফংলে, মসিদি মশাগী মপুংফাবদা আত্মাগী গুণনা শন্দোক্লবদা মশানা লাকচৈ। মপালদগী যেক্লমগী মপালদা য়োম্লিবা অকনবা মকুন্থু থুগায়হনা মন্নুংগী জীব অহু মুক্তি পীরবন্দু মুক্তি ফংদে— শি। ঐখে য়া মাগা খেন্নরিবা অসিদনি।"

বেলানা হায়রকই, "নুমিং তরানিথোইরোম কদাযদনো চৎলুরিবা অহুনি, ময়াম নুংশাথিনবগী ঙমখৈ লৈখিদে, অহুবু চিংনবা অসি কনাগী মমঙদা ফাওবা থনঙমদে মহুদি, কমলনা মাগী মিংচৎ মাংবা য়াবা অসিগুম্বা থবক থরা তৌরম্বা য়াই হায়বা। হায়বিয়ুদনা, মীগী খঙ্খোয়দা অস্থুক হাক্লা থাজবা চেংনা লৈরিবসি ঐখোয় ওইরবদি কদায়দগী ফংলমগদগে? চাউথোকচবা অসি ঐখোয়দা কনানা পীবিগদগে— মুপাশিংনন্দু পীরোই, মুপীশিংনন্দু পীরোই।"

আশুবাবুনা ঙকপগা লোয়ননা মাগী মাইথোংদা ঙাইহাক য়েংহনা লৈরগা হায়রকই, "অশেংনা অচুম্বনি নীলিমা।"

বেলানা হংলকই, "অহুবু মপুরোইবা লৈরম্বদি মহাক কারি করম তৌরমগদগে?"

নীলিমানা হায়রকই, "মাগী সেবা তৌরমগনি, থোং-থাক্তুনা নীজ-নীথক্লমগনি, খুম-কৈ তরু-তহেয়া থল্লমগনি, মচা নৈরগনি মখোয়বু নী ওইনবা শেল্লমগনি, মরু ওইনা মতোমদা ঙাইবা নীশক্তি, শেল-থুম থোইনা পাযদে, মতম শংদবনা মতমদুদা ঐখোয়গা অমুক্তা কাওবা উমরখিদবা ওইরগা য়াই খল্লি।"

বেল্লানা হায়রকই, "অদুদি?"

নীলিমানা হায়রকই, "অদুদি হায়বদি করিনো?" হায়রগা নোকখো য়গা হায়রকই, "থবক-ইনথাং শুরোই, অরা-অনা অয়াং-অপা নৈরোই, মতম চুপ্পদা কোইহনদা নৈবা মসিবু লুপীশিংগী না তম্‌গী শাজংলা? বিধাতা মশামক্তি থবকী অরোইবা নৈতে, অদুবু কনানা মাবু মীখা পোনবনি হায়না খল্লরনে? সংসার অসিদা ঐ ইশাগী শুজ-নোমজবু অচম্বরনে?"

আশুবাবু শাথীনা ঙক্লুনা চঙক্লবা মিংয়েংনা মঙোন্দা য়েংহুনা নৈ। মরু ওইনা অসিগুম্বা মওংগী কবিগুম্বা রা অমত্তা অম্লুক কুইবসি মকাক্তী মচিন্দগী মহাক্লা তাখিল্লি।

নীলিমানা হায়রকই, "কমল কমহুনা নৈথোকপদি হৈনদবনিনা মতমহুদা মচা-মরাগা লোয়ননা যুম্বানবগী কর্ম অদুগী মবক্লা তশেংনা তাউথরমগনি— হুংঙাই ঈচেলগী মতৌগুম সংসারনা মাগী মথক লায়া চেন্থরমগনি, মহ খঙজবা ফাওবা ঙম্রোই। অদুবু মপুরোইবগী থবক্লা পোৎলুম ওইনা মকোক্তা কল্লুরি হায়বা খঙলকপা লুমিং অদুদা, ঐ রারক্লুনা হায়বা ঙমগনি, নানদু নোংমক্তদু সংসার অদুদা মাবু খামহুনা থম্বা ঙম্রোই।"

আশুবাবুনা ভন্না ভন্না হায়রকই, "কমলগী মরম…।"

থোইনা লাপ্পনা মখোল্ খঙলুবা কাবগী খোঙ্গোন তাক্লক্ত বেলানা খোঙ্গাওদা মঙক খিদ্দোক্লুনা খেংলহনা হায়রকই, "ঐখোয়গী—মানি, ঐখোয়গী গাড়ী।"

ইকুই কুইদনা মীনাইনা থাডৈখে, চুখংতুনা পুশিল্লকপদা কমল লাকপগী পাউ তাক্লম্লে।

নুমিৎ কয়ামনি চংনা আশুবাবুনা মসি ভাইবক্লিবান অহুম ওইনমক পাউ ফংবম ক্রদা মাগী মাইথোং থোইদোক্লা মকশিনখ্রে অমসুং শককম হঙ্গিনখ্রে। হৌজিক্তা আরাম-চেয়ারদা চুম্না কম্মবনি, অমুক ভাথহনা হিম্পুনা লৈখ্রে।

ইমুংদা চংলক্লগা কমলনা ময়ামদা নমস্কার তৌরগে অমসুং আশুবাবুগী মনাক্তা লৈরিবা চৌকিদা ফমথরগা হায়রকই, "ঐগীদমক য়ায়া লাংতক্লবিরে হায়না তাজে। কনানা খুঙগনি ঐবু ময়ামা অহূক নুংশিবি হায়বা, অদু ওইরমদ্রদি চংলমদাযদা পাউ অমা পীজরমগা চংলমগদবনি।" অসি হায়রগা মহাক্না আশুবাবুগী থোইদোক্লা লেংঙম-শাঙমদ্রবা পংথরবা মথুং অহ নুংশিনা মশাগী খুবামনুংদা চিংশিল্লুনা পায়খ্রে।

আশুবাবুগী মাইথোং অত্তোপ্পা মাইকৈদা লৈথোক্লুনা লৈরম্মী, তশেংনা অহুম্মা অহম লৈ…বা অমত্তগী পাউজুম পীবা ওয়জে।

কমলদা অহানবদা মপুক্লিংদা য়াওয়রকই, মহাক নুংঙং য়ানা নাবা, কক্লিংডদা মহাক চংখি অমসুং অমক কুইরবি, মরা-চুপাই

[illegible] কাংলৌবিবগি [illegible] নেংদবা, [illegible] মাঙাগী ; [illegible] অমোকপী মতৌমদা [illegible] খিংজিল্লগা মনাকোং মরাদা [illegible] হায়রকই, "[illegible] ঐ লাকখ্রে, [illegible] [illegible]

[illegible] মসিগী [illegible] মতম অহুদা কমলনা তশেংনমক [illegible] অমত্তং [illegible] [illegible] চিংকনবগী [illegible] লৈরবকি, [illegible] [illegible] মালিনীগী [illegible] নিংথৌ [illegible] অহুবু [illegible] চংদ্রবগি [illegible] মাগী [illegible]

কমলনা হংলকই, "মালিনী হায়বদি কনানো [illegible]

[illegible] হায়রকই, "[illegible] সাহেবকী [illegible] মমিংনি [illegible] হায়রকই, "তশেংনমক [illegible] [illegible] তারগনি।"

[illegible] অহুম [illegible] মখোয় মাগা নুংঙাইরোই। অতোপ্পা মী [illegible] জাইরে, "[illegible] অহুম ওইরবদি [illegible] [illegible]

লৈরিবা অসি, ' অহ্ নংলমত্রবদি রা পুক্নমক মঙৈক লেংবা' হায়দোকপা ওইরমোইহি। হোয় কমল, নত্তোঙ্দা ঐনা অদোম হায়বুরা মরুপা নত্ত হায়না কৌরা ?„

কমলনা হায়রকই. "নত্ত হায়না। অদুবু লৈবাক্তগী অখোক্নুনা চংলুবা অহুত্তুবসু লৈত্রি, চৈরক অসিদা মঙ্ কাউ-খোকপিরম্মে।"

"নত্তে কাউদে, তঙ্গী তিং লাউবা অমত্তংদি কাওই। কাওকম খোকপা ঙাকম্মি। মঙ্ থম্মসি। হুমিং তরেং-নিপালনিদগী নহাকপু ঐখোয়না খিররিবনি। অদুবু ঐখোয়না তশেংনা খি হায়বমক্তি ঙাদে, উগ্রবা ফংনবগীদমক থম্মোয়দা তপস্যা তৌরম্লিবনি।"

অদুবু তপস্যাগী কংশিন্দুনা শকফম কায়বা মাগী মাইখোংদা লৈত্তে, অদুনা মক্তুবা সুংশিবিবগী রস চেম্না করেম্নবা থরমথৈনি থন্দুনা কমলনা নোক্নুনা হায়রকই, "লাইবক যবা অসিগী মরমদি ? ঐদি মম্মাম্না ইম্বোকপিরবীনি ইচে-বেস্না, ভত্রসমাজগী কনানসু ঐবু পামদে।"

মিঙ্গৌ অসি অনৌবনি। নীলিমাগী মমিত্তা থত্তহৌদনা ঊন্না চেন্নক্লে, অদুবু মহাক তুম্মিন্না লৈ।

আশুবাবু তুম্মিন্না লৈখোকপা ওয়রক্লে, মমাই লৈশিন্নরুপা হায়রকই, "ভত্রসমাজগী দরকার লৈয়বদি রাকং অসিগী পাউথুম মখোয়না পীজসনু, অদুবু ঐ থত্তই পুন্সিদা কনাগুম্না অরিত্তুবা নহাকপু তশেংনা সুংশিবিবা মীপাক লৈরবদি মহ্ নীলিমা অসিনি।

অস্থুক হাক্লা নুংশিবিবদি নহাক্লা কনাগী মফমদগী কৈদোউঙৈদগীসু ফংলমদবা য়াই।"

কমলনা হায়রকই, "মতু ঐ খঙ্‌জে।"

নীলিমা মখোঙ তনিক তনিক্লা হৌগংলক্লে। কদায়দসু চংনবগীদমক্লা নত্তে, মসিগুম্না মওংগী খন্ন-নৈনবদা অতম্না মশাগী লম্বাইগী মবমদা ইঙ্গিত তৌবকপা মতম চুপ্পদা মহাক শাংঙমজদবগুম তৌই। অযাম্বা মতাংদা চান্নবা মীওইশিংনা মহাকপু লানা লৌই, অদুম ওইনমক মসিমি মহাক্কী স্বভাব। য়াম্মতু থুনা যাংনা নমহৎতুনা হায়রকই, "কমল, নঙোন্দা ঐখোয়গী পাউ অমি তমগদবা লৈ।"

কমলনা মহাক্কী মপুক্লিংগী ভাব খঙলে, নোক্লুনা হায়রকই, "ফববনি, পাউ তম্লিগদবা লৈরবদি তাকপিযু।"

নীলিমানা আশুবাবুবু উংতুনা হায়রকই, "মহাক ঈকাইবনা মহাক্কী মফমদা মাই উংপা ঙমদ্রবনি, অদুনা, মতু তম্নবগী ভার ঐনা লৌরবনি। মনোরমাগা শিবনাথগা লুহোংবগী য়া লোয়নখ্রে। মপাবুংগী অযাবা অদুগা আশীর্ব্বাদ পীবিনবা মখোয় অনিনা চিঠি ইতুনা হাযজরক্লি।"

তাবদা কমলগী মাইথোং কাহংখ্রে, অদুবু খুদক্লা মপুক্লিং কাথরগা হায়রকই, "মতুদা মহাক্লা ঈকাইবিবিবা করিগীনো?"

নীলিমানা হায়রকই, "মতু মহাক্কী মচানুপীনি হায়তুননি। অদুগা চিঠি ফংবদগী নুমিৎ থরনি অসি শুপ্পগী য়া অমথক হন্না হন্না শোক্লকই, আগ্রাদা মী অম্যুক য়ায়া শিনখ্রে, ঈশ্বরনা

মখাক্তু শৌশিন্নবিখিদ্রিবা করিগীনো ? মনাগী মমতুং ইমদি করিগুম্বা ফুমিংতন্ন কবিগুম্বা চুমদবা অমত্তা তৌখিদে, অমুনা ঈশ্বরনা মহাকপু চানফিগনি হায়না চেংনা থাজবা লৈ। মায়োবা অসিগী মৈচাক্কা মহাক্কী লায়না পুম্নমক কয়া হোইহল্লে। ঐহাক্না নগুনা কনাদন্না করিস্থ তম্লবা গুমদে, অদুগা অহিং-নুংথিল্লা অনিমক্কা মপুঙ্কিংদা নহাক্তু শোল্লিবনি। অসুম্না খনবা ওইরম্বা মাই মহুদি, নহাক্না মসিদগী কয়নবা লম্বী তাকপিবা ঙমগনি হায়না।"

কমলনা মুথা য়েংলকই, আশুবাবুগী মিংল্লুদগী পী মরিক খরা নাম্হুনা তারক্লি, মথুং তি থোক্লনা পীরাং অদু মা গাংদনা নৈথোক্লপিরগা মহাক মশামকন্ন চপ মুংনা লৈরে।

কনা কুইনা লৈরবা মতুংদা হায়রকই, "পাউ অমদি অসিনি, অতোপ্পা অমদি ?"

নীলিমানা কিলি থাংনা বাহু তম্লিংলবস্থ মহু চপ চানদি চুমখিদ্রে, হাবরকই, "রাক্লমদু খনগুমদবনি, অদু নত্রবদি অক্লবা করিস্থ লৈবা নত্তে। ঐখোয়গী মুখুয্যেমশায়গী মশা ফত্তবগীদমক বানরম্বনি, মহাক নাবা ফরে, অদুগী মতুংদা মমাম্বগা মতৈমগনা শিন্নুনা মানা ফনা মানিংদনুনস্থ নম-হাহুনা লুহোংবিগ্রে। ইকাইজবগা লোয়ননা পাউদু মহাক্কা আশুবাবুদা চিঠি ইতুনা খঙহল্লক্লে, হৌজিক্তনি।" অসি হায়দুগা হন্দক্তি মহাক্কা মশামক নোক্লকই।

স্ত্রীলোক অসিদা হুংঙ্গাইরবস্থ লেপ্পে, নোক্লিংবস্থ পোক্লে।

কমলনা মহাক্কী মাইথোংদা য়েংলদুনা হায়রকই, "ঙসি অসিমক লুহোংবগী রাকস্রি। অমনা হোংত্রে অদুগা অমনা লুহোংনবা রা লোইদ্রে। ঐবু থিগিরিবা করিগীনো ? মসিদা অমত্তম্ ঐনা খাংলুবা ঙম্বা নত্তে।"

নীলিমানা হায়রকই, "অদুম ওইনমক খাংনমবগী থৌনা মতাক্তা নহাকপু থিবা ওইরগদা য়াই। অদুবু ঐদি নহাকপু থিদে, পুক্কি অসি লোংদনা ঈশ্বরদা সিজে, নহাক্না উগ্রমা নহাক্কী হবাও-মিংয়েং উজবা যংননবা। বাংলাদেশকী নিঙোল ওইনা পোক্লগা লাইবক্তা দোষ তৌকনবা তারবদি লংলা-লংজিন থিবা যৎলরোই অদুবু মুক্কিগী দোষনা ইপাম অমদি ইরা-মযুম অনিমক্কী লংলা-লংজিন পুনখ্রে, মসিগী মথক্তা হেন্না মাংজরিবা ইরাইবক্তা থোক্লরিবা মদুগী মরম শীবা ঙম্লোই— হৌজিক ইচে লৌবা ইত্তেগীদা চংজমম ফংলবদু কায়রে।" আশুবাবুবু ইঙ্গিতনা উংতুনা হায়রকই, "নুংশিবিব-চানবিবগী মপাল লাইরে, নুমিৎ খরনি মসিদা লৈদুনা কোক থুপকম যংজগনি, অদুবু মদুগী মতুংদা অমম্বা নত্তনা মিংশ্রিদা অঁত্ত করিস্ত উবা ফংত্রে। থক্লিবনি, হন্দক্কি নঙোন্দা চংজকম পীবু হায়রগনি, ফংত্রগনা শিদোকনি। সুপাশিংগী থৌজাল ড্রিক্কা স্রিতুনা জুকেল-কাউমীংগী মতৌগুম হিদেন্দা পন-পন্দুনা অরোইবা জুমিং ফাওনা ঙাইদুনা লৈবা ঙম্লোই।" ঙাংনা ড্রাংনা মাগী থোঙ্জেল লুমথরুক্লে, অদুবু স্নিংক্কী পীরাংদ্রি নুমদুনা থিংদুনা পম্মী।

কুম্মলনা মাগী মাইথোংদা য়েংদুনা নোকক্লেংতুমক তৌরকই।

"নোক্লিবোরে ?"

"নোকপনা পাউথুম পীবা লায যাযহুননি।"

নীলিমামা হায়রকই, "মহু খঙই। অহুবু হন্দক-মরক অসি মবক মবক্তা কদায়দনো হেক্তা লোংখি, মহুনি এনা কীজরিবা।"

কমলনা হায়রকই, "লোংচখিসনু। অহুবু দরকার ওইরকপদা ঐবু থিবিরুগদবা নত্তে ইচে-বেম্মা, এনা পৃথিবী শিন-খুংনা কোইথি থিহুনা উযরগনি। মসিগী মরমদা চিংনবিরুগনু।"

আশুবাবুনা হায়রকই, "হন্দক্তি অহুম্মা ঐবুস্থ চিংনবা কোকহল্লো কমল, ঐস্থ মাগী মতৌগুম চিংনবা কোক্লনবা।"

"যাথং পীবিয়ু এনা কবি তৌজবা ঙমগদগে ?"

"নহাক্না কবিস্থ তৌগদবা নত্তে কমল, তৌগদবহু ঐ ইশানা তৌগনি। ঐঙোন্দা পাউতাক অসিথক্তংদদি পীযু, মপাগী থৌদাংদা দোয লৈতনবা। লুহোংবা অসিদা শুপ্নগী মত পীবা ঙম্লোশদবদা নাত্তে, হোংহনখিবস্থ পামদে।"

কমলনা হায়রকই, "মত অদোমগীনি, পীবিদবস্থ ঙম্মী। অহুবু লুহোংবা থিংবিগদৌরিবদি করিগীনো ?"

আশুবাবুনা মপুক্লিং লাংতক্লবা ফাথবা ঙম্লত্ত্রে, মরমদি যাদনবস্থ উপায় লৈতে হায়হুনা রাকম অসিনা মাগী থম্মোয়দা অহিং-লুংথিল কাংদনা ওংলরিবনি। হায়রকই, "মহু খঙই, অহুবু ইচানুপীনস্থ মপাদগী হেম্না রাংথংপা যাদে হায়বা খঙবা ঙম্মী। ঐগী মতামত অহুতা ইশাগী নত্তে কমল, সম্পত্তিস্থ ইশাগীনি। আশুবদ্যিগী অশোনবগী পরিচয়দমক মীনা খঙনরি, অহুবু মাগী অতোপ্পা মাইকৈ অমস্থ লৈ— মহু মীনা কাউনত্রে।"

কমললনা মহাক্কী মাইথোংদা য়েংদুনা থোক্কেল লুংশিনা হায়রকই, “অদোমগী মাইক অমত্ মীনা কাউনখিবগুম্বী আশুবাবু। অদুবু মতনস্থ করিগুম্বা কাপ্লবদি, পরিচয় অদু খাইদগী হাপ্পা নচান্নুপীগী মকমদা পীবিবা তাবিরা ?”

“হোয়, হায়ব-ইন্দবী ইচান্নুপীগী মফমদা।” অসি হায়রগা মহাক্কা মিংকুপ অমা তুম্মিন্না লৈরগা হায়রকই, “মমা লৈজদ্রবী অদুমথক্তুনি ঐগী ইচা, কমদোনা মী ওইনবা য়োক্লক্লিবনো হায়বা শুপ্পগী মপাগী থম্মোয় শেম্লক্লিবা মহাক্কুনদদি থঙলিগনি। মচাক অসি করিনো হায়বা চিন্না ফোংদোক্লবদি মহুগী মশক থিহনগদবা ঐবুদা নত্তে, মপা ওইবা পুম্মক্কী মপা ওইব্রিবা মশাক্তা ফাওবা করেম্মবনি। মহুদা নত্তনা নহাক্কা কমদোনবু থঙগদগে ? অদুবু মপা ওইবগী মথৌ মচাবু নুংশিবিবা শুপ্পগী অদুখক্তা নত্তে বমল, মাগী থৌদাংস্থ লৈরিদনা ? শিবনাথবু ঐনা মশক থঙই। মানা মাংহনগদবদগী ইচান্নুপীবু কনবিবা ওয়গনি, মসি নত্তনা অতোপ্পা লম্বী অমত্তা ঐ উদ্রে। হন্নেং মথোয়গী মফমদা চিঠি ইহুনা মসিগী মতুংদদি মশিনা ঐগী ইফমদগী পীংতুম মাফ অমা ফাওবা ফংবগী আশা লৈরোই হায়বা শেংনা থঙহনগ্রগনি।”

“অদুবু চিঠি অদু করিগুম্বা মথোয়না থাজবা ওমদ্রবদি ? বাবানা শাউরিবসি কুইরোই, মুমিৎ অদুদা মশাগী বিচার চুমখিদবহু মহাক মশামক্তা চুমথোকপিবক্তনি হায়না করিগুম্বা নখিবা থোক্কবা অদু ওইরবদি ?”

"মহ্ ওইরবদি মখোয়না মহ্গী যল ফংজবা হায়বহ্নি। ইবগী দায়িত্ব ঐগীনি, থাজবগী দায়িত্বনা মখোয়গীনি।"

"মসিবু তশেংনমক লৈখিয়ব্রা?"

"হোয়।"

কমল তুম্মিন্না ফমহ্না লৈ। খাংঙমদনা ঙাইহ্না আশুবাবু মশামকম্তু ঙাইহাক তুম্মিন্না লৈরবদা মপুক্লিং যাঙখ্রে। হায়রকই, "তুম্মিন্না লৈরেনা কমল, পাউখুম পীদ্রেনা?"

"কদায়, হংবদি করিস্তু হংবিদেনা? সংসারদা অমগা অমগা মত তীন্নত্রবদি মপাঙ্গল লৈবা অহ্না অশোনবদা দণ্ডি পী। থৌশিল অসি থাইনদগী চংনবক্লিবনি। মসিদা হায়নিংঙাই করি লৈরিবগে?"

আশুবাবুনা য়ানিংদবগী ঙমখৎ লৈখিদ্রে, হায়রকই "মসি নহাক্কী রারা কমল? মচাগা মপাগদি পাঙ্গল চায়েংনবগী মরম লৈতে মহুদি, অশোনবনি হায়দুনা মচাবু চৈবাক পীবা পামগত্রা? তমথীবা ওইবদি কয়া লুরিবা, মহ্ শুপ্নগী মপাদংা খঙই, অহ্ ওইরবস্তু অশুক শাথীবা অকনবা রাশক শক্লিবা অহু শুপ্নগী মাবু মঙহ্রং চুবদগী কনবিনবা নত্রা? তশেংনমক নহাক মসি খঙঙমদত্রা?"

কমলনা মঙক নোমহ্না হায়রকই, "খঙজবে। অহ্বু অদোমগী রা তাবদা করিগুম্বা লায়না লৌত্রবদি মহ্গী অরাবা মহাক্তা ফংগনি। অহ্বু অরাবা নংদনবা হায়বা ইনখিদে হায়বগী শাউহ্না মাগী অরাবা শরুক লিংলিং য়েনগংহল্লগত্রা?"

লেপকক তৌরগা হায়রকই, "অদোম্না মাগী নক্কুবা মরি-মত্তা পুম্নমক্কী থ্বাইদগী নক্কবনি। শাধীনা কক্তে হায়রিবা মুপা অহুগী মথুক্তা ইশামক্কী ইচানুপীবু পুন্সি চুপ্নগী ওইনা তশেংনা উপায় লৈত্রবা ওইনা শিন্নথোকপ্রগদ্রা, মহাক্কী হক্ষরবুবা লম্বী করিগুম্বা হুমিত্তস্থু বরিগুম্বা মাইকৈদস্থু হাংতুনা থম্বিররোইদ্রা?"

আশুবাবুনা নুংবংনবা মিংয়েংনা য়েংদুনা লৈ, বা অমত্তস্থু মহক্কী মচিন থোরক্তে— উনা উনা মমিং পীবানা থুমহংলদুনা পী মতুম মতুম শিন্থররি।

ঙাইহাক মতেং অম্বুম্না লেল্লবা মতুংদা মহাক্কা ফুরিং খুদানা মপী তৈথোক্লগা ফুনগ পবা মখনাও শেংদোক্লগ। তপ্না তপ্না মউক হাইরকই হায়রকই, "হল্লক্কুবা লম্বী হৌজিক লৈরি কমল, মতুংদদি লৈববোই। মপ্পরোইবগা থায়নদুনা হল্লকপা— মতু ঈশ্বরনা এরবু উহনবিদবা ওইসনু।"

কমলনা হায়রকই "মসি চুমদবনি। থোইদোক্কতুম এনা পামজরিবদি অশোয়বা অহু কবিগুম্বদা মহাক্কী মমিত্তা উজরকপা নুমিং অহুদা চুমথোকচনবগী লম্বী হাংদুনা লৈবা ওইসনু। অস্তুম তৌদুনা মীওইবনা মশাবু চুমথোকচদুনা ঙসি মী ওইবা ঙম্নক্লিবনি। শোয়বগীদি কৌনিংঙাই লৈতে আশুবাবু, মাইকৈ অমদা মাগী লম্বী হাংদুনা লৈরবদি। লম্বী অহু মিং-মাংদা খিংজিনথি হায়দুননি ঙসি অদোমগী হুংশাঙ্গীবগী ঙমথে লৈত্রবসি।"

মনোরমা মচানুপী ওইরমদদুনা অতোপ্পা কনাগুম্বা অমা

ওইরম্লবদি চম্লবা রাকম অসিবু মহাক্না লায়না খঙলমগদবনি, অদুবু অমত্তা পোকচবী মচাগী তুংগী পুন্সিদা শোয়দনা শাথীনা খুদোংথীবা নংলগদবা অদুগী মরিদা কমলনা হায়রবা পুম্নমক অরেম্বা তাহল্লে. শুপ্নগী মরম চাদনা নোল্লুকপা খোঞ্জেলনা হায়রকই, "নঙ্গে কমল, মসি লুহোংবা থিংহৌবা নত্তুনা অতোপ্পা লম্বী অমত্তা ঐ উদে। করিগুম্বা উপায় অমত্তা নহাক পুথোকপা ঙম্লোইদ্রা ?"

"ঐনা ?" ইঙ্গিত অদু হৌজিক্কা খঙলগ্রে অমসুং মহু ময়েক শেংহন্নবা হোংনবদা মহাক্কী মেংলবা খোঞ্জেল মিংকুপ অমদি লুমথগ্রে, অদুবু মহুস্থ মিংকুপকীদমক্তনি। মীশিমাদা মিংয়েং তাক্লবমক্তদা মশাবু ফাথজরগা হায়রকই, "নঙ্গে, রাকম অসিদা ঐনা অদোমগী মকমদা করিগুম্বা মতেং অমত্তা পীবা ঙমজরোইদোরি। সম্পত্তিগী অধিকার পীবোই হায়দুনা কীহনবদা মহাক কীগদ্রা কীরোইদ্রা খঙদে, করিগুম্বা কীববদি মতমদুদা রা অসি হায়নিংই মহুদি. পীজ-পীথদুনা স্কুল-কলেজদা লাইব্রিক চিনফা পুহন্দুনা নচানুপীবু চাউনবা য়োকপিরক্লি, অদুবু মী ওইহনবদি ঙম্বিদ্রে। মাগী অল্লাংপা অদু মেনখংচনবা খুদোংচাবা অদুদং কবিগুম্বা খুদক্তা ফংজবা থোক্লবদি মদুদা ঐনা খাবৈ-খারা শাকগদোবিবা করিগীদমক্তনো ?"

রাসি আশুবাবুদা য়ানিংনা থোক্তে, হায়রকই, "নহাক্না অদু ওইরবদি খাম্লবা ঐগী ইশৌদাং নঙ্গে হায়নিংলিদ্রা ?"

কমলনা হায়রকই. "থোইদোক্লা কীহন্দুনা খাম্বিরমু,

অসিনখৈং হায়রকখা তমী। ঐনা অদোমগী নচাম্নুমী ওইনরবদি, খাক্কা য়াম্নখিবি য়াই, অদুবু পুক্নিং অসিদা তৈকদৌগনি অরোইদা নোমুকপা অমুক ডম্লোই। ঐখোয়গী কান্নবা ঐবু মতমদা অদুখক্তা লেপ্পিরগনি।"

অংগুবাবুনা হায়রকই, "ওইগোকপা নত্তে কমল, নহাক্কী মাইকৈ-লম্গী মহাক্না মাইতৈ অমদা উখি। অদুবু ঐদি উবা ফংদে। অদুম ওইনমক ঐ মপানি। ঐনা ময়েক শেংনা উবা ফংলে, শিকনাবগুম তশেংনা নুংশিখিবা কনাসু য়াউদ্রে— মসিনি মহাক্কী মতম। মসি মীনয়নি, তাইহাক্কী ওইবা নেশা চুবা অসি কোকখিবা নুমিৎ অদুদা মশিগী অরাবগী ডমখৈ লৈবোই। অদুবু মতমদুদা মাবু কমদোনা কনগদগে?"

কমলনা হায়রকই, "নেশা চুরিতৈদনি খোইদোক্লদুনা থগনিংঙাই লৈ, অদুবু মহু কোকখিদুনা মহাক্না মশা কনবগনকপা মতম অদুদদি কীনিংঙাই অমুক লৈত্রে। মাগী মশা কনবংলকপা অদুমক্তা মতমদুদা মাবু কনগদৌরিবনি।"

আশুবাবুনা য়াদিংদনা হায়রকই, "পুম্নমক অসিদি রাগী বা হায়বদুনি কমল, মরম চাবদি নত্তে। অদুখা মসিদগী য়াম্না লাপ্লি। অশোয়বগী-শক্তি মহাক্না চাউনা কংবা তাবদি, উকিবগী-শক্তিনা মহাক নাম্ভোকপা কংলোই।"

কমলনা হায়রকই, "নাম্ভোকপগী ইঙ্গিত ঐ তৌরগে আশুবাবু। শোয়বগী শক্তি কংবা তাবদি, মসি ঐ খঙ্গে। মদুগী অযাবা লৈ, অদুবু ইকায়খুম্নিংঙাই লৈতে— মসিনা কনাগুম্বু

ঠোক তোক্লদে, মশাগী অশোয়বা খঙজরক্লুনা মহাক করিগুম্বা হল্লকপা তারবদি মরু লুক্রা হক্লোই, থাজবা অসিনি অদে'মগী হকমদা ঐনা পীবা পামজখিবা।"

"অহুম ওইনমক থাজবা ঙমদেনে কমল। খঙই, মাগী অশোয়বসি খঙজরকনি, অহবু মহুগী মতুংদা মহাক মতম শাংনা হিংখিবা তাবনি, মতমহুদা মহাক করি কমদোনা লেনগদগে? করিগী মতেংনা হিংগদগে?"

"অহুগুম্বা রা তাকপিবা হৌনদে। মীওইবগী অরাবসি করিগুম্বা অরাবা কংবনা অরোইবা পনখ ওইবা তারবদি মহুগী মমল রাউদে। নোংমা মাংজখিবহু নোংমা অমুক পুম্নমক তানশিন্দুনা মপুং ফাহল্লি, অহু নংলমদ্রবদি ঐমক ঙসি মতো কমদোনা হিংলমখিগদগে? থোইদোক্লহুম আশীর্ব্বাদ পীবিয়ু, অশোয়বা করিগুম্বা খঙজরকপা মতমহুদা মহাক্লা মশাবু মহুদগী নাম্থোকচহনবা ঙমজনবা, মতমহুদা মীহৌবা অমত্তা পোক্লনবা, করিগুম্বা অকীবা অমত্তগী রাহনা উমহুনা থমখিদনবা।"

আশুবাবু তুপ্সিন্না লৈ। পাউখুম পীঙমদে. অহুবু রাক্লবস্থু থোইনা হেন্না রাঙমদে। ফনা কুইনা লৈরবা মতুংদা হায়রকই, "মপা ওইবগী মিংয়েংনা ঐনা মগীগী তুংগী অমম্বা পুক্নি উবা ফংই! নহাক্লা অহু ওইরবস্থু তশেংনা হায়নিংলিত্রা মহুদি, ঐনা থিংলুবা চুমদে, তুপ্সিন্না রাবনা ইথোদাংনি হায়দা?"

"ঐনা মমা ওইরম্নবদি রাক্লমগনি। মাগী তুংগী চিংনরাখলনা অদোমগী মতোঙুম থবাম রায়মগনি, অহুম ওইনমক

উপায় অসিনা থিংনবদি শিল্লয়োইদবনি। পুক্কিংদা হায়জরমগনি, পুন্সি অসিদা মহাক্কা ওসি মনাক্কা চংহনা লেপ্পুরিবা খুদেংথীবগী লাং অহুমা ঐগী অরা-চিন্তা পুম্নমক্কসীসু হেন্না শাথী। মসি য়াম্বা তাবনি।"

আশুবাবুনা ওাইহাক তুম্মিন্না নৈরগা হায়বকই, "অহুম ওইনমক ভাব তাবা ওমগ্রে কমল। শিবনাথকী লমচৎ, মাগী ওক্ক-শাক্তং পুম্নমক্কী রাকম মপিনা মুপা খণ্ডলিবনি। নোংমা য়ুম অসিদা চংহনবা ফাওবা মহাক্কা য়ানিংথিদে, অহুবু ওসি শুমহৎ-লাংদা থুহনা মাগী অক-ফত্তা জ্ঞান, মাগী মবুদ্ধি-মরৌশিং পুম্নমক পুম্নাং মাংগ্রে, মনিদি অশেংবা হুংশিবা নত্তে, মসিদি যাহুনি, মসিদি মীহোবনি, মীনম্বা অসি মওং অমদগু ওইরবস্ু থিংহোবনা মপা ওইবগী থোদা নি।"

হন্দক্কি কমল তশেংনা চপ য়ুংনা নৈগ্র অমস্ুং অম্ুক কুইরবগী তুংদা মবানিগী চিন্তাগী ঈচেল মহৌশাগী ওইবা খেন্নবা মমিন্না উরক্লে। মখোয় জাতি তীয়দে অমস্ুং প্রমাণগী পোংশক নত্তে হায়হনবি অম্ুক কুইবসি অম্ুক য়াম্না খন্ন-নৈনরকপদা তশেংনা মপুং ফানা অরেম্বদা তারিবা। মহাকী মিংয়েং থক্লিবা মাইকৈ অদোমদা চহি লিশিং অমা মিংয়েং হোংদনা নৈরবস্ু অচুম্বা অসিগা খক খেংনবোই, কমলনা মহু খণ্ডশে। মহু বুদ্ধিনা চাংয়েংবনি, মহু অমং-অত্তোং খনবনি, মহু অক-ফত্তা অরা-হুংওাইগী য়াম্না চেকশিন্নবা ক্সিসাবনি, মহু অকনবা বিল্ডিং শানবা ইঞ্জিনীয়র কৌবনি। অক হোংতুনা মখোয়না হুংশিবগী

কনা পুখোকপা পান্নি। মশাগী পুন্সিদা অাঙবাবুনা মাগী হুপীহু মপুক্কিং লোংবনা মঙংলা হুংশিজখি। মাগী হুপী অহু মীঅমেন খাখোকখিবা মতম কুইরে, অদুম ওইনমক ঙসিহু মহুদি মরুদি থম্মোয়দা লেংদনা লৈ— সংসার অসিদা চাংদম্মিংঙাই লৈতে, পুন্নমক অসি অচুম্বনি, অহু ওইরবস্থ মহুশিংহু খেন্নবা জাতি ওইরগনি।

মসিগী অক-কন্তা বাহং থাক্কৎতুনা য়েংনরুবগী মতৌঙুম্বা কায়দবা অতোঙ্গা অমা লৈতে। য়ুক্কান-পুন্সিদা মোংমতা কাওবা মাগী হুপীগা মহাক্কা পুক্কিং তীরখিদবা থোকখিদ, থম্মোয়দা অমোৎপনা শোকঙমখিদে। অপনবা লৈতনা অঙ্গংবা অমম্ভ অকায়বা থোক্লবা পোথাবদা শাংলবা লুহোংব-পুন্সি লেনখিবগী চাউথোকপা অহুগী অথোইবা গুণগী নাপলবু কনানা নমথবিগদগে? সংসারনা মীহোৎবা থম্মোয়দা মসিগী মগুণ শক্তি, অসিগুম্বা ফংঙমন্ত্রবা বারী ইথোক্লুনা কবি অমর ওইরি, মশা মশাগী পুন্সিদা মসিমক ফংজনিংবনা খোইরাংলবা অপাম্বনা মীওইবগী মীহোৎবগী ঙমখে লৈতে। চিংনিংঙাই লৈতবা মতিক-মগুণনা মশাগী অতাবী ওইনা উরোং খিল্লমহুনা মতম চুম্নদা লেংত্রবা অহুবু করিম্ভ লৈতবা ওইনা লোননবা কমলগী করি মতিক্ক লৈবগে? অহুবু মথি? লমচং নাইদবা লাইর-চুদংনবগী মথুংক্তা মশাবু কথোকচপ্পদবগী মহাক্কা থৌরাংলি, মহাক্কা খঙদবা করিম্ভ, লৈত্তহুনম্ভ পুন্নমক খঙলিবা অহুগী মপান্নদা থোক্কথাংদোকপদা ঙসি মহাকী অকীবা লৈত্রে। অরাবগী মমক ওইরবা থোক্লগম্বা

অহুগী চিন্তাবা মপামা লুপ্লি, মকপশিংগী মাইথোং মকশিনগে, মহাক মতাম্দদি চিংনবা নৈতে। আশুবাবুনা খঙই, নুংগোংবা অসিদা সন্মান নৈতে, মাইকবা নৈতে, ঠোক্লা থুবা হৌরকপনি, মতম খরদংগী ওইবা মীহৌবা অসি কোকখিবগা মতমচুদা পুক্সি চুমা ঈকাইবা অমনি অরাবগী থমকম লৈরোই — পুম্নমক অচুম্বা ওইবগা য়াই, অদুবু পুম্নমক মাংজগ্রবস্থ লৌনস্লিবরী সুপীমচা অসিগী লেমকৌরিবা পোং অদুনা মপাবুংগী শান্তি লৈমা নুংঙাইবব। মতম শাংনবা যুম্বান-পুক্সিরগী হেন্না রাংই হায়বা অসি আশুবাবুনা মহাক্না করি করম তৌরগা খঙহনগদগে? খল অদুনা মমল লেপ্লবা অমগুম ঙাইরবা ফাপা ওইরিবা মহাকা যেংনক্লবা কমদৌনা যাগদগে? কমল্না অসিমতংদদি হাক্লনিং-লকই, আশুবাবু, শুমহৎপা খুদিংমক মীনপ্না নত্তে মচানুপীগী থম্মোয়-অতিয়াদা মিকুপ্তং ঙানখিবা নোংথাংস্থ মপাবুংগী মুংনাইগ্রবা থাউমৈ-মৈরিদগী মঙালদা অমদি মৈশাদা হেন্দোক-খিরম্বা য়াই, অদুবু ববিস্থ হায়দনা মহাক তুম্মিন্না থমহনা নৈগ্রে।

মপাগী থৌদাংগী মবিদা থোইদোক্লা ময়েক শেংনা পামজবা মত কোংদোক্লগা পাউথুম ঙাইহনা নৈরি, অদুবু কমলনা পাউথুম পীদনা মরু লুক্লা অহুম থমহনা নৈ, নিংথিনা খঙলে মসিগী মরমদা মহাক অমুক হেংনবা পামগ্রে হায়বা। হায়নিংঙাই নৈত্রে হায়হনা নত্তে, দরকার নৈতে হায়হননি। অদুবু অমুম তৌরনা অমী অমনা তুম্মিন্না নৈথোকগ্রবদি অত্তোগ্লগী থম্মোয়দা

শান্তি হংদে। মরু ওইনা মীয়াই চন্দ্রবা লুপা অসিগী থম্মোয়গী লৈবোয়ংদা অচুম্বগী শাগংচবা অচুম্বগী শক্তম অমা লৈজে, অমত্তা পোকচবা মচানা অরাবা নংগত্রা চিংনবনা ঈকাই কিক্কক খুম্নি, মহাক্কী থম্মোয় ককওাওনরি, চিনবানথোংদা ক্লাংলিংবম'থ ক্লাংজসনু, শক্তি লৈ হায়রুনা মওক হাইগংজুনা মাইথীবা পীলিংবনা শক্তি শিজিম্নবগী মাইকৈদা মহাক্কী অপাম্বা অচুক হাক্লা লৈতে। কমলবু মহাক্লা অচুক্কী মতিক উম্নিবমথৈ মাগী রুকপা অমদি শ্রদ্ধা হেনগংলকই। মীগী মিংয়েংদা মহাক অত্তোনবীনি, নিন্দা তৌনিংঙাই ওইবীনি, ভদ্র-সমাজনা ইম্মোক্লবীনি, মহাম তীনবদা কৌহুনা য়াউহনবিত্রবীনি, অচুম ওইনমক লুপীমচা অসিগী তুম্মিন্না থৌ-বা শাদবা অসিবু মহাক্লা খাইদগী হেন্না লুংশাখিরকই, মহাক্লা তৌবা থবক্তা চিংনবা মহাক্কী লৈতে!

হায়রকই, "কমল নহাক্কী বাবা যুরোপিয়ান্নি, অচুম ওইনমক নহাক কৈদৌঙৈদম্মু লৈবাক অচুদা চংনুদে। অচুবু মথোয়গী মরক্তা ঐ মতম শাংনা লেপ্লক্লে, মথোয়গী অয়াম্বা কয়া মিংতা উরক্লে। লুংশিনবগী লুহোংবগী থৌদোক কয়াদা য়াউরুরে, হরাও-নুংঙাইদা শরুক য়াকুরে, অচুগা লুহোংবা অচু অমুক খোশাদনা, থৌওইদনা, মওং চাদনা, ওৎ-নৈবনা খায়নখিবা মতম অক্লমু মিংতা উরকই। নহাক চংলুরবম্মু ঙশেংনা অচুগুম্বচু উবা কংলকনি।"

কমলনা মমাই লোনখংলক্লগা হায়রকই, "চন্দ্রবম্মু উবা

ফংই আশুবাবু। খান্নবগী খুদম ৎলবাক অহুদা হুংজিনী লৈরক্লিবনি, লৈরককম্মক থোকই, মসি অচুম্বা ওইবগুম মহুদগী ৎলবাক অহুগী অশেংবা শক্তম থওনুবা লুই, মহু বিচারগী শিন্নমদা থওবা ঙম্বা নত্তে আশুবাবু।"

আশুবাবু মশাগী অশোয়বা থওজন্নুনা হাইকেং হন্থানরক্লে, হায়রকই, "মতৌ অম্মুন্না মহুদা তর্ক তৌরুবা য়াদে, মহু লৈজরসনু, অহুবু ঐথোযগী লৈবাক অসিদা হন্না অমুক্তা য়েংউদো। মহৌরোলদগী চংনরক্লিবা চংনবী অসিবু শেম্বি-ন্নম্নশিং অহুনা য়ান্না শান্না উশিনবিরম্বনি। অসিদদি দায়িত্ব বর-কন্যাগী নত্তে, মমা-মপা গুরুজনশিংনা লৌরি। অহুনা বিচার বুদ্ধি মফম অসিদা অবা-তেংথাখোল লাকশিনবা ঙমদহুনা উ হন্দে, ঈংনবা শেংন্রবা য়াইকবা অমনা মথায়গী পুন্সিগী লোয়নবা ওইরি।"

কমলনা হায়রকই, "অহুদু মশিদি য়াইফবগী হিসাব তৌহুনা লৈতে আশুবাবু, মহাক্না পান্নিবদি হুংশিনবনি। হিসাব অমনা গুরুজনগী অকবা বিচারদগী ফংই, অহুবু অতোপ্পা হিসাব অহুদি থম্মোয়গী ঈশ্বরনা নত্তনা অতোপ্পা কনানম্মু থওঙমদে। অহুবু য়েংনহুনা অদোমগী মফমদা ঐনা কান্নদবদা মৈশা লাংহল্লে, নোংচুপকী থোঙনাও নত্তনা অতৈ থোঙনাও পুম্নমক থিংজিন্নবা য়ুম অহুদা অযুক্তা কোরৌহনবনা থোঙদোই হন্নকপা উবা ফংদে, উবা ফংশিবদি মহাক্না তাথিরবনি। অহুবু শক্তম অমদি মহু অহুপা মান্না চাশিনহুনা য়েংনহুনা 'লৈরবদি ঙম্নগী ৱা

চাউখোকদবদনি, যানবা পুরকপদি য়াদ্রোই। ঐ অহুবু অদিং খেংঙ্গিজরক্কে, ঙমিদি যৌজগ্রগে।"

নীলিমা তুম্মিন্না কমহুনা লৈরকই, অস্থুক কুইনা রা অমুক য়ায়া ঙাংন-শক্তগ্রবসিদা রা অমত্তসু যেঙ্গিহুদে, খৌজিক হায়রকই, "ঐসু নহাক্কী রা পুম্নমক মযেক শেংনা খঙবা ঙমদে কমল, অহুবু অসিখক্কংদি ভাব তাবা ঙম্মী মহৃদি, য়ুমগী খোঙ অতৈশিংসু হাংদোকপা দরকার ওই। মসিদি মিংকী দোষ নত্তে, লোনশিংগিবা ফিভম অহুগী দোষনি। মহু নগ্রবদি হাংশিবা মাইকৈ অদোমদা ঙন্দুনা শিঙ্গিবা ফাওবা লেপ্পুনা য়েংহুনা লৈরবসু মহু নঙনা বরিগুম্বা অমত্তা করিগুম্বা নুমিত্তসু মিংতা উবা ফংলোই।"

কমলনা হৌগংতুনা লেপখংলকপদা আঙবাবুনা লাংতক্লবা খোঙ্গেলনা হায়রকই, "চংখিনু বমল, অমুক ঙাইহাক্কা ফমখো। অরাম-খৌরাংবা খঙত্রে, মিং উইশিল্লু য়াদে, পোখাবা লেতনা পুক মন্নুং অসিদা করিনো৷ তৌবিবসি নঙোন্দা ঐনা খঙহনবা ঙম্লোইদৌরি। অহুম ওইনমক অমুক্তংগা অমুক হোংনহুনা য়েংগে নহাক্কী রাশিংহু করিগুম্বা থাঙ্গেশেংনা খঙবা ঙম্বরা হায়বা। নহাক্কা ঐবু তশেংনমক তুম্মিন্না লৈবো হায়রিব্রা, অহুগা কজদ্রবা খৌদোক অহু খোকচগ্রসনুবা?"

কমলনা হায়রকই, "মনিনা কস্লিগুম্বা মাবু সুংশিরম্বা খোক্লবদি ঐদি কজদবনি হায়বা ঙমদে।"

"অহুবু মসিমক্তি নঙোন্দা চাম্বরক হন্না" ভাব ভাইনবা পাম্রক্লিবসি কমল, মসিদি মায়ানি, মসি সুংশিনবা" নত্তে, মরাক অনি মহাক্না খঙজরক্কিগনি।"

কমলনা হায়রকই, "ঙুপ্পগী মরাল খঙজরক্লদবদা নত্তে আশুবাবু, অশেংবা ক্লশিনবদসু সংসারদা অমুম্মা কায়নখিবনি। অহুনা হুংশিনহুমা লুহোংখিবা অঙাঙ্গা শক্ক মরা চেংতে। মসিমক্তুনা লৈবাক অহু অমুক হাক্ক্লা য়িংচং থিরিবনি, লুহোংবা অমুক য়াম্না থায়নগী রাথোক্লখিবনি।"

অসি তাবদা আশুবাবুনা খঙহৌদনা মঙাল অমা উবকপ-গুম্মী, কন্না ইকৌরক্লিবা হবাওবগা লোয়ননা হায়রকই, "মহুম্না হায়য়ু কমল, মহুম্না হায়য়ু। মসিদি ঐ ইমিংমক্লা য়াম্না উত্রবনি।"

নীশিমানা ওক্তনা য়েংহুনা লৈ।

আশুবাবুনা হায়রকই, "অহুবু ঐখোয়গী লৈবাক অসিগী লুহোংবগী চংনবীদি? মহুবু নহাক্লা করি হায়নিংবগে— মহুদি পূন্সি চুপ্পদা কায়দেনা কমল?"

কমলনা হায়রকই, "কাযগদবা রাক্ষম নত্তে আশুবাবু। মহুদি জ্ঞান শুদ্রিবা যৌবনগী খেবা নত্তে, মাইকৈ থুংনা উরবা গুরুজনশিংগী হিসাব তৌবা কারবাবনি। মঙলান-ফুজা নত্তে,— মুম্না থল্লগা হৈ-শিংলবা মীশক্লা কাক কাক খংতুম্না থল্লবা অশেংবা পোংনি। অঙ্কদা শাথীনা অরানবমক য়াউথিদ্রবদি মহুদা তরাই তরাইনা শোয়বোই। লৈবাকশিংদসু অসোনদসু লৈবাক পূন্নমক্লা মহু য়াম্না মন্না চেংলি, পুন্সি চুপ্পা বক্তগী মতৌঙ্গম লেংদনা লৈ।"

আশুবাবু মুংশা মপী হোন্দোক্লগা চপ য়ুংনা লৈরে, মহাক্না পাউথুম অমত্তা থিবা কয়ে।

নীলিমানা চুম্মিনা য়েঙ্গদুনা লৈ, তপ্না তপ্না হংলকই, “মহাকী বা [য়]অনিবা করিগুম্বা মতুংদা ওইরবদি, অশেংবা মুংশিনবদগু করিগুম্বা অশোয়বগী মতৌগুম লায়না কায়নরবা, অদু ওইরবদি মীওইবা কমায়দা লেপকদগে? মাগী অাশা তৌনিংঙাই লৈখিগদ্রা?”

কমলনা হায়রকই, “স্বর্গদা লৈবগী মেয়াদ লোইরে, লৈহৌগ-দৌরিবদি অমত্তা ঙাইরবা নিংথিরবা মিংশিংবনি, অদুগা মহুমকী নাকল্দা লৈচাকী সমুয়নি। আশুবাবুগী শান্তি অমদি নুংঙাইবগী ওমথৈ লৈতে, অদুবু মহৈদগী হেন্না মাগী অতৈ করিম্ লৈজদে। আইবক্না মতম খজিক্কং লৈরম্লগা বিদায় লৌরবা মহাক অদুবু ঙাকপিবা নত্তনা করি তৌরবা ওমগদগে ইচে-বেম্মা?”

ঙাইহাক লেপ্লগা হায়রকই, “মীনা মপালদগী খুদক্তা পুন্নমক খঙ-উরবগুম খল্লি। মরুপ-মপাংশিংনা রাবিবগী ওমথৈ লৈতে, মথুং অনি চংহনা লম্বী কাংপা পাম্মী, তশেংনা থাজে, মাগী হিসাবকী রাংমদা খঙলে পুন্নমক হাংলগনি। অহাংবা নত্তে ইচে-বেম্মা। পুন্নমক চংলগা খুংতা খরা লৈহৌবা অদু মণি-মুক্তাগুম খুবাম-মুক্তা পায়শিন্দুনা লৈ। পোং অদু মপাল থোক্না পুথোকপা য়াবা ওইদবনা লম্বী মুম্না মহুগীদমক্তা লোভাযাত্রা চংপা য়াদে হায়দুনমক্তি অয়েংবা কাংবুনা হক্কোইনা চৈক্লগা ময়ুমদা হল্লক্লিবা, মাদি পুন্নমক মাংজরেদনা শোয়ক্লিবা।”

নীলিমানা হায়রকই, "হায়রিবহুগী মরম লৈ কমল। মণি-মুক্তা মী পুম্নমক্কীদমক্তা নত্তে, সাধারণ মীওইবশিংগীদমক্তসু নত্তে। খোঙদগী কোক ফাওবা য়োম্না সনা-লুপাগী লিক-কোল শিজিন্নবমখৈ মপুক্কিং মকালামদবা মখোয়না মহাক্কী থম্মোয়গী হীরা-মুক্তা মচেং অহুগী মমল খঙলোই। কা-হেন্না পামশিনবা কাংখুদি হায়না থোমজিনবশিং মথক্তা হেন্না থোমজিন্নবদা হরাওজরিবনি। পুক্তমদনা থোরাং বন্না তৌরবা লন-থুম কয়া পীরবদদা পোংকী মমল মখোয়না আন্দাজ তৌই। নোংচুপকী থোক হাংহনা কুমিং থোরকপা য়েংনবা হোংনবা অরেম্বা তাগনি। কমল, খন্নবা লেপ্পসি।"

আশুবাবুগী মচিন্দগী নুংশা মপী অমা হোন্দোরক্লে, তপ্না হায়রকই, "অরেম্বদা তাগদৌরিবা কয়িগীনো নীলিমা, অরেম্বা নত্তে। ফরে, তুম্মিন্না লৈরগা লৈবা হায়বহুনি।"

নীলিমানা হায়রকই, "নত্তে, মহু তৌবিরুসু। অচুম্ববু শুপ্নগী কমলগী ৱাখলদদা লৈব্রা, অহুগা মপাগী বুদ্ধিদদি অকবা লৈব্রা? মহুম্না ওইবা য়াবোই। মাগী মফমদা অচুম্বা অহু মণিগী মফমদা অচুম্বা ওইদবসু য়াই। মুপীনা লমচং নাইদবা মপুরোইবা থাদোকপদা অচুম্বা ফনসু লৈগদবু, বেলাগী মফমদি মপুরোইবগা খায়নবা অচুম্বা মরিক অমা কাওবা পক্তে, ঐনা মসি ইচং থৌনা হায়বা ঙম্মী। অচুম্বা মপুরোইবা খায়নবদসু লৈত্তে, মপুরোইবগী মীনাই ওইবদসু লৈত্তে, অদি অহু শুপ্নগী য়েং-ওইগী লম্মী ওইবদনি, লমথুংকম অহু ইশানা থিজলদবনি, য়েংনহনসু মহুগী লৈকম খঙবা ঙম্মোই।"

কমলনা তুপ্পিগা শেংহনা' লৈ।

নীলিমানা মথা তাথবকই, "নুমিং খোবকপদনা মাগী পুন্মক নত্তে, মাগী তাথখিবগীসু অহুম্না য়াংই, শক-যৌবনগী লিচিংহুদনা কবিশুপা নুংশিবগী পুন্নমক ওইরম্নবদি মচানুপীগী মবমদা মপানা অরা-চিন্তা পুবা য়াযম অসি লাক্লমোইদহনি —অহুবু মহু নাত্ত। ঐ লাইবিক হৈতে, জ্ঞান-বুদ্ধি য়াংলি, য়েংনহনা নঙোন্দা খঙহনবা ঙম্লোই, অহুবু অশেংবা পোং অদুদি নহাক্না ঙসি ফাওবা খিবা ফংদ্রি ইনাও-হৈবেম্না। শ্রদ্ধা, ভক্তি, নুংশিবা, থাজবা মখোয় অসি 'মুশবগা হেক্তা ফংবা যাবা নত্তে —য়াম্না বানা, য়াম্না খিঙ্গনা মখোযনা মশক উংলকই। মতম অদুদদি শক-যৌবনগী য়াহু, কদাযদা লোংগ্রবানা খঙদে কমল, খিবদা ফংবা ঙমদে।"

মিংয়েং থৌববী কমলনা নিংকুপ্তা খম্ন-নৈনম্রিবা বাফম অসিগা হাযবক্লিবা অসিগা চুশিন্নদ্রে হাযবা খঙলে। য়ানি দবসু তৌদে, শোগংপসু তৌদে, পুন্নমক অসি নীলিমা মশাগী মরম্নাইগী য়ানি। লৈহনা য়েংলকই, লংলবা মৈঙালদা নীলিমাগী চোই-জাইননা কুংনা মুরবা শমগী য়াওথানবা মমিনা কুপ্লিবা ফজরবা মাইথোংনা খনঙমদ্রবা নিংথিবগী শক্লোন লৌবি অমসুং মহৌশানা ঈংলবা নিংকী পীরাং থাংবা মিংয়েংনা থম্মোয় নৌখোবপা অথোং-অমেনা মকম খুদিং শিনদ্রে। কমলনা মপুক্লিংদা হায়জ-রকই, মসি নৌহৌননা কোরোহনবনা চীংথৈ ফিহুগ তক্লকপনি, নজ্রগা চোকথরবা সুমিংনা চীংঙ্গা থাংলকপনি, অরেম্বদা মাইথোং

[illegible]বা অসিগী মহাগনা শুদ্ধি তঞ্জাং তঞ্জাংবনিবা অতিয়াগী মাইকৈ অদু নোংংশাক্লা নোংচুপ্লা মাইকৈ লেপুনা মহাক্না মহুৎকী মকমদা লোয়ুক্লা থংবাদা থুকমকরকই।

মিনিট অমি-অমগী মতুংদা আরবাবুনা থওহৌনা থাংজকরক্লুনা হায়রকই, "কমল, মহাকী মাশিংদু অমুক্তংদা থদুনা লৈখিগে, অদুবু ঐখোয়গী মাহংশিংদুদু মহাক্না মতৌ অমুম্না থৌওইদবা তৌগদু। মী কয়ানা মসিবু অচুম্বনি হায়না লৌনজিববনি; ওইদবনা কৈদৌউড়দম্বু মী অদুক মাখা অদুবু ওাওইনবা মায়োই।"

কমলনা তরং-মানংদা তাউবগুম নোকফেং তৌনা মচুক হাইরকই, অদুবু মহাক্না নীংলিমাদা পাউখুম পীরকই। হায়রকই, "নুপা অমবু ওাওইনবা অহুমকী মতেংনা নুপা লাক অমবুসু ওওইনবা যাই। মশাং মাগদনা বুদ্ধি হেনগংপগী প্রমাণ ওইবে হচে-থেম্বা। নোংমা নুপা-নুপী নুংশিনবগী ইতিহাস অহুমকপু মাওইবগী চাউখংপগী থাইদগী অচুম্বা ইতিহাসনি হায়খিবা মথোয়না অচুম্বা কংখি থাইদগী হেয়া, অদুবু মচানুপাশিংমক মথৌদুগী থিবা দরকারনি হায়না লাউথোকখ্রিবা মথোয়না মচানুপীশিংবু তপগী জৈকাইব পীবদনা পেল্লে, মথাগা চাউখং-চরক্লবা লমাইদুদু থিংই অদুগা চুমদবা অদুগী মরমদা অকীবা যোঙ্খি হায়দুনা ওসিদু অৱাবা অসিগী থরেনকম লৌখ্রিবনি।"

"অদুবু মা অসি ঐতোমনা থীরিবিনা কাঁবিদ্রৌ কমল?"

"কাংলা ইচেগী মকমদা থরি ঐগী থাইদগী দরকার লৈ

মহুদি, থাগং-রাহৈগী লৈতং মথল মথননা ঐখোযবু লৈতেংবিরিবা মখোয় অহুনা মমা ওইবগী গুণদনা নুপীগী অখোইবা পান্দম্মি হায়না শন্দোক্লি, নুপীগী জাতিবু মখোয়না লৌনম তৌরি, পূক্নিদা করিগুম্বা কিভম অমগুদসু য়াবিরুগনু ইচে-বেম্মা, মীনম্মা নীতি অসিবু কৈদৌঙৈদসু য়ানা চংপিরুনু। মসি ঐগী অরোইবা হায়জবনি। অদুবু অমুক য়েংনরননুসি, ঐ হজপ্রগে।"

আশুবাবুনা চোকথরবা খোঞ্জেলনা হায়রকই, "হল্লো। নহাকপু থিন্নবা গাডী মথাদা ডাইরিবনি।"

কমলনা মৈচাক্তা লোয়ননা হায়ববই, "অদোম্না ঐবু চানবি, অদুবু কদায়দসু ঐখোয়গী চুনবদি লেতে।"

নীলিমানা হায়রকই, 'কবিগী লৈতনি কমল। অদুবু মহুদি মপু অমত্তনা করম।-হাচা অমত্তদা য়েরগা শাহুনা য়ান্নহনবা নত্তে, বিধাতাগী লৈশেমগী মান্নবনি। শক তোঙাল তোঙাল্লি, অদু মিংকী মরুমদা শিংশি মনুংদা চেল্লিবা ঈদি অমংনি। অহুনা মপালদা কনা মান্নদবা ইরাংসু হোৌজসনু, মনুংগী শিচিংদি কবিমংা অপনবা লৈরোই।"

কমলনা মনাক্তা চংশিল্লরুগা আশুবাবুগী লেংজুমদা মখুং নাম্না থম্লহুনা তপ্না তপ্না হায়রকই, "নচানুপীগী মহুংতা ঐত্তোন্দদি অদুবু শাউবিরোইদবনি হায়জহৌরিবসিনি।"

আশুবাবু করিসু খুমদে, গুপ্নগী চপ থুংনা কমহুনা লেপ্রে।

কমলনা হায়রকই, "ইংরাজিদা emancipation হায়বা রাহৈ অমা লৈ, অদোম্না খঙবিরিবহুনি, মমাংঙৈদা মপাগী

অকনবা চৈরাক মথা পোন্দুনা লৈবকগী মচাবু মুক্তি পীখিবা অহুদস্থু অচৌবা অর্থ অমা লৈ। মতম অহুদা নুপামচা-নুপী-মচাশিংনা পুনশিল্লগা য়াইহে অসি শেমখিবা নত্তে, অহুবু অদোমগুম্বা য়াম্না য়াংবা থাক্কী মপাশিংনা শেমখিবনি, মশামক্না থৌরি-লিপুন কোমথোকহন্দুনা মশাগী নুচানুপীবু মুক্তি পীবিখিবা মখোয় অহুমক্লনি। হেৌজিক্কী মতমদস্থু emancipation হায়নবা নুপীশিংনা ফনা লাউগে শাউজসনু, পীবিগদবা মপুদি নুপাশিংনি —ঐখোয় নুপীনা নত্তে. জগৎ লৈশেমগী অচুম্বা অসিবু ঐনা নোংমগুম্থু কাউজদে আশুবাবু। ঐখোয়গী বাবা মশামক্না কাওন্না তক্তনা তাকপিরম্মী, পৃথিবীগী অরৈবা মীনাইশিংগী মনীংতম্বা নোংমা মখোয়গী মপুশিংহুমক্না মুক্তি পীবিখি, মখোয়গী ওইনা মতমহুদা মপুগী কাংবুশিংমক্না লাঞ্জখি, মীনাইগী বাংবুনা নিঙাই-শাদানহুনা ন্যায়-বিচারগী পাঙ্গলনা মখোয়না মশাবু মুক্তি ফংহল্লখিবা নত্তে। অস্থুম্নমক ওইবিবনি। তাইবংপানগী মসিমক নিয়ম্নি, শক্তিগী লিপুন্দগী শক্তি লৈবশিংদনা অশোনববু কনবিরিবনি। মতৌ অহুম্না নুপীগী মুক্তি ঙসিস্থু শুপ্নগী নুপাশিংদনা পীবিবা ঙমগনি। দায়িত্বসি মখোয়মক্কীনি। মনোবমাগী মুক্তি পীবিনবা দায়িত্ব অদোমগী থুঙনি। মশিনা ইরাং হৌজবদি ঙমগনি অহুবু মপাগী অভিশাপকী মপুংদদি মচাগী মুক্তি লৈতে, লৈরিবদি মহাক্কী চানবিবা আশীর্ব্বাদকী মপুংদনি।"

আশুবাবু হৌজিকস্থু য়া ঙাংবা ঙমত্রে। ইরাং হৌবা স্বভাবকী নুপীমচা অসি সংসাবদা সন্মান লৈতবা মর্য্যাদা য়াউহবা

মরক্তা পোকখিবনি। অদুবু পোকপগী ক্লকাইনিংঙাই ওইরবা মওং চাদবা অদুবু থম্মোয়দা করিন্সু লৈতনা লৌহুনা মীমাংদা মপাগী মকমদা মহাক্কী ভক্তি অমসু নুংশিবা ঙমখৈ নাইদনা কোংদোকপদা থজিক্তা নিংহয়দে।

মাগী মপাবু উথিদবা নুপা অসিনা মপাগী সংস্কার অমদি স্বভাবকী মতুং ইন্না শ্রদ্ধা লৈরুবসু লুই, অদুম ওইনমক মহাকমক্কী রাখলদা মহাক্কী মমিং অনিমক্তা পী ঈরা চেন্নক্লে। মপাগী মচানুপী কাম্নবা অমসুং মচানুপীনা মায়োক্তা লেপখিবদা তেনজৈগী মতৌগুম মঙোন্দা লেংলিবনি, অদুবু শিপুন পুম্নমক ককথংখিহুনসু কমদোরগা মীওইবনা মতম চুপ্পগী ওইনা হিংহুনা লৈবা য়াবগে, মাগী মচানুপী অসিগী মাইথোংদা য়েংবদা মতুগী ইঙ্গিত অমা ফংবগুম তৌই অমসু, লেংজুমদা পায়রিবা মথুং অদু চিংশিল্লগা ঙাইহাক তুম্মিন্না লৈরকই।

কমলনা হায়রকই, "হৌজিক্তি ঐ যৌজখ্রগে—"

আশুবাবুনা মখুৎ থাদোক্লগা হায়রকই, "য়ৌখ্রো।"

মসিদগী হেন্না করিন্সু মাগী মচিন্দগী অমুক থোরক্রু।

কুনমঙা

নিংথম-থাগী নুমিৎ তাখ্রে। সন্ধ্যাগী হক্ক-মুক্কদা ইমুং অদু রাওথাংনরক্লে, অপুবা ফি অমা তুগদবা থরা রাংলিবহু কমলনা মৈ চুথংত্রিতৈগী মমাংদা লোইশিনবা পাল্লি। থোইনা লাপ্পুনা অজিত চৌকিদা ফমহুনা লৈ। করিনো অমা অন্সুম

* মুরপুদগী খঙহৌদনা মরক্তা চপ লেপ্তুনা মহাক মপুক্কিং লাংতক্লনা তানিংবগী আশাদা পাউখুম ঙাইহনা লৈবা মাল্লি।

মনোরমা অমস্তুং শিবনাথকী থোদোক্তু মরুপ-মপাংশিংস্তু খঙনক্রে। হন্দক-মরক অসি রাকমহ্ পুথোক্তুনা ঙাংন-শক্লবা চংখরি। অজিতকী রাহৌদোক অসিনি মহুদি, অসিগুম্বা করিগুম্বা অমা মমৈদা থোক্লগনি হায়বসি মহাক্তা হেক য়ৌরকপদগী চিংনরক্লিবনি।

অহুবু চিংনবগী মরমগী মরিদা কমলনা করিগুম্বা খঙনিংবা অমত্তা উংনক্রে।

অহুগী মতুংদগী হৌহনা অজিতনা লেপ্তুনা ঙাংখরক্লগা অসিগুম্বা মতাং অমদা লেপক্রে মহুদি, মতাংসিদা অতোপ্পা মাইকৈগী রা অমা তাক্রবদি মখা তাথবা য়াদ্রে।

কমল থোইদোক্লা মপুক্কিং চংনা কি তুরি, মকোক হাইগংপা শংদবগুম্মী।

মিনিট অনি-অহুম তুম্মিন্না লেল্লে। কয়া কুইনা অমুক লেনখিগদগে অরেপ্পা লৈতে, মতৌ অস্তুম্না অজিতনা অমুক হন্না হোংনবা তাই, হায়রকই, "ঙক্লিবদি অসিনি, শিবনাথকী শাজং নহাক্তা করিমত্তা খঙবা ঙমখিদে।"

কমলনা মমাই নোনখংলক্লে, অহুবু মঙক হাইহনা হায়রকই, "ঙমদে।"

"হায়বদি নঙ অস্তুক হাক্তা ইচম-চমজৈ, করিমন্না চিংমক্লদে, মসি কনানবু থাজবা ঙমগদগে?"

"কনানা ঙমগদ্রা ঙক্নোইদ্রা থঙদে, অহুবু অদোম্না ঙম্বিবোইদ্রা ?"

অজিতনা হায়রকই, "অহুবু নহাকী মাইথোং য়েংলগদি চুম্বা ৱাই, অন্নুম হেক্তদি ঙমদে।"

হন্দক্তি কমলনা মমাই নোনথংলক্লগা হায়রকই. "অহু ঙইরবদি মুম্বা য়েংবিরো, ঙম্বিদ্রা ঙম্বিদত্রা হায়বিরো ?"

অজিতকী মমিং পীরাং থাংবগুম ভাংলক্রে ; হায়রকই, "নহাকী ৱাসিমক অহুম্বনি, মাবু থাজদবা ঙমখিদে হায়হুনা ফল অসি তাররি !"

"মহুনি হায়বী ৱাই, অহুবু অদামগী মাইকৈদগী চিংনবা কঞ্জবা কংপ খুংতা ফংবিদ্রা মহুস্থু শেংনা হায়বিগদ্রা ?" অসি হায়রগা মহাক্না অমুক হন্না নোকফেং তৌরগা থবক্তা মপুক্কিং চংল্লে।

মসিগী মতুংদা অজিতনা মিনিট তরামঙারোম চেনা পন্দনা ৱা ঙাংলবদা অকোনবদা চোকথরগুনা হায়রকই, "করিগুম্বদনা হোয় করিগুম্বনা নত্তে। পাখোং নঙনা নঙ ৱা ঙাংবা হৈদ্রা ?"

কমলনা পায়হুনা তুরিবহু চুমথোক চুমথোক্না হায়রকই, "মুপীশিংদি পাখোং ৱাম্না পামদৈ, মহু মখোয়গী স্বভাবনি।"

"অহু ওইরবদি স্বভাব অহুবু থাগংলুবা ঙমদে। শেংনা হেক্তা হায়বা থরা তম্মু, নত্রবদি সংসারদা চংনবা ৱারোই।"

"অদোমস্থ পাখোং থরা হৈজিনবিস্থ, অহু নত্রবদি অতোপ্পা মাইকৈগী খুদোং চাদবস্থ মহু মঙাই।" অসি হায়রগা মহাক্না

পাঙ্গল্লিবা কি অহু লোইশিন্দুনা য়াক্কেটতা হাপচিল্লগা হায়রবই, "ময়েক শেংহনবা য়াইদগী হেন্না পাম্বা মীশকপিংহু বক্তা ওইরগদি মখোয়না পাউ-চেদা বক্তৃতা অহূ হাপ্লি, লেখক ওইরগনা মশাগী লাইরিকী য়াহৌদোক্লা ইনৈ, অহুগা নাট্যকার ওইরগনা মখোয়না মশাগী নাটক্তা নায়কী শক্তম লাংই। য়াহৈনা ফোংঙমদবা অহু মখোঙ-মথুং হাই-হুমহূনা যোংদোকপা পাম্মী। মখোযনা নুংশিনবদদি কবি তৌবগে খঙদ। কহুবু ঙাইহাক্তা কস্লিখো, ঐ ৈম.থাঙ্গংলুখিগে।" অসি হায়রগা মহাক থুনা-য়াংনা হৌগংতুনা অসোমগী কাদা চংশ্রে।

মিনিট মঙা-তরুকী মতুংদা হল্লক্লগা মহাক্লা থাউমৈ অহু টেবিল মথক্তা থম্লগা লৈমাযদা ফমথরবে।

অজিতনা হায়রকই, "বক্তা নত্রগা লেখক মত্রগা নাট্যকার কবিগুম্বা অমত্তা ঐ নত্তে, মরম অসিনা মখোয়গী ওইবা মশা কল্লনবা য়া ঙাংবা ঙম্লোই, অহুবু মখোয়না নুংশিনরবদি কবি তৌবগে খঙই। মখোয়দি শৈব-মত্তা লুহোংবগী লাং থাক্কে —ময়েক শেংনা খঙলবা লম্বীদা মখোঙনা খোংনা চংলি। মখোয় লৈখিত্রবদা অতোপ্পগী শেংপ-চাবদা অল্লাবা খোক্তনবা, লৈকমগীদমক্তা য়ুম্বুগী মখোঙ কোল্লুদনবা, সম্মাম মাংবগী চৈনাখোল ফংদনবা—"

কমলনা মরক থংতুনা হায়রকই, "য়ারে, য়ারে।" নোক্তুনা মথা তারকই, "হায়বদি মখোয়না কৌবদগী লৌইবা ফাওবা থুম অম্বুম্না তমথীবা যংনা ছিত্র লৈতনা শাবম্মী মহুদি, অংশিবগী

কু নঙনা, মহুদা হিংগলিবা মীশী কুংশা শোর হোয়নবা অহোবা কাওবা থমদে। মখোয় সাধুনি।"

থঙহৌদনা খোঙ মপালদগী হায়রকই, "ঐখোয় ইমুংদা চংলকপা য়াগদ্রা?"

খোঙেল অসি হরেন্দ্রগীনি। অদুবু ঐখোয় হায়বদি কনা কনানো? ·

"লেংশিনবিয়রকউ, লেংশিনবিয়রকউ" হায়দুনা তরাম্না ওকুনবা কমল খোঙজিল ময়া কাওবা থোরকই।

হরেন্দ্রনা অতোপ্পা পাথং অমা লোয়নরকই। হরেন্দ্রনা হায়রকই, "সতীশবু ঐখোয়গী আশ্রমদা নোংমদি থেংনবিগ্রবনি, অদু ওইরবস্ত মাবু কাউবিরম্লোই হায়না খল্লি।"

কমলনা মোমোন তৌনা হায়রকই, "কাউদ্রি, লুমিং অদুদদি ফি অঙোবা ইল্লি, ওসিগী অনিদি হঙাম্পালগীনি।"

হরেন্দ্রনা হায়রকই, "মসি অরাংবা লমদা চংলুবগী মপাল-খোঙগী ওইনা কোংদোকপনি, অতৈ করিস্নু নত্তে। মহাক কাশীধামদগী হল্লকপদা মঙাইরি, পুং অনিদগী হেনবা নত্রি। চোকথরে, অদুগী মথক্তা মহাকপু য়ানিংবস্নু লৈতে, অদুম ওইনমক ঐ চংকনি তাবদা থম্মোয় ঈথক কাথাবা ঙমদ্রমাল্লে। মসি ঐখোয়গী ব্রহ্মচারীশিংগী মীনুংশি চাউবনি, অতৈ করিস্নু নত্তে।" অসি হায়রগা মহাক ইমুংদা মমাই লৈশিল্লগা য়েংদুনা হায়রকই, "অসিনিদদা! অদুগা orthodox ব্রহ্মচারী অমা ওত্তানা লৈবিরম্লে। ওইজরসন্নু, অমুক চিংননিংঙাই মরম লৈরে,

ঐগী আশ্রমদি কায়রে। অহুবু মহু অতোপ্পা অমা শিংথরক্নরে হায়দুমনি।" অসি হায়রগা মহাক ইমুংদা চঙলক্লে অমসুং অনিশুবা চেংবিদু উৎতুনা সতীশতা হায়রক্লই, "ফম্মু।" অদুগা মহাক মশানা কাংথোক্লদা মখোয় যাম্ভুনা ফম্লরে। অম্মল লেপ্তুনা লৈদুনা ইমুংদা অহুমশুবা চৌকি লৈতবা উজুনা সতীশ ফমগদবা হৌদ্রবদা, হরেন্দ্রনা মহু খণ্ডদবা নত্তে, অরুম ওইনমক মহাক্না নোবকেং তৌনা হায়বক্লই, "ফম্মুনে, সতীশ, জাত তরোইরে। কাশী থোক্লবনা যনা, রাংনা কাথংকে কাখৎলু, মহুদগী হেন্না ফাওবা রাংবা মফম সংসাবদা লৈবি হায়বা রা অসি কাউগনু।"

"নত্তে, মহুগী নত্তে," হায়রগা সতীশ হৈন্দ্রদনা ফমথরে। মহাক্কী মাইথাং যেংদুনা কমধনা নোক্লকই, হায়রকই, "ঐঙোন্না কোক্চি কোংপিবদি পকচদে হরেন্দ্রবাবু। আশ্রম লিংখৎপিবশু অদোম্মি, মহন্ত মহারাজসু অদোম্মি। মখোয় চহিদা অঙাংনি, পাঙ্গা শারদসু মবাংনি। মখোয়দি গুপ্তগী অদোমগী পাউতাক অমদি য়াথং ঙাক্না চংপদনি, মবম অসিনা—"

হরেন্দ্রনা হায়রকই, "মরম অসিনা হায়বদু মপুংফাইনবগী দরকার ওইদে। আশ্রম লিংখৎপা ঐমক্না ওইরম্বা মাই, অহুবু মহন্তগা মহারাজগাদি সতীশকা রাজেনগা মরুপ অনিনা ওইবিবনি। মী অমগী, থবক্না ঐখোয়না পাউতাক পীবনি। অদুগা অতোপ্পা অদুগী থবক্না ঙল্লিবমখৈ ঐবু য়ানা চংতবা অসিনি। মী অমদি মফম খণ্ডখিদ্রে, অদুগা অমা অদুনা থোইদোক্না মায়া

তানশিন্নগা হন্নরে. মহাক্না তাল চাননা খোঙ থাংহনা অমুক চংখিন্নবা ঙম্নরাইদ্রা কীরে। হৌজিক খল্লিবদি গুপ্নগী চন্না ভংথায়দগী হেন্না চাবা কংজত্রবা লুপ.মচাগী কাংবু অসিনি। কাশী-মুংশী দর্শন তৌরুবগা মখোয়শি.হুস্নু হনুরে। মরক অসিদা লোনজং-শাজংতা অশোয়বা য়াউরক্রে হায়বা মখোয়বু উবদা খঙলে, গুপ্নগী খোইরাংলিবদি অসিনি মহুদি, খন্নগা কমশিন্না তপস্যা তৌহন্নবদি মখোয় হন্নকপগী গাড়ী-ভাড়াহ্ ঐ অমুক তিংলম্নরোইদবনি।"

কমলনা নুংঙাইতবগা লোয়ননা হায়রকই, "অঙাংশিংহ্ খঙজরে ময়াং য়ায়া ক.নৈনিনে?"

হরেন্দ্রনা হায়রকই, "ময়াং কংবা! আশ্রমগী চংনরোলদা মহুগী মমিং অমা নৈরম্বা য়াই – সতীশ খঙলম্বস্নু য়াই, অহুবু আধুনিক কালগী অয়েকপা শুক্রাচার্য্যগী তপোবনগী কচগী লাই উবিরক্রা? উখিত্রিত্রা? অহু খইরবদি চপ চাবহ্ ভাবনা লৌশিনবিবা ঙম্নরোই। দালানগী মাঙোলদা লেপ্লদা ঐদি খঙহৌদনা নিংশিংখি, কচ কাবু অমা পরেং শানা স্বর্গদগী কুমথরক্কুনা আশ্রমদা চংলকপগুম্মী। থাজবা অমত্তংদি পোক্লকই, ঐখোয়গী আশ্রম অহু কায়খিবদা মখোয় চন্না হেন্দুনদি শিন্নরোই, নৈবাকী করিগুম্বা কলা-ভবন অমদা চংলগা মোড়েলগী থবক লৌরুবা য়ারগনি।"

কমলনা হায়রকই, "অদোম্না আশ্রম থমত্রে হায়না মীনা ঙাংনৈ, মশিন্নু অহুম্বরা?"

"ঙচুম্বনি। নহাকী রাহৈগী তেন ঐ থাংবা ঙমগ্রে। সতীশনা মকম অসিদা লাক্লিবসি মহাক্কী মরম অমনি। মাগী রাখলদা ইবেম্মা অশেংবদি ভারত-চন্দ্র নত্তে, অহুনা ভারতকী অথুম্বা অচুম্বা পোং অমু ইবেম্মনা মশক খঙবা ঙমদবনি। মহু ইবেম্মগী মকমদা মহাক্না তাকপা পাম্লি। খঙবা ঙম্বিগদ্রা ঙম্বিরোইদ্রা মহু ইবেম্মনা খঙলিগনি, অদুবু মনা অমবু ওইরবস্থ মথোয়গী কীনিংঙাই নৈতে হায়না ঐনা মঙোন্দা থাজহল্লক্লিবনি। মরমদি আশ্রম মথল মরিগী মনুংদা করম্বা আশ্রমো অজিতকুমার মশামক্না লিংখংপিগদৌরিবা অমুগী তাংদাংবা পাউ খংগ্রবস্থ পরম্পরাগী মতুংইন্না অসিদংদি খঙবা ঙম্মী মহুদি, মহাক্না শেল য়াম্না তিংনা অসিগুম্বা আশ্রম তম্না-বুন তোঙান তোঙানবা মকমদা লিংখংকনি। মহাক্তি মরলস্থ নৈ, পীবস্থ ঙমগনি। মহুগী নায়ক অমা ওইবা সতীশস্থ শোয়দনা খংজরগনি।"

কমলনা মচিন থুমহুনা নোক্লুনা হায়রকই, "দান খবগী মত্তৌগুম্বা মশাগী ফত্তবা শাজং লোংননবা অদুগুম্বা য়ুখল অতোপ্পা অমা নৈতে। অদুবু ভারতকী অচুম্বা পোংশক্কু ঐঙোন্দা তাকপিরগা সতীশবাবুগী কান্নবা করি খংগদগে? আশ্রম থুগায়মু হায়বস্থ ঐনা হরেন্দ্রবাবুদা হায়জখিদে, শেলগী পাক্কনা ভারত শিন-থুংনা আশ্রম হাংলবস্থ ঐনা অজিতবাবুবু থাম্লোই। ঐনা য়াজনিংত্রিবদি মহুবু অচুম্বনি হায়না লৌবদবুনি। মহুনা কনাগী করি মাংবগে?"

সতীশনা নৌঙ্কুকপা খোঞ্জেলনা হায়রকই, "মাংবগী চাং মশালদা উবা ফংলোই। অদুবু তর্বগীদমক্তা নত্তে তমজবা অমা ওইরমা ব্রাহং থরমখৈ করিগুম্বা হংলবদি মহাগী পাউথুম কঞ্জগদ্রা ?"

"অদুবু ঙসিদি ঐ য়াম্না চোকথরে সতীশবাবু।"

সতীশনা য়ানিংদবা অসি মনাদা হাপ্তে, হায়রকই, "হরেন্দ্র-দাদানা হৌজিক্তা লীশা, তোহুনা তাকপিখি, ঐ কাশীদগী হল্লক-পনি, ফনা ব্রাংনা কারবস্থু মহুদগী হেন্না ফাওবা অৱাংবা মফম সংসারদা লৈরি হায়না। মহ্ যুম অসিনি ! ঐ খঙজে, অদোমগী মকমদা মহাক্কী শ্রদ্ধা মপাল নাইদে— আশ্রম থুগায়বদা অমাংবা লৈরোই। অদুবু অদোমগী রাদগী মহাক্কী মপুক্কি-করিগুম্বা ওনবা ওইরম্বা তারবদি মহুগী তমাংবহ্ মেনবা লুই।"

কমল তুপ্পিন্না লৈ। সতীশনা হায়বকই "রাজেনবু আদোম্না মুন্না খঙবিরিবনি, মহাক ঐগী মরুপ্পি। নুংগী মরূদা মত তীন্নরমদ্রগদি ঐখোয় মরুপ ওইবা য়াবগ্লোই। মাগী মতৌগুম্বা ডারতকী সুং-পাল ফাওনা মুক্তি ফংবগা লোয়ননা স্বজাতিগী অথোইবা য়াফইবা ঐগীস্থ অপাংনি। আশা অসিদা নুপামচাশিং পুর্নশিনহন্দুনা শঙ্খ শেন্বা ঐখোয়না পাম্মী। অহ্ নত্রবদি শিরবা তুংদা মতম থরা বৈকুণ্ঠদা বাস তৌরুবগী অপাম্বা ঐখোয়গী লৈতে। অদুবু নিয়মগী অকনবা লিপুন নত্তনদি কৈদৌঙৈদস্থ শঙ্খ শেমগৎপা য়াদে। অহ্গা মহ্ গুপ্নগী নুপামচাশিংদা নত্তে, লিপুন অহুদা ঐখোয় ইশামকস্থ য়াউরিবনি। থুদোংচাদবা

মতুদা লৈ— লৈযম থোকপনি। কন্না শুহনা অর্নাংবা পোংশীক ফংবা তাঙ্খিবা মথম অতুমবপুমিদনা আশ্রম হাঁয়রিবসি। মতুদা চরা হেনবদি বরিন্দু লৈবা নত্তে।"

পাউবুম ফংত্রতুনা সতীশনা মথা তাথরকই, "হরেন্দ্রদাদাগী আশ্রমদা তৌনিংবা তৌজনু কৈদৌনি; মসিগী মরিদা ঐ নৈনজরোই, মৈবমদি মতু লনাইগী ওইগদবা কীনিংঙাই লৈ, অহুবু ভাবতকী ওইবা আশ্রমগী মনু্দা ভারতকী হৌখিবগু য়োকখংপা অমদি থোইদোক্লা শ্রদ্ধাগী ঈচেল য়াউরি। মসিদি য়াদবা ঙমদে। ত্যাগ, ব্রহ্মচর্য্য, পুক্নিং খুদুম চনবা পুন্নমক অসি শক্তি লৈবা জাতি শেমগৎপগী থবাক্ন অমদি তোপ-তোঙ্কা শক্তম মতম অতুদা মসিগী মরক্তা লেংদনা লৈরম্মী, ঙসিগী যুগ অসিদসু থোঔইদবা য়াবা পোৎ নত্তে। অশিবগী থযাঙ্ডা তারবা ভারতপু শুপ্লদগী লম্বী অসিমক্তনা অমুক কনবা ঙমগদৌরিবনি। আশ্রমগী চংনবী লমচৎ-শাজৎ ময়ক্তা [ঐগী থাজবা অমদি শ্রদ্ধা অসিবু লেংদনা থম্বা পাম্মী। মোংম্মা মন্ত্রনা নিল্লম্মী, হোমগী মৈ নি্থিনা চারম্মী; লাইনিং চেংপন্না ভাবতকী" আশ্রম অসিমক জাতিগী পূন্সিদা মরু ওইবা শুংঙাই-য়াইকনবা হোংনবদা অঙকপা অমা ওইবম্মী, দরবগর অচু ঙ্গি কাওবা লুপখিক্নি; অচুম্বা অসিবু অপঙবা কনায়ন য়াজিংলোইদত্তে।"

সতীশকী বাঙা্দা থম্মোয়গী অচেৎপা অমা য়াউই। য়াইহেশিংপু বইক অমম্বুং তোঙ্খিমা ঙাংলকপনা মওং অমদা চিনবা পুবক্তে। লোইশিন্নকপদা মহাকী অতম্মা থোক্লেলদ

মঙাশংগা লোয়ননা ফিল্লংলকপনা মাইথোংহ অমুক তঙাং-তঙাংলকই। মাইকে অদোমদা রা ঙাংদনা মমিং কুপ্পমথৈ য়েংহনা কজনা শেংলবা রাখল-ঈথক্লা অজিতকী খোঙচংগী তোন ফাওবা তু চুংলক্লে অমসুং হরেন্দ্রনা মহাকী আশ্রমগী মায়োক্তা মশিগী মন্নাংদা রাইহেনা ফনা করেম্নখিবসু ওইসনু, আশ্রমগী মরিদা হৌখিবগী চাউথোকচবগী রাফমদা থাজবা অমদি থাজদবগী মরক্তা মহাক অকনবা ঈ'রদা উক্ল-ক্ল লৈরক্লে। মহাকী মাইথোংদা

সতীশনা অকুপ্পা মিংয়েং থমহনা হায়রকই, "হরেন্দ্রদাদা, ঐখোয় শিরবনি, অহৃবু আশ্রম অসিগী মন্নুংদগী ঐখোয়গী অনৌবা মপোক ফংবগী বিজ্ঞান লৈ, অচুম্বা অসি কাউথোকশিরিবা করম্বা নিয়মগী মখাদনো? অদোম্না থুগায়বিরি, অহৃবু থুগায়বদনা চাউরা? শেমশংপনা মহৃদগী হেন্না খোইদোক্লা রাংবা নওরা? দাদানা খুম্বিয়ু।"

কমলগী মাইথোংদা য়েংহনা মহাক্লা হংলকই, "পুক্নিদা আশ্রম কয়া অদোম ইশানা উবিগ্রবগে? কয়া য়াম্না মতিক চাবা অথুপ্পা পরিচয় অদোমগী লৈবিবগে?"

অকুবা রাহংনি। কমলনা হায়রকই, "মিংনা পুম্নমক হেক্তা উবা ফংরা? অদোমখোয়গী আশ্রমগী শুব-নোম্বদি ইমিং-মক্লা উরকই, অহৃবু অচৌবা পোং ফংবগী রাকম অহৃদি মরুমদা অহূম লৈপ্রে।"

সতীশনা হায়রকই, "অদোম্না অমুক করেম্নবিরি।"

মহাকী অশাউবা মাইথোংদা য়েংহনা হরেন্দ্রনা খোল্লেল

মুংশিনা হায়রকই, "নত্তে নত্তে সতীশ, করেম্নবা নত্তে, য়া ঙাংবদা কিশি থাংনা ঙাংবদনি। মহ্ মাগী স্বভাবনি।"

সতীশনা হায়রকই, "স্বভাব! স্বভাবনি হায়দুনবু মহুগী মরম পীরোইদবা হরেন্দ্র-দাদা! ভারতকী হৌখিবা মতমগী মুংতিগী পূজা তৌনিংঙাই ওইরিবা, মুংতিগী চংকদবা শাক্তং ওইরিবা য়াকম অহুমকপু ঊকাইবা পীবা, মহুদি শ্রদ্ধা লৈতবা উংপনি। মসিবুদি থোঁওইক্লদবা য়াবা নত্তে।"

হরেন্দ্রনা কমলবু উংতুনা হায়রকই, "য়েংনবা অসি মহাক্না কয়ারক হন্না য়েংনপ্রবনি। মহাক্না হায়খি, হৌখিবা মতমগী করিগুম্বা মমল অমত্তা লৈত্তে। পোং অমনবা ওইরকই মতমগী মতুং ইন্না, অহুবু মহুবু মতমগা চুনবা ওইহনবা তাবনি ইশাগী ইগুণনা। শুপ্নগী অরিবনি হায়দুনদ। মহুবু পূজা তৌবনদি ওইরোই। বর্ব্বর জাতিনা নো‌ংমা মখোয়গী মমা-মপাবু হিংনা হিংনা ফুম্নরম্মী, ঙসিত্থু করিগুম্বা থাইনগী চংনবী অহু য়োকথংতুনা থোদাং লেপ্পা তারবদি মহুদা থিংলুবা য়ারোইমে সতীশ।"

সতীশনা শাউরংননা খোঞ্জেল হৌনা হায়রকই, "থাইনগী ভারতকী ওইবা অহুগদি বর্ব্বরশিংগীগা চা‌ংদয়রুবা য়াদে হরেন্দ্র-দাদা।"

হরেন্দ্রনা হায়রকই, "মহ্ ঐ থঙই। অহুবু মহ্ মরম চাদে সতীশ, মহ্ য়াঙাং কনবগী য়াকম্নি।"

সতীশনা থোইদোক হেন্দোক্না ফিক্কংলকুনা হায়রকই, "দাদা ফাওবা নোংমদি নাস্তিক ওইবগী লাংদা থুগদৌরি হায়বা অসিদি ঐখোয়না থল্লুদে।"

হরেন্দ্রনা হায়রকই, "নহাক্না খঙলিবহুনি ঐ নাস্তিক নত্তে হায়বা। অদুবু খঙখিবা য়াম্নেনা ঈকাইবা পীবদি য়াই সতীশ, পুক্নিং ওন্থনবদি ঙমদে। অকনবা য়াঙাংনা সংসারগী থাইদগী অশোমবনি।"

সতীশ ঈকাইবে। লুকথদুনা মখুৎনা মহাক্কী খোঙ শোক্লুনা ময়াইবক কংলগা হায়রকই, "ঈকাইবা পীজদে হরেন্দ্রদাদা, খঙবিবিবহুনি অদোমগী মফমদা ভক্তি কযাগী মতিক লৈজবগে অদুবু খঙনবিবা ভারতকী চংনরক্লবা লাইনিংবু ফাওবা দাদানা থাজনিংবা মতমদা থবায় কংলাইহনদে। নোংমা তদুংদ্না চেন পথাপ অমদি অদুগুম্না লাইনিং-লাইশোন অদুগী মতেংনা মখোয়না ভাবত অসিগী অচৌবা জাতি অচৌবা সভ্যতা শেমগৎ-পীরম্মী হায়বা অচুম্বা অসি কৈদৌঙৈদস্থ মাংবা লৈররোইদবনি। ঐনা সনাগী ময়েক্তা ময়েক শংনা উবা ফংজে, ভারতকী চংনরম্বা ধর্ম অদু, ঐখোয় ইশাগী ইরল অদু। মাংথবক্লবা অচৌবা জাতি অসিবু অমুক হন্না খোঁশিন অদুমক্কী মতেংনা হিঙ্গৎহনবা য়াই হরেন্দ্র-দাদা, অতৈ অতোপ্পা পাম্বে লৈতে।"

হরেন্দ্রনা হায়রকই, "লৈরমদবস্থ য়াই সতীশ। মদু নঙগী থাজবনি অদুগা মদুগী মমল লৈবা গুপ্পগী নহাক্কী নকমদদা নত্তে। নোংমা তশেংনা অনিগুম্বা য়াদ্রী পাউখুমদা কদায়দা হায়রি, জগৎকী মৈহৌরোলদা নোংমা অচৌবা শক্ত, অচৌবা হকচাং, য়াম্না লামগনবগা লোয়ননা অচৌবা জীব অমা শেমখি; অদুগী মতেংনা পৃথিবী জয় তৌদুনা পাক্লগী—মতম অদুদা মদু

মখে ঋষী অচুম্বা খৌশিল ওইরমী। নোংমগী অচুম্বী খৌশিল অতোপ্পা মোংবা অমগী মীবম্বা খৌশিলগী মতুংদা মচু সংসারগী মরু কংনা মুর্খ, থজিক্কা কাওবা নাংহৌবা তৌদে। শক্ত অচু ওসি নুংগী শান্দম ওনদ্রে, archæology শিংগী থিজিন-ছমজিনবা পোংশক ওইদ্রে।"

সতীশনা খুদক্তা শাউথুম খিবা মতৌদুনা হায়রকই, "অচু ওইরবদি ঐখোয়গী হৌরকপা ইলা-ইপুশিংগী আদর্শ করম্বা ওনখ্রা ? মখোয়না শেমগৎলম্লিবা principle অসিদা অচুম্বা য়াউদ্রব্রা ?"

হরেন্দ্রনা হায়রকই, "মতমচুংদি লৈরম্বা য়াই, অদুনা ওসি লৈতবদগনু অসিংবা লৈতে। মতম অহুগী মর্গী লম্বীদা ওসি করিগুম্বা মখগী খাগী খোঙদা শুন্সিনবা তারবসু নুংকাংনুনবগী মরম উদে সতীশ।"

সতীশনা মখাগী তমখীনা শান্তিনিংবমু মথরায় থুবাক্তা হাকুনা মমথরগা হায়রকই, "হরেন্দ্রদাদা, পুন্নমক অসিদি অদোমখোয়গী-দমি, আধুনিক শিক্ষাগী ফলনি, অশুভ কম্বিম্ব নত্তে।"

হরেন্দ্রনা হায়বকই, "ওইথোকপা নত্তে। অদুবু আধুনিক শিক্ষানা করিগুম্বা আধুনিক মতমগী য়াইফ-লম্বী উইনবা ওন্নথখি মতুংদা ঐনা ঙকাইজিংঙাই মরম উদে সতীশ।"

সতীশনা মখা কুইনা চঙ্কুনা নুংথর্বা মওংদা কঁবদুনা লৈরগা ওন্না ওন্না হায়রকই, "ঙকাইবিংঙাইনি; ঙকাইমিংঙাই মরম্ভ মীশিং অদুম ওইসমক ঐদি উই হরেন্দ্রদাদা। ভারতকী জাত, ভারতকী অরিবা ভব, ভারত অসিগী ভংব থানকপ্রব।

অমুনি থরায় ওইরিবনি। ভাব অদু, তত্ত্ব অদু মাংহনজদুনা লৈবাক্কী স্বাধীনতা করিগুম্বা তানবা তারবদি স্বাধীনতা অদুদা ভারতকীদি জয় ওইরোই, জয় ওইরগদৌরিবদি গুম্লগী মীরৈবাক্কী রীতি অমদি মীরৈবাক্কী সভ্যতাগী মতেংননি। মদুদি মাইথীবগী মখিং গুম্থোকপননি। মদুগী শরুকপুদি শিখিবনা কৈ।"

মহাক থম্মোয় শোকই। মৈচাক অদুগী চাং খঙলদুনা হরেন্দ্র তুম্মিন্না লৈগ্রে, অদুবু হন্দক্তি কমলনা খুন্নকই। মহৌশানা মশাক খঙলবা মীনোক অদুগী মমি চিনবান্দা তাদে, খোঙ্গেল কাজিন্না, ঈংনা অমস্নুং তপ্না হায়রকই, "সতীশবাবুনা মশাগী মপুক্সিদা মশাবু কথোকপিবিবা অস্থুয়া করিগুম্বা সমাজ সংস্কারগী মাইকৈদস্ত্ ত্যাগ তৌবা ঙম্মিরবদি রাখম অসি খঙবদা ঙসি লুনা থোক্লরোইদবনি মদুদি, ভারতকীদমক্তা তোপ তোপ্পা মগুণগীদমক্তা মী লৈবা নত্তে, মীওইবগীদমক্তা মাবু তবায়া তৌনরিবনি, মীওইবগীদমক্তা মাগী মমল লৈরিবনি। মীওইবা লৈখা তাখিবা তারবদি করি কান্নগদগে মদুগী principle দুগী মতিক-ময়াই শেমগৎলুবগী? ওইত্রবস্ত্ ভারতকী মত্তা জয়, মীওইবগী জয়দি ওইগনিদনা? মতমদুদা মুক্তি ফংদুনা অস্থুক য়াম্বা নুপা-নুপীশিং অসি য়াইফগদৌরিবনি। অনৌবা তুর্কীগী মাইকৈদা হন্না য়েংবিয়ু। মানা মাগী অরিবা রীতি-নীতি, লোনচৎ-শাজৎ, ইপা-ইপু থাজবগী চৎনরকপা অমনবা লম্বীদবু অচুম্বনি লৌদুনা চেংনা কোনশিন্দুনা থন্নিরৈ মতম অদুগীমথৈ হন্না হন্না মাইথীবা নংই। ঙসি revolution গী মরক্তা মহাক্তা

অচুম্ববু উবা ঙমংলে, মাগী অমোংপা পুম্নমক চামথোকপ্রে, ঙসি মাবু নোক্লগদবা কনাগী মতিক লৈরিবগে ? অহুম ওইনমক অরিবা মত অহুগা লপ্পী অহুমক্তা নোংমা মঙোম্দা মাইপাকপা পীখি, লন-থুম য়াইফবা পীখি, মীওইবগী গুণ চেলহনখি। মহুবু অচুম্বা লেংদবদি হায়না থনখি। মহুমকম্তু মথরায় খুবাক্তা হাপ্তুনা চেজেং পায়শিন্দুনা হৌখিবগী চাউথোকচবহু হৌজিক্কী মতমদম্তু অমুক হন্না ফংবা ঙমগনি থগুবম্মী। মহুগী য়াওন লৈ হায়বা ফাওবা মপুরিংদা নিংশিংবা ঙমখিদে। ঙসিদি মীহৌবহু কোকপ্রে, অহুবু মখোয়গী মীশিংহু হিঙ্গংলক্লে। অসিগুম্বা খুদম কয়া অমম্তু লৈ, কযা অমম্তু লৈরকখিগনি। সতীশবাবু ইশানা ইশাবু থাজবা অহুগা ইশাগী চাউথোকচবগা পোংশক অমগা নত্তে।"

সতীশনা হায়রকই, "থগুই। অহুবু নোংচুপকী মীশিংনা মীওইবগী ৱাহংগী অরোইবা পাউখুম পীগ্রে অসি ফাওবদি ওইরমদবা যাইনা ? মখোয়গী সভাতাম্তু নোংমা লৈখা তানা মাংখিগনি, মসিম্তু ওইথোকইদনা ?"

কমলনা মঙক নোমহুনা হায়রকই, "হোয়, ওইথোকই। ঐগী থাজবম্তু মহুমক্নি।"

"অহু ওইরবদি ?"

কমলনা হায়রকই, "মহুদা নুংঙাইতনিংঙাই কন্নিম্তু লৈত্তে। সতীশবাবু, ফত্তবদি অফবগী য়েক্লবা নত্তে, অফবগী য়েক্লবা মহুদগী হেনবদি অমুকম্তু হেন্না অফবা থোরক্লুনা ৱাহংগী

পাক্তিখুম্নি পাল্লকপা মণ্ডম অচুম্বা মহাক অহুমকী মকমদা রাজেন্দ্র সিংহরনা লৈথোক্লুবা চংখিবা তাকনি। মোংলা শক, হুণ, তাতারশিংগী কাংবুনা ভারতবর্ষবু হকচাংগী পাজেলবা দকখা তৌখি, অদুবু মখোয়গী সভ্যতাবু চুশিনহনবা ঙমখিদে, মখোয় মশাহুম চুশিনখি। মসিগী মরম খুঙবিত্রা? অশেংবা মরমদি মখোয় মশামক অতোনখনি। অদুবু মোগোল-পাঠানশিংগী পরিক্ষা লোইশিনখ্রে. ফরাসি ইংরেজ লাকপনা হানবি হায়দুনা। মেথ্রাদ অহু উতিন্দু লোইহত্রি। ভারতকী মকমদা মসিগী পাত্তখুম মোংমদি পীদবা য়াগ্রোই। বাহং অদু লৈখিসনু, অদুবু মোংচুপকী জ্ঞান-বিজ্ঞান সভ্যতাগী মরমদা ভারতবর্ষনা ঙসি চুশিনপ্রবদি থাপলদা শোঁকনি, অদুবু মচুগী য়াইফখদা চৈথেং ফংলোই হায়বা ঐনা তশেংনা হায়বা ঙম্মবদি?"

সতীশতা কয়া মচুক হাইদুনা হায়রকই, "মণ্ডে, মণ্ডে, নণ্ডে। অমেস্না লৈতবা, শ্রদ্ধা লৈতবা, থাজনিংঙাই লৈতবা মখোয় অচুগী মকমদগি 'মতৌ অম্ময়া কনা হায়রুদুনম্ভ মাংজবদা ওইগনি।" অসি হায়রগা হরেন্দ্রদা খানা য়েংদুনা হায়রকই, "মীরৈবাকী ফিলোজোফি, মীরৈবাকী সভ্যতাদবু বাংনা খন্দুনা ইশাগী অচুম্বা মাংহজদুনা আদর্শ মাংহজদুনা মীওই থরকা মপুং ফাদবা লাইরিক থরা তম্নগা মীয়ম-মচাগী চাউথোকচবদা ইরৈবাকী ইগ্নাগী লৈরমিক পুস্তক অদুবু ঙমা মমল য়াউনবা লৌদুনা ইরৈবাকী 'খঙ্গোয়ম' চরাংঙহন্দুনা লৈখোম থেইহল্লি। অদুবু শাস্ত্রনা তমখীবগী অমাংনচু পিবাতাখা থাংজগন্থে। মহু চুমথোক্লবগী

অকপা য়াখল ফোংদোক্লুরক্লে। মরাল খণ্ডনরক্লে। অসিগুম্বা তঁমথীনা খুদোংথীরবা মতম অহুদা স্বজাতিগী ককণ্ডাওনরবা পুক্লিংগী ইছনবু ময়ুম মাইকরোমদা অমুক হন্না পুশিনবিরক্লিবা পুকচেল চাউরবা মীওইশিং অহুবু গুপ্নগী বাঙলাদেশতগী নত্তে, ভারত অপুম্বগী থুক্নিংঙাইনি।" অসি হায়রগা মহাক্না মখুং মরাইবক শোক্লকই।

য়াঙ্কম অহু অচুম্বনি হায়বা ময়াম পুম্নমক্না খণ্ডই। মরম অহুনা হরেন্দ্র অজিত মবানিমক্না মাগী মতুং ইন্দুনা থুক্নিংঙাই ওইবশিং অহুগী মফমদা থুক্নমজবা উংলকপদা ঙক্লিংঙাই কবিস্থু লৈতে। অজিতনা খোঞ্জেল তপ্পা হায়রকই, "অহু নংলমক্লবদি মী অয়াম্বনা মতমহুদা খৃস্টান ওল্লম্লগদবনি।" হায়রগা মহাক্না কমলদা য়েংলকই, মাগী মমিংতা য়ানিংবা চেন্দে, চেন্নিবদি গুপ্নগী চৈবদনি। অহুম ওইনমক তুম্মিন্না লৈ। পাউখুম পীনিংবগী অপাম্বম্ভ লৈরমদবা য়াই। অজিতপু মহাক্না খণ্ডই, মহুগী খোম্থাং য়ৈরকপা মতম অহুদা মহাক্কী ঙাইহাক্কী মমাংগী য়াহৈশিং অহু নিংশিংলুবদা মহুগা চয়েংনহুনা অম্মুক্কী মতিক মওং চাদনা থোকপ্রে মহুদি, মহাক তুম্মিন্না লৈথোকপা ঙমদ্রে। হায়রকই, "হরেন্দ্রবাবু, অসিগুম্বা মথলগী মী লৈ মহুদি, মখোয়না ভূত থাজদে. অহুবু ভূতপুদি কী। অদোমম্থু অহুগুম্বনি। অহুগা মসিবু মঙলান-ঢোইরোল কৌই। অহুক চুমদবদি অমমুক লৈতে। লৈবাক অসিদা আশ্রমগীদমক্তা কৈদৌঙৈদম্থু শেলগী অয়াংপা লৈরোই, অহুগা মুপামচাশিংহু চাবা কংদনিংঙাইন্থু

লৈতে। মতৌ খঙহ্রা অদোম নগ্রবগী সতীশবাবুগী চংনবা য়াগনি, অদুবু মহাকপু থাদোকপগী কান্নদবা নুংনাংবনা অদোমু মতম পুম্নমক্তা অয়াবা পীগনি।"

লেপকক তৌরগা হায়রকই, "ঐগী বাবাদি থুঙ্গানি, অদুবু ঐগী ধর্ম করিনো হায়বদি মহাক্না নোংমতম্ভু খিজিনখিদে, ঐনম্ভু খিজিন্দে। মহুগী দরকার লৈতে, ঐগী পুক্কিংদা ফাওবা থম্লুদে। ধর্মবু মতৌ অম্মুম্মা ইপুম্পি চুম্না কাউথোকচবা ঙম্মনবা নিজরিবনি, অদুবু মাং-তাকহনবনি লমচৎ নাইদবনি হায়দুনা হৌজিক্তা চৈথিঙ্গ্রিবা অদুগা থুঙ্ঘিংঙাই মশক্কি হায়দুনা থুরুম্বিব্রবা অনি অসিগী মহুংদা কনানা ইরৈবাকী মাং-তাক্লবা শিনথদা হেক্তা থুং চংবগে হায়বা য়াহং অসিগী পাউথুম নোংমা মীনা পায়রকপা কাউরোই।"

সতীশকী হকচাংদা কনাননো চৈনা ফুথরকপং মন্রে। অকনবা চৈনাখোলহ থাংঙমগ্রহুনা হোগংলগা হংলকই, "অদোম থঙবিব্রা মখোয়গী মমিং? করিগুম্বদা কনাগুম্বগী মকমদগী তাবিগ্রব্রা?"

কমলনা মঙক হাইদুনা হায়রকই, "তাদে।"

"অদু ওইরবদি মহু থঙজিনবিয়ু।"

কমলনা নোক্লুনা হায়রকই, "হোয়। অদুবু মিংগী মীহৌবা ঐগী লৈতে। মিং থঙবদনা মপুং ফানা থঙলে হায়বা লোবা ঙমদে।"

মহুগী পাউথুমদা তুগ্রনী থৌশাজবা অমহুং চুক্কচবা

উংহুনা থোঙথাং লুম্না খাংহুনা সতীশ ইমুংদগী মপানদা থোকখ্রে।

মহাক শাউহুনা চংখিবগি হায়বদা চিংননিংঙাই নৈত্তে। কজননবা থৌদোক অসিবু থরমথে কোকহুম্নবা মাথলদা হরেন্দ্রনা মোকশিন্নবা হোৎনহুনা ঙাইহাক নৈরগা হায়রকই, "কমলগী শকতি লোংপোক্কী শক্তি, অদুবু লোনচন্তি মোংহুপকাদ্রি। অমদি মিংনা ডবা ফংই, অদুবু অতোপ্পা অহুদি মপুংফানা থুপচায়না নৈ। মকম অসিদনি ময়াম্না লাম্না লৌনরিবসি। মহাক্কা লীজবা চাবা য়াই, অদুম ওইনমক হজম ওইবদদি অপনবা লী। ঐখোয়গী অরিবা করিগুম্বা অমত্তদা মহাক্কা থাজবা নৈত্তে। কাম্নদবনি হায়হুনা থৌওইদবদা মপুক্লিংদা চিংনবা পোক্তে। লেনা খুংতা পাম্বরে হায়হুনসু হেক্তা থোংবা হৈবা নত্তে— য়াকম অসি মহাক্কা থঙবা ওমদে।"

কমলনা হায়রকই, "ডক্টী, গুপ্নগী দাম তৌবগী মতমদদি ঙংমগী মহুৎতা অমা লীবা ওমদে। ঐগী য়ানিংদবা মতাং অসিদনি।"

হরেন্দ্রনা হায়রকই, "আপ্রমতু থম্নমোই হায়না ঐ লেপ্লবনি। অদুগুম্বা শিক্ষা অদুগী মতেংনা মী ওইরক্তুনা হুপামচাশিংনা লৈবাক্কী থীংজম্বা— অথোইবা য়াইফবা পুরকপা ওমগত্রা ওম্নোইদ্রা হায়বা ঐ চিংমরে। অদুবু সাইর-অমংবা ইমুংগী মুপামচাশিং অদু সতীশনা মদুম থাদোকহন্নুনা পুরকখিবনিনা মথোক্সী কারি শিক্ষাদগী ঐ থনবদা লাপ্পা ফংগ্রে। সতীশকী মথুংতা মথোমু পাক হেক লিমহোকখিবদু ওমত্রে।"

কমলনা হায়রকই, "ঙমখস্নু কাননে! অদুবু মহাখোয়বু সাধারণ নত্তবা ওইখোক্লবা করিসু তোক্লবা পাম্বিক্লনু। লাইরব-অনংবা ইমুংশী অঙাং লৈবাক পুম্নমক্তা লৈ; মখোয়না মখোয়বু শেমগংনবা মওং অদুদা অহুম মখোয়বু মী ওইনবা শেমগংপিয়ু।"

হরেন্দ্রনা হায়রকই, "মতাং অসিদা হৌজিক ফাওবা নিংজিং-মাংজিংনবা কোকপা ঙমদ্রি। ওঝা-পণ্ডিত থাজিন্দুনা মখোয়বু লাইরিক-লাইত্তু তমহনবদি ঙম্বা য়াই, অদুবু পুক্নিং ফাজিনবা অদুগা ত্যাগকী শিক্ষা মখোয়দা পীবা হৌখিবা মতুদগী মাঙ্হোক-হন্দুনা মখোয়বু মী ওইনবা শেমগংপা ঙমগদ্রা ঙম্লোইদ্রা ঐ চিংনৈ।"

কমলনা হায়রকই, "হরেন্দ্রবাবু, পোং খুদিংমকপু অদুক হকচিন্না অদোমখোয়না থনবিবনা করিগুম্বা বাহং অমত্তগী অচম্বা পাউথুম ফংবিদ্রিবনি। মখোয় লাই ওইবা ঙমগদ্রা, অদু নত্রগনা মপুংফানা লৈখা তাখিগদ্রা চিংনৈ। জগৎকী অরায়বা, অচম্বা, মশাগী অত্তাবী ফজবা মিংতা পাক হেক উবা ফংদে। মী-রা লৌবগী শাজিনবা চুমদবা রাখলনা থম্মোয় শিন্না চিংনবনা থুদক্তা মোংহল্লি। তুমিং অদুদা উরকখিবা মতুবু করম্না মওংগী পুক্নিং খুদুম চনবা অদুগা ত্যাগকী শিক্ষানো? মখোয়না করি ফংলবগে? ফংলি অতোপ্পনা থোক্নংপিবা অরা-পোংলুম, ফংলি মখৌ নত্তনা মখৌ শাবা, ফংলি ওৎপিরবা চরায়বা। চীনাশিংগী লেবাক্তা পোকপদগী নুপীশিংবু য়োংকী খোঙউপ উপশিনখিদুনা মখোঙ পিকহল্লি, নুপাশিংনসু মদুবু ফজৈ হায়, অদুম্না

হুন্দীশিংনা মশাগী লেংঙম-শাঙমত্রবা শোয়নাইরবা মখোঙ্গী কজবদা মশাঙ্কক ওমহংইচৈ, মতম অহুদা আশা তৌরুমিংঙাই ৰরিঙ্ক লৈজে। অদোমখোয়না ইশাগী তৌবা ওস্বা ওণদা ওমহংচহুনা লৈবিরি, এনা হ্‌খি, অঙা‌শা কমদৌরিবগে? নুশামচাশিং অহনা খুদক্লা থুম্নকই, য়াম্না লুংঙাইনা লৈ। অমুত্তস্থ খজুদে! খম্বস্থ মখোয়গী ওম’খ লানথ্রে, অসিগুম্বা শাসন্নি! ইচে-বেম্মা নীলিমানা এঙোন্দা য়েংহুনা মসিগী পাউথুম পাম্বা ম'ল্লি। অহুবু থম্মোয়দা ছুম্বদা লৈনাং মতুনা এনা রা অসিগী অতোপ্পা পাউথুম অমত্তা থিবা ফংখিদে। পুক্লিংদা খঙখি, তুংদা মখোয অসিমক্লা শৈনবাক্কী নীংতম্বা পুরক্কদবা।”

হরেন্দ্রনা হাযবকই, “অঙাংশিংগী রা থমখিসি, অহুবু রাজেন জহুগা সতীশ মখোয অসিদি পাখংনিদনা? মখোয় অসিস্থ পুম্নমক ত্যাগ তৌরবনিদনা?”

কমলনা হাযরকই, “বাজেনবু অদোমখোয়না য়ৌশিল্লা খঙবিদে, মবম অসিনা মহুস্থ থঙ্গিবো। অহুবু বৈরাগ্যনাদি যৌবনবু খ্বাইদগী হেন্না যোকখংতুনা থম্মী। মহু শক্তি অমদি মায়োক্কী শক্তি নওনা মহুবু কনান্না খুত্রুম চনগদগে?”

হরেন্দ্রনা হায়বকই, “বাবৌগন্থ কমল, অহুবু নহাক্কী ঈদা বৈরাগ্য পক্কে। নহাক্কী বাবাদি ইয়ুরোপিয়ানি, মাগী মশাই-গোন্দা নহাক্কী অঙাং ওইরিঙগী পুন্সি লেল্লকখিবনি। ইশাদি লৈবাক অসিগীনি, অহুবু মাগী রা হৌদোক্তবনা থৈ। হকচাংগী কজবা শক্তম নত্তুনা মাইকৈ অদোমদা কন্নিস্থ ফংদে। অহুনা

নোংচুপকী শিক্ষাদা ভোগতনা পুন্সিগী থাইদগী অরাংবনি হায়না লৌরি।"

কমলনা হায়রকই, "রায়ৌজদে হরেন্দ্রবাবু। অসিগুম্বা রাদি অদোম্না তাকশিগনু। গুপ্পদগী ভোগতনা পুন্সিগী অথোইবা ওইনা লৌহুনা কনাগুম্বা জাতি অমত্তা কৈদৌউদসু চাউখৎপা ঙমদে। মুসলমানশিংনা অসুম্না লায়। লৌরুব। মতমমহুদা মখোয়গী ত্যাগসু লৈখা তাখি। ভোগসু মাংজখি। অসুম্না লায়না লৌরবদি মখোয়সু লৈখা তাখিগনি। নোংচুপ অসিসু জগতগী তোংফানবা নত্তে, বিধান অসিবু থৌওইদবদা কনাসু হিংননবগী পাঙ্গ লৈতে।" অসি হায়রগা মহাক্না মিংকুপমুক তুম্মিন্না লৈরগা হায়রকই, "অহুবু মতম অদুদা অদোমখোয়গীসু নোকফেং তৌনা বা ঙাংননবা নুমিৎ থুংলগনি, কমদৌই হায়জখিদনা! নুমিৎ কয়ানি মখোয়না কপ-লাউরকপগী ঙমখ লাকনি হায়বা ঐখোয খঙই। অহুবু হন্না য়েংবিয়ু, ঐখোয মহৌবোলদগী হৌজিক ফাওবা লেংদনা লৈ।" ঙাংনা ঙাংনা খোইরুম মোমোন মীনোক্না মহাক্কী মাইথোং শিন্না মকা লায়রক্লে।

হরেন্দ্রনা হায়রকই, "নুমিৎ অদুমক লাকপা ওইসনু।"

কমলনা হায়রকই, "অহুগুম্বা রা হায়বিবা হৌনদে হরেন্দ্রবাবু। অদুক চাউবা জাতিনা কদ্রিগুম্বা লৈখা তাগ্রবদি মহুগী উমুক্তা জগৎকী মঙাল কয়া মমশিনখিগনি। মীওইবগী মহু অরাবা নুমিৎনি।"

হরেন্দ্র হৌগৎতুনা লেপখৎখ্রে। হায়রকই, "মহুকী হৌজিকসু মতম রাংলি, অহুবু ইশাযক অরাবা নুমিৎকী হৈনবী লৈরে।

মঙাল কয়া মুংশি মুংশি শিথরক্লি। বাবাগী মর্কমদগী মুথংনবগী লৌশিংদমক তম্লক্লমাল্লে, মৈ চুথংনবগী বিদ্যাদি তম্বিহৌরম্মাল্লে। করে য়ৌজপ্রগে। অজিতবাবুদি য়াংশিন্নিনে ?"

অজিত হৌগংনিং হৌগংনিং তৌই, অদুবু হৌগংতে।

কমলনা হায়রকই, "হরেন্দ্রবাবু, মঙাল লম্বীদা তাদহনা মিংতা ফুরক্লবদি খোংবান্দা ওন্থগনি। অদুগুম্না মঙাল অদুবু মুথংশিবা মহাক্কু মরুপ্পি হায়বা শঙবিগদবনি।"

হরেন্দ্রনা নুংশা মপী হোন্দোরকই, হায়রকই, "মতম অযাম্বদা পুক্লিংদা খল্লি, নহাক্কা শক খঙনখিবা যম্ভবা পুংফমদা ওইরমাল্লে। হায়রিবহৈ থাজবা ওম্বগী ঐগী শক্তি নৈতে, অদুম ওইনমক হায়নিংই, বিদ্যা, বুদ্ধি, জ্ঞান অদুগা মপা খোকপগী লিংজেল মখোয়না ফনস্থ উংসন্থ, ভারতকী মফমদদি পুম্নমক অহৈ করিস্থ নৈতত্বনি।"

কমলনা হায়রকই, "মসিদি ক্লাসতা প্রমোশন ফংদ্রবা অঙাংনা এম, এ, পাশ তৌববু ঙৈবগুম্বনি। হরেন্দ্রবাবু, ইশাননা ইশাবু থাজবা হায়বা রা অমা লৈরগুম মদুবু হেক্কংনা হাযজিনবগীস্থ রা অমা লৈ।"

হরেন্দ্র শাউরক্লে, হাযরকই, "রা য়াম্না লৈ। অদুবু ভারত অম্নিমক নোংমা হৌরম খুদিংমক্কা জগৎকী গুরু ওইরম্মী, মতম অদুদা লৈবাক কয়াগী পারি-পুরিশিং ঊশাদা য়ারেক্লম্মী। অমুক হন্না ভারতবর্ষ অম্নিমক্কা নোংমা জগৎকী ওবা অদুগী আসন লৌরগনি। লৌরবরুদ্ধ তাব্বনি।"

কমল শাউদে, নোঙ্কই। হায়রকই, "ঙসি মখোয় উপাদগী লৈমায়দা কুমথরক্রে। অদুবু থাইনা মতম অমদা শাগে অমনা পৃথিবীগী গুরু ওইরগনী, অদুগা করিগুম্বা মতম অমদা অমুক হন্না শাগে অদুনা মপা-মপুগী শিনফম হুঞ্জিন্না কংলক্কদবনি হায়বা অসিগী থম্‌-লৈনবদা নুংঙাইথোকপা পাম্বিরবদি অজিতবাবুগা ডাম্বিয়ু। ঐদি থবক যাম্না লৈজে।"

স্বরেন্দ্রনা হায়রকই, "ফরে, নমস্কার! ঙসিদি য়োঁজপ্রগে।" হায়রগা মাইথোং শাথীনা মকশিন্না থোকপ্রে।

কুনতক্কক

সুমিং মাপলনি তরানিগী মতুংদা কমল আশুবাবুগী যুমদা উন্নবা লাকই। য়ারী অসিগী পবি, থারিবা মখোয় অদুগী পুন্সিদা সুমিং থরনি অসিদা অহোংবা অমা থোকপ্রে। অদুম ওইনমক থোক হেক্তস্ু নত্তে, আশা তৌনিংঙাই ওইদবস্থ নত্তে। মতম থবদগী থেক্ল-খোয়না শিংলকপা নুংশিংনা হুমহুনা নোং মচেং মচেং অতিয়াদা তত্তনা পৈশিল্লক্লুনা থম্লকখি, মসিগী ওইরকদবা ফলগী মবিদা থোইদোক্লা চিংননিংঙাই লৈত্তে, থোক্লিবস্থ মহুমক্লি।

গেট শংবা চৌকিদার লৈবমদে। যুমগী মথাগী মাঙ্গোলদা থোইদোক্লা কনাস্থ কমদে, অদুম ওইনমক চৌকি থরা, আরাম চেয়ার অমা থাহুনা থম্মী অমস্থং কল্লাঙ্গুনা অচৌ-অপাং কয়াগী ছবি থেংলি, ঙসি পুন্নমক অদু লৈত্তে। গুপ্পগী, শিলিংদগী

মচে শাংনা য়ান্থরিবা বেঙ্গালী কারবা থাউমৈ অদুদি হৌজিকসু লৈরি। মচি মচিদা অমোংপা পৈরে, মচুশিংদু লেংদোকপগী দরকার অমুক লৈত্রবাচ্ছে। কমদৌননো য়ুমগী [illegible] থিবা য়াউদবা মওং অমা লৈরে, য়ুমুরেন চেনখিপদোরে হায়বা মচু উবদা থওবা ওন্মী। লুংখিল নুমিদাংরাই ওইশিল্লক্লে, মহাক মহৌশাগুম আরাম চেয়ারগী পাম্বোমদা মখোঙ থিংখোক্তুনা হিল্লি, বা অদুগী মনুংদা অতৌ কনাসু লৈতে, পর্দ্দা হাইদোকপগী শউমদা মমিং পাংথোক্তুনা যেংলগা মহাক হৌগৎতুনা কমপ্রে। কমলবু মহাক্না আশা তৌরমদবসু য়াই। য়াম্না হরাওদুনা তয়াম্না ওক্লকই, "কমলনিদনা, চংলকউ—নুপীমচা চংলকউ।"

মহাক্কী মাইথোং উবদা কমলগী থম্মোয়দা থুক লাউরক্লে—"মসি করিনো! হনুবগুম শোকচিন্না উইনা খুড়া-ইবুংঙো?"

আশুবাবু নোক্লই—"হনুবা? মদুদি ঈশ্বরগী আশীর্ব্বাদনি কমল। চহি অসুক য়াম্লবা মতমদবু হনুবা ওইনা উদনবা লাইবক থিবা অমমুক লৈত্রে। অঙাং ওইনা কোক তাংবগী মতৌগুম্নমক পুক্লিং নুংশি।"

"অদুবু হকচাংদু থোইনা নুংঙাইনা উদে।"

"নুংঙাইতে।" অদুবু শন্দোক্লা রাহংগী পাউখুম অমুক পীত্রে, হংলকই, "নঙবু কমদৌরিবগে কমল?"

"নুংঙাইজরি। ঐদি করিগুম্বদসু না-য়েক্তে খুড়া-ইবুঙো?"

"মদু থঙই। নশাসু নাদে, নপুক্লিংসু লৈনা চেন্দে।

মহুৎকী মরমদি নত্ত মীহোৎবা লৈতে। অপাম্বা করিস্তু লৈতে [illegible]মহুৎ অরিং চংহনা হৈখবিরকপনি।"

"[illegible] ? পীরিবকপা করি খেংনবিবগে তাকপিয়ুমনা ?"

[illegible]কুনা হায়রকই, "মসিদি ডিপুটিগী কোর্ট নত্তে নুপী-মচা, মখকা তোৎপা মাই পাকদবা! অহনা মহু ওইনিংবা [illegible], [illegible] ওইরমক সংসারগী বিচারদা ঐ ইশামক থোক্না [illegible] কংবা নত্তে, অহনুনি ওসি অয়ুক খাও হৈদোকপা চাটকা চাখিমক্না য়েংখিবা। খেংনখি, শূন্যগী অহুশিংহু নক্না অম্বক কুইরবা নগদ লুপাশিং অহু মশীং য়াউরমত্রে— খম্মোরগী স্কুল য়াউত্রবা খাও অহু থম্না চাউনা উবদা মীগী মমিং থক্লুরি, অহুবু মথুংদা করিগুম্বা পোংশক অমত্তা য়াউরমত্রে। মীনা ওপ্পগী লাম্না লৌনরি নুপীমচা, গনিত-শাস্ত্রদা লেংঙরি শূন্যগী মমল লৈ হায়না। ঐদি করিস্তু লৈবা উদে। অমগী মথং থংনা পরেং শানা থম্নবদি কোটি অমা ওই, শূন্যগী মমিং-[illegible] চবুল ওইনা লৈবনা শূন্য কোটি ওইবা য়াদে। পোং য়াউত্রবা মকম অহুদদি পুম্নমক অহু ওপ্পগী মায়াদনি। ঐনা কংবস্তু মহুমক্কি।"

কমলনা য়েংলে, মহাক্কী মনাক্তা চৌকি চিংশিল্লগা ফম্নরে। মহাক্কা মথুং য়েংতুনা কমলগী মথুং মথক্তা থম্নগা হায়রকই, "নুপীমচা হন্দক্তি ওপেংনমক চংনবগী মতম থুংলরে, হয়েং-হংচিং চংলগনি। হন্নরে, অয়ুক করিগুম্বদা উম্নবা কংখিগনি

হায়বা থাজবা চুমদ্রে। অদুবু থাজবা অসিদংসি নৈ মথুদি, ঐবু নঙনা কাউরোই।”

কমলনা হায়রকই, “নত্তে, কাউজরোই। উন্নসু উরখিগনি। থাও অদু শুনাদনা থল্লে হায়রুনা ঐগী থাও, অদু শুনাদনা থলহন্দুনা থমদ্রে খুড়া-ইবুংঙো, য়াউরিবশিংদু তশেং-তশেংবা পোংশক ঙাক্লনি— মায় নত্তে।”

আশুবাবুনা বা অসিগী পাউখুম পীদে, অদুবু নুপীমচা অসিনা মরিক অমা কাওবা মীনম্বা ঙাংদে হায়বা থত্রে।

কমলনা হায়রকই, “খুড়া-ইবুংঙো হৌজিক কাওবা লৈবিরি হায়বদি য়াই, অদুবু পুক্রিংদি লৈবাক অসিদগী বিদায় লোৎত্রে হায়বা য়ুম অসিদা হেক চংলকপদগী থত্তুরক্লবনি। মখম অসিদা খুড়া-ইবুংঙোবু ফাদুনা থম্বা য়াঙ্গরোই। কদায়দা লেংবি-গদৌরিবনো? কলকাতাদরা?”

আশুবাবুনা তপ্না তপ্না মঙক হাইরকই, হায়রকই, “নত্তে, মকমক্তদা নত্তে। হন্দক্তি থবা থাপ্না চংকে হায়না লেপ্লে। মরুপ অরিবশিংদা হায়খিবা বা লৈ, কবিগুরু হিংবা থোক্লবদি অমুক্তংদি উরবর্কখিগনি। মখম অসিদদি নঙগীসু কবিগুরু দরকার লৈত্রমাল্লে নিংই কমল, চংশিখা নুপীমচা ঐগী লোয়ননা বিলাত্তা? অদুগা কবিগুরু ঐ হয়কপা উমথিদবা থোক্লবসু কনাগুম্বা পাউ কুপ্পা চমবা য়াই।”

থোইদোক্না মশক-মমিং পান্দবা মীশক অদু কনানো হায়বা কমলনা খিন্দনা থক্কবা উত্রে, অদুসু মরেক শেংকনা

অদু ময়েক শেংহন্দুনা মৈচাক হাপ্লুবস্থু থোইদোক্লা মরম চাদে।

আশুবাবুনা হায়রকই, "চিংঙ্কুনিংঙাই কৈত্তে নুপীমচা, হন্নবু সেবা তৌগদবা নত্তে। শেংগুম-শাগুমগ্রবা হকচাং অসি মমল য়াম্মী, মসিবু পুহনা চংনববগীদমক্তা ঐ মীগী লমন অমুক তোনশিল্লরোই। অদুবু কনানা খঙগনি কমল, শাহুম মপৈ অসিনা মরম ওইহনা অরুবা রাহং ওইরকপস্থু য়াই। পুক্নিংদা ঈকাইবনা শিগদৌরে। অস্থুক শাথীবা থোদোকপু জগং অসিদা থোক্লকনি কনানা কৈদৌঙৈ খনবা ঙম্লমগনি।"

কমল চিংনবনা চঙকুপ্রে, হংলকই, "ইচে-বেম্ম। নীলিমা ইউ উদ্রিবা করিগীনো খুভা-ইবুংঙো, মহাকপু কদাযদা?"

আশুবাবুনা হায়রকই, "মাগী কাদা লৈরম্বা য়াই, ঙরাং অয়ুক্কগী মশক অমুক্তা উদ্রি। হরেন্দ্রনা লাক্লগা মাগী লৈফমদা পুগ্রগনি হায়বা তাই।"

"মাগী আশ্রমদা?"

"আশ্রম লৈত্রে। সতীশ চংখ্রে, অঙাং খরস্থু মাগা লোয়নখি। নুপামচা মরি-মঙাদংদি হরেন্দ্রনা থাদোকখিগ্রে, মথোয়হুদি লৈরি। মথোয়গী মমা-মপা মরি-মতা কনাস্থু লৈত্রে, মথোয়বু মানা মশাগী আইডিয়া মতুং ইন্না য়োকনি হায়না মানা খঞরি। নঙবু তাগ্রিরনে? অদুগা কনাগী মকমদগীবু তারুগনি।"

লেপকক তৌরগা মখা তারকই, "মহাল সন্ধ্যাদা ভদ্রলোকশিং চংগ্রবদা তুংদা লোইশিন্দবা চিঠি অমা ইবা লোইশিন্নগা পাহনা নীলিমাদা তাহল্লি। নুমিৎ কয়ানিদগী মহাক তরং-মালংদা

তাউবগুম [illegible] [illegible] [illegible] উবদু [illegible] চিটি [illegible] এরী [illegible] [illegible] [illegible] ইবকি, ঐ [illegible] [illegible] পৌরাং [illegible] মপুং থানা [illegible] [illegible] উইনা [illegible] [illegible] [illegible] থাখি, [illegible] ঐখী [illegible] উইনা [illegible] ফাই, [illegible] [illegible] মাং তৌকনবা। [illegible] [illegible] হায়খি। [illegible] [illegible] [illegible] হায়খি। [illegible] [illegible] অমা লোন্দুনা লৈ, হোয় মাই [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] কংদহনা নোঙ্গথঙ্কুনা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] মচৈশিং অহু, লৈমায়মা চোংথাঙ্খনবা [illegible] [illegible] [illegible] পাম্বোমদা মকোক ইরেল [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] উইশিল্লি, মাইথোং মপুংফানা তাইবংপ [illegible]॥ [illegible] [illegible] হায়বা পাক [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] লৈমায়মা হিপাথহল্লি, [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] মহুনা মমাইরা, মমিত্তো [illegible], [illegible], লৈতকনা [illegible] [illegible] মীবুবীব, কৌলিংবম্বী, [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। মিমিট [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] হোৎ[illegible] [illegible]॥ [illegible] [illegible] '[illegible] হু, [illegible], [illegible], [illegible] [illegible] [illegible] ঐখী [illegible] মচিন [illegible] [illegible] হিক্স [illegible]॥ [illegible] [illegible] [illegible] পুক্লিংদা, [illegible] [illegible] মাপী [illegible] [illegible]। [illegible] লৈরপা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] কয়া [illegible] ঐজা [illegible] [illegible] [illegible] লৈরিজে।

কমলনা য়ু তাংলনা মহাক্কী মাইথোংদা য়েংলকই।

আশুবাবুনা মিংকুপ্তা মশাবু কাথকপগা হায়রকই, "থোই-দোক্লা ওইরবা যাই মিনিট অনি-অহুমদং। ফিভম অসিদা মচোক্না কয়ি হায়গদগে থনবদা লাম্বা কংক্রিটকী নীলিমা লোংথাংমুক য়াংনা, মুক হৌগংখি, অমুক্তম্তু হন্না য়েংলমদে, কা মঙ্গলগী থোকখি। য়া অমত্তা হায়রমদে, হায়খিদে ঐনস্তু। কহুগী মতুংদগী মশক অমুক উথিদ্রে।"

কমলনা হংলকই, "মসিবু হায়দি থওবিদত্রা?"

আশুবাবুনা হায়রকই, "থওদে। মওদা ফাওবা থল্লদে। অহুগা অতোপ্পা কনাগুম্বা অমা ওইরম্লবদি মসিবু তৌশিন্নবনি, মশাগী ওইজবা থিবনি থল্লমগনি। অহুবু মসিগী মরমদা অম্মুম্না থনবা ফাওবা শাপ পুগনি। মসি কয়াদা ডক্লিংতাই ওইগ্রবা নুপীগী থম্মোয়নো! লায়না চেল্লবা লেংওমত্রবা হকচাং, চয়ত্রবা চোকচরবা থম্মোয়, হুমিদাংবাইরম-পুন্সিগী মমল করিস্তু য়াউদ্রবা, অহুগুম্বা মীশক অহুগী মাইকৈদা অহুক ফজবী তনৌরিবী অমগী থম্মোয় চিংশিনবা, অম্মুক শাথীনা ডকপা জগৎতা কয়ি লৈরমখিগনি! অহুম ওইনমক মসি অচুম্বনি, মসিদা গুপশিংদং কাওবা হেক্কিমা হায়বা নত্তে।" অসি হায়রগা শাজং ফজবা অহল ওইরবা নুপা অসি লাংতক্লবা মৈচাক অমম্মুং তশেংনা উকাইদগা লোয়ননা হুংশামগী হোন্দোক্লগা ছুম্মিনা লৈক্লে মতৌ অম্মুম্না তাইহাক লৈরগা অমুক হায়রকই, "অদুবু ঐ তশেংনা থক্কই, লৌশিং লৈবী নুপী অসিনা ঐগী ইকমদগী

করিস্সু আশা তোদে। মহাক্কা পাম্নিবদি শুপ্নগী লেবা, তৌবনি, য়েবা য়াংত্তুনা ইপাং য়াউগ্নবা পুক্সিগী লেমহৌরিবা মুমিং খরনি অহ্ ঐ য়ানা লেনখিদবদনি। মহুদা চেম্লিবসি শুপ্নগী খোজাপ অহ্গা মক্কুবা মীনুংশিনি।"

কমল তুশিন্না লৈবা উহ্না মহাক্কা হায়রকই, "বেলানা খায়নবগী য়াথোক্কা ঐনা অয়াবা পীখি। য়াগী য়াপাদগী মুমিং অহুদা য়াকম অসি কাংথোক্লখিবদা নীলিমানা থোইদোক্কা য়ানিংখিদে। মহ্গী মতুংদগী মহাক্কা বেলাবু ঙাকপিবা ঙমদবগুম তৌই। মপুরোইববু মতৌ অম্মুন্না মীয়াম মমাংদা ঈকাইবা নংহন্দুনা থুঙ্গোইনহ্না লমন খুম্বগী থোদোক অহ্বু নীলিমানা মপুক্লিংদা য়াবা ঙমখিদে। মানা হায়, মাবু খায়নবনা অথোইবা নত্তে, মাগা অমুক হল্লিন্নবনা নুপী ওইবীগী ধর্মনি। ঈকাইবা নংবগী লমন মপুরোইবগী মফমদা থুম্মুবনা নুপীগী মশাগী মথ্যাদাবু মাংহল্লে, অহ্ নল্লবদি মহ্দি সনা-চাংয়েং-নুংনি, মহুদা চাংয়েংহ্না নুংশিবগী মমল লেপ্পন্নমগদবনি। অহ্গা মসিবু করম্না ইশাগী ইজ্জংকী জ্ঞায়ো? ঈকাই-থুম্নবিদনা খায়নপ্পবা মহাক অহ্মকী মফমদা থুং তিংথোক্কুনা ইশাগী শেং-চানবগী শেল লৌবা? করিগীনো, ঙক্কা থুনবা থৌরি ফংল্লিবা? অসি তাবদা ঐনা খল্লম্মী, মসি নীলিমাগী চুমদবা হেক্লিনবা য়াখলনি। ঙসি খল্লকই, নুংশিবদা ঙমদবা করি লৈ? শক, যৌবন, সম্মান, লন-থুম করিস্সু লৈতে নুপীমচা, ঙাকপিবদনা মহ্গী অশেংবা খয়ান্ননি! মহ্ লৈতবা মফমদদি পুম্নমক তাংনি। মফম অহুদদি

হৌরক্কি শক-চুপী থন-নৈনবা, মকম অহুমদি লাকই আত্মমর্য্যাদাগী tug of war!"

কমল্ মহাক্কী মাইথোংদা য়েংদুনা তুম্মিন্না লৈ।

